খম্ব-থোইবী-শৈরেং

অং

হিজম অঙাংহল সিংহ

কোঙজবা—হিজম রাজু সিংহ
য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাই ইম্ফাল।

নম্ফম—চিত্রা প্রেস। য়াইস্কুল ইম্ফাল

মমল লুপা ১৮.০০

খম্ব-থোইবী-শৈরেং

অং

হিজম অঙাংহল সিংহ

সত্ত্ব পুমনমক লাইরিক লেংবগীনি।

ফোঙজবা—হিজম য়্রাজু সিংহ
য়াইস্কুল হিকুহনবা লৈকাই ইম্ফাল।

নম্ফম—চিত্রা প্রেস। য়াইস্কুল ইম্ফাল

মমল লুপা ১৮০০



কাণ্ড

১

পুরেম্বা ঙাম্বরৈম অনি নোংগাখরবা,
মতুংসিদা খম্ব্গা থম্বা মচিন মৌপুরা
অনি সিনা রাহৌবা তাইবং কনা' পাগনি।
নিংথম লাইজ অথেনবা কোম্মা হুনবা থম্বানগুম
লৈরাং মপুং ফাদরে রানা লৈরে মোইরাংদা।
বাৎপা শরুক ওইরক্লে। কেগে য়ুম খুদিংদা,
কোয়ন চাক্লি ফি নিরে। ফণ্ডঙ-চা ফংত্রগ তোক,
মৌপুরা নারা পুহনা কোয়ন খোম্লাং ইল্লকই।
মোইরাং লৈপাক অহুগী মুংশি চাউবী কনানা,
ইন্‌বি খোম্লাং অহুবু হরাও হরাও মতৌবি।
খম্ব্ হায়রুত্রবম্ব্ থম্বা কপ্প-তাবদা—
"ইমোম খম্ব্ পুরকউ, নৌপুরাদো ইমাদা!
ইমা খোম্লাং ইল্লমগে।" অশুম্বা কৌবি কনানা॥
মোইরাং কনাগুম্বীনা নোংম-মখৈ মতৌবি,
হরাও হরাও লমজাবু। নিনিম্ব্জিল্লকপদা
হৈনিংদবা উরকই—মতুং চংবা ঙমজদে।
মাবু লুনা তৌবিবু থেংনদবা মতমদা,
মৌপুরানদি কপশিল্লক হুগী থাংবা ঙমখিদা!
"ঐবু 'মুংশিবিদেদা" লমজা মম'ম পুঙমদা!
মৈং অনি মরক্ত লমজা খম্ব্না রারিবা—
"কোয়ৌ নোংম ফাদোক্ত ওইরবদি ফদৌনি!

মুত্তি নোংজা খুদিংবু ঐনা লানবা ঙাক্তনি।"
মুয়া মানা কপ্লকপ', মৌপুৱান'দ, খম্ব !
হুমাই হুমগুম্ কপশিল্লক—খাঙব য়ারক্তুহুনা
লৈকায় থোংজিন চংলকপা হে'ক্ত চংসি ঙমজদা,
কোম্বোং মনুংদা 'মুক লেপ অমুক থর চংশিল্লক!
লমজা নিংগি ইমোং মোং, সঙ্গোই নম-ওন্দা 'মুক-লেপ!
সেগায়রবা চরৌদ লমজা খ্বাংদা শেংচব,
সেগায়রবা অমনা নারা নাহোং শাজবা'
চংজরুবা অহুদি! কৌনি'দব উরগা,
মুয়া মানা য়াখিবা জীব-তুনা চাকখিবা!
হয়াও হয়াও কৌরম্বা হুদা মানা হয়াওবা!
ইকং ফংদ নুমিত্তা লমজা হঞ্জিল্লক্তুনা
<u>ঙাংথ রৈমা মমাগী</u> পম্বৌ ফমেন কাহুদা
মঙ্গোন উখোকতেনহুদা মহুনিংথৌ নমদা পো!
অনি তুনা কপ্লকপা "ইমা! ইমা' কৌরকপা!
মৌপুৱানা কপ্লদা মুরা মাম্বু কপইব'।
খম্বা খম্ব অনিগী লমজা মিকপ থোন্দুনা
পুরেম্বগী ইম্বোন্দো উনা ফাওবা কপ্লক্লে।
মপায় লৈকোন অচৌবা উহৈ 'মত্তা পান্দবা
পম্বৌ মানা লৈত্তবা চহি মরি মঙাদো।
উগী মহৈ অথুম্বা মহি কক্লা অম-ফাও
চুপহমবা ফংদ.র লমজা খম্ব মখুংত্তা।
জীব পানবা অমত্তা অঙা' অনি অহুগী,
উখিদয়ে মোইরাংদা।। মহু পুম্বা উবদি—
পলেং পম্বৌ অনিন' লোইজরম্বা কওেরেন্দো

ঙাক্ষব নিংথি প্লামহৈবা উ'রি মাদি পুম্নমক !!
অঙাং অনি' অরাবা কাওরেন মানা উরকপা
লোইদাম কয়া ওইরকই, কুমজা কয়া খাংঙকই !
"শন্‌গী জাংত পোকপনা পারী ঈমোম অনিগী,
চেংমরু অমত্তবু পেরুক মনা অমা ফাও,
পিন নাউয়োকচববু ঙমজদয়ে ঐহাক্না !
কেপে মচা কনানা লাকচরৈদি ইচাবু
মামবী ইচী অসিনা থম্মোই ফীরাক হাইগাইগে।
ইচায় লমন শিংদোনি লম্বী সোমদা থোক্তেদো !
লাকচবনি শ্রোয়ুম্না—ঐগী পাঙ্গল নৈতরে !
ইচা অমি মত্তৌবু করম হায়না য়েংসিবা !!
ঐমক্তবু নৈররোই ! লাকচবগী লাকচবা,
লাকচহৌয়ো খোমুমশ ! কাওরেন ঐবু চৎলগে,
খোংনা ইমং থিরগে নৈজনিংত্রে মোইরাংদা।
অঙাং অনি মত্তৌসে উজররোই ঐসিনা !!"
খল্লে ঙাওব পাক্কোবা চৎথ্রে নিংথি পুংদোংবা !
মোইরাং কাক্তা লমজাউদা কাওরেন মদোম কোন্দেরে ॥
করি ঙমজত্রবস্থ মুক্তি ভীক্ষা চৎপদা,
ইল্লি মচা অনিগী লমজা মতুং অহুবু।
মচা অনি চৎপদা মোইরাং লম্বী লমখাংদা
তাউবা কুইগী জাংতুস্থ শাবু শনবু অঙাওবা,
লমজা অনি লম্বীদা পনবা য়েকুবমখৈ
অহিং মুংথিল অনিদা তাম্নোকপিদো কাও'.না
মচা অনি চংখিবা কোম্হোংহুদা লেপ্তুন
ঙাইজবনি কাওরেন্দো তোকত্রে ঙসি কোরৌদই
কাওরেন মামা লাকপদি— কাক্তা নায়ক অহুগী

চারসন্থু কৈশিংনা ঐমক্তবু শিরগে !"
রাশক্তুনা লাকপনি। করি মতা ওইদরে।
চরোং লাংনা অমনা কাওরেন মাবু য়াংতরে।
কাওগী মশক উবদা পাম্ব-মশৈ চেমরে ॥
ক:ক্তা লমজাও অচুদা কাওরেন্ মদোম ঙায়হৌরে।
কোরৌ মতম খররু কাওরেন ম'না লৈরক্লে।
ঙসি কৌবা অসিদা, নোংনা নোংম ফানিংচিং,
তারক্লেদো মোইরা'দো। লমজা খম্ব্ কৌবিদো,
তীক্ষা চংলি মোইরাংদা। হ'য়রুত্থনা কামদে—
নাহোংথনা সেগায়বা কোল্লিবথনা মোংপা !
সুজা চরৈ মথাংজেৎ চুস্থ সেগাইখিরিব !
চরৈ মখৈ চোংখরে হঞ্জরকই ময়ুমদা ॥
লমজা খম্ব্ মকোক্তো চোংলে নোংনা পুম্বখৈ।
চরৈ খর মখৈনা কল্লি মৌপ্‌রাহুতবু।
লোংনা মংখিবথুনা কৌরৌ মফম থংজরে,
সন্ধা নারন ছঞ্জিনবা মতম অচু ওইখরে।
খুন্দিম লম্লোং লাইথবান লমজাউ ময়াই চুমক্তা.
নান্থ্‌ক্লরে খম্ব্‌দো। চেং খরদং ফংজবা
য়োমজবস্থ চাইথাইরে। লমজা মৌপুরা শোকগ্রনি
চুগী কমকুবদা সুজা খম্ব্ মচেমদো,
পাংগমদি শোনবগী সুরা খুকউ অচুবু,
লয়ী চেগাই সৌশাবা 'চুনা কয়া থিংগাইরে।
য়ৈন ইঙাং ঙাংখরে। খুনবা য়াক্রে চেংচুস্থ,
লমজা হৌগংচত্থনা য়েংউবদা চেং অদো
ভিমরমত্রে মরু'মা। কোরৌ নারন মতম ওই
লৈখোয়গা ওইবগা ছন্দোক্রমে খম্ব না ॥

শোকই হায়বা খংখিদে অহুক নান শোকপদো,
মহু নিংথৌ অহুবু য়েংই শোক-অহিগম্রা!
মৌপুবাবু থেমজরে চংজরক্লে মযুমদা।
হাইদোকচরে লৈখোমদা অশোকপহু উরুরে।
অনাবহু খংদরেঃ— মৌপুবা চরা হেল্লনি
অসিদগী রাখরে—। পল্লেম পন্থৌ লৈজবী
থোক্লবদি মুক্তাশিং, লমজা শোকইবহুবু—
"শোক্লবোইনা ইচাদে" হায়রহুনা মন্নাম্না,
হোংনরদোবনিদো— লমজা ওইবী মাগীদি
মাহু পুমরাৎ রাংখরে অনাবগী চৈনাথোন
খংবিনবা কাওববু লৈত্রে লমজা মহাক্কী॥
মহু নিংথৌ অহুগী চরা হেনবা তারেদো
খম্বক্লবা অহুদা রাগ্রহুনা খম্ব দো
মুংবংনরিউেমুদা মতম অহু হৌখরে।
মকী অচোৎপহুবু ফোগে মৈদা হায়হুনা
য়েংউবদা লৈরমদ্রে ফুংগা মৈদি মুৎলয়্রে।
"মাঙেও কম্নো" হায়হুনা খনখরেদো খম্ব দো।
"ইনুং শোইবা অসিবু চোৎপা চরৈ অসিনা
কম্না কোম্নি অঙাংবু মৈবু লৌরুগদরা।"
খঞ্জরকই খম্ব দো। ইনুং মতম ওইখরে।
থোক্কদবদা কিক্লরে। খম্ব চৎপা ঙমদরে।
"ইপা ঙাংবা লৈরৈদি ফগদনি। ইপানা
ঐগী তুংবু ইনবিবা, নমোম কিবা সেল্লিকো!
পন্থৌ কোন্দেখ্খিববু কোরৌ শিংবুম কুইরেকো॥
ইপা কৈদৌরবগে?" কপই কাওরেন কৌহুনা॥
মহু নিংথৌ খম্ববু হয়ে অময়হুনা

মালেম নৈমাই থক্কুদা—। অচোৎপদি নাহোংনে
কোম্নবদি ফীহুনে অনি অহু সুমদোক্লে।
লোইনা পুমচোৎ চোৎখরে । নুরা চরৈ মখাংজেৎ
খোংথক লোমদা খ্রম্নদং নাকোংহুগী কিরিবা
মচেৎ খর খরদং চোংলমদেদো হান্নদি
নুরা মখুৎতুনাদ নৈরাং ওহনা থোৎপদা
ওমত্রে চরৈ মাহুবু শোকহন্দানা সুমজবা
চপ মান্নবা চোৎখরে। নহোং কোন্ন ফীহুগা
অনিহুমা মান্থোক্লে—চরৈ খাংচেৎ হুতগা
নুরা ভাইখাংনহুনা মহু নিংথৌ অহুবু,
মথামুংদা কোন্দুনা পুরেম্বগী হমু দা
খুমন চমু খমুদো ফমত্রে হমুং অহুদা।।

২

"নোং অসিনা তারিবা ওসি নিনি শুদোরে।
লৈকাই চনিকুরগা চাজবনি লমজানি।
নোংনা চোৎলরিগনি চরা হেল্লরিগনি,
মংওরিনি করম্নো এগী ইচা অনিদো।"
খন্দবু ওমদরে খনত্রে ওাংবা পাম্নোবা
কাক্তা লমজাও অহুদা ওম্মক্তরে উদবা
লমজা মচা অনিবু। চেম্বংলক্লে মুমিত্তো।।
শাগী জাত্তদি পোকপা মবুক্তদা মখংবা
মানা ভাংবদি থংদা নোংম্নাই মচা অনিনা
মচাই মৈনা চাকপলা খম্ব খম্ব হবদা
কাওগী মবুক অহুনা অমা রোমদা আইনরে।
"খুমন অমু লাম্বা নোংমাই পুম্নাই মুম্বা,

পাল্লি সুংঙাই য়াইফনা; খুমন লৈবাক অতুদা।
লমজা ইচা অনিবু করি থিদে মহাক্কে!
খুমন মাগা লোয়ননা মাগী প্রজা মখৈগা
তক্কা তুম্না হাৎলগে।" লেপথ্রে নিংথি পাক্কোবা
কাওরেন মানা লাকপনা পুরেনবদি মতাওগী
'ঙম্বা হোজং চংলক্লে' কাওরেন মশং-গোনতুবু
উরকপদা কপ্লকই—"সংগোন নংদি লৈহৌরো।
হয়েং ইমুং ঙানবদা চংলগেকো ঐহাক্তি।
নংগী নথা অসিদা পুন্সি চুপ্পা লৈয়ুদি
তমত্রবোইদো চিংউনা।" সংগোন অতু থনম্মি
কাওনা জর জর চংলকই। মাগোন দারি য়ৌরকই।
মচাই মনিন তাদরে। মাংগোল মাংদা কাখৎলে।
কাওরেন মানা লাকপসি ইমুং মতাং থেংখরে।
"ইচা মনিন তাদেনা কৈনো হজিল্লক্লিত্রা?"
কাওরেন মান খল্লকই, লেপই মাংগোল অতুদা।
কাওনা স্নুম্না খ'ল্লৈঙে মতম অতু মক্তুদা
খোল্লাং লাম্নক্লুতুনা খুমন মচা খম্বদো,
মচেই মথা অতুদা—"ঙে" লাওনা কপ্লকই।
লমজা মৌপ্‌্বা অতুগী ম'চনতুদা মচেনা,
খমু মরৈ মতোম্না থিংজিন্দুনা চুপহল্লি।
মচেম লৈখাতুদগী অইংবদি লাইজদো,
খর চুপচরবদা খুমন কপ্পা তোকখরে।
মচাই মখোন তাবদা—"ইচা অনি লৈদনা।"
কাওরেন নে-বু তাজরে। "ঐবু লাকএ খংহনগে।"
খল্লদুনা কাওরেনা, পুরেনবগী থোংজাওদো,
কাওরেন মানা ইল্লকই। লমজ্জা চমু খংদরে।

মুন্না তনিক তনিক্না, "কেগে মোইরাং কনানো?
অহিং তাংলোথেংবদা তোল্লিবিদি ঐহাক্কি,
লংনবিগনুগবা! ঐবু কিহনবিগনু!"
হায়রম্লগা খম্বদো মপা কৌনা কপথরে।
মচা কপ্প তাবদা কাওরেন অড় ৱাখরে।
পুৱেনবগী মাংগোন্দা কাওগী মপি অহুনা
মালেম লোইনা চোংখরে। ডাঙবা-নিংথি খল্লকই....
'ঐ লাকই হায়বসি খংদ্রবোইরে ইচানা।"
"ইমোম 'বেম্মা ইপানি নংদি খংদরবোইরে।
ইপানিয়ে থোং হাংউ"—হায়দে হায়বদা খাকই।
খোংউরে ডাংবা মানা কাওরেন খুমাং হোংতনা
সমৈ লাংদা থুহনা ফাথরবা চেক্লাগী—
কায়নরবা মপীগা চেক্লা মচা শিংহুনা
অহিং অমম্বহুদা মঙুম নুংদা লেল্লকপা
তাংজ লিল্লা শিংহুনা মাবু চাগে লাকপরা,
মনিন অহু তাবদা কিরুবদি চেক্লানা.
পোম্থি য়াইরেক তিল্লবা চেক্লা ওইরম্লবদা,
মপী ওইরবেইদি নিংনা ডাহাক হরাওজবা।
চেক্লা চানা তৌবগুম খম্ব লমজা অহুবু
কাওগী মখোন তাবদা কোক্লে অকিবহুবু॥
মহু নিংথৌ পিশকত্তো নুরা নমদা পোখংলে।
মপা ওক্কে হায়হুনা হাংদোকউরে থোং অদো।
হাংউবদা থোং অদো কাওরেন ইমুং চংঙক্লে।
"ইপাইবুংঙো করিনো, কওরেন নকা নত্তেনে।"
খংলি কাওরেন মপাবু। 'পারি ইমোম' বেম্মা ইপানা
পারি ইমোম অনিগী নশক উদবহুদা.

খল্লুবদা লমজাউদা লৈবা ঙমদ্রে লাকএনো।"
হায়না খম্বু মচাবু কাওরেন মনাঙোনহনা,
সুং সুং নশি য়েংউরে। সুদাংবাইদা চোংখিবা,
মতু নিংথৌ পোরিবা শেংলি কোল্লি পুরম্ন,
থেংনরুরে কাওহনা। "ঐনা নিংবা অহুমক
ঙৌরম্মেনা অসিদে।" হায়না কাওরেন মশাদো
খনুং নোংখোংবগুম্মা কাওরেন মদোন কপ্লক্লে।। —
"ইচল ইত্তাও অনিদি উদ্রবোইদো য়েংউসে!
ইঙেঙ শ'রে হায়বম্মু হায়ঙমদ্রবা নচানি,
খুমন নচা অসিবু নোংয়াই চম্মু মচেম্না,
চরৈ অচোংপসিনা কোল্লিবসে, পুরেম্বা।
ইনুং করম লেনগনি!— পারি ইমোম অনিদি
হেল্লবোইনা চরাম্ন। ঙাংখরৈবা ইবেম্মা!
উদ্রবোইকো নহোয়বো।"- কাওনা অসি খম্বুনা
ঙেংথারকই অহিংদু মচল মত্তাও কৌহনা।
কাওরেন মনাই চোংলকই মমিত্তগী মপিনা।।
খম্বু মানা থংপদা ইনশিল্লকই মচাবু।
কাওরেন থংপা য়াদরে। পুরেনবগী কমজাও-কা,
শম্না মাহু তান্নবু চংশিল্লক্লে খম্বুগা।।
খম্বু মাগী মরোল্দি কাওরেন মানা মখংই
কাওরেন মাগী মরোল্দি খম্বুনদি খংঙক্কা,
মপা ঙাংবা পাক্কেবা রাখরেদা থম্মোইদো।।
কাওগী মত্তো উবদা খম্বু মনা কপ্লকই —
"ইপা ঙাংবা করিনো, পম্মৌ করি হায়বগে?"
কাওরেন মানা—ইবেম্মা! নহুনিংথৌ অসিদি
ইঙেঙরিনি, ইপা কোনগে নচিন নৌপরা।

হায়রদনা কাও অদো কুম্থরে ফ.ৎদা
কাওরেন মচিন অদুনা খম্ব চরৈ চিক্লুনা
চিংথৈ। খল্লি খম্বনা—'লজ্জা ইচিন ইপাবু
কোনগে হায়বোই ইপানা।" নিঙহনা খম্বনা
কনথক্তরে মনাক্তা। কাওগী খুৎা অনিদো
তিংথোরকই ইরেম্না। থারে খম্ব কৌপুরা,
কাওগী মথা অনোনবা অপাকপদি মচিন্দা
খম্বই মোম্পাক ওইক্লরে খুমাং কোলাং শকউরে
অচোৎপদি চরৈদো। খম্ব লোইনা ফোংদোক্লে
হিপ্লে মচিন মৌপ রা। হাংজিন্দুনা মচিন্দো
কাওগী মথা অপ কপা মচি 'মনা কুপথবে
খম্ব খম্বা অনিদো কৈজুপ মই থুংখরে।
কোক্তা মায়দা তোংঙবা ইনু, কবী অড়বু,
হাইজিন্দুনা মমৈনা শাল্লি হুমই কাওহন।
অচোৎপদি চরৈনা কোনবদুগী পোবগী
ইংবদুনা তুমদবা—খুমন লাইবক চাওবদো।
মপাদুনা কোনবদই লুম্মহনা তুমখবে।
কাওরেন মতৌ উবনা লাইববা খম্বদো
মওন মওন খল্লকই কাওরেন মানু নান্দুনা -
'ইপাইবুংঙো করিনো কাওরেন কোন্দৈরবা
খল্লরেদো ঠাহাক্লা পম্নৌ নত্তৌ উবদা
তাকপিথুনে ইপানা থাদোকপিনু নমোম্ব, "
হায়না কপই খম্বনা হই মপা ঙাংবদা।
কাওরেন মানা—"ইবেম্মা! চুম্মি খম্ব লাইরবী
নহোয় অনি নত্তৌসে ইপা য়েংবা ঙমদরে।
তাইবং মীয়োন থোক্লুনা ইচিন্নং মেন্দফা
কাওরেন ইখুৎ পান্দুনা যোক্লদনু লৈতরে।

করি ওইরসিগেমে চৎলগেনে ইপ্পাদে।
লমজা নহোর অনিবু উদ খংদ লম 'মদা।"
কাওরেম ভাংদে হায়দা মঙায়রেদো শল অদো
শনগী মবুক ভুদগী গ্নৌরি ফাওবা খোংলকই।
গুরু গুরু লাওরকই কাওরেন মাগী মবুক্তো।
খংজদেদো খম্ব্দো মপাক্তুনা খুম্বদি।
কাওরেন মীকুপ অমতা উইদে ইনুং শোইবদো॥
ইনুং মমায় ওনখরে কোরৌ নাতৈ ওইরক্লে।
কাকী মপাও তাবদা মচা অনি নৌদোক্লে।
লমজা খম্ব হৌগংলে কাওরেন মাম্ব হৌগংলে।
ভরাং অহিং চোংহোবা লাইরবীগী চরৈদো
তাল্লি তাল্লি কংলম্মে। চরৈ অমা নহোং শা
নূরা অমা কোন্দুনা মচু নিংথৌ পোখংলে।
কাওরেন তুংবু থংদুনা লমজা অনি মাংদ-থা
মপা মচা অত্তুনদো মাংগোল লাংদা থোরক্লে।
"পম্বৌ 'বুংভো খোক অসি পাম্বি নারা ওইবসে,
চরা হেল্লে ভরাংস্থ চাক্তাক্ষুরো ইপাস্থ।
পাম্বি নমোম অনিদি ভীক্ষা চৎচরুখিগে।
চৎসি থোকমিম্নরসি।" খম্ব মপা হৌরকই।
কাওরেন মানা—'ইবেম্মা! ভাইখো ইপা রা হায়গে।"
খাম্মে লুমজা মচাবু—"মাগ্রবদি মাঙখরে,
মচু নিংথৌ অসিনা যুম্লেপ চার তম্নবা,
লাইরবীদি নহাক্লা লুহোং খোংদোংলবদা,
ইপা লাকে ইবেম্মা। অদু মৌত্রি ফাওবদি,
বল্লক অরোই ইপাদি চৎলগেকো ইবেম্মা!"
হায়না কাওরেম কপ্লে। সন মমিং অনিদো

ভরং লাইজ হৌরক্লে মাংগোল অহু চোংখরে।
পারি মমোম অনিবু য়েংই লেকই মরৈনা।
খুমন নাগা অহুগী মকোক তুবু ফাওহুনা
মচেম নংগন হুদগী নমই কাওরেন নাত্তোগ্না;
লাইরবদি মচাগী লমজা শগ্লাং নম্নকই;
কাওগী মতৌ উবদা হিক্লা কপই লাইরবী।
"ইপা ইবুংঙো করিনো?" হায়জে হায়বা মঙাইরে।
ঙাংব মপায় মরোন্দি নুজা মাদি খংদরে।
ঙাহাক কপ্পরুরগা মপা মচা অহুমদো,
পুরেম্বগী হোজং-লোন তুংথ মাংথ থোরক্লে।
কাওরেন মানা মত্তাওগী মোংবা মরান-য়াই হুবু,
ইংখোং সংবন অপুম্বা কোয়ন কোয়ন য়েংলকই।—
লমদম মংস্থ লৈহৌরো, ইচন ইতাও অনিগুম
কায়নরসি চংলগে।" অহুগীস্থ কপ্লকই।
হোজং হেন্দোরক'পদা—"পন্থৌ চাক—তাবিক্লরো"
হায়রম্লগা খম্বদো, মহুনিংথৌ পোহুনা,
অরাং পাংনা কারক্লে। কাওরেন অহুম লেপাহৌই।
মচা অনি অহুবু উরি মখৈ য়েংহৌই,
পারি মমোম অনিবু অহুক হুন্না উররোই
খনগ্রমাক্লে কপখ্রেদা। বিধি মাস্থ রাখরে॥
লমজা মচা অনিনে ঙাংব নিংথি মপানে,
মা'না ইগ্র' ওইবগী কায়নরকপা অসিবু,
য়াখিদয়ে ককর্পদ মাস্থ রানা য়েংহৌই।
কাওরেন 'নংথি পাঙ্কেবা মখা পাংনা কুম্নক্লে।
কুম্থি খুগা য়োখরে। কেগে মাইথোং লাইহুইরৌ
থোইবাং সঙ্গা পুংফেলম হাওভক্তা শল চাক্লারে।

মচা অনি কাওরগে খল্লদুনা শল অদো,
মুমিৎ মঙানি শুনা লমদম সিদা লৈরক্লে।
অমম্লোমদা লাইরবী—"ইপা লাক্কে" খল্লক্লে।
মপা ঙাংবা থিরক্লে-মোইরাং লৈরক খুল্লক্না
সাঞ্জে অমা খুৎতা পায় মতু নিংথৌ নমদংপো,
কুমথরক্লে লাইরবী মোইরাং খুন্দোন অদোমদা॥
মপা ম্লেংবা উরক্লে: হংজরকই খম্বুনা
অচৎ অওক খুদিংদা। মোইরাং নুপী অমনা—
"ইমোম খম্বু কাও অদো থাপক্লে চংথরগনু।
হাওতক লমদম অতুদা চাহৌম্লেনে শল অদো।"
পাও অদু তাবদা খম্বু মোপুরা পোতুনা
তরুক্লিগী অয়ুক্তা কুমথরক্লে হাওতক্তা।
মরম হাওতক ম্লৌবদা কাওরেন মপা উরক্লে।
লমজা খম্বু লাইরবী—"ইপা ঙাংবা কৈদৌরি
কোরৌ শিংবুম তরুক্লি ছন্দোকপদি ঐথোইবু
মুংশিন্নবো ইপানা—"কাওরেন মাবু কৌরুরে।
চেক্লিল্লক্লে শল অদো—'নচিন নোংপুবা অনিবু,
কাওজরগে হারদুনা চৎলবনি ইপাদি
ইপা থিরল্লবোইরে।" হায়না কাওনা খোংলকই।
লমজা অনি অদুবু কাওরেন মানা লেকউরে।
কাওনা মান্দা থাদুনা লমজা অনি তুংদ-ইল,
অমুক অদু কারক্লে। কোরৌ মৈনা ম্লৈবনে,
থোঙ্গাংনগা লাম্বনে. খম্বা অমুক কপ্লকই।
খম্বু খুৎতোন অদুনা লাইজ খুর লুপ্লগা.
মতু নিংথৌ চিনদবু থোম্লাং শানা চুপহল্লে।
কাওনা মাদু উবদা ইন্দ্রি মৈঙম শাথরে।

"কপাহনগন্নু হৌবেম্মা। ইপা য়েংবা উমদরে।'
হায়না লেকই মপানা লমজা মচা অ'নিবু॥
পুরেনবদি মতাওগী মরান য়াহবু য়োয়রক্রে।
কাওয়েন মাবু থিকচৈ নিহৌদরে ওমিত্তো,
কোরৌ অথেংবদুদা ভীক্ষা নিব থোরকই।
"পন্থৌ চংথোক্লমগন্নু" হায়রমইদো শন্-তুবু।
মচাই মত্তৌ অদুবু কাওরেন মানা য়েংবদা
অমম্বদি ওইখরে শনগী পাংগন থোক্করে।
মপিনদি পুমচোৎ-চোৎ চৎলকহদো হংখোন্দা,
সজিক মনা অমতা থংখিদরে শল অদো।
হজিল্লক্লে মচাশিং চারে থক্লে অনিদো।
ইমুং তুম্বু কোঞ্জরে নহা-দৌনা মপানা।
মত্তৌ অস্থুম ন্দৌতুনা মুমিং কয়া লেল্লকে।
মত্তম অতুক য়াম্বদো ক'ওবেন সজিক চাদবে।
অহিং অহিং খুদিংদা কোল্লি মচা অ'ন
অয়ুক মুংথিন অ'নিসি মুকচং কৌবা ংথোক্তে।
ইংখোন মনু' অদুদা মুমদা পংচং মগংলি।
মচন মতাও অনিগী খুবমদুদা ময়েংই॥
সনগী মত্তৌ উবদা খম্ব কৌবী কপ্লকই।—
"ইপা ভাংব কৈদৌরে—পন্থৌ নারবরনে?
কোরৌ শিংবুম কয়ানি ওংরক্লেনে নহাকপো।
শজিক মনা অমতা থংখিদরে কৈদৌরে।
মচন নতাও অনিগী কোরৌ তুংইনগ্রগের?
পন্থৌ লৈতরবদি লমজা অতাক্লবনি।
জীব পানবা কনানা লাকচদরি ঐখোইবু
লাকচ'মথে মঙাইদো খোয়ুম মানা ঐহাকপু।

পল্লৌ লৈতরবদি জীব পানবা 'খৈনস্থ
লাকচরনি লমজাদি পারি নমোম অনিবু।
শন্নৌ সজিক চাওগবা।" হায়না লমজা খম্বনা,
মপায় খুমাং কোন্দুনা পাও মেল্লুরে লাউরবী॥
কাওরেন মানা--' ইবেম্মা! ইমোম লাইবক থিবীও!
ইপা নাদে ল'ইরবী! লমজা নত্তৌ উবদা
চানিংদরে ইপাদি, খম্ব ন দি চাদরে,
ঐদি ইবুক থনমখে করম চানি ইবেম্মা!
সুংঙাইতরে ইপাগী ইবুক অসে লাইরবী!
খুমন নপাম লংদমদা চংখরগে ইপাদি।
খুমন নিংথৌ মহাক্লা, কেগে মোইরাং লমদমদা
খুমন মাগী মপাচা নোংয়াই মরেল্লু—, ইচা!
কেগে লমজা ওইদুনা চাদ থক্ত লৈববু,
থিদবসে ইপানা লমন শিংগে মখোইবু।
খুমন লৈবাক অদুবু মাংহল্লগে নপানা।
শিগ্রবদি শিখরে ইপা অদুম মাংগ্রগে।
মাংখিরম্মো নহোয়স্থ খোয়ুম মাগী নো'দমনি।
ইপা লৈরি লৈরেদি ঃনিন ভানা খংউকো!
নদু নি থৌ অসিনা নে ংয়াই পাংগন চাওরগা,
লৌহল্লোকো ইপা ' লমজা ইপা চংলগে!"
হায়রকইদো কাওদুনা কাওরেন মিঙা পিবু ভার॥
লমজা মাদি খংদ্রেদো - । ভুগৌ খুদাপ অমবু
থংচকরে খম্বনা—' পল্লৌ ঙাংবা চাবিয়ু
কৈদৌরগে ইপাবো।" ইঙ্গকরে খম্বনা।
ঙাংব মানা -' ইবেম্মা! নংনা ঙসি ইঙ্গবা
সিদং চাগে, অদুগা খুমন লমদম মৌত্রিকাও

চাগ্রবোইকো ইপাদি।" হায়না কাওরেন অহুবু
মচাই মতৌ য়েংহনা - থনুং নোংখোংবগুম্না,
কপ্‌খরেদো মপাদো॥ খুমন লিংথৌ শাওবদৈ
মচা অনি হুন্দোক্লে। চাক্লিবদি চংগ্রিবৈ,
খম্বু মাগী মতুংদা কাওরেন অ ম থোকখরে॥
পুরেম্বগী মরান য়াই মচা অনি অহুগা
মোইরাং লমদম তন্থব কংনরকপা মতমদা
কাওরেন মাবু লাখবে। মচন মতাও অনিবু
কোরৌ থক্তুগী কৌরকই। মি ংা লিবু তাওথি
কাওরেন মখো বাইরক্লে খুমন লমদম থিরক্লে॥
মংগে লৈচিন শংবদি, কুম্বা সয়াক্ষমদগী
হৈয়ু খোঙম্‌ চংতুনা-লোক্তু হিয়াংথং যৌরে।
হিয়াংতেক হিয়ংহুম্‌ দগী পু ম্লন পাং লংখরে॥
মতম খর লৈরক্লে। অমাং পাংনা লাংতুনা
থরং পাং ত ররে। মতম খর লৈরম্মি।
সেকমাই তুরেন লান্দুনা তাবে ইকোপ লাইপন সোই।
লোইদাম স্নুম-স্নুম লৈরকপা, কু ওক্লে লাওই কুমশারে।
চহি ফারবদা মীব তাংবা হোৌরক্লে।
অনিদগী অহুম্নি চহি শিং য়াম্মবে
মীবু তাবা য়ারক্লে মীয়াংপদি হেৎবক্লে।
মীদি হায়কনু উচেক পাইবা য়াবক্লে কাওদো।
মীরোন লোইনা কাওখবে কাও.রন পুমডাও ডাওখরে।
সেম্বাং হয়িং খো য়ানবা তেতু চবারোই মতং,
মনাকোংদা খোংবদা চয়েন অমা হাংরে।
চেক্লা পোম্বা অহুত চরোই অমতংদা,
তোংনবদ কৌনবা ময়াং লেন্দা তোংউবা

মাহৃ ভাম্ময়কপদি—থুংউবদি মকমদা,
কাওরেন সকম ওইরকই। মানা তাম্নি' ভীবহু
কঙুঙুক্কবা মতমদা অকংবহু হাংলকই।
চহি মশীঙ কুইরক্লে ৱাহি মুমু অমনা
লৈরোন মুংদা খোংব-কাও মানবী চীরেন অহুনা
ফুমদি লৈকং হাইগাইরে লৈপুং উপুং খুগায়রে।
খুমন ইকোপ লমদমদো শাগী শনগী জাং কাওবা
জীব 'মতা তাদরে। কাওরেন মদোম ঙাইরক্লে।
চহি কুমজা কুইরক্লে। খুমন মচা খম্বনা
পাখং কাবা কাওবসি কাওরেন মাবু লৈখরে।

৩

খুমন হায়বা লৈপাক্লি কনবা থৌবা লৈপাক্লি।
হাঙুমুবা, ম্যারব-নে, কাকপা লৈতে'ন-পানব-নে,
থিম্বী কাবা কৌবনে, নোংম্যাই কৈ ঙম্ব 'হুনে,
মঙা সিনা খুমনগী মমিং চংপা অঙম্বা
থৌর থৌর ঙাক্ক'ন অসি মপান' পানবনি॥
কেগে মোইম্যাং লৈপাক্লি খোংলেন মাবু লৈবনা
কিনৈ মংঙা অসিনা। খুমন মোইরাং অনিদি
লাম্ফিনবা লৈপাক্লি। ইকায় খুম্ন চংনবা
খুমন মোইম্যাং অনিনি। খুমন লমদম 'চৌবদা
চৎনিং চৎনিং চৎতুনা লৈরে পাং লমজাও খুদিং;
খুমন মখৈ হৌহুনা কাও মাবু ভাল্লকপসি
হৌজ থেংখাং নিপাল্লক কাম্নদরে ঙমদরে।
থাংদ তা'দ তেকতুনা মাংহুনদা মতোক্লে।

খুমন মীদা মশিরে, খুমন নিংথৌ হংগংলে।
মৈহুম মোরোক চেনখরে মাপন স্তুবা খোংকমদা।
খুমন নিংথৌ য়াওহুনা কাওরেন মাখু ভায়রক্লে।
মাপম স্তুবা খোংকমদা মিপা চাগা হাংখরে।
শিরে খুমন কয়াবু কাওরেন মাগী মথুংতা।
শনদো মথোই কাখরে। তোংউবদি হায়কম্নু -
স্নুম্দ পাইব উচেকপু কাওবেন চিনা হাইরক্লে।
অহিং তম্দন পাইব ফাও কাওরেন মানা তায়রে।
তুমিং য়ুরান পাইবফাও য়াখিদরে ইকোপ্তা॥
খুমন লৈপাক ঙা চাদ্রে চহি মতাং কয়ানি।
খুমতমা ইংখরে অঙাং পিশক তরাবু।
তিল-হৌহ্নুনা অঙাং কযা কয় শিবক্লে,
ঙা চারমুস হায়না নোংথ্রং চিক্লদ হায়খৈ
মঙাইরক্লে খুমনদি ঙা চাবা ফংঙকতরে।
খুমন জীব অংতা ইকোপ পাংতা তাখিদ্রে॥
চহি কুনন্নু হেক্লক্লে। ফাবিদবা মক্তনা
ইকোপ পাংকী ঙাশিংদো পেংবা মনা চাওবনা,
খুদেং খুদেংমুক ইক্লে সরংনা তৌ হোয়রক্লে।
ঙক্রো মকোক অতুনা হিবাকমুক পাকহল্লে,
সংত্রিক সংক্লিক সংখদে খজিং তাওথা তায়রে।
ঙখা ঙাম্নু তায়রে ঙাকচৌ হায়বা ঙাহুনা
চেয়াওবী ফাবে চারে। ঙানা ইকোপ পাং অদো
ঈশিং মশক উখিত্রে। কাওরেন মাবু কিবনে.
ঙা ময়াম অচুগী মুক রাহি মুয় চেয়াশিং
তাবা লাকপা ঙম্নক্রে। মতা অমা ওইরক্লে।
ঙাথি ইক্লা লাংহুমা চাজরম্বা মখৈদি,
স্নুকম চংফ থংদনা মীনাই নাইথা চংলক্লে॥

খুমন নুপী অছুমদং লাইরবনা শৈরক্লে।
মচা অচৌ মখৈদি মথং মথং য়োল্লকই॥
মমাং থাবা মচানে থবক সুবা ঙমদ্রিবা,
মথা নুংদা কোল্লিবা, অমমমদি অদুগা,
মাবু লোইবা মপুগা মরি' চাংওই লেপ্লকই।
থবক সুকম শৈরক্লে খুমন লৈপাক অদুদা
চরামক্তা হেনবনা লাইর কুচু ওল্লক্লে।
কথেন কথেন খুদি দা পারি মমোম নমদা থোং
কোয়না লুথোং চাক ওইনৈ, লল্লোন ইত্তিক মতৌজে।
তোংবা লৈত্রে কায়দ্রে, উপায় লৈত্রে অছুমদো
লাইরবীদি অছুমগী অহন ওইবী অদুনা—
থংহোদনা "—ইনাওবু! তাব অমা লাকএ ইচেম।"
বাদু তাবদা অনি অদুমনা নোক্লকই।
লৈত লাইর-হুন্দোক্লা "করি য়াংনা তাসিবা?"
খুমই অনি দুমন'। অহন-দুনা "নোকনু,
হয়াওদুনা নোকপনা অম য়োইরে অদুগা,
ফাগী ওইনা নোকপদি গাইখো নোকফদবনি।"
অনিদুনা "অদুবু হায়বিরোনে তারসি।"
মোমোন মোমোন নোক্নুনা হংই অহল অদুদা।
অহন দুনা—"ঐথোইবু লাইর কোক্লো হায়বগী
লাক্লমাল্লে যুগ অদো ফংঙে ইচেম পোথি অমা।"
য়ারম অদু তাবদা নহাওইবি অনিদো
মতু চুংই—"করিনো তানিংঙেদা হায়ক্লোকা।"
লাইরবগী মৈদুদা য়াগ্রবোইয়ে অনিদো।
লম্বী অদু তানিংগ্রে ইখৌরাংই থমোইদো॥
অহল ওইবি অদুনা "সোইয়োই তাঙ্গা চারনি
হান্দক হৌদোক্লগনি—" খল্লি মবুক অদুদা।

অছুমতুগী অহন্দো বুদ্ধি য়াম্না ইংবিনি,
মাগী মরাতুদগী অ'ন অদু হিংলকই
মাগী মরা অদুদা থাজখরে অনিদো।—
"তারসিনে ইচেম্মন" হংই মচেম অহুদা।
অহন তুনা—ইনাওশা! চৎসি মোইরাং লৈপাক্তা,
কেগে লোক্তাক লান্দুনা। ঙা লৌরুসিনে য়োন্সি।
ঙানশ 'মগী মমন্দি সেন মথাই মঙা য়োরে,
ঐগী খুমন অসিদা। মোইরাং হায়বা অদুদি
হোংগ্রবা ঙাগী লম্নি চৎসি ঙা লৌরুসি।"
হায়না হোরে ঙসিদি। "চুম্মি' খম্নি অনিদো
খুমদে ঙাংদে তুমিল লৈ। অহনতুনা— 'ভুমিম্না—
হোয়নি মাইনি হায়দবু—করিনোনে ইনাওশা?"
হংবিরকই। 'ইচেম্মু! যাম্না চুম্মি কোক্তনি,
লাইর হৌদোকক্তবনি। অসুম্নদি ওইববু,
কদায়দগী সেঙ্গানা লৌরুদগে ঙা 'তুবো?"
হংঅরকই অনিদো। অহন তুনা—"করিনো!
তুগী করি রাকনি। ঙা চাত্রবা খুনন্দা,
ঙায়ৌনবা সেনতুবু পুবা খংদ হৌনত্রা?
চৎসি ইচেম তুং ইল্লু য়োনত্রিঙেনা শিংকনি।"
লাকও চৎসি হায়তুনা লাকএ সুপী অছুনদো।
মবুক ক্ববা থিতুনা হাওমুব-দা চংলক্লে।
অছুম অদু উবদ —"খুমন সুজা ইচনশা!
লৈত ল্যাহর থিবদা লুথোং চাকওইনতুনা
নহোয় অছুম চৎপদা খুমন মচা কনানা
লাকচবগে নহোয়বু হায়যু হাওমু ঐঙোন্দা।
মকোয় লাকচ নিপাদে 'ঙম্বা থাংলেন ইখুৎশু
খুহুম চেৎনা পায়রগা লাল্লু চোমাই লৌগেদো।

হায়ু হায়ু নখোইনা।" থারম অদু তাবদা—
"মাহু নত্তে অঙম্বা! লাকচ থুমজ লৈত্তেদো।
হায়নিংব'মা লৈহুনা লাকচবনি ঐখোয়না,
ইত্তোপ তোপ্পা রা'মনি।" হায়জরুরে অছুমদো।
হাওমু মানা—"হায়ুনে করি চিংনরুগম্মু।"
হায়বিরেদো অছুমদো। "খুমন লালোই অথৌবা!
লাইরবী ঐখোয়নি লম্লোন সেম্দি ওইনবা
'ঙম্বা নংনা পিনৌনে খুৎপায় শেনবু খরদং।—
কয়া পিয়ু হায়বগে।" হংবিরক্লে মাহুম্মু।
লাইরবীদি অছুম্না "লুপা চহুম পিবিয়ু"
হায়জরুরে হাওমু-দা হাওমুবনা নোক্লকই।
হাওমুবম্মু ঙকউরে - লাকইমদি শকফম্লে,
লাইরবিবা মত্তানে—সেন-হুনা য়াম্বা হুগা,
থাপ্লখরে মত্তাদো। হাওমুবনা খুমজিনৈঙৈ
অহন ওইবী মুজানা লাইর নপাও মেল্লকই।—
"মুংশা থিবিরুগম্মু হয়েং অসি চৎপনা
হংচিং শিংজিল্লগনি। মোইরাং লৈপাক চৎতুনা
লেম্লে ঙাবু লৌরুগে ইয়ুম থুমন অসিদা,
কাওরেন মাবু কিবনা ঙাথি ইল্লাং লাংদরে।
চৎচরুগে তৌবনি।" হায়দোরক্লে তশেংনা॥
হাওমু মহু তাবদা পেঞ্জরুরে মবুক্তো।
"ঙাইখো হুদি ইচনশা! মোইরাং হায়বা অহুদি
খুমন লাম্থিনবনি করম হায়না চংকনি।"
হংবিরক্লে অঙম্বা। অহন ওইবী অদুনা—
"রাবিরুম্মু অহুদি হৈরেম খুঞ্জামদগীনি,
হায়জগনি ননাই 'খোই।" হায়না খুপ্নে অছুমদো॥

শিংই সোইরোই খনগ্রবোই লুপা চুম্মু পিখিরে
"মীগী মীরম চৎপনি। চাপ্পা মাদে হায়রুনা
লাইরবিদি অহুমদো সেংন চানা পিখিরে ॥
চাকহি অমা বাইহুনা লাইরবিদি অহুমদো
কেগে লোক্তাক লান্দুনা মোইরাং কৈথেল তামবু,
হুগী ইমুং গুানবদা খুমন্দগী চৎখরে ॥
লাইরবিদি অহুমদো মোইরাং কথেল তাক্কনা
লেমৈ মথৈ খোম্মক্লে। চাক 'হু অচৌব 'হুনা
গুানা চোয়া হাপ্তুনা মোইরাং লোক্তাক লানগেদি
খুমন তম্না হোল্লক্লে। লমদন থর হোল্লবা
চৎপা য়াদ্রে অহুমদো লোক্তাক ইথক অহুনে
কোরৌ মনৈ ওইবনে য়াম্না খুদোং থিরক্লে।
শিবা তারে হায়রুনা মোইরাং লোমদা হল্লক্লে।
অহিং অগুা শলে লাইরবাদি অহুমদো।
ইমুং মোয়াই চবুকপু ওইরক্লেদো অমদো।
নহা ওইবা অহুগী মপারি 'না থনশ্মি।

মচাহুনা নয়ুমদা কপ্লক্লবা নতমদা,
মুজ্জা মাগী অমুত নংথরক্লে নুপীদো।
"পারি 'বুঙো ইমানা—কোরৈ মুনিৎ খুদিংগী
চেক্লা দোগুন পায়ববু ইমুং 'মতা য়াইরেক্লে।
গুসি কৌবা ইমুংদা পারি নংবু হুন্দোক্লে।

ইমুংগীদি মুংফাইচন কৌবা য়াইরেক তম্বদা
কপ্লবয়া নহাক্কে, ইমায় চরৈ ফীরোনবু
খোয়াংনদি চোৎলক্লে। পোম্বী নদো ইমানা
চেক্লা সাগন তুকাং থপ পারি। পায়সি পাইগুমক্লে।
কনায় খোয়াং থক্কুনা লেপ্লিগবা নহাকপো।

পামেন কারোং খক্তুদা পোংথম্বগুম থোকখরে।"
কপখরেদো নহাদো তেংথাদুনা অহিংদো॥
মোইরাং নোংবান কোয়ানবা মুমিৎ অহ্ মহাক্রা
মপু সনা কোন্নুংদৈ, কুম্মকপদা অথেংবা -
তারে মানা কপ্পদো। "মুজা মথোন ওইনা তাম্ব,
অবা অনা করম্বা নংগুবনো কপ্পিনো!
তাইবং মীয়োন হুক্তবা অপংবনা মাংওইন,
অশিংবনা তুংওইনা অগাওবীরা করিনো।
লম্বী মকম খংদনা লম্মাংনবা গুম্বা।
তমথিরবা নিপাদি মপুরোইবা কনানা
তাম্থোক্লবি মুপীরা! লৈপাক মাংগম তাক্লগদায়
কথেন লাইরেম্বীদুনা তে'থা নাওইবরা!"
নোংবান মানা খল্লকই। মুপী অহুম মুদগী
অহন ওইবী অনিনা -' মতম নত্তে নহাকপু
কপ্পিংইস্থ কপফদে অহিং তাংলো 'থেংবনি
মীনা য়াম্না সোনাইনি তোকও কপ্প হৌনদে
তাকু তারাং লাকনি।" খামজিজরে মনাওদো।
খোম্লাং অহ্ শমদোক্লই থাদরকই লাইজদা॥
কুমগী নোংনা তারগা ইহৌবগুম তুরেম্না
মুজা মাগী মপারি চাওদবনা ময়ু দা,
মমিৎ মপী তাহুনা মমা মাবু কৌহুনা
খোম্লাং ইথৌরাংগুনা কপ্লক কপ্লক খুদিংদা
সোমদা মুপী অহুগী নংথরকই অমুত।
মুজা হেক হেক কপ্লকই খাম্মি অনি হুমনা।
নোংবান মানা লাকপদা নক্লিক্লক্কে অহুমদা॥
মুপী অনি অহুনা —' থোইনা য়ারিব'সু

পাপী ! ইকোপ পাৎতুদা চাক্তারিবা মী চাব',
শন নংননি মাসিবু থোকহল্লি পুম্বসে।"
ঙাংবা শনবু চৈরকই। নোংবান মানা তারকই,
য়ৈসিল্লুনা রা অহু "লাইরবা ঐখোইগী
ইমা ইচা কাইনবা ইমিংতগী ইপি সে
য়ানবগী শঙ্গাউ ও নংনা পাপ্প পুবোকো।"
সুম্না কয়া চেনরে। অহন ওইবা অঙনা—
'ঙাইখো ঙাইখো ইনাওশা ! হন্দক খুমন ঐখোয়গী
ইকোপ লায়পন সোইদবু চাকতারবা তমখিবা,
মীবু চাবা কাও অসে মোইবাং লোমদৈ লাকপনি।
ঈক্ষগে লমদম অসিদা খুমন ঐগী ইপাচ,
লমঙ্গা মচিন মৌপুরা লৈ হায়বদো অনিখক্কে।
মপা মমা লোইরম্বা কাওনি হায়নৈ মাসিন॥
লঙ্গা অনি অহুনা অঙাং ওইনা লৈনদা
কোজনবব ঙমদরে। সুম্না চংথোবকপনি।
ইকোপ লমজাও অসিদা সুম্না লৈগ্রবনি হায়
লমশল ওইন ঙাওহুনা অহুগনে নহোয়না
মপু পম্না চৈবদো কাওসিগী মবন্দনে,
তৌমু ফত্তে ঐখোইদা। চংথোবকনা মোইবাংনা,
ভাখি লাকখি থোক্লগা—"ঐখো' চোইহরাং পন্দুনা
চৈরবদি খুমম্না ঐগী সিদা লাক অগা,
হায়না শাওনি হায়গনু এপু পম্নু লাকউমু।"
হায়না খাম্মি অমনা। নোংবান মানা বাকমহু
ভারে লোইনা অশেংনা। হরাওবনা নোংবান্দো
কোরৌ নোংদোন পকথরে—"নুংঙ ন মুংঙাই থাংজিং-লাই !
নংগীদমক হায়হুনা কুমজা খুদিং লৈরাংবা,

অেংবুং শাদান লান্দানবু নংগীদমক হ্বারকপা
কাওদবোইরে নংননে। শাওরুরেদো ঐহাক্তি!
ঐনা লান্নে নংঙোন্দা। কুবিরেদো নহাক্না।
চিংদা-মান্দা লোক তায়দা শিবা য়াবা কদায়দা!
লমজা মাবু অমুক্তং অপাম কাদা য়েংপগী
সুংশি কাদা লৌবগী লমন শিংগে নিংব দ—
নিংবু নিঙঙবদিকো থুংবোইদকো মী-অাইসে।
চুম্মিনহো তায়দনা কাওরেন মাগী চিরক্না
ছুঞ্জিনগেদো লমজাবু! য়ুম হেক য়োবগা তৌগে
মাইবী চংগে ফাওবগে, ফাওহনগেদো শল-অসি।
খম্বা শিরে শোইদরে লৈতরেদো েোইরাংদা।
লেপ্লে নোংবান রাখন্দ্র চংসিল্লক্লে কোংয়ানবা
সুপী অহুম অদুদা। উরম্মেদো অহুমদো,
নোংবান সাবু হায়না। কিনরম্মি— কয়িনো
খোয়ুম লাইবা'' হায়দুনা ইসুং থে বা অদুদা॥
"কনা কনানো" হায়না নোংবান শংই মাদুদা
অহুম অদু কিদরে তাইবং মীনি খংবদা॥
ঐখোইনি'দি হায়দুনা খুম্ম সুপী অহুমদো।
"ইবুংনদি কনানো?"— 'ঐদি েোইরাং অসিগী
নিংথৌ মনাই অমনি।'' সুয়া তৌনা হংনরে।
সুপী অহুম অদুনা মোইরাং মান কিবনা,
হৈরেম খুঞ্জাম লংদৈদনি খম্ম ইহান হানবদা।
রারম অদু তাবদা —'কিরুগম্ব থুপকম্ব
শেংনা তাকউ নহোযব কবি লমদমদগিনো?"
খংঙবদি মতৌগুম কান্না তাখরবনা
নোংবান রাকম তাবদা খুম্প-ঙমদ্রে অহুমদো

"খুমন লমদমদগীনি, লয়্লৈ লৈগে লাকপনি।"
তশেং তশেং হাকথোক্লে—। রাক্সম অহু ত্তারগা—
"করিগীনো নহোয়গী খুমন লমদম অত্তুদা
কংব্রবরা লেপ্পৈব্রু ?—হংবিবদা রাকয়া
শাওনিংববু পোকইদো। রাহং জুগে ৎ চাত্রপা,
শাওবিগনু ঐথোইবু,—রাগংইদো খুঙ্গিংদে।"
খুম্বি সুপী অহয়া। নোংবান মানা—"শাওরুমু
নয়ুম খুমন লমদম'দ ইকোপ পাংপু অচৌবা
লেপ্পৈ হো'বা মফম্লি। সিব নহোই খুমন্না,
লাকইবসি ঙকইদো লেপ্য় লৈগে হায়রুনা।"
রাহু মথা তারকই। খুমন সুপী শিংরুনা—
"নয়ুম মোইরা লে'ক্তাকপু চাওবা হেল্লি ইকোপ্পা।
ঙ'না লৈখিবসিনা ইশিং ফাওবা উদেদো।
সিবু চাবা ফংখিদ্রে। খুমন ইকোপ মপুংয়াই
নো য়াই লা'ইপন সে.ই-তুদা শন অমা লৈরিববু!
ক'রি হায়নি ঐথোয়না! মী ত্ত'বা য়াখিদরে।
ঙাথি ইসাং লাংজবা নৈনা কয়া অ.নি,
মাবু তানবা অথোবা খুমন লৈপ'ক অসি'
কাংব কয়া অমনি, .শিং লাকপা ঙমদরে,
প্রজা লোয়ন লোইনা লোয়না তক্লা হাংখরে,
লৈপাক হৌনা তানবব, মাবু হা'কে তৌবন
ঙমদ্রে খুমন ঐথোইনা লৈরি হৌজিক ফাওবসি
অসিননি। খুমনগী লৈপাক অচৌবা চাদ্রে
ফংদ্রে ঙাগী জাং অত্ত—নংঙে খুমন রানখে।"
তমজরুরে অহুমাদো - নোংবান মানা—"অহুদি,
কাও অহুগী মুণ্ডিদি করম দৌষ সুজা'শা

ভম্মু তাসি" হায়রক্লে। মুপী অহম অদুস্সু
লেম্নবা কিবহ্ অহিংহুগী খন্দুনা—
'কাও অদুগী মচুদি ঙাংই' চুম্না ঙাংদেদো;
থাও তৈবগুম পুম্নংনি। নিক নিক লাওই য়েংবদা॥
মখৈ মুনা তাংই ময়াংলেন কোরি চেন্নিদে। ·
য়েংলোম থংবা, মচীদা সনা লোংখুম হুকইদো
ওইদা হুকই লুপাগী। খুজিন নিপান অদুদা
সনা হাজং য়ৈবনা নিংথিজৈদা ফজয়্রে।
য়াংবা থৌবা কনবনা মচী নত্তে চংগোইনি
মানবী নত্তে থাংশাংনি। থাং-তা চংদে কান্নদে,
থাংদ তাদ মতুমই শোকপা লৈতে ঙোন্দা।
লায়ওয়রবা শন্নিনে সিনা খুমন রাখরে।"
নোংবান মাগী কাদুদা তম্মে অহম অহুনা॥
অহম 'মরা তারগা নোংবান মানা—"ঐমাখোই।
ইবুম মোইরাং অসোমদা খংগদ ওইর'দি॥"
সোনবিরকই, মাদুদা শাওরে মুপী অহুমদো॥
অহুম হুনা নোংবান্দা—"মোইরাং ইবুং ঙাইবও।
ম্মা কনবো ইবুংবে।" হংলকইদো। নোংবম্না—
"কল্লি ইচন ঙাইবীশা! কেগে মোইরাং লৈপক্কী,
অকনবদা নিপাদা মুপীদা শক ফজবা.
মখিং ংথা থক তাত্রা?—তাই ঐখোইস্সু ইবুংবু!
তারবদি হায়ুনা?—ইবুং হান্না হায়বিয়ু—
"করেহ্নাদ হায়গেকো"—খম্বা নোংবান্না হায়বদো,
তারিনিনা তাদরা?—হংবিরকই নোংবান্না।
অহম অহুন। "চুম্মি তায়"—হং রবদা নোংবান্না—

"মহোৱ' তাব নোংবান্দো ঐনিনহাই ইচল-শা।"
খুপী অহুম অহুনা - "খম্বা হায়বা অহুনা
হেল্লি হায়না চুম্বা।" হায়বিরুরে নোংবান্দা।
নোংবান মানা—'কৈদেনো! মাগী খম্বা হায় হুদি,
নম্বা ঙম্বা নত্তেদা, ঐগী ইশুং নাম ফাও।"
হায়রে মাচু তাবগা নুপী অহুম অহুনা -
"খুমন ঐখোই' তাবগা মফম অহু ওন্নরে।"
হুয়া হায়না খুম্মকই। নোংবান মানা ইচনশা!
অঙম্বগী মরক্তা অশিংবা অথৌবদ.
চাওব-থোংলেন হায়রিবা অহুম শুবা অঙম্বা
অঙোম নিংথৌ হায়বদা ঐবু পোকপা ইনানি॥
শকফজবিদা থোংবা তারিগনি নহেয়ম্ম,
যুবরাজগী মচানি. ঐ মপুরোইংনিদো"
হ য়বা—রাকম অসিনা নুপী অহুম অহুনা
"মাচুনি তাদে খোইনি, শাগ্রদর' খোইনা -
চুমই চুমই তারম্মোই. মহু চুম্বা অম লৈ
ঐ অসে মুপী য়াম্মশাও অরাম মচাগদি
নিংথৌ মচা শিংগদি ডিঙ্গয়াদ' মরম্মা.
কোমুংদা লৈ থোইবাদি।" মথং মথং হায়রকই।
অহমহুনা—'অহুগা কোলোই হম্মু কৌই হায়,
চৌংলেম্বদা নিংথিবা গুনব লৈনা ফজবা.
কেগে মোইরাং লমলমদ মুবা মানা থাইজগী
তায় ইকেন কেন্নী হায়?" লমজা কোলোই লৌরকই।
নোংবান মানা—"নিংথিজৈ চুম্মি নহোয়না হায়বা।
ইতৈমনি ঐহাক্তি, অপঙ্গবু নহোয়না,
তাত্রমান্নে. নিংথিজ—ঐগা হেক পোকফিরবা,

নূরা অমা লৈরিদ্দো মমিং তোরো কৌইদো,
অতোম সিজ নিংথিবী হায়না মমিং থানরি।"
মচন তোরো থাগৎলি। থাজে অহুম অচুম্ব,
নোংবান মাবু উবদা—"সিগী মচন ওইরদি,
ফজরম্মি শোইদনা" নিংনৈ মবুক মবুক্তা॥
মমৈছুদা নোংবান্না হরাওহুনা মবুক্তা—
লাইরবীবু অহুনদা-"ঙসি অহিং অসিবু
নুপী চাদি ওইবনা মুংঙাইরবোই চৎলসি।
নোংবান ঐদা চৎলসি লেকও চারো অহাওবা
পিজগেদো ঐহাক্না। নোন্দুম নোম্বেক মথক্তা
লেংনা পেংথকরসি মুগা কাংখন খনবিগে
ঐগী মীবু থাডুনা নহোয ঙাসি সংহনগে।
নপোৎ ফাদে হায়রবসু হয়েং অমুক লৈবিগে।
হংচিং চৎকে ননিংতৌ। কেগে লোক্তাক লান্দুনা
খিল্ল হায়ত্রা খিলহনগে।" নোংবান স্নুম্না হায়রক্লে॥
নিঙ্গু: থাগা ওইবনে নোংম্নাই চবুক অহুদা
লোক্তাক খোংবান লমদমদা থাবন হুনা কজবা
লাইজনগা ইরং লং, নোংজুথাগী নারক্তী
না-চাও শিংনা তেকখর'। নেম্নেম তৌবা ঙাক্ত ঙাই।
নিংথম মমৈ ওইরকপা—কালেন মকোক চংলকপা
চরৈ অপাবশিংনা ঙমদায় চরৈ য়ারকপা;
থোকই মতম অহুমক, ইস্থমদয়ে মতমদো।
মপু সনা খৌগনগী চরৈ কীজোন অহুনা,
চনাং হুম্ন তুকথবা কেজদনা ইরুং-সু।
অতোম নোংবান কৌবাগ চাওনা শাংনা তৌয়োকংতৌ,
মধুকনিংদা পেনবগী নিংথিমদা ঙাংঙকপা,

তালোইশিংনা নোইরকই শিংলি চাংই হায়রুনা
ঐবু খুত্তা অননি অমাং অশেং শোককদে।
নহোয় শোক্লরগনু।' হায়না নোংবান হৌরকই।
নোংবান ফিশেং সেৎখরে নোংবান নতোম হিপখরে।
সনা মহি কাচিন্দা নোংবান চংখ্রে লৈখরে॥
মাগী তালোইশিংহুনা রাজখিবা অহ্নদি
চরম মালম কংখরে। সুমিৎ ভুমি অবফাও
চাকী মক অনতা নোংবান চাবা হৈতরে॥
অনা অয়েক লৈবগী নোংবান মাগী ইমুংদো
চেংনা চেংফু থন্না থম লফোই লভং রাংহন্দে।
নোংবান মাদি অহিংদ ভুমিন হৌগংলহুনা
চারিবোইরে ময়াংদো চেংফুদগী চেংগংড়ু
শায়রে অহিং অহিংসি খংদে তালোইশিংদি,
য়ুমগী লাইনা ভাওহুনা পোৎচৈ নাংলে হায়নরে।
কিনরক্লে ময়ামদো অনাবগা নৈবনে॥
নোংবান মাগী নাবসি তারে অঙোম নিংথৌনা
মপা চংলকপহুদা চোংথোরকই কাচিন্দে।
মপা' কোনগে ভৌবদা শোকহন্দরে নোংবান্না
নোংবান মতৌ উবদা কপ্পে তালোই মথৈহু॥
"ইপা শোনগে" হায়রুনা শোক্লুবদা মপানা,
ভাঙ্গা ওইরে হায়রুনা নোংবান মপা য়েংহুনা
'নংগুম্বনা পেতি চোং পায়ন সোর কাপ্পবনা,
কার্মশিনবাদ ঐঙোন্দা।" নৈরে নোংবান ভাওশিনৈ
নোংবান মতৌ উবদা অঙোম নিংথৌ কপখরে।
খংদবা নত্তে নিপ খত্রাকপাইরা মপাদো,
ভুম্বথৈ হোংনরে। মপা চুগী শুনহুম্বু

খংই নোংবান মহাক্না ॥ অখংবা মানা তৌবা
মচাতুগী চক্রিদো থাদনাকপা খংদরে ॥
নোংবান হায়বা মহাকস্থ হংদ শিংদ নত্তেদো।
খোয়ুম লাইগী লাইরে নফ ও চিন্দা পুইদো লোইনবা।
নোংবান মানা তাথ্রব কাওব কৈতে বুদ্ধিস্থ!
মাইবী মরাই অমবু কৌন্ন নোংবান মহাক্না
মরামতুগী নমাংদা লোংঙ্গ লাইরোন অয়াম্বা ॥
হোংনমখৈ হোংনরে ঙম্মক্তরবতুদা
মপা অঙোম নিংথৌদো চেনখ্র সনা কোন্নুংদা।
ঙক্কা ফিবু য়েংতুনা কপ্না কপা খাদ্রাকপা
হংগংলুরে পুদা মচায় মওং অপুম্বা।
মনাই মরা ভাবদা পারে মোইবাং ... দা।
সনা ম্নাথং থারক্লে নিংথো মাইবা ক্লম্মক্লে।
বাংপা অঙোম নংতে দা— ম ইবশিংনা হায়রকপা
পোংকী জাংতুগ্নথরে। ... মা... লৌনিংবা
পোংকী মখৈ হাযজিল্লি ইরোং ম.ন ম্নায়ব
অঙোম ... গী শম্বা দা থে দোবদা পাওদৌরে
লৌখিদৌরে মাংবলা থংঙে ... বান্ন ॥
'হানখ্রবদি কংক্তবে লোখর্নান ... অসি।"
হাযরতুনা নো বান্দো লাইতোংখ র ভাওরক্ল ॥
নিকপা মখৈ নিক্লগ লোনবমখৈ লোন্নগা
মমৈ থদা নোংবা ন্দা লাইগী ... ইর ক্ল—
"হাই! তাক্তৌ ইদাইবে শা। য়াদা তুংওইনগম্বু
কুমজা কুমজা খুদি গী নৈগী সরেন কংপদি
ভাম্নু খুম্নু কংলিদো ঐস্নু লৌই অহুম্মা
কুমশি মত্নু চাররোই—ইকোপ লায়পক সোয়দগী.

মরেং পোপ্প্ থোংদবা মনম চৈবুন থাদবা,
মচু ঙাংবা, ময়াংলেন কোরি চেনবা শল অদো,
মমৈ চামোর ভাংবনি মচি য়েংলোম থংবদা
সনা লোংকুম হুকপনি ওইদা লুপা হুকপনি।
খুজিন য়াংগু চনবনি কাওরেন মাবু চাগেদা।
কাও অহুবু চারগা সুক্তা সোইদা হেনগেদা,
ঙাহোং চাকহোং পিবিগে, মোইরাং নৈপাক ইংহনগে।
কাওবু পিজদ্রবদি মোইরাং নৈপাক মুংহনগে,
নিংথৌ মকম শিন্জনগে॥" কাওরে নোংবান মহাক্না।
লাইবাও অহু তাবদা কিরে মাইবাশিং অদো।
রাগী মখা তারমদে সনা চোরোন য়ৌখরে।
মপু সনা চোরোন্দ লাইরোন অহু তম্মুরে॥
মপু সনা পুক্লিংদো, থাংজি চিংজাও অহুন।
খংহৌদমা লাক্নুনা নলবগুম নমখরে,
মপু মাগী কোকথঙ. ..খ্রে মোইরাং নিংথৌদো।
নোংবান মাবু মাইবনা য়েসিনবস্থু য়াররোই,
লাইখাই লাইপাও কজখ্রে মানা ইহেন হেনখরে,
ঙাংনখরে মাইবনা সনা চোরোন হংগৎলি।
মনাই নোংবান অহুবু নৈপাক মাইরোং ওইবগী,
মসিমগা খনবনে অব্রাবনা মপুদো
চিম্বান খেগুম লাংখরেব্রা 'মতা ঙাংখিদরে॥
কংলা য়াইপুং য়েখরে। মোইরাং থাংসু হৈমখৈ,
কৌরে মোইরাং নিপামখৈ। কেগে খুল্লক অহুদা
দোলাই পাবা মজুনা পুয়োম ওইনা নোমখরে।
কারো কারো হায়হুনা লোয়না তক্ল তানখৎলে॥
মপু কংলা সংলাংমৈ লোইনা তিল্লে মোইরাংনা।
থোংলেন তারে ইমিন্দো—"খুদম লাক্লে ঐঙোন্দা

শাগী লানগী করিস্নু।" খল্লি থোংলেন থৌওইদে।
চাওবা মাস্নু তাবদা মাগী মবুক অনোইবা
পম্মহনা কম্মকই। অতৈ থাপ্পা থিরুরে.
"কম্বিগীনো" হায়হনা পুংগী লংজিল অহুবু.
থিরি মরক অহুদা লৈরি স্নুম্মা মযুমদা।
খম্বা মাস্নু যৌরক্লি লাক্তে নোংবান অহুগা॥
ঙিংথৌ মাইবা লাকঅম্বা অঙোম নোংবান মযুমদা;
কোরৌ সিগী মতুংদা, খুমন মানা মচেমদা—
"ইচেক্কনবু। ইতাওদো ঐনা তা'ব্ নারে হায়।
চংলুবনা থোক্কদ্রা?" হাযজৈ করি খন্দনা।
মচেম ফুনা "ইবুংঙো। চংলুগনু শাজৌতোন
কম্মসেন্ননা নাখিবা অহুমকস্নু থোক্কেদো।
অকল লাইনা ওইনা তায মাইবী চ'বনি হায়নে॥"
খাশ্নি খম্মু ইম্ববু। মবুক ফবা খম্বদি—,
মরুপ নাইদি তাবদা নুংশি খুমন হংনিংই।
"চংলুগেদো ইচেমন চংন হৌনৈ কদোগে।"
ইচুম চুম্না খম্বনা চংকে হাযবে মচেমদা।
? ান্দরবী চনুদো "চংন হৌনৈ চুম্মিনা"
ান্নহনা "ইবুংঙো চংলু চুম্মি মাহনা,
ংলু চংলু।" হাবহুনা খুমন মচা লাকচবে॥
খ া মনিন তাবদা ঙ াঙশি বকই নোংবান।
লাইনা কৌসিল্লি হায়না সনা মহি কাচিন্দা
লৈরম্মি নোংবান অপানবা। খুমন চংসিল্লকুনা—
"ইচন থম্বান মা নীশা। উন্নজগে ইতাওবু,
য়াগদরা?" হ ই "চংবীরকউ য়াগনি"
হান্নর া খম্বদো চংসিল্লকই ইমুংদা॥
নোংবান খম্বা উবদা— ভাঃ ইতাও ইবুংঙোবু।"

কৌরম্মি—"পাথৌ 'বুংঙো!" হায়না খুম্মি শাজেম্না।
"অরাম্বা চাক ঙাইবগুম ঙাইজরম্মি ইতাওবু,
ঙসি নংনা লাকপদি পেনখরেদা।" হায়রুনা
নোংবান মপান থোরক্লে। খুমন মানা—"ইতাওবু
করম করম তৌবগে?"—নোংবান্না "ইতাও ঐদি,
শিসি য়াদবগুম তৌ, হকচাং অসি নুংঙাইতে।
ফাবিনবা লৈতদনা লাই তোঙঙকপজিদা,
শিগদৌরি ঐহাক্তি। কাওরেন পাবোং-ফায়রেদো,
তারহিন্সু শোইরেদো পাথৌ ইবুংঙো!" হায়রা,
নুংদা হুব ফুমনা নোংবান মুংশি শারকই।
খুমন মাস্মু "ইতাওবু। নং ঐ লৈবগি তৌই
কেগে মোইবাং কুম্মরু। পাথৌ ইবুংঙো নোংবান।"
হায়না খম্বা মহাক্তি যাওনা থরাই মঙামক,
কপই নোংয়াই মচাদো। নোংবান মাদি কপজিল্লে
ফত্তবা মাগী মরুক অফবনা উরুদে,
থল্লদবা অফবা পুকচেল চুগী হোনবা।
জীব মচা ওইনম্মু চেক্লা চাগী লক্ত-ফাও.
চেং মরু 'মতা খুনবা করিগুম্বা থৃদিংদা
ফংঙরবা মহাক্তি ফজদবা মহেল্লি।
মপি কক্লা অমতা তাদে নোংবান মমিংতা।
হিকু হিকু লাওই খুমন্দি মিংকম পিন থৃম্মিদো।
খুমন মানা—"ইতাওবু। করি করি চানিংই?
চানিংবা 'মত্তদি পাথে ইবুংঙো হায়বা?"
হংই নোংবান কাপ্পদা।—"ইতাও 'বুংঙো নুংশিদা!
পংচা চাবা যাদেদো—চাহৈদবা চাক্লগা
শোকই মিত্তা য়াদনে, শিনা য়ায়া লুথরে"
খুম্মিশুর্বা নোংবান্না। খোয়ুম মানা ইজিনগুম

খুমন মানা নোংবান্দা—"ইতাও মাইবী চংবগী
অনৌবা লাইনৌ তাবা মতম 'সি চুম্মি হায়রৈ।
ঐদি সেন্দি দুরক্লে ইচন শিংদৈ পূজগে।
য়েংবিয়ুবা অমুক্তা" হাযসিল্লরে খম্বদো॥
"সেন্না নংতরবসু যানি ইতাও য়েংজগে,
মায় নোংপোক্তা পাংবিয়ু নখুং য়েংতু তিংথোকউ"
হায়বিখরে নোংবান্না। "ফনি ইতাও" হায়হুনা
খম্বা মখুং তিংথোকই। নোংবান মানা ফাওরক্লে,
খাবী মরোল লোল্লক্লে—"সলাই নোংপোক পাংবদা
মখোং মরি পানবদা তাইবং দোশা পিদৌরে।
মৃত্যু লৈরে ইতাওদে। "কদাযদগী মাগ্নদি
ঐদি চৎফম লৈত্তেনা।" হাযনা খুম্মি খম্বনা॥
"চংত যারোই চৎকনি লাইনা কৌগদৌবনি,
থা 'সিগীবু মনুংদা নিনি হুম্মি অসিদা
থোক্কদৌরিনে ইতাও।" ফাওরে নোংবান মহাক্লা॥
"কমদি তোনি ইতাওবু।" হাযনা খম্বা খুম্মগা
প্রতিকাবদি ইতাও করি করি লৈবগে"
অমুক হংই খম্বনা। 'মাসি প্রতিকারদি
ইতাও থোইনা উদবে।" খুম্না খুম্মি কোংয়ানবা॥
নোংযাই খঙ্গানহুনা খুমন যুমদা হল্লক্লে।
য়াবম পুম্বা মচেমদা তমজববে—"ইচেম্মন।
থাংফান কাইবু-চুপ সেন্সু ফাংখোংসু লোইনা ম্নুরে হায়।
মৈতদি য়া-লি হায়দো।" খুমন মরা তাবদা
খুমু লমক্তা লাইরবী মোপুরাগী খনবদা,
য়োংন শোকপা হঙোইগুম শৈনাই হুনা লৈবগী
পল্লেম পঙ্গৌ হাক্তবী অরা চৈনা খোম-কং,
মি সা খম্বান মানবীদো চিংকুম লাইজ ইংকুখোক

থিজেন লাইজ ইনম থাই—হিক্লা, হিক্লাহেক কপই ॥
মচেই মতৌ উবদা খম্বা হেক্না নুংঙাইত্তে,
মবুকনিংদা ৱাবদি খুমন মান্না উহন্দে।
"লাইনা শিয়ু হায়রগা শিগদরা ইচেক্কন।"
"শাজৌ করি ৱানোদা লাইনা হায়র হুমঙাই,
বংনা তম্বা ঙম্বরা ?" সুম্না খুমই মচেনা ॥
"শিখিরোই ইচে ঐদি—ঐগী পুন্সি শাংই হায়।
চংশিন্নগা হেক লোইরে। ঙসি নিনি ছুম্মিসি,
থা'সিনবে শিন্রি-কাণ্ড—কৌজেং অমই মনাক কাণ্ড
লোইরে চংবিকন্নগা, কদায়দগী শিরুনি।"
সুম্না খুম্নি খম্বনা। মচেম-তুগী খনবদা
ৱায় অতৈদি ৱাবিদে শিবা লাকপদা কিবিদে,
খুমন মতু চুংবিদে। মচেমহুদি খোইরাংই ॥
নোংবান মাদি হরাওরে "মাদ-লাকপ ঙাইবনি
হৌজিক্তি কারগেদো" হায়দুনা নোংবান লাজে।
কীঙৌ চামার সেংকংলে। লাংথে মপোপ অনিদং
চিক্লে মনা অনিদা। মোইরাং লমজাও অদুদা
কৈন কৈন চোংহুনা কাখংলক্লে নোংবান।
চাওগ চাও মীওই মীতৌ ফজবনা অপা.।
লৈপাক ৱা ৱা লাওরকই "আই আই মাইবীনি" মন্নাম
হন্দোক্লে লৈপাক পু.া। নোংবান কোন্নুং পায়খরে ॥
মকোক লাইবু তোংবনি নোম্বফদে হায়দুনা
নোংবান নিংথৌ খুরম্বা—জুর তৌই মপুদা।
মপু সনা য়াথং নোংবান মমাই কি হাইদোকই ॥
"জুম নোংবান কমদৌই! পাম্মুইদকো অপানবা।
ঐগী শাগন তেক্লেদো।" ৱান শোক্লি নিংথৌনা।
"ইনিংথৌবু কবিগী য়াদ-দগে মাইবীনা

য়াই; সনা থোংগল্লাংগন অকল অথৌ অপুম্বা ॥
হংগৎখরে নোংবান্না। "চুম্মিনহো অপাম্বা
চকপা-লম্লাং মাইবীনা যাই হাযনা হায়খিম্মিহো।"
নিংথৌনস্তু তাক্লপিরে। "চকপা মাইবী অঙ্গুবু,
ননাই ঐস্ত খল্লমই—ইমা গুরু ওইসিরা।"
সুম্না নোংবান সৌজিল্লি নিংথৌ' নাতৈ থিঙ্গুনা ॥
"তথুম নংনা কারকপা নুংঙাইখরে ঙসিদি,
নংনা ফাওই হাযবকপা লাইগী লাইরোন তাবদা,
য়াথ্রে ঐগী থরাইসে। ঐগী মোইরাং লৈপাক্কি
খুবাক মকোইদা তাবা কবি লৈত লৈপাক্কি।
খোযুম মাগী মপাওবু শোইত্রববা অশেংবা?
খুমন লৈপাক হাযরিবা ইতাও খুমন নিংথৌগী
চাওববদি লৈপাক্কী। প্রজা মশি যাম্মিবা,
অকল-অথৌ চংখোনবা—লৈপাক তুনা শলহুবু
লাকপা ফাবা ঙমত্রবা খুমন ইকোপ লমদমদা
চাথরবা শঙ্গাওনি। হুবু থাংজিং লাই 'দুনা
চাগে হায়রে হায়াইবা মাহ তথুম তাবদা,
য়ারে ঐগী থরাইসি। পাংনবদি অমনা
শিন্দোক শিল্লিন তে নবা তথুম যাববোইদরা?"
মোইরাং নিংথৌ হংলকই। নোংবান খানা—"ইনিংথৌ
ননাই ঐস্ত খংদরে লাইগী মরা ওইবনা।
লাইনা তোঙ্গিঙ্গৈত্রদা লাইগী মপাও ওইনদি
হায়দোকখিবা ওইবিনি। ননাই ঐগী ইবুঙ্গা
তুংহৌবদি নঙ্গেদো। খোযুম মপাউ হৈনবদি
শোইরবোইদো ইনিংথৌ। লাইপাও ওইমা কাওবগী
শোইত্রমাল্লে, কুইখিত্র—ফজে য়াম্না চাও-শাংই,
অহুনা ওইবা তারে—মানা ঙাংবা য়াঙাংদো।—

'শিরয় ইরাইবক্কী চংঙে ফরে,- নিংথৌগী
মচা ধরা পান্দবা খোয়ুম মানা পাহনগে,
হায়বসি তাবদা ঐগী পুক্লিং নুংঙাইরে।
হান্দক্কী কাও অসিদি ঐ ফাজরগে' হায়না
লাক অমই ননাই অমা ইনিংথৌগী প্রজানি।
পুখম সেঙ্গা তরেংখরু পিরম্মি ঐগী ইথুংতা,
'অচানবদি মনাইনি নংনা হংগৎপিরুরো।
কেগে চৈরাপ্প ফাওবদা ফোংবিয়ুকো হায়রম্মি।
ননাইসিগী মগুনতুক য়েংথিবনা ফগদ্রা।
থাজে ননাই ঐহাক্তি ঙমগনি স্থম্না নিংই।
মাগী মতৌ উবদা মথ্বাইনগা পাম্বগা॥
হংগংলুরে নোংবাম্না মপু মোইরাং নিংথৌদা॥
নিংথৌ কোক চাওবী কারে নোংবান মন্না তাবদা,—
"খুমন লৈপাক চংবদা ফাবা ঙমদ কাওজবু
কাগে হাযরি হায়বন্থু মোইরাং মচা কনানো ?
হায়ু তাগে কনানো ?" হংঙে নিংথৌ খৌরাংনা॥
"ননাই ঐবু ইনিংথৌ মরুপ হুনবা থোক্লদ্রা ?"
"হায়ু কনানো তয়ুম নিংথৌঐনা" খংনিংঙে।
"ননাই ঐহাক হংগৎকে, মানা হায়বৈ হায়বনি।"
"চুম্মি হায়রো তারসি করি দোশ লৈবগে,
মানা হায়বৈ হায়বনি" হায়রবদা নিংথৌনা।
"ননাই ইতাও থম্বনি" হং[illegible]ক্লে নে
নিংথৌনা - "হায়নু নোংবা[illegible] থোং লানবা,
উর'স্থ উদে হায়ু—হায়বা রাফমক্ত থোকই।
হায়রম্মোইদা নতাওদো থাজদরে" হায়ক্লে॥
অথেংবীদা নৎতানা য়াররোইদি উরক্লে।
নোংবান মানা অথেংবী—"ইনিংথৌবু নোংবান্না,

ইচিন চোনবা;তাজগে,ননাই ইতাও কৌহুনা
মশাদা 'মুক্তদি তুক-হংবিরগা, ইতাওনা
"হায়দে' হংগংলরগা ননাই ঐগী ইরাম্নি।"
হংগংলকই কোংযানবা মপু সনা পুক্লিংদা
খম্বা হায়বা মহাক্না হ যরম্মোই হায়বা অসি
হোৈম্রোং উবি খম্ববু। "চেন্দবগী মচানি
হায়রবদি চেল্লোই। হায়ত্র হায়দে হায়রনি।"
খনবিরগা নোবানদা —' তযুম নোংবান নহাকী
খংগে নগুন অহুম্ব — লাইগি মপাও অহুম্ব
অশেংবনি, তারসি খুমন মচা কৌরুরো।"
সনা য়াথং তৌরক্লে। দে লাই পাবা থারক্লে॥
লৈপাক তিনবা লোইথ্রবা কংলা য়াইপুং থিনখিবা
খম্বা মানা কাম্রিদৈঙে কেগে কংলা অদুদা,
দোলাই পাবা নিংথৌগী যাথং পুবা লাক্লিদৈঙে,
অযুক-তদা মচেম্না খুমন মাবু য়েংঙগা —
"ইহু নিংথৌ ইবুংঙো। তাদরে ইচে বা হাযগে!
ইচেন থোয়েন মংলাঙদা ইচে' চংলি ভুরেন্দা
লাইজ ইপাম লাংববু। পুল্লাং কোক্তা থোংহুনা
ইমু মযো৲ ,ংতুনা কারকপদা ইবুংঙো!
থোংনুংদগী তোরবান যৌবা কৌবা লাইদেদো।
কোক্তা থোংবা পুল অদো মা' না তাববু
কায়বমক্তি কায়রমদে। ইচেম লিল্লাং অসিহু
কোঙ্গোই অসি নাম্মোকই, মালেম থক্তা তাববু
চাইবা-মক্তি চাইথোক্কে। লিল্লাং পুল্লাং অনিবু
খুজংতুনা লৈরম্মি। সুয়া তৌই ইবুংঙো!
খুমন নংগী খনবদা ইচেম পুক্লিং লাংইদো॥"
লৌজে মঙগী বারমহু। খুমন মাহু তারগা—

"কালেন মঙনি ইচেম্মন—মঙজোয হাযবা 'হুনিদা,
পুম্নাং কাযদে লিক্লাংস্থ চাযথোক্তেদো কৈদৌদে।
অক্ষবদি মঙনিদা। হাযনা মচেম মবুক ক্ষায।
দোলাই পাবা অনিনা নোংযাই' হোজং যৌবদা,
উরে খুমন চম্নুনা—চেনসিল্লক্লে ইমুংদা,—
"ইচু নিংথৌ যেংউনে, দোলাই পাবা অনিখক
লাকইনহাই ইবুংঙো। কবিগীনো শাজৌবা।"
তাকউবেদা খম্বদা। খম্বু মুংশা থিকবে।
খুমন মানা—"ইচেম্মন, পৌবা লাকপা ওইবিনি,
লাকচসন্নু .কদৌগে।" খুম্মি খুমন মহারা।
দোলাই পাবা চংলক্লে—ক্ষীদা থাবে ক্ষনথরে ॥
লাইববীনা "—ইবুশা! কবিগুম্বা .লবগে?"
দোলাই পাবা অনিনা—"খুমন চনু অরেম্বী,
নোংযাই চনু অচিংবা খংদে ননাই ঐখোইদি।
মপু সনা য়াথংনা নহু নিংথৌ কৌকভা,
মতাক পিদো ইবেম্মা।" খুম্মি খম্বু মঙোন্দা ॥
খম্বা মাগা লোইননা দোলাই পাবা শিংহুগা
বারকইদো কোন্নুংদা। নোইরাং প্রজা উহৌবা
ঙাংনহৌই মখোইনা "ঙসি খম্বা অহুবু
কৌখি দোলাই পাবনা, কবিগীনো ৱারমদি
খংদ্রেদকো।" খম্মখি—"বরি ওইকগদগে
পানা মকোক হাযবসি থবক্' থবক ঙাক্তনি।"
অরা মুংঙাই চৈবকওই, স্থম্না ঙাংনহৌইদো ॥
খুমন মানা লাকপদা সংগাই বৈথোপ অহুদা,
লেংথোক-অম্মি নিংথৌস্থ, সনা মাংদা লৈরম্মি
অঙোম নোংবান মহাক্সু। নোংবান উবদা খম্বা—
খল্লি "ঙসি মুমিৎসি লৈরে কবিগুম্বা 'মা।

অনাবনা কারম্মে—তৌজসমু কৈদৌনি,"
সনা মাংদা চংলকই। সনা চরন খুরম্মে।
মপু সনা য়াথংদো—"খুমন ইবুংঙো নোংয়াই,
খর তোয়না মকাউ-শা! ফম্মু ফম্মু" কৌখিরে।
মোইরাং নিংথৌ হায়রসি অঙাং অমা ফাওবদা
লুনা তৌই জীবরু: "জীব লোকপা—হায়বসি,
জীব ঐগী ইথৌনি মাগী সেবা তৌবনি।"
ম্মুয়া চৎলি ধর্ম্মসি। য়েংই মুংশ জীবরু:
খুমন মাবু উরদা "ইতাও লাক্লে" হায়দুনা
কৌখিরম্মি নোংবাম্মা—খুম্ম "লাকএ ইতাওবু॥"
নিংথৌ সনা য়াথংহু "খুমন ইবুংগো নোংয়াই!
নতাও নাব চৎলুব্রা?" হংখিবকই কুমিদা
"ননাই খম্বা চংচক্লই" হংগংচো খম্বনা।
"কাওগী রাদি তাবরা?" হংখিরক্লে মপুনা।
"ননাই ঐহাক তাজদে—" তাদে হুনা হংগৎলে॥
অঙোম নোংবান য়েংহুনা—"ঙেখুম নোংবান অমাইবী!
হায় হায়! নতাওম্মু. রারম পুম্বা তাদসু;
নংগী লাইগী মবাম্মু রাকম পুম্বা অমুক্তা,
লোইনা তম্মু তাখিসি।" হায়বিরক্লে মপুনা॥
নোংবান মামা—"ইনিংথৌ! থাংজিং লাইনা ফাওরবা—
লমজাউ তাবা শন চাগে। কদায় লমজাউ তাবগে?
ইকোপ লাইপন সোইদগী মরেং পোপ্প, থোংদবা,
মনম চৈবু থাদবা কাওরেন মাবু হায়বনি।
হায়দা লাইনা ফাওরবা—নিংথৌ মাইবা কুম্মকপা,
ননাই অঙোম ঐগীদা। তুগী নোংমা কোনবদা,
লাকই ননাই ইতাওসি। ননাই ইতাওনা হায়রে—
'হান্দক মোইরাং থাংজিংমা পাম্মি হায়বা শন-সিদি,

ইপারম ইপুরমদা চানা শনবু থোকইদো।
ঐ ফাজগে ইতাওবু! তুদা তমদ থোক্লগা
কেয়ম প্রতিকার তৌনি। শন-ফানবা খুজিন্দি,
ইতাও মংনা তৌবিয়ু। য়ামদেঁ বারৌবিগমু—
পুখম সেঙ্গা তারেৎপদে লৌবিয়ুকো ইতাওনা'
মনাই ঐদি ইতাওদা থম্বীরমগনু ইতাও,
হায়জবদা নমতুনা থনম্মিদো মনাইনা।
মনাই ঐগী পুখমা খোইশা ব্রাৎচদবনা,
ইসাইগী খোইশা॥" হংগৎলক্লে মিংথৌদা॥
মাংন্দ থম্বনা লোংনান, মমাই খিৎতা লাংসিন্দে।
লুনা তাংথক নৈতনা রেৎকা ওইগা ফম্মিম,
খুমন মাগা লোইনাবগা মপু সনা মাংতুদা,
হায়রককাসি মিংগী তায়। খম্বা মাবু য়েংঙগা
মপু সনা থাগৎলে—"ঙমুন খম্বা কমদৌই?
নতাও' তম্মিবসিদা করি করি চিংথরি?"
থমুক হংতে খঙদা। খুমন বাসি তাবদা,
খম্বা পাম্বান চেৎতুকই। খুমন খোয়কম হৌরকই।
সিস্তুন অন্দি হৌরকই। "ইচে ইবেম্ম চুম্মিদা!
খুংদা লাইরিক ইবনি ফক্লাং তেংপাক তম্বনি।"
খল্লুরগা থম্বহু কপ্পিংবনক য়ৌরকই।
"হাই! পুক্লিং নৌরকইনা!" হায়না খম্বই পুক্লিংহু
য়োৎকুম উগুম কমথরে। মপু চোরোন য়েংতুনা—
"নমাই ইতাও নোংবাম্মা তম্বদা তাজরিবা
সিমি। তম্মিবসিদা চিংথ চিংথদবদি
মনাই ঐদি থংজদ্রে।" হংগৎলক্লে খম্বনা।
খম্বাই মবা তাবদা—"তুদি খুমম করিনো
নতাও' পুহায়রিবসিদে—থম পিক্লদবকো?"

হায়বিরকই নিংথৌনা। খুমন মানা—"ইনিংথৌ!
ননাই লমজা ঐহাক্তি মপু সনা চরন্দা,
থৌগল্লোন্দা কায়রেদো। যোল্লবদি লমজাবু,
নমাই ঐগী য়েংবিনু। বোরৌ নোংগাখরবা
ননাই ইপা ইমানি চোবন ননাই লইরম্বা।
অনিহুগী যেংহুনা মহোয় পোকচরম্বনি
মুম্না ননাই খম্ববু ডাকপিযুদনা চোরোম্না।
ননাই ইতাও মো বান্না হংগংলবা বাফমদি,
থৌগল্লোন্দা হংগংলি। ননাই ঐদি যোল্লেদো।"
হংগংলক্রে নিংথৌদা সনা বাপ "করিনো!
হায়ু কর কাযকন কেংবা হায়দে কউ।"
মুংশিবগা অথুম্বা যাথং খো ম্বাক হরোইনা,
তাকপিরক্লে নিংথৌনা। খুমন মানা—"ননাই ঐ
কাওগী মবোন তাজদে, পড়কদে পুখমসু।
ইতাও মাবে হাযবগী চুম্না হবা চংচকই।
ননাই হচিন থডনা লমডা ইচেম লাইরবী
মাগী সেবা ভুত্তবু চমপ্রবোহন্দ্রা খম্বগী
লাইগী মপাউ অমতা তাজগোদি নমাই ঐ,
হংজকরে হতাওদা। 'খুবাক মায য়েংবিগে,
নমায় নোংপোক চন্দুনা যম্মু' হাযনা ফঙ্কল্লি
নমাই ঐবু ইতাওনা খুবাক ময় যেংবিবে।
'নোংপোক পানা ইতাওদি খোং মবি পামবদা
মতু লৈবে শোইরবোহ প্রতিবারম্সু লেত্রে।'
হায়বিহুনা হুদগী যুনদা অহুন নাকচরে।
বাফম অহু হচেমদা তনজৈ নমাহ ঐহাক্লা।
কম্নো হুদে হাযহুনা হচিন ইপা খন্নজৈ॥
সিদৈ হেনবা বাফমদ কায় মতা খংজদে।

পুখম পিবা, শনগী পাও করিমতা খংজদে—"
হংগৎচরে মপুদা লমজা লাঞ্জদবমা॥
খম্বাই মরা তাবদা মোমোন নোকই নিংথোৌনা—
"খুমন মাস্থ নোংবান্স্ ইওই এইনা হায়নরি
করি রানো অসিদে!" খল্লুরগা নোংবান্দা—
"তয়ুম নোংবান কনদোই—নংনদি হায় হায়রিদো।
হায়দে হায়বি নতাওনা—করিনো ফনা ওন্নে।
ওন্নরবরা নংনা?" হংবিবকই মথং 'মুক॥,
নোংবান কৈস্থ থুকপিদে—"কৈদগীনো ইনিংথৌ,
ইশেং শেংবা পিবনি, পুখম সেঞ্জা তরেং-তু।—
করি রানো ইতাওবো! হায়নিংঙাইদি হায়দোক্লে!
মতুংগীদি খন্দনা অঙাং মচানদোম্না!!"
হায়দোরক্লে। নোংবানগী মরা অহু তাবদা
খুমন অঙাং নোংয়াই মৈরী মতোন্দা লেপ্লে।
মোমোন নোকই খম্বনা—"করি রানো ইতাওবো!
ঐদি হায়দে পিদেনা। এইদবদ। করিনো!
নংনা মাইবী চংবদি লৈপাক মাংননববা!
ঐঙোন্দবু ইতাওনা অহু ফাওবা ছম্মবা!
অহুমদি নহাক্তি য়াম্না তৌরম্লগনি!।"
হায়বক্লে কোংয়ানবদা। নিংথোৌনা—"তয়ুম নোংবান!"
কোংয়ানবনা—"ইনিংথৌ!"—"নংগীসিস্থ কোংয়ানবা!
হায়বা য়ারে হায়দুনা পংহায় হায়জিল্লবরা?"—
"ইনিংথৌবু নংচদে—হায়বা য়ারে হায়দুনা
পংহায় হায়বা ওইরবা! চোরোন সাথী ওইগনি।
পাম্বা কৈনা লেপচা হেক চাপ্রসনু ইনিংথৌ।
থাংগী তাগী-ময়াদা ননাই মাংবা ওইগ্রগে।"
নোংবান মানা হংগৎলক্লে, রাশক অসি তাবদা

স্বাই হেক লাওই মপুদো—‘হীঃ! বাসিদি” খনখরে॥
থুমন মাবু য়েংদুনা—“তয়ুম খম্বা!”—“ইনিংথৌ!”
—“নুপী ওইবা জাৎ-তনা, ‘পারি ইনোম ফুজবদা,
থাংনা থায়বা ওইরগে’ হায়রবদি লোইরেদো।
নিপা ওইবা ঐথোয়না শা, কৈ পম্মা বাশকপা!
থাং-তা পনথরবদি লোয়রে ক্ষত্রি মচাগী।—
তাও হায় নোংবান! থংউকো নিংথৌ ঐগী [illegible],
শা-কৈ পম্মা বা ভাংবা হেনদবনি নোংবান!
নিংথৌ হায়বা অসিদি ময়েক নাইবা ধা [illegible]—
খম্বা! নতাও নোংবান্সে শাবু [illegible] [illegible]
পিদ্রবম্ব হৌজিক্তি পিবোই নিংগু ঐগী [illegible]”
হায়রক্লে। রাজবু হেক তাবদা থুমন [illegible]—
“অজ্ঞা! চুনই ইনিংথৌ—মনাই ঐদি [illegible]
অহুমকপু চোরোন্দা—মনাই লমজা ঐগী,
পুখম সেংগা তরেৎ-তু লৈজরবদি, মনাই [illegible]
ইচেম থম্ন, লাইরবী লৈকাই চনিরদুনা
চাগদগে করিগী। হান্দক মুক্তা মপোক্ত
লমজা ওইরে মনাই ঐ! পালেম পঙ্কা [illegible]
থংজদরে—উদরে। মমাই ইতাও নোং[illegible]
পিক্করবা পুখম-তু, কাও ফাগেদ হায়রবা।
খম্বা হায়বা লমজা মপোক নিদা নংজনা,
মপোক তরেং পোকথ্রগে লমজা ওইনা মনাই ঐ।
ইমা ইপা ফংগ্ররোই—মনাই খম্বা তৌভরে।
বিষ্ণু ওইবা মপুনি, সাক্ষী ওইগে বিষ্ণুনা।”
থুমন মাম্ব রাশক্লে। রাফম অসি তাবরা—
“তয়ুম নোংবান তাবরা শানা কৈনা চাগ্রগে
হেক্তি চাবা নল্লেদো। হায়নবাইবা অহুনি।

অমম্ব অঙান মুমিৎ থা লাইগী রাশক কৌবদি
[illegible]গীনা থোকইদো।" হায়না নোংবান মংডান্দা
[illegible] নোইবাং নিংথৌনা। নোংবান মবুক অহুদা,
[illegible] অসিদে থাজখ্রবোই খম্বদা।"
[illegible] অকনবদা থেংচল্লে।—
"[illegible] হৌনবনি সুম্ব। 'সি
[illegible] হায়বা [illegible]কানি লিন উদ্রগা চেখোক শাং,
[illegible] চেখোক তেন মাদ নত্তে মাসিদি।
[illegible] মপ পারেপ্পা কৌবা,
[illegible]রমা [illegible] স্মুম্না চম্বা তৌই হায়।
[illegible] ! [illegible] ফাদ্রগা ফানি,
[illegible]" হায়না নোংবান চৈরক্লে,
[illegible]কই পাম্বৈম গ্রি গ্রি তিংলকই॥
([illegible] হুঞ্জিল্লগুম
[illegible] মেহৌরক্লে। মৈতুগী
[illegible]খরে প্রলয় নৈদি কোটিনা
[illegible] মৈমী অদু খম্বগী
[illegible] নিৎ য়াদা ডাংনা মেতোন ফাওরক্লে।
[illegible] চুন্নে চুন্না নহায়ু,
[illegible] ঐনা করি কায়হুনা,
[illegible]প লায়পান সোই-হুদা শন ফাবদা শিবম্মু,
[illegible] শিনম্ব অঙ্কাই অঙ্কা 'মতনি।
[illegible] অসিদা নোংবান লোইগে" নিংখরে।
[illegible] নিংথৌ উখিত্রে শাওবা লিনগী হুনা কুপ,
খম্ব পুম্নম মমখরে, মরেম মোংশা শিংহুনা,
পাম্বা নশক উবদা কৈগী মংকে তমহুনা,
[illegible] হুঞ্জিল্লকপগুম খুনম চৈরৈ তাথংব্রে,

খুমন নমদা কুপ্লম্বা মুহুম ফীহু লংথোক্লে।
"করি নোংবাম" হায়দুনা চোংশিনখবে খম্বনা।
নোংবান খুজেং অহুবু পাযগে 'দুগা চিংথোক্লে।
খম্বা মামা থিবদা, ফি খুনুংদা নোংবান্না
মখুৎ অনি অহুবু কোযথাং থাংঙে লোৎখবে।
খুজেং অমা ফাখরে খম্বা থিন্দে, নোংবানবু
চিংথোরক্লে, নোংবান্দো খাংবা লাকপা ঙমখিদ্রে।
তেরা মফোননদোগুম পাইরে খুমন সউমদা॥
সনা যাথং লাওরকই "হীঃ তমুম খম্বা চাইখো।"
তাকপিরবপা যাথংদো থুংখ্রে খুমন মহাক্কী
চংখ্রে মাকোং চক্রদা। নোংবান হুন্দোরদুনা
চেন্সিনখরে নিংথৌদা—মপু সনা মাংহুদা
মিৎতা পিবু তাহুনা খুমন লমজা হংগৎখ্রে—
"চোবোনগী লন্দি ওইবা মাংবা যাদে মনাইদি,
ননাই খম্বা মাংখ্রগে, ননাই ইপা অহুনা
পোল্লম্বদি ঐহাকপু ইপা থৌদাং থাংনবা
থোক্লে ননাই লমজাদি। শিজবগে ননাই ঐ,
সৈত্য হাযবা লাইদুনা লমজায সাথী ওইসনু।
ইকোপ লাইপন সোইদগী কাওহু ননাই ফারগে।
ননা/৯৮ ঐনা নোংবান্দা পুখম সেপ্পাদি পিদে।
কাওগী মরা দুহু ননাই হান্না তাজদে,
সৈত্য কৌবা লাই'দুগা বিষ্ণু কৌবা চোরোন্নে
অনি সাথী ওইগনি! নন'ই শনবু ফারগে॥"
হাযনা সনা চোরোন্দা খুমন মাদি তুক্লরে।
মপু মোইরাং নিংথৌনা—"নোংবান নমায পান্দবা!
মীনা চিংগে তৌরগা করি খাংই নহাক্কে!
লৈপাক তিনবা অসিদা মীগী পিবন পাবনবা!

ৱারক্তবা কোংয়ানবা!" চৈরে শাওরে নিংথৌনা।
খম্বা রোমদা অমুক্কা—"খম্বা লৈপাক তিনবদা
নিংথৌ ঐবু ফম্বদা, মীবু চি়বা হোৌনব্রা?
য়াম্না কনখ্রে থৌমনখ্রে।" অনিমকতু চৈরক্লে।
"ঐগী ইমাং অসিদা চান্নৌ কোন্নৌ অনিমক।"
তাকপিরক্লে সিমন্থু মপু সনা যাথংদো॥
নোংবান কৈন্থু শাওনিংদে করি 'মতা ইকাইদে,
অদুমকপু নোংবান্দো কোম্বো হায়বা অদুদা
হেক কোম্বদে খাঙংকই, অনি অদু কোম্বরে।
খুমন মাম্বা—"ইনিংথৌ! ননাই লমজা ওইবনা,
ৱারক থোবাওদবগী কায়বনি ইতাওদা
ননাই খুত্তি পাইকবে। দোষসিগী ঐহাক্না
কাওবেন শনবু ফাজগে। শিগ্রবদি শিখরে—
ইকোপ লাইপন-সোই-তুদা কাওরেন মাগী মখুৎতা।
হিংলবন্থু ননাইবু মপুই নঙ্গল ওইনবা,
থাংজিং কোয়রেল লাইতুদা শনসি কংল' তুংতুদা,
উচান খাংগে সেবোদা যোৎনবিয়ু তুম্বাদা॥"
হংগৎলকই অমুক্ক। নুংশিরবা মনাইনি,
লমজা খম্বা মহাক্কী, থম্মোই শোকপা ৱাহৈনা
হংগৎলকপা তাবদা মপু মোইবাং নিংথৌদি
পুবা ঙমদে ইন্দ্রিদো পায়ম ফবা মপুদো॥
"খুমন ইবুংঙো নোংয়াই—লৈপাক তিল্লে হায়গম্থু।
নং ঐদা ভাইরিঙৈদা হায়নবনা অমনি।"
নুংশিবগী মনাই খাম্বিরকই মপুনা॥
"চোরোম কুপা তৌবিয়ু" হন্না হন্না হংগৎলে।
"খুমন নংবু ইবুংঙো! কেগে চৈরাপ ফাওবন্থু
হায়রব্রা নংগী সিবো?" সনা য়াথং হংবিরে॥

"ননাই হানজরগনি" খুনজখবে লমজানা।
হোংংরোইদি হানবসে চং মোননাং নিংথৌনা।
কেগে মেহরাং চৈবাম্বা থোকলল যোবে হাযবিরে॥
খম্বা নোংবান অনিনে থোকে লোইনা চৈবাম্বা।
মপু মোইরাং নিংথোদা লংহৈরে রথোপ হুদা॥

৬

খম্বা নোংবান চম্বিবু নরকপদা চৈরাপ তো—
"ঐখোই মে নবদগী চরা নাবন হাযম।
যম্বা শাবা সিদ অরেম্বন করদ:
হান্দব সনা হাক্কবসিদি অম্বুক যাম্ব সিনা।
ফরাং তাবগদৌনি, বা লেইবা নানাইদনি।
অডা অনি সাওদম, রগা ফাগা তারোইদা।
তোংলেন চান্দবা নমগী নাও হবতোকা,
থোংহেক খোংপমি নিংথৌ ফ গুবম্বু ত নডাইরে।
ঐখোয মোইরাং হাযবন মহে না অন্দমরি॥
লাকএ লাকএ" হাযদুনা নবকই মযামদু।
কেগে চৈরাপ নিংবদা খুম্বা নোংবান চংলক্রে।
"নোংবান হানা অসিন তৌনকইবা কদোনদৈ,
মাইবী চংদে হাযদুনা," হং ন ম্বা নযামদু।
থাংগবাকপা অম্বা নোংবান মাবু হেংদুনা—
"অঙাং নংনা কদানদা করি শংলোন তোনলগে?
লাইনা—ইবোপ সোইদগী শন চাগে হাযরে হাযবা।
নংনা তৌথোমকপসে জুগোৎ চদে নোংবান নং॥"
চৈযে কোংয়ানবদুবু। "করি বানো ইপাম্বৌ!

ঐনা হায়বা নত্তেনা, লাইনা ফাওজবা বানি।"
খুম্বি নোংবান অপানবা। "অহু ফনা ওইনস্ত্র,
হৌনদবা বাফমনি।" হায়ই থাংগবাকপনা।
"হৌনদবাইবু সিদা—শন ফাবিনবা লৈতে,
শিগী নৎত্রা ইপম্ভো?"—"হো-মান 'তুনিদনা।"
নোংবান মানা—"মাতুদি ৱাবিবনু লৈবনি।"
সুম হায়না কোংয়ানবনা খুম্বে চৈরাপ তিনবদা॥
থাংগবাকপনা—"কয়া, নোংবান। কনা' শন ফাবা?"
নোংবান্না—"ইপম্ভোবু! শন ফাডগে হায়তুনা,
পুখন সেঙ্গা তরেংথক পিররেদো এঙোন্দা,
মনাই খুমন ইভাংনা। চগী নিংথৌ যৌনরে,
পিন-থারে পুখং তু, শন ফাগে হায়না য়ারে।
কেগে চৈরাপ তুং পুথোরবরা সিনি।"
হায়না লাওরে নোংবান্না॥ চরাপ চোন্না তিনবদা,
থাংগবাকপগা নোংবান' নায়তুনা বাফম 'সি
হলাই লাংনা হৌদোবই, ইলাই লাইনা লোইথোকই।
যুবরাজ চিংখুংনা থুশিংখদ্রে খম্ববু।
নোংবান মাগী মবাদা লোইনা লৌরে অয়াম্বা।
লমজা মাগী মবাদি উংবন বাইন খুমখরে॥
খুনন মরা অতানব নোংজু থাগী মুনিংকুম,
কোরৌ থক্তা লৈখরে—নোংবান নোংনা খনখরে॥
সারা মাগী মবাবু "খম্বা। কবি লৈবগে"
যাওখিদরে হংবিবা॥ ফরে লোইরে হায়নরে।
চরাপ লোইনা য়ানরে। থাংগ্রাকপা অঙম্বনা—
"মনাও 'বুংগো কমদোই সনা য়াথং করম্বা,
নাকপিদোবা লৈরিবা?" হংই যুবরাজদা।
যুবরাজনা—"ইপু! মান্না ফগে কৈদোনি।

শিনিংদি ঐখোইদি, শিজগ্রসনু।" হায়রকই ॥
খুমন লংজা মহাক্কী লৈকাই ওইবা অঙম্বা,
কেগে লৈপাক অদুদা খুমন মানা নংলকপা,
লোইনা মন্না খ ঙকপা চাংদৌ লাকপা কৌবনা,
খুমন নাবু মনাক্তা কোশিল্লগা—খম্বদা
নাজো নবু কনিনা! খুম্মুদনা ইবুংঙো!
নংন হায়রুবনা? হায়মনরিবা রাফমসে?"
হয়রিবকই। লমচানা—"নঙ্গৌ ওইবা অঙম্বা!
... লমজা পিকপদে ননাই ঐবু হংদনা
খুম্মুরগা অমুক্কা, থোগন-লোন্দ কাযরেদি,
হায়বরান খুম্মরোও" হায়বে লমজা খুমদবে।
মোনরা 'ঙম্ব' কনান - "মমা ...পাগী শন্নি,
... কদনা খম্ব স! ...চেন দুহ করিনো!
মাগী বেনা ওইনরে। পিক্লিচাদ অমনি,
... দু নিংথে অসিনা ...গন চাওব' সিদদি,
... যারেনা, ক। রাখন তৌদে মা।
... নংথ যোদ তুমন হেক মফারু।
ব... ... হয়বনি—প মন্দদো খম্বসে।
... গে হায়দুনা বান অমুক রাচংলুই!
... যাইল্ল লৈপাক রা নত্তে মাসি,
খুমন মাগী লন্নহনি" ইলাও লাওনা ঙাংঙকই ॥
...লপ প্রচ ...খনা নাযন শি সি তারগা—
"কনো লোইনাং অসিদি মতা অমা তৌবেনা,
অচম্বনি হায়দুনা লেনি মযাম অসিদি
মহোয মকোন অসিবু—লফু মক অপুম্বা
তিল্লোক চাক্তা চাইরনা 'দুম্বা মক্কা ফম্বা!"
ঙাংনবকপা অদুনা বেগে চৈনাপ ঙংখবে ॥

—"ফাহল্লুরো খম্ববু করি নৈপ্পাক য়াওগনি।"
ঙম্বা শিংনা হায়রকই—"চুমই চুমই" খুন্নরি॥
থোগন সোনবু য়েংবরা—মাগী মীচং থিবরা!
কেগে মোইরাং লমদমদা লমজা মাগী কনাবু
নৈতে খল্লুবনরা—ঙাংঙকইবা পুম্বদো
খুমখিদরে খম্বনা। মোইরাং চৈরাপ মচিদা
খুমন তুমিন ফমজরি—সমৈ লাংদা য়েৎলবা
চেক্লা চানা তৌবগুম লমজা অতাক্লাহ্নুনা॥
খুমম মাগী হায়হুনা য়েৎপিনবা উদ্রবা
ঙাংঙকত্রবা অহুদা শাংনদ্রেদো রাফমদো।
অহুক চাওবা চৈবাপ্পু তুমিন তুমিন নৈনরে॥
ঙাঙৌরাকপা অঙম্বা হৌবদগী তারকপা
খাংবা লাকপা ঙম্মক্রে। খুনন মতৌ য়েংবদা
পায়মা-মুংদা শোকখরে। রাফম শিংহু তাবদা—
তাশোন, থংনিং-তাশিংনা থম্মোই ফাওনা থিনবগুম,
অঙম্বদো নাখরে; পুকচেন অমা ওইবগী
মীগী চিন্থি সোনাই তৌজদবা মহাক্নি।
ঙাংদে রাম্মু পংন খক ময়াম 'হুবু য়েংঙকই
মমাই নৈদা থারম্বা মাইথোং তন্না হাইগৎলে—
"অপংবগী রানিদো 'হুমকপু অমতদি
লাওজনিংই ঐহাক্না।" হায়রে ময়াম অহুদা।
ময়ামহুনা—"চুম্মিনা! অসাই মথৈ ঙাংদেনা"
হায়নরকপা য়াওরকই। ঙাঙৌরাকপানা—"ঐদি
হায়নখিবা ময়ামদো—কয়া তানিংদদনা
ঙাংজদবমক ওইরে।"—"ছিঃ করিনো অহুদি,
চাওমল্লিদা রাঙাংদো।"—"চাওদ-য়াদবনমি।—"
"করি হায়না চাওগনি"—"করি হায়না চাওদনি"—

"করম চাওনি"—"চাওদনা ংপা মমা লৈত্রবা
খুনম লমজা মহাকপু। পংতু তুহৎলি হাযো!
পুখম পিরুই হাযনরে—পি পিদেদম্থু হংফৈ।
ফারে লৈপাক চংনা ফানি।"—' লপাক করি যাওনি।"
"লৈপাক করি যাওদনি?"—"খম্ব সেন চাকবরা?"—
"মংদি নোংবানগী চাত্রা—মঙম থেরুককুম কৈনো!
মথক মথা নাহদেদা—পংডাং চাংহনা নংদে!
মপা মমা লকচবা মোইরাং নোংপোকচাওবা-লৈ।
মযাম্বা লকপা। মবাহ ফৈবোইডাম্বা লৈবিমা।
থোংলেন মপা মন্ত্রি নৈ; খম্ব নাদি অডাংনি,
অমারোমদা হাযরগা থরাসগী ঋাদদি
কৈদোংগে তাবফৈ লমজা চান হাযনা
ননজা ননথেক্লদ—হোবেন চওবা নাত্রবা,
থোংলেন লাকপা ফাংবদা হোংবিগনু বাংত্রু।"
হাযমা চাপৌরাবপদো খুনন মারু করবদা
খাম্বী মেশা নাংখবে তেপ্পা তাব অঙম্বা!!
মনিং মমাং মাহদনা চাংনা তাবা মযাংদো;
চাঙৌরাবপা লহাত্রা মনিং লমং চুমথেব্রে।
মোইরাং চাওবা লৌবরা—দেলাই পাবা থাবক্লে॥
দোলাই পাবা থু দ্রিডৈদো নোংথোম্বাগা মচাগা
অনি-খুদা চাওবনা—"চেসি ইনাক খম্ববু,
দোলাই পাবনা নৌখি হায, কবি মরমগীনো!
পাম্বোম চোংই ঐহাকসু। ফেংহজাম্বা! মসেন্-দো
কবিগুম্বা অমদি তে রম্মনি শোইনরোই।"
হাযমা চাংনরিডৈদো, দোলাই পাবা থুংওরে।
দোলাইপাবা শিংহনা "কেগে চরাপ নাংত্রু-দা
ইংঙো নোংথোন ডাহাক্তু, পোংখৎলানবু.

চৈরাপ পাওদি কোক্তাথোং নমাই ঐখোই হংগৎলি।"
হায়জরুরে চাওবদা। "চংলো লাক্কে" তাকপিরে।
দোলাইপাবা চংখরে। চাওবা জ্ঞানবু তৌদুনা
য়েংখিবদা খম্বনা মীয়াম তিনবা চৈরাপ্তা
মরু লুক্না কম্ব-তু উরে চাওবা মমিৎতা॥
চাওবা মপুক লাংঙকই। পুরেম্বা ঙাম্বৈবা
অনি লৈর্ত' মতমদা তৌবা খুদম অদুবু
তৌবগুম্না উথবে চাওবা মাগী মবুক্তা।
কংলা য়াইবুং য়েংখিবা, খুমন লাইরু-সংদগী
কৌখি হায়বা তাবগা চাওবা মাবু কৌববা
ময়াম অদু খনবদা "শোইদ্রেদনা ঙসিদি
ওইথোকতবা অমদি খুমন কাদা থোকএদো।"
লেপখ্রে চাওবা মবুক্তা। চাওবা মচা য়েংদুনা—
"খুৎসা খুৎলাং চেকাসন্না পু—থোরাং নিংথিনা তৌ।
লাংগাই তোংনা চেপ্পংলু থিল্লে খু, ফৈরোইজাম্বা।
ঐগী দোলাই কদায়নো?" হায়রদুনা নোংথোম্বা।
দোলাই লেংজাও তোংখবে মপা মচা কারক্লে॥
ফৈরোইজাম্বা ঙাইদরে পন্থোতুংদা থমম্মে।
লাংগোই কারন লাক্তুনা শাজে নমদা থাখরে।
মসেন-তুগী কাদুদা কেনো হায়বা অদুগী
কেগে চৈবাপ পাংদুনা লাংগোই নাকথং থিল্লক্লে॥
মোইরাং চাওবা নোংথোম্বা কোরৌ মাইথোং ওইদুনা,
নোংমাই লোইবী থক্তগী মোইরাং চৈরাপ কারক্লে।
ফৈরোইজাম্বা সগোলদু সগোন সংদা থনম্মে।
চৈরাপ মমুং চংখরে।—নাকপাক লাংদা চংলবা,
অউপ লাংনা উপ্লবা চেক্লা চানা তৌবগুম

লমজা মসেন খম্বনা ফম্মিবত্থু উরক্লে।
থাঙাংদে খৈরোইজাম্বা লেপই মপা ভাইবম্মি।
নোংখোম্ব-তু থুংভরে। চাওবা চরৈ মোক্তোক-তু,
কম্বোক্তনা য়েপসিল্লি। চাওবা কোঙ্গোন তৌত্থনা,
কোমগোম ওইনা চংলকই। কায়দে ফজে নিংথিজৈ,
নৈপাক তিনবা থুরম্মি। চাওবা চংলে ফমথরে॥
খৈরোইজাম্বা মবাইনা হেক থুংলবা 'ত্থদগী,
কেগে চৈরাপ চোনবদো মোইরাং কনা অনতা
ভাংখিত্রবনি থাত্থ চাওবা চংলকপত্থদা,
ভাংভবপদি হায়রুন্নু সোব কন্না হোন্নত্রে॥
চাওবা মপা মচাদা, লমজা খম্বা মঙোন্দা
নিংনা ফাওবা য়েংখিত্রে কেগে মরু লুরুরে।
চাওবনা—"খৈরোইজাম্বা! নসেন খম্বা কদাযদা,
ফম্মি" হায়না ইঙ্গিংনা হংই—খৈরোইজাম্বনা—
তাকই মপা চাওবদা "সিদা লৈরে" হঙ্গিংনা॥
চাওবা মানা ফম্বদা কেগে চৈরাপ অত্থবু,
থুদোন মরি নমথরে মালেম পৃথি লৈখাদা॥
চাওবনা য়েংভকপদা লমজা মম্রিং অত্থদা,
মপী তাব অত্থবু উকয়েদো মকুনা॥
খৈরোইজাম্বা মবাইদো—"খৈদো তার-খংগনি"
খাংই অম্নম তৌত্থনা। মাগী মীচং উত্রিজৈ
শাজো মাগী খম্মোইদো থোত্থ মাঙন কল্লম্মি
মকু মবাই উরগ। পুরিং নৌবা হেনথরে॥
চাওবা নমাক য়েংত্থনা—"কংলা নিংথৌবা, অঙাং!
থুমন নোংয়াই শাজোতোম! পুথ্রমতোনদি তোলেন-তোম
ইকু-লাকএ উত্রবো! নযাম্বা-নবাই অসে,
লাকএমেসে য়েংউনা! চংলকউনা কম্মীনো!

ইকু পানা চারক্লি, লাও! পানা চাসি লাওনা।
নুংঙাইবা নুংঙাইতবা তম্মো ইকু তানিংঙে।"
তশেং তশেং মমাক্কী মনিং ফান্না কৌরকই।
খম্বা চংশিল্লক্কনা মবাই মকু খুরম্মে॥
"খুনন ইবুংঙো তম্মু ইকু য়াম্না খোৱাংঙে,
করি তৌবগে শাক্কো?" চাওবা হাই মমাক্তা॥
"লৈপাক্লা তম্মগা তানি ঐদি তমজনিংদরে।"
স্মা হায়রে খম্বনা। মসেন মবাই অনিদো,
যেংকা ওইগা ফংখরে। কেগে লৈপাক অতুনা
ফৈরোইজাম্বগা খম্বা ফম্মিনখিবতুদা,
চৈরাপ মনুং অতুদা—চাওবা 'তুগা য়াওশিল্লে,
মোইরাং মীচম ওইবশিং মমায় মমায় হাইগৎলে।
"অসাই হাংবা রাতুগা য়েংসি তাসি ইসিদি,
য়েংউ মসেম মবাইসে অমি সিদা লেপ্পদা
নিংদে মীনা লাকচনি। সিগী থক্তা চাওব-লৈ।
নপা থেংলেন-ল্লাই ওইবা লৈরিদো অতু'মস্তু॥
সিদৈ-রিংঙাই শাদানা থেংলেন, চাওবা খম্বনে
ফৈরোইজাম্বা মবাইমে সিনা নাম্বা ওইরগা
য়ান্নরবা লোইরেদো। শিনি দো 'সে ময়ামসে!
থোংলেন মাগী থাংতুদা, নাতুই সোরাং ময়ামদো
চানিংখ্রেদা ফোলাদো।" স্মম্বা পেন্নে য়েংবদা।
চাওবনা—"কেগে চৈরাপ ইংঙোশিংবু! চাওববু,
কৌবিববু ঙসি 'দা দোলাইপাবা থাতুনা,
করিগুম্বা মুমিংতা তৌদ্রিবা থবক থোকই,
দোলাইপাবনা কৌবা চৈরাপ মকা অসিদি;
চাওবা ইপা ইচাবু থিল্লে হায়না কৌবসি,
শাগী লানগী করম্বা, অয়োন অরান দণ্ডিব

লৈম্ববনো, মাহুবু কিজহুনা হংজরি।"
স্মুম্মা রাহু হৌরক্লে। চাওবৈ রাহু তাবদা
থাংগৎরাকপনা—"ভদোন! শাওবস্নু চুম্মি নংনা।
রা অমা লেপ্পরম্মে।" হায়রকই। চাওবা নোংথোন—
"ইতোনবু! শাওবরোমদা পুবিগনু শাওজদে।
লেপ্পরম্বা রাক্সম-হু তাবা যাবা ওইবদি
তাজনিংই ঐহাক্সু।" হায়না রাহু হংকই॥
থাংগৎরাকপনা—"রাদি তক্ষক্স কো যানববু"
তাবা যাদবই নদে, তাহন্নিংহুনা মক হেক
কৌবনি,—তস্মু নোংবান! রাহু নতোন নোংথোন্দা॥
হায়রে মো বান যেংহুনা নোংব ন মাইথোং হায়গংলে,
তাংথক লৈতে কোংযানবা—"রাদি সিমি ইতোনবু,—
নোংবান ঐবু হান্দক্তা মইব চংহ। মাহুদা,
লাইগী মপাও ওইবনা ঐদ থোহনা খংদে।
লাইনা তোংবা মতমদা ঙা থোক থবা বা ওইরে॥
ইতাও খম্বসি লাকই ননাই ঐ গদা ঙরা।
'ইতাও! ইকেপ লাহপন-সোহ খুমন ইপাবমদগী,
মরেং পোপ্পু থাদবা শনবু থাংজং লাই-হুনা
চাগে হায়রে হাযরিনি, শনসি ফাজগে ঐনা।
মাসি থোক্লবা খুজিম পৌবিযু ইতাওনা, হুগী
নোঙ্মিমনহুগী ঐগী পুখম তরেং চসিম্মা
অম্মাম য়ামদা থিনিনু লৌবিয়ু। মপু চোবোন,
কেগে চৈরাপ ফাওবসি রাসি ফোংবিয়ু পনা।'
হায়রৈ ননাই ঐঙোন্দ। রাসি ঙসি হংগংলে।
ইতাও নস্নু যাথরে সনা মাংদা হৌজিক্তা।
সনা যাথং 'চৈরাপ্তা থিন্দোক্লো' তাওথিবিরে।
ইতাওনা শন ফাবনি। হাম্বা রাক্সম সি-ওইরে।"

তম্মে নোংবান স্থম-দৌনা। নোংবান মরা তাবদা
মোমোন নোকই চাওবদো। "নুংঙাই নোংবান মুংঙাইদা!
অঙোম শাগৈ লক্তগী সম্মি মৈতান আরাবা!
মৈনুংদদা লাবনি সযি মেতান হায়রোইদা!
মপান ফাওবা লাবদি—লীফোপ মৈতাম অরাবা!
শাগৈ ঐগী থামৈনি নিংথজেদো ফজেদা!
নোংবান নরা তাবদা নুংঙাই! ইচুম চুম্বনি।
অচুম্বতবু হায়বা নৎত্তবরদো মোংবান?"
হায়রে। চাওবৈ মরাদা—নোংবাম্না -"মানি! মানি!"—
"পুখম পিনা চুক্কা!" চুনই চুমই ইতোনবু
সনা মাংফাওনা নানা, শনসি শাগে য়াজম্রে।"—
"মাদনকো নতাওদা হায়ে, অচাং অম-ফাও,
ভুমিং ফাওনা মাগনি নাকৈ ফজে কোংয়ানবা।
নতাও' পিনা পুখমদা সেন্সেংলা করি কোম্নো?"—
"সেন্সেং হনবা নাক্তান নেক্রুক ফাওববু কোক্তি।
ননাই ঐস্মু পুখমদা কোম্লক রাংচদবগী,
থোইনা সজিনকগে হাযবা আশা চৌকদে।
ইতাও পিরম্বদগী থনস্মি ইন্সিন্দুনা
কাংখদা ঐনা অহুনা চাওবগীদি পুখমদো,
ফজে ফনা, নিংখিবে মপান উচি চেনবদা
তারোইদবোই নিংজরে চাওরে উবু উদরি।"
হায়রে। নোংবান মরাদা—চাওবনা—"মানি চুম্মি
কোম্লক চুরে নোংবান।" হায়রকই, চাওবা মুংঙাই॥
চাওবৈ মরা তাবদা মোইরাং চৈরাপ থনবদো,
বুদ্ধি মতা তাখিদ্রে। চাঙ্গোরাকপা অঙম্বা,—
চাওবৈ রাকম রাকমদা মোনোন মোমোন নোক্লকই।
মাগা থনরিবশিং চুপা নানা—"হা থন্ন —

বাগী মথা লাকখিনি ঙাইজৈয়ু তাশিল্লু।”
হায়, মথং অমুক তাবই। কৈরোইজাম্ববোমদনা—
“তাওহাই ’তো কৈরোইজাম্বা! বাশং ওসি ঙাংবসে
ঐ যাওদে হাই সেলুবা। হে জিকতিনে য়াওবনি।”
হায়রে। কৈরোইজাম্বনা ‘ননাই ঐহাক খংজরে,
ননাই ইসেন খুমল্লা লোইনা ওম্মে মসাইনা।”
সুপ্পা অনিসিননা নরক তুগা তানবি॥
চাওব—“অতোপ কোংথানবা নংগী পুখম পিবদা
কমা কম। টহো ?” হ হবে নোংবান “ইপনবু
নমৌশিংম্মু উহহ।” ‘মাহু মাদে অতেপ্পা
মীবু হায়বনি মাহু মগী হয়ান্দু থেবই।”—
নোংবান ফগদমাল্লে নিংহন্দুন। “মপংবু,
ঐগী অরাং থংবাদ অহুল অনি চুহৌই”
হায়জবকই চাওবদা। নোংবান মখন ওয়য়কপা
বায়ম ’মত্তা চিৎথদে কোকপা লাইবন ইহাল্লে।
মরা’ ইবা লোইবগা— খংদে নোংবান ফম্মুরো।”
হায়রিত্নুনা নোংবান্দো মাগী নম্ফমদা ফমল্লে।
বেগে চৈথাপ ফমদা চাওবা ... “ লপাকপু!
পুখম অসি নোকুবা চুমগদরা? হবিনা—
খম্বা হায়রবা অসিদি লায়রবগি নৌতবা,
কোকম মনা হেক্তুনা তুরা চাবা মচানি।
ঙসি’ পুখম অসি লৈরাংবদা পিখিবা,
কাক্তা লমজেন্দা পিবা মপুই মনা চাক্তনি।
মপুই লন্দি মাংফদা অহুগুম্বা মক্তনি।
কোন-শক্তদি খংবনা চুমগদরা মাসিবো।”
হায়রে, বাসি ওবদা—‘চুমই চুমই।” হায়নরে।
“চৈরাপকী-মী তরাগা ঐগী মা তক্কক-তংগা

চৎলু পুখম লৌখংলু।—“অতোন নোংবান”—“ইতোনবু!”
—“পুখম হুবু কাংখদা লৈহৌই হায়বা নত্রা?”—
“হোয ইতোনবু লৈহৌই।”—“চৎলু চংলু লৌরুরো।
পুখম তরেৎ অহুনা মফম কায়রমত্রবদি,
তুদা হুনুম পুরকউ লৈরন্দবা থোক্ল’দি,
কোয়না থিয়ু পুরকউ ইমুংহুদা তারম্বা,
তামি অমা ফাওবসু থনম্মু সোইফদে।”
চাওবা যাথং পিরক্লে। ৱাবম অসি তাবদা
নোংবান পোকপা মপাদো—“মাংলে-বয়ো অসিদে,
পুখম তরেৎ ঐত্তোন্দে তারে মরোখিবদা।”
খল্লহুনা মচাবু অচোম মংথো কৌসিল্লে।
মচা নোংবান যেংহুনা—“পুখম তরেং হায়বসি
পিবা লৈতে ঐহাক্না মাইবী ওইবৈ ভাওবনা
খংউদবৈ হাইবনি। ঐগী লৈজ’ পুখমদা
ইতাও’ চেংবা হৈবনি, মাগী পুখম নৎলমত্রে।
হায়হৌরে। নৎত্রবদি পুখম লোখিবা তারে।”
ইন্সিল্লে চচোম নিংথৌ। নোংবান চোংথোরক্লমা—
“কেগে চৈরাপ তিনববু! তাবিসিদো—ননাইনা,
ভাওনা ফৈনা লৈরিবা মাইবী ওইবৈ হৌনবা।
ঐগী পুখম বাইহুম। ইতাও চেংবা হৈববু,
ইতাওগীনি খল্লুরে। ঐগী পুখম ব্রাইবনি,
ইতাও পুবকপা মতে।” হায়না অমুক লাওরকই।
লাই তোংলেও হায়বা শাবে—নোংবান-দো তুক মিকশিন্নৈ।
চাওবমা—“করি নোংবাম! ফাগিরাসে চৈরাপ-সে!
অত্তোন ননিং তৌহুনা পংচাং ভাংবা য়ামবা!
কেগে চৈরাপ ফম্মবা অচম’ পুম্বা অসিবু
করি ওইনা খনবগে তাম্বুর্দ রানিদো।

মাদু ককা মাবরোইদা চৎলো লোক্ত হৌজিকমক
হাযরদুনা চংখবে। লৈরগ্দরে পুখমদু॥
চাওবৈ মনাইশিংছুনা য়াদদুনা পুখম 'দু
কাপ তরেৎমা কোযরবা তরা মরি পুরকই।
থারে চৈরাপ মমাংদা। চাওবনা—"ইচেগাশিংবু!
কুন চুপ্পা লাই তোংবদি হৌনদেদো মাইবীনা!
খম্বা পুখম পিদ্রেদো।"—মযাম্না "পিদ্রে পিদ্রে।"—
"মাইবী লাইনৌ তাবসি ঐস্সু ফনা থেংনরে।
বৈশিনবা ফাওবা চমৈজ। নোংবান মাগী মরাদি
লৌবিরম্মি লপারা, মনাই খম্ব মরাদি
লৌনিবমদে কৈননো? মাগী মনা হুলগা
চেংবা হৈবনি মশে খংগনি হুংফদনা?"
হাযরে, চাওবই মাদগী—'খুমন অথাং কমদোই?"
হংবিরক্লে চৈপাপ্পা। খুমন মানা—"ইচেগাশিং!
ঐদি চেংবা হকুদে—খুনাব মথি যেংবনি।
মখোং মবি পানবদা শিবা তাবে হাযবিরে।
চুম্না মরুপ নাবগি হংজকবা অদুবু,
মপু সনা চোরোন্দা নৎতবসি হাযরম্মে।
ঐনা হায়দে হায়বদা মনাই নোংবান ইতাওম্না
চেরে পিবম পাবন্ন। ইপা ইপু পনবগী
লমন শিংবা ভনদরে—সনা মাংদা ওইবগী।
দুগী মুংঙাইতবনা কাওগী খুৎতা শিরগে,
মুপা থোদাং থাংনবা হিংনিংদরে হায়দুনা
শন-সি ফাগে হাযবনি। পুখমসু পিজকদে,
শন ফাগেস্সু হায়কদে।" হায়না লাওবে চৈরাপ্পা॥
খম্বই মরা তাবনে, নোংবান মাগী মতৌনে
লৈপাক পুম্ব খংখবে—'খম্বা পুখম পিকদে।"

হায়না উবে ময়ামদো। ময়াম অহু ইকাইরে।
চাওবা মানা—"মোইরাংদি মীচং কনবা লম-ওইরে
পি হায়না খাই লৈপাক্না লৌবিবমে। হৌজিক্তি,
পিদে হায়বে কমদোই?" হায়বদা কনা খুমদ্রে॥
ঙাঙৌরাকপা অঙম্বা মমায় লোংনা হায়গৎলি—
"খুম্বিসিনা লৈপাকপু!" হায়বম্মগা অমুক্না,—
"যুম্ফম ফাওবা লোইনগে।" হায়না অমুক তারকই।
খুনদে কনা অনম্বা চাওবা মানা চৈরাপকী
ময়াংমক্তা লেপ্লুনা, ইচুম চুম্না থেক্লকপা—
চৈরাপ অতুক চাওবদো চেক মোক লাওনখিদরে॥
"মীনম্বগী নোংবান নং, পুখম তরা মরি-'সি
বাকোংবা তারে হৌজিক খুমন নতাও খম্বদা।
লৌজখবো শাজৌবা! নচিন নৌপুব্রা অনি
তরেং তরেং যেন্নজৌ। থাংজিনবিয়ু খম্বদা।"
মোইরাং চাওবা নোংথোন্না য়াথং তৌবে,—চৈরাপকী
দোলাই পাবা অহুম্না—পুখম অহু থাংজিল্লে॥
খম্বা হৌগৎলগুনা পুখম তরা মরিহু,
থাংগৎখরে পাইখৎলি। চাওবা—"কৈনো শাজৌ?"
লান্দবা মোংযাই লনজা—"ইমান 'বুংঙো ইতাওদা।"—
"করিগীনো লৌরোনে"—"লৌজনিংদে ননাই ঐ;
বিচারনা তাবগী লৌফম থোবপা ওইববস্নু।
ইতাও মাগী মরম্নি কংথোকচগে ইতাওদা।"
খুমন পুখম ময়ানদো পিথোকউবে নোংবান্দা।
নোংবান মানা শাহ্লোই—"সিননি লাইরবিবা,
খম্বা হায়বা অপংবা—লৌরবনি পুখমসি।
হল্লিবা কয়া লায়না।" লমজা মতৌ উবদা
থাগৎনরি লৈপাকিং চৈরাপ ফম্বা ময়ামদো।

বাসি লোইবে হাযবদো উবে চাওবা মবুক্তা,
ইকোপ লাইপন সোইদগী কাওরেন মগুণ খংবনে,
মাগী ফান-পুন্ন-যাই থম্‌কম্‌ খংবা চাওবনি।
চাওবা বাফম অমদা ফৈনা চৈরাপ কোৎলকই।
"থাংজিং মাগীদমক্তা শন্‌ অসি ফাগদবা,
উসিন্‌ বাসিন্‌ তৌগদগ?" হংঙে চাওবা নোংথোম্না।
থাংগরাকপনা—"যাদে, অচা! উশিন্‌ লাক্রিন্দি?"
"করিননো ইতোনবু?"—"লাইনা চাগে হাযবনা।"
"বনা ফানি অতুদে?"—"খম্ব' ফানি।"—"করিগী?"
মমা মপা' লোইরম্বা খম্বা মাগী শন্নিনা।
মাগী মশনবু মানা ফাকদনা ঐগীবা?"
থাংগ্রাকপৈ বা তাবদা—"খর পাযগে ঙসিদি"
স্নুম্না থল্লে চাওবদো—"শল অসিদি ইতোনবু
মরন্নাইদা তারেদো?- "তারেদনা নোংথোম্বা।
লৈপাক করি হাযবগে?" হংখনকই থাংগ্রাকপা।
লৈপাক মীরাম—"অঙম্বা তারে তারে।" হাযরকই
"যাম্ন চুম্মে মাতুনা"—স্নুম্না খুম্মি চাওবদো,
"চাওবৈ পুক্নিং তমথিবা -ঙাইথো মতাক শাওখিন্নু।"-
চাওবা মাগী মবুক্তু খাম্মি স্নুম্না মতোমদা।
চাওবৈ মবুক্কী বুদ্ধি ময়াম অচ্চ খংনবে।
খরনা হায—"ফাহল্লোই"—খরনা হায—"ফাসন্নু",
খর'মনা "চুম্মিনে--ফাহল্লোইস্নু ঙমগনি
ফাহনগেস্নু ঙমগনি। অরেম্বদা ফাবদি
কৈদৌননি বানবা-লেপ্পা ফংগনি—শনফামন!"—
"চুম্মি চুম্মি চুমরে" স্নুম্না বাচ্চ লেপ্পরে।
খংনবতু লোইরগা—মোইরাং চিংখু তেহৈল্লবা
যুবরাজদা যেংই -"মনাও'বুংঙোবু 'মুক্তা।"—

"ইপু! তাসি হায়বিসি"—"ননাই খম্বা হায়বসি,
চোৎোন পানা পাম্বোম্নি! শিবা নাবা থোক্লগা
পানা ময়েং তাবা-তায়, সম্বা বুদ্ধি তৌবিয়ু।
ননাই ইপুদা থোকপা হংগৎচরুকতনি।"—
"য়াম্না চুম্মি ইপুবু—সুম্নদি চুম্নমকপু
লৈবাক্কী হায়বা থোকই ফাবমতুম চুমগত্রা;
সুম্না খল্লিনে ইপু!" হায়দোরকই যুবরাজ॥
চাওবনা—"যুবরাজবু চুম্মি শনগীসি লোইরে।
মতুংগীবা অমত্তং ইপু খংজনিংইনে।—
নোংবান হায়বা অসিনা লাইতোংলবনি হায়না,
ডাংডক-ডাংডকপমথৈ পংলৌ মরোরগত্রা?"
"কন্নিগীসু পংলৌদি লৌগনি লৈরিদনা,
লৌবা য়াদে য়াই হায়বা খন্নরগা লাক্কনি।"—
"কন্নি খন্নগদগে। খন্নফম থোক্তে,
নোংবান লাইতোংলবদা শোইবা য়াদে তৌবা তায়"
হায়রে। চাওবৈ চিন্নুকতা—থাংগৎলাকপা মতোম—
"হোয় ইচাবু তৌবতায়—লাইনা ফাওরক্লবদি।"
হায়বে-চাওবা-মতুদা—"তুদি ইতোন—নোংমৈসি?
ইকোপ শনচারে ওক্লে, তাইবং কুমশিং য়াম্লবা,
অহন চাগে হায়ব'দি কেগে চৈরাপ সিদদি
অহন ওইবা ইতোন্নি। তাইরেন লাইজ থিরশেং,
তাংদন মতোন কবদা ইতোন-কম্বিবা তারে।
ইতোম সরেম চনবা তায়। কৎপা তাইদো থাংজিংদা!"
চাওবৈ বাহু তাবদা থাংগ্রাকপা স্বাই-হেক লাওই।
"মত্রা চাদে নোংথোম্বা" শাওরে থাংগৎলাকপদো।
হৌবদগী লোইবফাও রাফম খুদিং অসিদা,
চাওব-মামা লাকচবা—চিংখুবহ শাওরকই-

"ইপু! নংনা করিগী অহু অদা য়েৎপবু,
নংগীদি মনিংলমা? কংলগা কংকনিদমা!
করি পংডাং ঙাংবগে?" হায়দোবক্লে চিংখুবা।
চাওবনা—"যুবরাজ! করি লৈবগে হাযবা.
খম্বকমহুক থোকপগী ভাংবনিমা ইপুস্থ।
কেগে চৈরাপ তিনবদা নং মা হাযবা রাহৈসি;
ঙরজ-ঙমথক নাইদেদা হায়খিগমি হাযবিনু॥"
"নংবুদি-মং হায়দ'দি" খুম্মি যুবরাজনা।
শাওহল্লগে লালহল্লগে খনগ্রে চাওবা মবুক্তা—
"হুদি খাংজিং লাইসিনা—অহন ওইবস্থ চাবে;
সনা-ঈ ততেকপা চাগে হায়বা থোক্লবদি,
মনাও 'বুংঙোস্থ লিংজেন ফক্তে শিনগনি।
নয়াম্বুং 'বুংঙো চহি যাম্মে লাইনা চানিংদে,
হায়রবদি ততেকপা সনা ঈদি হাযবদা
নজা ইবেম্মা থোক্লদো—কংসি হায়বা য়াগত্রা?"
নিঙঙাইদনা চাওবনা চিংখুবদা হংলক্লে।
চিংখুবনা "দুৎ-করি"!—"দৎ-হায়বদি করিনো!
চাওবা ঐগী মমাক-কা, খম্বা মাগী থোক্লগা
ভোদফদে হায়বগা; করিগী দৎ হাযবগে?
চাওবা ঐ লাই ফুথগে নহোয়নদি ঙম্মগা.
ঙম্মোই ঐদি করিদা।" চাওবা থিনা থুম্মকই॥
বাফমসিগী চানবা ঙাঙৌরাকপা অঙম্বা—
"ফাহল্লি খম্বগীদি—বিচারদবু হায়বনি
হন্দক হায়নরিবসি মীনা ঙমদবা থোকই।
করি লৈবগে হায়বা খনবিয়ু হায়জবনি।"
পাংজরকই অম্বম্না। যুবরাজনা "করিনো!
নচিন নয়া শাংগম্মু অরেম্বদা চোপকম্মি।"

চৈরে ঙাংঙৌরাকপবু। চাওবা মানা—"ইবুংঙো!
কেগে চৈরাপ কাবদি উখোং ওইগে কাদেদো।
ঙাংকম থোক্লা ঙাংবনি ঙাংউ ঙাঙৌরাকপা য়াই।
ঙাংদনকো কবিনো!" থিনা খুম্মে চাওবনা।
যুবরাজ লোইখরে—"করি চাওবা নংগুম্বা
কৈ-লোই-নহাক্লা ঐগী চিম্থক মক্তদা! খংদ্রা!
মোইরাং লৈপাক অসিদা ঐ কনানো! নিংব্রা!"
থিনা হায়রে চাওববু। কেগে চাওবা নোংথোম্বা—
"মনাও'বুংঙো মোইরাংগী দোলাই তোংবা তোংদবা
মনা ফংবা ফংদবা—ফম্নাইবা চাত্রেৎ ছমফু,
অমথোইবা মাংসিদা—খুদৈ শেৎপা হৈত্রিবা
অঙাংশিংদা হায়বগুম—হায়বসিদি ইবুংঙো!
কৈস্থ মাংদে ঐগীদি, কৈনি লোইনি হায়বসি
খংইবগী খুঙিংবা! মনাও'বুংঙো গুণ মাংই।
সম-কুপ্প-নমথাংস্থ—চিংখোং লাহ্লোকীস্থ,
পুম্নমক য়েংনা ঙাং শা! কম্ব-ইকাইকম থোকই
ময়াম অতু খল্লদি। নয়াম্বুং ফাওবনিনা,
নতৈমাশিং পুম্নমক যুবরাজ তালোইস্থ
কেগে মোইরাং ফম্নাইবা প্রজা ফাওবা খংদয়া?
কৈমচাদি চাওবনা নফী থোনবা নংতরা?
করম সেংলি মতুদে নাতু খন্না ঙাংউশা!!"
অথাক পায়বা লৈতনা হায়বে যুবরাজবু॥
অনি থেংনরকপনা কেগে চৈরাপ মিকথরে।
মোইরাং চাওবা নোংথোম্বা মৈ-য়ৈ নুংবু ওইরক্লে।
চিংখূ নহা তেল-হৈবা মৈ-য়ৈ য়োৎপু ওইখরে।
মোইরাং চৈরাপ কম্মিবা অতৈ ময়াম অতুদি,
অনি' মৈস্নুং ওইরক্লে। মৈচম-ইচম শকথরে।

"চাওবা মাগী মায়কৈদা থোংলেন লৈরি লাকখিনি।
খুমন হাকন-নবদা কেগে তুম্বা তারেদো।
থাংনা বিচার তৌবনি লান্দা থৌবা থোংলেম্না।
মাংবা ভারে করম্রো।" ঙাংনরক্লে ময়ামদো।
কেগে উনবী কজকহৌ, নিংদোল-লোইনা চোংনরে।
কেগে চৈরাপ অচৌবা মৈখু রা রা কারক্লে।
"চাওবা করি ওইহৌনা—চিংখু-করি খংহুনা"
অনি ঙাংনরকপহু সায়বু মৈঙান পরুরে
পম্বেংনরে হাযবসি যৌরে সনা নাকোংদা,
মোইরাং নিংথৌ মপুগী। সনা পুরিং ওলাংই।
"নংনা করি থোন্দুনা?"—"যুবরাজ থোন্দনা।
অঙাংনিনা খংওরোই হংগংলুমা খংবিমি
নয়ানুংগী চরন্দা—চাওবা ইরৌশিংননি
মোইরাং মকী শেংপদি।" হাযখ্রে চাওবা নোংথোম্বা।
যুবরাজ শাওবনা লিংজেনগা থাবগা
চিংখুবনা চাওববু মখুং পায়ন-চিংউদে
হাযবমখৈদা মঙাইবে যুবরাজ হোৌগংলে।
মপু মোইরাং নিংথৌদা মৌনবনি হায়রক্লে।
মোইরাং চাওবা নোংথোম্বা কৈবু হেন্না থৌরকই—
"করে লেংউ" হাযহুনা অনি অদু চংখরে।
মোইরাং নিংথৌ মপুদি সনা সংগাই মাংগোন্দা
মালং ইচিক থেমহুনা অরা মুংশি য়াম্না
লৈরি রাখন তৌহুনা। উরে অনি অতুমা
চংলকপহু মিংচিনা। রাসি যৌনবম্মনি,
উরে হান্না মপুনা। "কনা হান্না কৌগনি"
সিমু রাখন তৌরকই। "লৈপাক রাদা চাওবনা
কাইরপ্লোই ঙসি রাসি। মীচা পোক্তি চাওনমি

মাবু হায় কৌসিরা, অমত্তদি কৌররোই"
খল্লভুনা মপুদো শাওবা শানা লৈখরে ॥
অনি চংসিল্লকুনা খুরুম্মকই মপুদা—
মপু সনা য়াথংনা—"অসিমক্কা লাকপবু
করিগীমো ?" হায়রক্লে ; "কৈনো মীকৌ অসিদে"
হায়না চাওবা নুংশা থি। খুম্ব ওমদে চাওবদো।
মীওইবগী হৌনবা হৈগুম লৈগুম মচা নাই।
পোকমিন্নবা ওইবনা চিংখুবমা নিংথৌমু
হেংখ্রে হংগোইদবদা। "অজ্ঞা" হায়না খুমখরে
চিংখুবনা নিংথৌদা। চিংখুবদা চাওবনা,
সনা নাকোং তামবা ইফোং ফোংনা—"মমাই 'দি ;
কৈ-লোইদগী হৌরবা খুমিং খুদাং মচানি,
খুরক স্না লকা তাংবুম-ঈ, ইবুংঙোনা হংগৎলো।"
হায়রকই সনা মাংদা। চিংখুবনা "নংনা মুক,
তাকপিদবসু ঐনা হংগংকে লাকএদনা"
হায়মা চিংখুবনা খুম্মকই কৈস্নু হন্দে।
মনাও' রাদু তাবদা—"পংহায় হায়রেমা সিদে,
নিংথৌ হায়বা ঐগীদি ইনাইদুমা মরুজে। ✓
ইচা ইনাও হায়বসি ঐগী ইফম সিন্দোবা ;
ইরান্নিদো মখোয়দি। ঐগী লোইনজদোবা
ইরন-হায়বু ইনাইনি।" পায়ম-ফবা নিংথিবা
উংগোই পুক্লিং ইংবদি মোইরাং নিংথৌ মপুনা
রাখন মুন্না তৌরকই চাওবা মনাইগীদমক ॥
যুব্রাজনা নিংথৌদা—"ঙসি কোরৌ অসিদা
রাকম অসি মপুনা ফিগৈ শেংনা তাকপিয়ু।
নংত্রবদি ননাই ঐ মোইরাং লৈপাক অসিদা, (
লৈজররোই মন্দত্তি।" হংগংলক্লে যুব্রাজ।

ময়াম্বুংনা—"অত্তোনবু—ফিংমল্লীদা করিমো !"
হায়রে। যুব্রাজনা—"ননাই' শাওনিংউবদি
নিংথৌ পন্না ভাংবনি"—"করি হায়না পল্লিবা ?"
"সনা নমথাং থোল্লিবা—খা'চেৎনচিংবা পুম্বা;
ননাই ইপুনা লোইনা থোনবা ভাক্তনি হায়রি।
সুম্বা লমচৎ নাইদবা মাসি ঐদি তাম্নিংদে।
মাসি তাকপিব্রবদি ননাই ঐদি লৈরবোই।"
হায়রে। যুব্রাজই ব্রাসি তাকবদা নিংথৌনা
নোককেৎ তৌই, ব্রা'ভাংদ্রি—মিকুপমুক্তং পল্লগা,
"অদুবনে শানৌত্তোন। লমচং নাইদে হাযবদে ?"
যুবরাজনা "মানি।" নিংথৌনা—"কৈদগীনো
মাদুদি ফজরবা ব্রানিনা যুবরাজ !
থোল্লি থোন্দে খল্লনু'ত্ন নং করি শাওফম-নৈ ?"
হাযবে মাদু তাবদা ময়া কুম্মে চিংখুবা।
মোইরাং নিংথৌ অমুক্তা—"নপু নোংথোন অসিনা ;
মাদুমক হেক মহাযবে ? নংমা কৈসু হাযরুদে ?"
চাওবা মরক অদুদা—"কৈথা লোইখা মচানি
ননাই ঐদি অপাংবা। ননাও 'বুংভো অশিংবা
মপু ওইবা বুদ্ধিনি লৈরিবনি ব্রা অতৈ।
ননাই কোন্না—" হাযবকই। ব্রাফমদুদা উখরে।
মোইরাং নিংথৌ মপুনা যুবরাজ য়েংদুনা—
"অত্তোন যুব্রাজ হন্না যেংনদি ব্রা চাংউশ্না !
ঐনা পুন্সি শাংবসে ভাইবা ব্রারম্নরিনি !
করি ব্রাভাং শাভাংমো !" চিংগুম লুম্না হাযরক্লে।
যুবরাজনা—"ননাই ঐবু—ফীগী মরোন সি
খংজনিংই।" হাযরকই। ময়াংম্বুনা—"লিগে তাও !
নংদি য়াম্না পিকইদো, শক্লেন শ্রেক ভুমদরি।

হৈরু কাংজৈ প্রায়বম্রক ঙম্বা মতম থোক্তুরি।
ইমায় অমৃত থকই। ইপা পাথাং-মৈ ’ছুবু
ইপু পুথাংমৈ-গীবু কাইহল্লিগে করম্না!
খনবিত্তুনা মোইরাংনা—নিংথৌ যুব্রাজ হায়না,
হাপ্লিবনি নং-ঐবু। করি গুন লৈব নত্তে
নংগী ঐগী মতম-দো!” হায়রে চাওবই খনবদা
শাওরপ শাওরপ নিংথৌনা য়েংলহুনা মনাওবু,
রায়রুকই চৈরকই পেনখরেদা চাওববু,
অমুক হন্না মনাওদা “চাওবা হায়বা নপুসে
ময়ৌশিংনা লৈপাকপু লৌরকইবা নিপানি!
কুন্নাক অমা ফারুবরা নং ঐনা মাসিদা।
করিনো যুবরাজ রাখল তৌবা য়াবনি।”
হায়না মোইরাং নিংথৌনা মৈ-হৌমখৈ শাওহুনা,
যুববাজদা ঙারে। নিংথৌ শাওবা উবদা
মপু সনা চোরোন্দা নক্লিনখরে চাওবদো।—
“সনা বুদ্ধি ঙাহাক্তা”—হুন্না খামথ খামথনা
রাগী মরক মরক্তা হংগংতুনা ফাথজৈ,
সমা পুক্লিং মপুগী। জীব ’মগী অরাবা
ইকাইখিবা উবদা য়েংঙমদবা মপুনি।
ধর্ম্ম চেনবা নিংথৌনা নংতবা ঙাংবা মনাও
চিংখু নহা অত্তুবু,—মবুক তপ্ত-সমুদ্র,
লাইজ ইথক হৌবগুম শাওরহুন ঙংলকই।
ম্রাক্ক-খিম-হায়রকই। খর হায়র তোক্তুরে—
“ঐনা হয়েং লৈত্রগা কেগে লৈপাক অসিদা
উদে অত্তোন নহাক্না পাল্লগনি হায়বসি॥
তাও, নং! ইয়াম্বা লীগে:—থাংজিং মাগী কুমজনবা,
চরী-চনৌ কংপগী মতম অত্তু ওইরক্লে।

হযেং হংচিৎ অত্তবু শাশিং ঙাশিং কৎখরে।
লান-শিংমখে শানা শিম শাশিং মখে ঙানা শিন,
কৎপোইবেদো অস্থুম্না। তোর্বুদা শা তানবসি,
অথৌ লোইজা হেৎপশিং পুম্না লোইনা চৎলিদো।
মুমিৎ অদো শাদানবা—শা অনতা ফংদরে।
য়ুমগী শানা কংলসি স্থুম্না হুম্নরক্লেদো।
শাদানবগী মৈ থাবা তোর্বুং মৈফম অত্থবু,
শা ফংদবা অদুনা মুংচাইনদে ময়ানদো;
মুৎলমদরে মৈ অদো। কুম্বী থবোং খোংথুবু
লাম্না পাইখ্রে মৈ অদো। কৈবুল লমজাও পাযখরে॥
মংগে শৈচিন থাংবিদা লাম্থাকখরে মৈরিশা।
পুম্নেন্ চাকখ্রে; খরং-পাৎ চাকখি, নোংযাই লাযপন্স,
লানখিত্থুনা মাস্তকচিং চাক্কুনা চৎখিবনা,
সমা লঙ্গৈ চাবউরে সেম্বী ওকতোং নিংথৌগী॥
অহিংথুদা চাকখিবা তুমখ্রে লোইখ্রে কবোদো।
হুগী ইন্নুং ঙানবদা মৈগী মৈখোং লীরক্লে।
কবো লৈপাক হৌবনি, থাং তা পাযত্থুনা লাকপা,
ঐখোইদি খংন্দবে—ফংলে মৈখোঙ তোর্বুংদা।
'হুদা লাকপা কবোগী তেংগোনত্থুনা যাম্বনা
ককচেংবুদি হেনখরে। যেংবদা অকিবমি।
লাম্থেংনবদি থনখো। তেগোন মখৈ খুন্দোন্দ;
কবো 'ঙম্বা চংলকই—"মৈ থারগা হৌনবা?
করি মুংলমদবগে?" হাযবরেদো 'যাম্বদা।—
'শিংগে হাযবগা শিংউ, লোই হাগে হাযর হারো।'
লুপা মশীং অত্থুমক—লাকপা চম্রে যামখরে।
'লুপা শিংবা ঙমত্রিমখৈ মহারাণা, নিংথৌস্থু,
পুরগদি ফাগনি"—স্থুম্না কযা নৈমরে।

'নহোয়' সনা শিংলনি তংখাই অমা ঙসিসি।
মোইরাং ঐখোই লৈপাক্সি নুংদাং মুক্তা তিন্নগে,'
হায়নবদা য়ানরে; হন্দোকতুনা লৈখরে॥
নুমদাং অহু তিন্নরে। পুরেম্বদি নপুনে
থোংলেন লাল্লোই তাম্বনে, অনিসিদি য়াদরে,
লান তৌগনি হায়বকই। মোইরাং অতৈ মখৈনা
শিংসি হায়না য়ানরে। সনা লুপা অরৈবা
ঐগী পুক্কৈসিদগী থিকবদা কোন্নবা!
মনম-মকপু নমদরে! নতৈমগী ঙকতগী
সনা ফাওবা লৌথোক্লে। মোইরাং প্রজাশিংদগী
সনা লুপা খোমগৎলি-কোন্নবদি থমথরো
তংখাইমকপু য়োদরে। হয়েং ইনুং ঙানবদা
লুপা সনা থীগনি কম্নো হায়না বানরে।
লানতৌসিন্থ কদায়নো! কবো মাগা পাবদা,
খুবাক ময়াই অমগুম থোকই কেগে লমদমদি।
কবো উপসিল্লকপনা পুংমুকপু ফারোইদবা।
সিগী খন্নরকপদা মোইরাং মাংবা তারেদো॥
পুরেম্বা থোংলেন অনি য়াওদে নুমদাং অহুদা-
'অস্তুক য়াম্বা লুপাবু শিংউবদি হৌনদে
লাম তৌসিদা হায়হুনা লৈখ্রে শাওখ্রে মযুমদা॥
নপুদি কৈ পান্নরি-। নুমদাং অহু নপুনা
চেং পিরবা মতমদা হায়রুরে নতৈমনা,-
'ইপু নংগী চেং অসে ঙসি মঙাইরেদকো
হয়েং মথৈ ঐখুনে চাবা কংলরোইদবোই।'
বাহু তাবদা নপু নোংথোম্বনা—'ইবেম্মা!
করি তৌরবগেনে!' হংই হায়দো শানৌতোন।
নতৈমনা মপদা তম্মে লোইনা বাকম'হ।

ৱাফম অদু তাৱগা –'তুগী ওইৱে ইবেম্মা!
হন্দক ৱাফম অসিদা সেম্বী লৈপাক মখোইতুম
মোইরাং হায়বা ঐখোইনা চমগদ্রহনি লোইতুম।
যারতুনা ঐখোয়না ঙাংনজৌদি হাযতুনা
ঙাংনবশিং থোক্লদি মুংঙাইদনি অত্তৱু
য়াথ্রোইদ্রো ইবেম্মা!' হায়বি হাযদো নপুনা
নপুই মৱা তাবদা পেনগ্রতুনা –'শোইরোইদ্রা,
নংবুনে?' হংই হাযদো 'শোইবোই কৱি লৈবগে,
ঙাংনজগে।' হাযরবদা। হবাওবে হায মতৈমা,
জগোই শাই কপ্তুনা চেন্সিল্লক্লে ঐঙোম্দা।
তম্মে ৱাসি তাৱে ঐ। নপুসিবু কৌতুনা
চুম্মরনে হাযতুনা হংই ঐন। ৱাফমসে।
"ঙাংনজগে ঙনগনি সনা চৱংগী বৃপা
লৈরবদি ননাই ঐ। ঐনা সম্না থোকতুনা
ৱবো মাগা থেংনবা, সুন্না তৌনি হাযবসি,
মোইরাং থোংলেন অথৌবা মাবু তাহনবিগন্নু।
কেগে লৈপাক অসিগী ফম্নাইবমা ওইতুনা
ঙাংমনিংই' হাযরকই। কবি ফন্নো হংবদা—
'মোংথোনফম পানই' হায়রে। মতম অদু হাংবস্ত
হাংই নোংথোন ফম অসি হাপই ফমসি নপুবু।
অহিং অদু নপুনা–'সনা লুপা সুরনি,
হয়েং ইপুং ঙানবদা উম্মরসি ৱারন্নু।'
হায়রল্লুবে পাও অদু ৱবো ময়াম অদুদা।
নুংশল্লীগী লৈঙোইদু থাও-থাও হাল্লে অহিংদা।
হয়েং ৱবো ময়ামগা ঙাংনগদবদুদা,
পৈরে থাউ-ময়াম অদু; ফিনা লোইনা কুপশিল্লি।
মোইরাং ঐগী লাম্মীস্থ পৈরে মফম অদুদা।

খোরাং পুম্বা লোইবক্লে। ইনুংঙাল্লে উম্নবে।
মোইরাং খুন্দোন লম্নদমদা ঙাংনরক্লে ৱাফমসি।
'কবো নংগী কয়াবক চাকথ্রবগে মৈত্তুনা?'
হংঙবদা নপুনা—'অহুম্নক সনা চাক্লে।
অনিরক্তি নুংথিন্নি হন্দক্কী'দি অহিংনি,
ত্তুনা কনবা নংদরে'—হায়বে কবো মখেনা।
"ফরে অত্তুক্কী ফাওবা কবো নংগী শিংলনি।"
হায়রে নপু অসিনা—হরাংবে কবো মখে।
"ঙম্বা নংবু কনানো নহান মখে উদেদা।"
হংলে কবো মখেনা। 'নতিক নঙান চাওনা উই,'
থাগৎনবে নপুবু। 'ঐদি পুক্লে প্যান্নরি;
সনা লুপা অপুম্বা চৎকদনি ইখুৎতৈ।
সনা পুম্বা সুরনি ৱাৎলবসু লোক্লনি,
ৱাকরনু। আদিসে সনা লুপা ঙাক্তনি।'
হায়রে উংলে নপুনা—লৈঙোই খাউজাও ময়ামদো
খুদোম্নীনা থিন্দুনা। থাজখরে কবোশিং—
মতৌ অত্তু উবদা চাওবা নোংথোন নপুগী।
মমৈত্তুদা নপুনা কবোশিংব ঙেংত্তুনা—
'নখোযগীসু শিংঙনি—ঐখোইগীসু শিংবা তায়।'
হায়রে কবো শিংত্তুদা। কবোশিংনা 'করম্না?'
হংত্তে নপু চাওবদা। কেগে লোক্তাক মাইকৈদা
'ঙম্বা খুৎনা থিন্দুনা- 'য়েংউ সেম্বী লৈপাক-শা।
কবো নংগী চকপীনা ফৈনা সুগৎলক্তুনা।
লাইজ মৌখৎলকপন, মোইবাং ঐগী কৌ মখে,
চয়োংদদা লাক্তুনা মাংবা কুমজা য়াম্নক্লে।
কুমসি কুমজা থাদনা সুরে শোক্তি ঙরাবু।
সিবু মোইরাং ঐখোইনা শিংউ হায়দে নখোইদা।

মৈহৌ লাংপোক কৌনরি, ঈশিং-মুংশিৎ, মৈবুঙ্
মীনা খাম্বা ঙম্ববা ! কবি য়েক্লবহুনা,
সেম্বী নংগী পুক্কৈবু মোইরাং ঐনা মৈ থানি !
সিবু শিংউ হাযরেদো শিংলগনি হৌজিকমক।
মোইরাং ঐগী মাংইবা শোকতরাগী যৌ অসে,
শিংদ' যাদে শিংঙম্মু। যাদ্রবদি ঙসিদি
কেগে ঐগা সেম্বীগা হুযেল লাম্মেংনরনি।
লৈপাক চঙংঙাই মোইরাংদি অনিদগা তৌননি।
কেগে থোংলেনু অথেবা পুরেম্বদি অনিনা
খেংনগনি শাল অসি, অনি নিংসি শাদবা ?'
কবো মখৈ মমখবে—চুমই তাইদো অনিদো।'
মহোয মসেন চিক্লিন্নৈ। কবো মহু চমখবে।
মমৈহুদা 'অঙম্বা। নংনা ইপা ইমানি !'
হায়রহুনা কবোনা চংজবক্লে নপুদা।
'থোংলেন পুরেম্বা অনি—সেন শিংনবনা যনি,
সুম্না ঐনা খামহুনা থম্মিবনি।' হাযজিল্লে।
'মাংই হায়বা লৌফমহু কবো ঐখোই য়েংজগে।'
হায়রে কবোশিংহুনা। নোংথোম্বনা ববোবু
পুথরক্লে লোক্তাক্তা। 'কৌ অপুম্বা মাংখরে,
কুমদা পকপা খবদং লৌসি লৈবিবসি।
অমুক যাম্বা মাংখরে।' হাযরহুনা মপুনা
লোক্তাক রাইনু চবাবু মোইরাং ঐগী ইফৌনি,
উংলে কবো মখৈদা। খোবদাক লোমদা পুখ্রে,
ইরন-পুম্বা উইল্লে। কবো থবাক ঁযখরে।
কবোগীনা শোক অহুম মোইরাংগীমা শোক তবা
চহি অসি পানরে মোইরাংগীমা হেনখরে।
শিংবা ভম্বা খোক্করে। 'খুনা হাযরো মংত্র'দি

থোংলেন পুরেম্বা অনি থাজিল্লনি।' হায়রুরে।
'ঐখোইগীস্তু শিংঙস্নু নহোয়গীস্নু শিংঙরোই।'
হায়রে কবো মখৈম্না। নপু চাওবা মোংথোম্বা
কবো মম্বা লৌরুদে—'লোই হারো মোইরাং 'খোইদা।
থিল্লে নবা অরেপ্পা পিরো হু নত্রবদি
পুরেম্বগা লোইননা মোইরাং থোংলেন লাক-অনি,
ঐনা হন্দক লাকপদি, নিংথৌ য়াথং য়াওবনি।
লোইপোংতি কাব্রং ওইমা—লংগি চাত্রেং হুম্ফুগা
অমা থোইবা লৌগনি থিল্লে থিল্লে' হায়তুনা
তক্লিল্লুরে কবোদো। কবোশিংদো ম্নাখরে।
লোইপোং হাবা তাখরে। সেম্বী মরৈপাক-তুদা
চিঠি তম্না ইখরে। কবো ময়াম লোইনমা
চংথ্রে নপু অহুম্মা। কবো কাংমাং অহুদা
নপুই হিন্তু থাংউরে। কবো নিংথৌ উনরে।
কোরি কোম্পাক থকতুদা লোইগী ম্নাশক ইনরুই।
লংগি চাত্রেং হুম্ফুগা অমা থোইবা অহুবু,
কোরৌ অহুমক্তদা পুরকইদো ইবুংঙো।
ঙসি ফাওবা অসিদা কাব্রং লোইসি কাইদরি॥
মোইরাং ঐগী অসিদা লংঙ্গা অমা থোক্তবা,
সিবু কয়া হোংথ্রবা! কবো লোইরং-মক্তনা
ইকু ওইবী মোইরাংগী! থোন্দ্রিববা শানৌতোন!"
হায়বে। খুম্বা নংথ্রিঙৈ—সনা য়াথং তাইননা
াওবা মামা "ইবুংঙো! যুব্রাজ করি লৈরি?"
ংবিরক্লে। যুব্রাজনা "লোইরে ইপু থংঙে।"
হায়না খুমজৈ চিংখুবা মথা তাবা ঙমখিদে।
মথরাইবু য়োল্লকপা লৈপাক মাইরোং য়াম্নকপা,
নরোশিংনা লৈপাকপু লোইবীগুম্না খিংলকপা,

নংগীদমক হাযদুনা হুযেন মমাং থারকপা
তৌবিমনগী মিংথোন্না "নিংথৌম্বা অঙম্বা
সন' থাংগুম মঙান-নাই, নিংথৌ ফীগুম মযেক-লা,
ঙম্বা শুগ-দু তাবদা মযা কুমই যুৱাজ।
মোইবাং চাওবা মহাক্না বা অসিগী মথাদা,
সোই চৈরাপ তৌনবা তাম্ম মথং ৱাশিংদো।
চাওবৈ মৱা তাবদা মপু মোহরাং নিংথৌনা—
"পুখম পিরমদ্রবোইরে?"—"পিবমদরে ইমিংথৌ।"
লীথরকই অস্তম্মা। চিংখুবগা হাযনবা.
থোইবী মতাং য়েবদা—"চুমই ইপু" হায়রকই।
অসিংস্ত হাযবিবে "ইপু নোংথোন চসিদি
নো বান শিবমগনিদো ঐবু লৱমদবদি!
খুমন নমাক খম্বনা লোইমা পুমচুম চুম্বনি।
শাওবদগী নো'যাইনা হকোপ লাযশন ফাগেদি,
ৱাশকথিদো, অতুগী কদাযনো হাযকুবনি।"
"যান্না চুমই পুরিক্লাই। লেথোৱগা মি-পুম্বা
থাংনবনা থোক্কনি। লপান্নদি অসিবু
খংনদবা কৌবনা খংনবদা মথংই।
ননাই থোংলন অঙাওবা থুংলবনা হাল্লগা
তৌরগনি বা অমা।" স্তুন্না অনি হায়নরে।
'চুমই ইপু থোক্লসি হোরেন হেংলেম লাক্লগা
খাম্নীনবা লৈবরোই।" হায়নদুনা নোংথোম্বা
নিংথৌ মপু মন ইদো, কেগে চৈরাপ তমদুনা
সজিব থবা ওইদুন। লেংথোবক্লে সংগাইদে॥
চিংখুবদি মাং-থাগ্রে মপু মনাহ কোল্লকই
নিংথৌ খুংলে চৈরাপ্তা—কোরে নগাল লাকপদা,
ইনুং মচু কোওনা লেপঙম্বগুম মায়কৈবু,

কেগে চৈরাপ অহুগী মায়কৈ পুম্বা শেংলক্লে।
ইন্দ্র কৌবা লাই-ভুম্বা মাগী সোভা-কম্বগুম
মোইরাং চৈরাপ লেমজরে, চৈরাপ মনিন নাইদরে॥
ঙাহাক তুমিন তুমিন্না লৈনরবা তুংতুদা,
মপু মোইরাং নিংথৌনা—"কেগে চৈরাপ তিনববু,
রা অমতা লাওজগে?" সনা য়াথং হৌরকই।
চৈরাপ তিনবা পুম্বনা চাব ফীগাও শাম্বে।
"হন্দক কাওগী বিচার, নোংবান মাইবী চংবদা,
রা খুকউদা থোংবগুম—মাসি মতুং তৌনুসি।
ঐনা অঙাং অসিগী মরা তাখরবনি।
নোংবান হাংকে তৌবদা খামথি ঐনা মহাকপু।
শাওবদগী খম্বনা শন-সি ফাগে হায়রবনি।
রাফম অসি হংঙব্রা?"—"ননাই ঐখোই হংজদ্রি।"
—"চুম্বরদো মাহুদে হুম্না বিচার তৌববা?"
কেগে চৈরাপ ফম্মিবা 'ঙম্বা পুম্বা চৈহংলে।
মপুই য়াথং অহুদা মোইরাং চাওবা পেঙ্গরে।
রাহুগী অবোইবদা—"শমগী রাদা তাবিরো"
মপু সনা চোরোন্দা চাওবা মানা হংগৎলে।
মপু সনা য়াথংনা—"ইপু নোংথোন শন-অসি,
কংসিগবা থাংজিংদা?"—"অজ্ঞা! ননাই নোংবানগী
মরাসিবু মতুংদা পংলো লৌবিগদরা?"—
"চুম্মি মাহু নোংথোম্বা! করি পংলো লৌগনি।
চমগদবা লৌগনি ঙম্মোইদবা লৌরোই।
হৌনবা লৈরি মাগী প্রতিকারস্থ তৌগনি
করি পংলো লৌগনি।" হায়বিরক্লে নিংথৌনা।
নোংথোম্বনা মাহুদা—"হন্দক শনগী অসিস্থ,
প্রতিকার তৌসিরা?" হংগৎলক্লে নিংথৌদা।

মপু মোইরাং নিংথৌনা—“ইপু নোংথোন য়াগনি,
প্রত্তিকারস্থ হংগনি। অস্তন্নদি ওইবদা,
রাশকখরে খম্বনা সৈত লৈবা নমাক্নি।
’সিবু কম্না ঐথোইনা কাইহন্লিগে নোংথোম্বা !
রাদবু হায়রুবনি ঐথোই লৈবাক চংকনি।
রাকমসিদা মোইরাংগী থাংগরাকপা অঙম্বা—
“ইনিংথোবু ! থাংজিংনা কৌক্রুদগী হৌদুনা
লৈপাক থোম্না করুগা পিয়ু হায়রক্লবদি ?”—
“থাংগরাকপা মাতুদি—শন্স্ থাংজিং নহাক্না
কাজরুবো তৌকয়ো হায়না থৌরী পিবিনি।”
হায়রে মোইরাং নিংথৌনা। চাওবা নোংথোম্বনা ’মুক—
“হায়রুসিনা হৌজিকস্থ, করি য়ারোইদদগে।”
ইচাও চাওনা হায়রকই। চাওবৈ রাঙাং তাবদা
পেঙৈ মোইরাং নিংথৌদো। ভাহাক য়েংনকুবগী
চিংখুববু নিংথৌনা লোঞ্জাননা কৌসিনখি।
রারম খর হায়নখি কেগে কনা তাখিদে।
“করি ওইরিগদনো।” খম্নে স্থুয়ং লৈপাক্ন।।
নিংথৌ মচিন্ মনাওনা রাদু চিক্রকুরগা
মোইরাং চাওবা য়েংদুনা মপু রাথং তৌরকই—
“ইপু চাওবা শন-অসি ফাহন্লিদা, হান্দক্তি,
শন-ফামনসি ঐহাক্না খব চাওনা পিনিংই।”
—“করম হায়না ইনিংথৌ ?”—“কৈনা ওইনা পিগেনে।’
—“শ্রীযুৎ ইবুংঙোগীদি, নজায়বেম্মা লৈতেনা।”
—“কম্বিরানো নোংথোম্বা - শানৌভোম্না পোকপবু,
ঐগী ইচা মংতরা ?”—“য়ায়ং চুমই পুরিক্লাই,
মাতুনদি কনায়নো।”—“য়ারবনি ইনাওস্থ।”
—“লৈপাক্নদি তাদবা—”। মপু মোইরাং নিংথৌনা—

"শানৌতোমবু নপুনা—"। যুব্রাজনা "ইপুবু !
যাংসনা যাথংসে লোংনদবা যাথংনি।"
চিংখু মরা তাবদা মোইরাং চাওবা নোংথোম্বা,
থাংলেন মথুংস্মুজনা কলা যুম্নী অতদা
চোংখৎতুনা হকখ্রে ; মোইরাং লৈপাক হবাওরে ॥
মোইরাং চাওবা নোংথোম্বা, লাইরবগী লল ওইবা,
কেগে চৈরাপ মনাংদা খুনন নগী কন-দুদা,
বৃন্দা খা পোক ওইবিবা ! লনজা ! পলেম পান্থোবু
শকইবদি তাংম্বা। খুমন মাবু যেংক্লে.—
"মাক্লৈয়েন খম্বা লাওনে।"—"ইমান'বুংঙো তাকপিসি।"
-"খুমন ইকোপ পুংদগী, নো যাই ! কাওরেন অসিবু,
তোম্পোন যারাসগবা ? লনজা করি হায়বগে ?"
নকুই বাদু হাবনা নোংমবাদ খম্বনা,
চক্কু ফীবু য়েংচরে লৈপাক মাংদা চোংথোক্লে।
"চার চা ননাইনা ইকোপ কাওরেন ফাজগে !
পাংজদনা লনজানি মোইরাং লৈপাক লেংবিয়ু।"
খুকউ লৈদা তাহুনা মখুং অনি লোম্নরে।
খোযবু নৌবা রাহৈনা ভক্তি ইরোইনহনা
খুরুমজরে খম্বনা কেগে লৈপাক তিনবদা,
'ওম্বা লোইনা ফন্নবা মপু সনা চোরোন্দা ॥
খুমন মাগী ভক্তিগী লোননিরে কাওরেন-দো।—
"ওম্মে ফাজ্জো ওমদবে লৈপাক ঐখোই চংগনি।
কাওরেন মাবু ফাগনি।" যাবিখরে লৈপাক্লা।
"নংনা শিবা মফমদা শিগে ঐখোই লেপ্পমক,
লৈপাক ঐখোই য়াথংনা ফাব-দুস্থু ওমজোকো।"
কেগে লৈপাক তিনবগী হমু-হনা অপুম্বা
বোর অদু পিবিরে। ইংখৎলকপা মখৈস্থু,
নোংয়াই মাগীদমক্কি শিসি রাশকনখবে ॥
থুম্মক খুম্বা মামখি লেপ্রে লৈপাক হুপ্পনা ॥
তৌওমদবা চাওবনা মপু সনা চোরোন্দা;—
"ঐবু লোইবা ইবুংঙো ! ননাই খুমন তাংবু,
পাখ্রা ওইনা করম্মা নোংয়াই মীরৈপাকতবু,

চংকদগে, গুসিমক 'সনা' থাবিয়ুনা।"
হংগংলক্লে থুননক। নৈপাক পুমপেন পেন্নরে।
"ইপু করি ব্রানোদা! হৈরা থাংনা সাখিদি
ওইরসন্থ নোংথোম্বা পিগে ইমোম ইচাবু!"
রাশকখরে যুব্রাজ—চিংখুনাহা তেঈহ্নবা।
লোইরে লেপাক কুম্মসি কেগে চরাপ হায়নরে।
চাত্তবা তম হৌগংলে—"কেগে নৈপাক তিনববু
ঙাঙাক্তদি ঙাইবিখো রাবু নৈরি।" হায়রকই।
মোইরাং চৈরাপ তিনববা—"নৈখরেদা রামক্লু
চাওবা মাগী মবুক্লে।" হায়নরকই চাওববু,
চাওবৈ লৌশিং রাখন্দা কযামনা থাগংনৈ।
শাওনৈ নৈপাক কযানা কুম্লিংবা মখৈনা॥
"খোইমু ওইবা ঐখোইনি অমুতমা নহাকনি।
তাসি হায়ু অঙম্বা!" হায়নরকই কোংগাইমা।
"খুমনগীনি শনসিদি করম হায়না ফাকনি?"
—"চুম্মি চুম্মি" হায়রকই—চাওবৈ মরা তাবদা।
"খুমন মোইবাং হায়বদি লম্ফিনবা নৈপাবি।
হয়েল থৌদাং ওইনমি, খুমন নৈপাক অতুনা,
ফবে যাবিরবদি, পিনিংদবা থোক্লদ
যাবোই শমসি ফাক্নবা।" হায়নরক্ল চৈবপ্পো।
কেগে চাওবা মোংথোম্বা থংগৎনরে নৈপাকা।
'শনমি নৈবা চংপা তায'—মোইরাং চৈরাপ লেপ্পরে।
"পিরকতরো কমদোমি।" মাইবা মাইবী কৌশিন্নি।
মাইবা মাইবী রা লৌদে। পাঞ্জিশিংগা তানরে।
"প্রতিকার তেংগনি।" পাঞ্জিশিংনা লেপখরে।
নৈপাক' মাঙ্গ ভংহন্দে, মিংথৌ মচিন মমাওগা
থংই যোইরাং চাওবগা থুপচিনখরে রা অসি।
"শন নৈবা চংকমি। চাওবা চংলু" হায়নরে॥
"চুমই লৌনি মমতুনা তৌবগীদি মাসিদা
মীগী কৌই, অতুনা চাওবা ঐদি চংচরোই;
✓ইতোন থাংগরাকপনা চংপিবনা ফগনি।"
—"কৈদগীমো ইচাবু, ইচামদি চংতনা।"—

—"অহন কৌই ইতোন্না কেগে লৈপাক অসিগী,
খ্বাইগী অহম হায়বদি সনা থৌগল কুইববা ;
মতিক চাবা অহননি ; থৌগল্লোন্দা তোন্দ্রবা।
চৎপিসিদা হান্দক্তি।" ইন্সিল্লকই চাওবনা।
অহানবগী বিচারদা মমাক লমজ্রা কাতুদা,
ঙাংখি হায়বা অঙন্বা থাংগ্রাকপনচিংববু,
কেগে চৈবাপ তিমবদা—"মচিন পংথৌ থৌরগা ;
লৈপাক বাবু অচৌবা পম্ভেং ওইবা মতমদা,
মশোং উনা লৈথোকই ;" অসি বাবু পল্লকই ;
কেগে চৈরাপ কম্মিবা 'ঙম্বা কোংগায় অতুবু,
চাওবা মানা পায়বম্মি ; মঙ্মতুদা হায়রকই—
"মোইবাং নিংথৌ ইবুংঙো। কয়ে চংকে ননাই ঐ।
হোরেন নতাও নিংথৌনা 'মোইবাং মানা কাখ্রগা,
লাকচমদ্রবা শন-সিবু খমন হায়বা ঐহাক্না,
চোপই পিবা য়াদরে'। খল্লতুনা পিরম্মু।
কেগে লৈপাক অসিদা চাওবা কৌবা ঐহাকপু,
ঙাংনগম্মি করিবু! হায়বোই-নংঙাই তাকপিসি ;
ননাই চাওবা চৎচগে।" চান্দৈ মরা তাবদা—
"চুমই চুমই" হায়নরে। মপু মোইবাং নিংথৌনা—
"নিংবা থিংবা যাববা ; ইপু করি কিরুরি।"
—'ননাই ঐদি ইনিংথৌ! চরন থৌগন তৌবদা,
সুম্বা মিংচৎ অসিবু লৈহনবিম্মু ইবুংঙো।"
হংগৎলক্লে চাওবনা। চৎপ তারে থাংগ্রাকপা॥
চোপ্পা যাদে হায়বগী নিপা য়াম্ভো থাখবে,
"কেগে চৈরাপ অসিগী ফক্লাং ওইবা কুম্বা য়াইহ
মুস্বী ওইবা মথৌদি কুম্না যাদে লৈবিখো।
নিংথৌ ঐস্মু ঙাইজনি।" লৈরসিদি হায়তুনা,
নিংথৌ সংগাই চংদবে। 'ঙম্বাশিংগা লোইননা
লৈরে অতুম চৈরাপ্পা। মুমিংমুংবা মতমদা
লাম্মী নিপা য়াম্ভোগা শাফী-লানফী শেংতুনা
খো'শানখবে থাংগ্রাকপা কেগে চৈবাপ 'তুদগী।
চরোইবুং যাংবি লানখ্রে, খুমল লৈপাক য়োখরে।

খুমন কোম্বুং চংখরে থাংগনাকপা খুংখরে ॥
নিপা য়াইম্বা উবদা মুশুক মুশুক তৌনখি।
হিংহানবনি হায়বদা চুম্মি হায়বনা লেপ্পরে।
মতিক চাবা ফীদাদা থাংগরাকপা ফমখরে।
খুমন 'ঙম্বা মখোগা মাথোরবে ফড়রে ॥
ওহাক পুংগোল ফম্মগা হাংমুবদি তঙম্বা
[illegible]যাই [illegible] [illegible] [illegible] হৌরকই,
কেগে 'ঙম্বা মতাংগী পরিচয় [illegible] কই -।
"কেগে মপু নিংথৌগী [illegible] যাগ পুবনি,
মোইবাং কৌবা লৈপাক্কা [illegible] [illegible] 'ঙম্বি।
নত্তে নিংথে মপা[illegible] থ জিং লাইনী মপাওম্বু,
'ঙম্বা ঐনা পুরকই ॥" [illegible] [illegible] [illegible]
খুমন 'ঙম্বা মখোদা চ[illegible] ফাংগা[illegible] [illegible]
"করি [illegible] লৈবনো ?" [illegible] [illegible] হংলে ॥
"কেগে লৈপাক [illegible]গী থা[illegible] [illegible] লৈহুনা,
'কুমজা খুদিং ইয়াপা থা[illegible] [illegible] ঐহাক্না,
[illegible] খুনু চাবা—চা[illegible]বে [illegible]দি।
থাংকম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থ[illegible]বা,
ইবো[illegible] লাম্পন সেংইদগা [illegible] [illegible] চ[illegible]গাদি
হায়বিরেদো মোইরাদা। [illegible]গী থৌজনবু
[illegible]দি মোইর[illegible]না [illegible]দেরে ; [illegible]গী—
কাওবেন মবু লজগা, [illegible]নি ঐহাক্না।"
খুমন ঙম্বা [illegible]দা থ[illegible] [illegible]রে।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খ[illegible],
'ঙম্বা মখোয় [illegible]ইনবা [illegible] ঙম্বা লুক[illegible]
তুমিন তুমিন লৈনখি ওহাক অতুম লৈরগা,
ওকশম তোদম হাংগং[illegible] খু[illegible] মখোয় হায়রকই—
"খুমন লৈপাক চংহুন, [illegible] [illegible] ক[illegible]রক,—
তাবিবরা [illegible], ফাগে [illegible]রে [illegible]যবসে ?"—
—"খুমন [illegible] [illegible]নবু ! [illegible] [illegible] ঐখোইনা।
খুমন মেইরা [illegible]নিগী, হায় [illegible] থ[illegible]।
[illegible]বু কোক[illegible]গে।"— '[illegible] অ[illegible],

নুংঙাইরেদা খুমনস্নু। খুমন লৈপাক ঋারকপা
কুইবে চহি মায়ক্লে। মোইবাং নংগী নকাদা
চংগে ঋারম অমতং তাকপিয়ুকো নহাক্লা,—
কেগে য়ুমকোক অসিবু হেক্সংপরা, তাবরা ?"
হংলে খুমন মখৈনা। "হন্দক 'নাবা অচৌবা
তারে মাতুদগীনি।" হায়রে থাংগরাকপনা।
"ঙমগদরা অতুদে" হংই খুমনশিংহুনা।
"ঙমগনি"—"করম হায়রনা ?" ঋাকন অসি য়ৌবদা,
রা শাংখিবা তারেনা খল্লদনা থাংগ্রাকপা—।
'কেগে মযাম চংলোইদো অমতনা ফাগনি,
ময়গনি, উগনি 'তুগা লৈবা লাকপনি।"
হয়নকই মোইরাং নানা। "হী করিনো, কনানো ?'
মোইবা মচা অতুদে" হক্লে হংই খুমন্না।
"মোইবা নংদ খুমন নপাচা নোংয়াই নরেল্লু,
খমনগী শাগনিদো" হায়রে, থাংগরাকপগী
রা তাবদা রাকপদা—খুমন মখা শাখিদে,
রাকপা ক্লেবা 'ঙম্বদো -চংখে নিংথৌ সংগাইদা
চংগৎখবে বারমদে। খুমন নিংথৌ তরাওই।
মহারাণী বেথোদো। রারম অতু তারে।
"খুমন ই-ই হায়বদো হযে লাক্লগনিদো।
চান-থর অপুম্বা 'খোইনা লোইনা লাক্লনি।
মহারাণী ঐহাক্না 'মুক্তা উগা লিংবদো,
থুগনি হন্দক্তি" খঙ্গহুন। খুমনগী
মহারাণী হয়াইনু—হনাওনরে সংগাইদা।
খুমন বিচযা 'তুদা খুমন নিংথৌ লেংথোক্লে।
"কেগে ঙম্বা নদান্না ?" হায়রদুনা নিংথৌনা
থাংগরাকপা মহাকপু পোংজিনদগী হৌদুনা
হংলকইদো ঙমিংতো। মোইরাং ফম্নাইবতুনা—
"খুমন লৈপাক নপুরেল. খুমন শিঙখোং ইনিংথৌ,
মোংয়াই শিঙখোং পুরিরাই, ননাই খুরমজরিদো।"
মুম্না লৈশিং লেথোম্না খুরমজরে থাংগ্রাকপা,
খুমন নিংথৌ উবদা মোংয়াই নিংথৌ চোরেন্দা।

অঙোম নোংবান কোংযানবা কেগে খুমন অনিদা
মানা শিনবা কুম্মেনি। মোইরাং নিংথৌ মপুগী
নোংযাই খঙ্গা হৈরাংশক, পোৎলান পোত্তি ওইহনা,
খুমন লৈপাক অচুদা খুমন নিংথৌ চোবোন্দা,
কৎলুবেদো পোৎলাল্লে বেগে থাংগ্রাকপহনা॥
খুমন নিংথৌ মপুনা চিংশিন্‌বিরে থাংগ্রাকপা
সনা নাক্তা ফম্মুদি। ফীদা ফদে মোইরাংদো।
খুরু খুদক কুন্দুনা লোংচৈ খুমাং খুড়ুংহ,
ফম্মি ফীদা মনাক্তা কৈথা মোনবা শাগুম্না॥
"কেগে লালোই ফম্নাইবা। তাদি তারে 'হুমক্‌পু,
মপু খোয়ুম নোংদমগা ইতাও সনা যাথংনে
তানিংইদা অমুক।!" হায়বিরক্লে নিংথৌনা॥
রাকম অমুক হন্দুনা "খুমন নাগী নরেল্লু

* * * * *

মোংযাই নপাচাংমনা ফাগদবা কাওরেন নি।"
রাবম অহু স্মগুরুা হংগৎচরে থাংগ্রাকপা॥
চাম্বরৈম লম্‌ওক্‌ হৈ, পুরেম্বগী শারাদি,
তাওক্লিং মগুন্‌ তাবদা খুমন মখৈ পেঙ্গবে।
"নুংঙাইরেদা অঙম্বা কেগে নবা তান্দা!
শাংতা ঐনা কৎচরে, ফার' কৎপা ইতাওমা;
কৎলু হায়ু ইতাওদা! খুমন ইপা চান-বু
ফাৱবদি অঙম্বা! খুমন ঐনা ফাবনি।
–করি লৈবি খুমন শা!" হংবিখরে নিংথৌনা।
"মতুমক্লি ইনিংথৌ। হংগংলকপা নতাওনা।"
পাংজখবে মোইরাগী থাংগৱাকপা মহক্‌স্সু।
কংলা চোন্না ফম্মিবা যারে খুমন মখৈ-স্সু।
য়ারদোবা উবদা ইন্সিল্লকই থাংগ্রাকপা
"অমতগা ইনিংথৌ?" —"করি খাকই অঙম্বু,
ঐইস্নু মাগী, মাগীস্নু ঐগী, তস্মু চিৎথনু।"
হায়রে খুমন নিংথৌনা। হরাওজরে থাংগ্রাকপা—
"অজ্ঞা! নতাও ন্নিংথৌনা বারৌবিন্ন নিনকই—

মী খরদি লোইনবা হন্দক খোংকম অসিদি।"
"চুপ্মি লোইনবরক্কনি।"—"সুংশা চিংশানদি খিৎ
মহাইগৎলেদো কাল'সি হৈ' লৈ'ম, চিন্নিংবা,
চানিংবনা খুহ্নম চন,. অগাওবনা কয়ানি।
চংহুনা হেক্ হেক্কোকউ, ত্থুগী বেরা ওইমরক;
ৱারৌবিন্থ মপুনা—ৱাফম সিস্থ নতাওনা।"
—"করি ৱানো অঙম্বা বেরা লৈতে চাসন্থ।
য়োৎচিন সৌজিন য়ুগনি চংহুনা 'মুক হেক্লরোই।
ঐনা পৈনা থমগনি—খুনম লৈপাক অসিগী
হৈগী লৈগী জাৎ-সুমা, —হৈগী লৈগী সেন কায়ু।
ঐগী সিদা ফংজবা 'থুগী অমুক মথক্তা,
হৈরেম খুঞ্জাম মৈত্তৈদে ওম্ব মথৈ থিহুনা।
পৈয়ু কেগে মাগীদি। তোবুং শাবু তানবদা
ইতাও মানা তৌবিনি। ঐগী সিদা লাকপনি।
খুমন ইরম ইকোপ্তা সগাই শারো থিনগন্থ।"
নিংথৌ য়াথং পিখরে থাংগরাকপৈ মমাংদা।
ইকোপ অপান-সোই'হুদা সগাই তন্না শাথরে।
থোরাং পুম্বা তৌখ্রে। থাংগরাকপা উখরে।
"খোইদি ওম্মোইদোরেদো সিগী লমল শিংবদি,
মোইরাং হায়বা লৈপাক্লা করি লৈত ওইবনা—।"
সুম্বা থাগৎচহুনা খুমন নিংথৌ চোরোনবু
খুরুম্লগা হল্লকই, অপান-সোইদৈ থাংগ্রাকপা॥
সন্ধা নরল চমবদা থাংগরাকপা থুংডরে।
কেগে চৈরাপ অহুনা ইখোয়াংবা চেক্ কুম্না
ডাইমরমই, অঙম্বা থাংগরাকপা মহাকপু॥
লাকএ লাকএ হায়হুনা য়েংনবদা, অঙম্বা
নোকফেৎ তোনা চংলকপা থাংগরাকপা উবদা,
অহুক য়াম্বা মোইরাংদি 'ওম্বা নিংথৌ খিবিক্তো
মঙ্গোল ওইরে হায়ববু উহনখরে মতা-দো।
পিরক-ওইদ্রা হায়হুনা ৱানরম্বা মোইরাংদো।
মায়থোং মকা লাম্লংর। "করমদৌরে" হায়হুনা
ংবিরক্লে নিংথৌনা। "মঙ্গোল ওইরে" হায়নদি

ৱাবম অদু সুগাইনা তম্লি থাংগরাকপনা।
"হৈগী-লৈগী সগাইগী ৱাবম খর অসিদি,
মপুই চোৱোন ঙাকপিয়ু—" —"কবি ৱানো অঙম্বা,
ঐনা হায়জখিবগা খবজুনদি ৱাংলম্মি।
হায়মি খুমন নিংথৌদা'- হায়বিবক্তে ৩নাইবু।
মপু মোইরাং নিংথৌনা পেনবা, ননা পিনিংবা,
ইংগিত অদু উবকই। মোইরাং চাম্বা নোংথোম্বা,
হুংগৎলকলে মপুদা—"ননাই হঙোন অসিবু
করিগুম্বা খরদং—, ফজখরে ঙসিগী,
তৌরুবরবা ৱাকমাস?" চাংবৈ মরা শাবদা,
"ইপু নোংথোন ঙসিগী খুমন লপকচলুনা,—
ফজনকো, থাংগ্রাকপা!" —"নিংথৌবু" থিজৈ।
কেগে ঐগী লৈপাকতা অহন মতম ওইববা,
অহন ওইবা মতিক চাই।" থাগৎলকই অসুম্না!
"কেগে লৈপাক তাবিয়ু—বিজয ৱানা হায়বদো
ইপু খোংলেন নাগীমি। পজেং থিরান শিরসি,
লোকতাক পামিং সিনখৈ, কো পরদি অহুনগা,
পিবিবসি, অদুগা থাংগরাকপা ইপুদি,
নিংথৌ ঐগী কোন্নুংসি, কেগে লৈপাক অসিসু
ইপু মংনা পুহোৱো। খুমন নশু খম্বন
ইকোপ লাইশন ফাবগি ঐখোয় মম্লাম চৎলগে।"
হায়বিখরে নিংথৌনা লৈপাক পুন্না হবাওরে।
থাংগরাকপা অঙম্বা ফংগ্রে থৌরান মনিবা।
মপু সনা কোন্নুংবু শিন্নখরে মখুংতা
হয়েং ইনুং ঙানবদা কাওবেল ফাবা চংলন,
কেগে লোইনা হৌদুনা হাননদুনা চৈবাপু
চাইথনগ্রে মোইরাংদো, মোইরাং নিংথৌ লেংশিনগ্রে।

৭

কেগে চৈবাপদুদগী খুমন মচা খম্বনা
লাইরু-শংদা থুংবদা ৱানা লবম্মি খম্মু!
মুমিৎ-থা থোক্তবা পৃথিগুম্না তাবরই।
থরাই য়াওদ' হকচাংগুম মুজা সোয় হোমনদে।

খম্বাই য়াওদ' হৰুচাংগুম মুজা সোর হোল্লমদে ॥
লমজা মচে উবঁদা—"চাকথোংত্রিবরা ইচে !"
হায়রুরেদো' খম্বনা । 'কদায়দগী থোংগনি,
ইচেম চাকথোংনিংদে" "হেদো নাহে চনবরা,
কৈদৌরগে ইচেমশ্নন !"—"নাদে, ইচেম মাত্থনা
থোইনা মুংডাইগদৌনি । চৈরাপ দোলাইপাবনা,
নংবু কৌখিবত্থুদা ইচেম মুংশা থিবনা,
থৌনাও চম্রম কংখরে । খুম্নন নশক উবদা
ইচেম সোর হোল্লেদো । শাবাও লান-বাও লৈবরা ?
করিগীনি হায়বগে ?" "লান-বাও মক্তি থোকওইরা,
শাবাও হায়বদি য়ানি ।" স্নুম্না খুমৈজ খম্বনা ।
লমজা খম্নু লাইরবী লৈরাং মতম নত্তুনা
খাব উল্লেননংবীনা—"পন্থৈ মহ ক থক্-তুদা
তোর্বুং লাইশা তাল্লিদো । পাম্বা মঙা ফাই হায়বা,
মাত্থরনে ইবুংঙো ?"— "মাত্থ নত্তে ইচেশ্নল ।
শপ অমতংবু' খোইগী লৈরম্যাযনা ইচেশ্নন ?"
মৌপ্বায় রাহু তাবদা খুম্নু মতু চুংখরে ;
নোংদোন লাইজ ওইরবা খম্বা রাহং অহুদা,—
রাকচিং থাগী তুরেনগুম ইচেন তুখুন তাত্থনা.
পিকউরবা ইচেনদি পন্থৈ মাগী প্রেম [illegible] ।
নুরা থমোই লোক্নুদা লাইজ মখৈ পুদুনা
প্রেমগী ইচাও লাকুনা খোংনা লাংনা হৌরক্লে ।
"ইপা ঙাংবা পামহৈবা ! পারি কাদা হায়রগ্নোই !
খুমন পাঙল চারনা থিরকলরোই পন্থৌবু ।"
খনগ্রহনা খম্নুদো নোংয়াই চনু লায়রবী,
খুমন মাবু য়েংদ্বনা নোংখোংবগুম কপ্লক্লে ॥
মচেম কপ্প উবদা নোংয়াই পিবু তারকই ।

"ইমা শকপী ইচেক্সল। পলেম করি কপ্পগে ?
কাওরেন মাবু হংলগা—হাযজরকই খম্বনা ॥
"ইহু নিংথৌ ইবুংঙা। চুমই কাওরেল অমবু,
খুমন 'বুংঙো লৈরমই। পলেম ইমা ইবেম্মা !
নংবু ঐবু পোকপীদি ঙাম্মরৈমা কৌবিগী
নিংঙ-ঙারা-পুংদোংবা খোযুম মাগী মচানি।
অঙিন শম্নি ইবুংঙো। পলেম্মা থৈনা পা—
মচু ঙাংই অহগা, নিংথি কে বা খুন্দগী
কাওরেন মাবু পুরকই - সিগী ন তৈ লৌহুনা,
কাওরেন মাগী কে লোইবু—নিংথি ঙাবা পুংদোনবা
ঙাংব-নিংথি-পান্থবা' কৌইদো ইহু নিংথে ॥
পলেম পম্মৌ অনিনা নোংগ থ্রবা মতুংদা
খুমন পাঙ্গল চাওদ্রিদৈ, কোঙ্গনবিনা লৈতরে।
মোংম্নাই। নচেম ঐনগ কাওবন থিব' ঙমখিদে।
কোক্লেখিবা শগিদো, খুমন ইকে ক পুংহুদা
যৌথ্রমাম্লে ইবুংঙো। কাওরেন্ন মীরোন খংবনি।
হেক কোন্দেখিবা নঙে, লমজা ইচিন ইপাবু
মাম্না কুইনা কোল্লমই। খুমন নংবু পোত্নুনা
মাইরাং যুমথোং খুদিংদা অহিং নুংথিন কোংগাইদা
কাওরেন কোযনা ইল্লিদো. খোম্লাংইনবা চংশদা
ঙাওবা হুইবু লৈরম্বা কাওরেন লিংজেন কংঙবা
পাম্ব-মীবু চাবশিং লৈরম্নবা মতমদা
ঙাম্মোকপিদো ইংঙো পম্বে ঙাংবা অহুনা॥
খুমন ই চন ইপা না কিদ খংদ চংচৈদো।
ইপায় ইংখোন চাংগে ইনুং ইনুং শোইবা তুমদনা
কোযন-চংন ঙাকইদো ইনুং খুদিং কিহন্দে॥
চাক্লি ফানি চংশদা চরৈ পুম্না চোংলবা,

খুমন নংবু কোন্নবা কীজেং অকংব'মতা
নৈত্রহনা ইচেম্মা খুমন নংবু থাদ-কোল,
লেপ্লবদা, ইপানা চংলকইদো কুম্লেদো,
কাওগী মথা অপাকপা মালেম নৈদা তাহনা।
"খুমন নচিন নৌপন্না হিপউ ঐগী ইথাদা,"
থাকই হায়দে হায়বদা; কাওগী মচিন অহনা
চিংথহনা নহাকপু চরৈ মহুৎ শিন্দুনা
পলেম পম্বৌ শক্তুনা কোল্লি ইচিন ইপন্নাবু।
মথা মচি অমনা হাইগন্তুনা কুপইদো।
চরৈ নৈত্তে হায়বগী ব্রাকুদনা লেল্লিদো,
ইমুং খুদিং অস্মুন্না। খুমন নংগী ব্রাবনা
সজিক ফাওবা চাদেদো—নোংম ফাদোক ইচেম্ন,
তরা চাকপু ফংদবা, চরা হেনবা উরগা
নোংম্নাই নাহা নহাক্না। লন্নাই কোয়রেন থকভুদা
পম্বৌ চিংগা, নাতোম্না স্মদ-স্মুদ নমই কপ্লকই,
কাওরেন-মমিং অনিদো মপি তাইদো ইপাদো।
শাগী জাপ্তি ওইবনা কাওরেন ব্রাদি ঙাং-ঙমদা,
অন্নাবদি মউজ, কোকহনবদি ঙমখিদা
শন্না মথুং পান্দুনা পেরুক মনা অমতং
নোংম্নাই নংগী হাযহনা থিরুবস্ম ঙমজদা!
চাখিদরে মমৈদা নাপী মকা অমতা
থংলঙরে পম্বৌদো— ইপায় ইখোন ন্নুংসিদা
নৈরে কোয়না চংভুনা। ন্নুমিং কয়ায় মতুংদা
ন্নুংশাখিন্নে ইচেমনা। পম্বে নাক্তা চংহুনা
'পম্বে নংবু নারত্রা হুপ্লৌ খুদাপ অসিমা
চায়গবু ফরোনে' ব্রাশকতুনা ইচেম্মা
ইল্লি পম্বৌ চিন্দুদা। চাইদো ইচেম্' ইনথদো।

'ইমোম' বেম্মা মাদেদা, নহোয় নত্তো উবদা
ইপা ঙাংবা যাদরে , নহোয় নত্তো য়েংহ্নবা
লৈনিংদরে হাযরবোই, চাখি হুপ্নৌ খুদাপ-তো।
'মিৎতা পিবু তাহ্নবা লেকই, নোংয়াই ইচেম্বু।
কোরৌ নুমিং হুদগী , চৎথোক্‌খবোই নিংউইদো।
হল্লকতরে, ইবুংঙো। পম্বে ঙাবে-পাম্‌হৈবা,
ঙসি ফাওবা উখিদে কোরৌশিংবুম য়াম্মখরে
পম্বে মাবু কায়নবা ॥ খুমন 'বুংঙো নহাক্না,
মোইরাং কনায চিন্দুগী পম্বৌ' ৱাৰি তাহ্নবা
হংলবগে ইচেমদা ?"—নোংযাই চনু পোম্বেম্মী
খুমন চনু য়াইথিবী ৱাবি অসি শারগা
ৱাকম অসি হংহ্নবা খুমন মাবু লোক্কৌ কোন,
নোংখোংবগুম কপ্লক্লে নোংযাই মাম্বু কপচরে ॥
মচেম ৱাহ্ন তাবদা পুরেম্বগী মচাদি
খুমন অঙাং খম্বদো-কেগে চৈরাপ অহ্নদা
কাওরেন ফাগে যাখিবা ফানিংঙম্বাহুদগী
মোইবাং লৈপাক ঙাইদানা মতোম চৎকে নিংঙ্গরে।
উনিংলেদা কাও অদো ফানিংবনা খোয়াংই।
নোংযাই মচেম যেংহ্নবা—'ইচেমহল্লা নহাম্‌থৈ
নিংশিংবিদো ঐঙোন্দ'। মীনা হায়বা ঙাইদনা
লৌক্লরগা ঐহাক্না ইপা শক্ল লাংচরা'
নুংঙাইগবা কযাদা। ইচেম্‌হন ৱাক্লরবু।
শন ফাবা চৎলনি।" সুম্না তৌরে হায়বদো
তম্মে খম্বন মচেমদা ৱারম অহ্ন সুপ্রক্লা।
খম্বে মরা তাবদা—'করি ৱানো ইবুংঙো।
অমরোমদা চুম্মিদো অহমকপু শন অদো,
মাংরম্নোই হান্নগা খংঙম্মনোই মীরোন্দি।

কাওগী মরা তাবদা অকিববু ওইনখ্রে।
থোংনা চংনা মং-থিবা খুমন 'হুক্ম থোকত্রা!"
হায়জরকই মচেম্না। নোংমাই মানা "ইচেম্মল!
অদু ওইরবসু কৈ ফাদ-য়াদে ফারনি।"
হায়রে। রাজু তাবদা কয়ো হাযনা খনবদা
'বাবা চমৈথ লৈখিদে লাইরবী থম্বদো।
মিংতা পিদি তাখিদে। মচেম' মতৌ উবদা,
খুমন মানা— "ইচেমহন! রাবিকন্ন ফাগনি,
পম্নৌ থোংগুল লীবদি মচা ঐগী ধর্ম্মনি।
করি চিংনবিবগে।" খামজিনখরে মচেম্দো।
পম্মৌ মানা লোইরম্বা কাওবু মক্তা ওইরবা,
কাকৈ হায়না খম্নরে মচিন মৌপা য়ানরে॥
"কাওরেল অদু ফাজরো" তাকপিখরে মচেম্না।
খুমন চন্নু মচেমগী বোর অদু খম্বনা
কিগাও শানা ওকখরে। সোমদা স্নুম্না তোনরি॥
নুরা মস্তং লাংগিনা মোইরাং লীলা ওইরিবী
নুজা মাবু পোকচবা চিংখুনহা তেল-হৈবা
কেগে চৈরাপ কুম্বকপা সংগাই মাংগোন য়েৌবদা
তালোই মখৈ কৌরকই— "মমাশিংবু লৈতরা?
ইমোম ইবেম্মা কদায়? লাংথোরকউ রা হায়গে।"
তকিং তকিং কোকরে। খোরকুনা লেপ্লরে।—
"করিগী বো ঐথোইবু পুক্লিং থকই—" হংগংলে +—
"চুম্মি থকপা য়াবনি থকউদুনা কাংদে।
হোজিকগী চাকজৈশিং তোরো থৌরাং নিংথিনা,
হয়েং ইমুং চানবদা থাং-স্নবা হৈবামখৈ
মোইরাং লৈপাক অসিগী চংপ-তারে খুমন্দা॥
মপুই রাজু তাবদা ইবেম্মশিংদো খাই হেক্

লাওই,—"হী করিগীনো" হংজরকই ময়ায়া।
চিংখুবনা—"ইচাশা? কোংযনবা মাইবী চংলে—"
রাহৈ অসি তাবদা সেন্নুনা—'পকই শক্তাদো,
রাঙাং শাঙাং অদুগা চংইনি ফরেদা।" হায়
রাকম অসি তাবদা—মুনা পানবা অতিয়া,
লৈচিন তুব' তাবদা চেকযা মনা খুম্মুবা,
সরং থাজ অদুবু তংখাঃ ঙাম্খোরকপগুম,
থাদোই চিনবু ফীন খুম নোকই মজা ইবেম্মা॥
মথং অদু মপুনা অসাই কেগে চৈরাপ্তা
তৌনখিবা মখৈদু তমথরকই স্নুপ্তক্লা।
"খম্বা ফাবা ঙমদ্রগা লৈপাক চংনা ফাগনি,
অমরোমদা কুম্মেনি। অমরোমদা হায়রগা
নিংথৌ ইচিন ইনাওগী ইরানগু হাযহনি।
সুম্ন তম্মি চিংখুবা। "কবিরানো অসিদে।
ঙম্মি ঙম্মোই হাযবদি খঃদবে লৈপাক্লো?"
হংজৈ সুম তালোইশিংনা। "চুম্মি খংদ্র বাইতুনি
নিংথৌ অনি ফমগনি। খুমন মোইরাং হাযবদি
লাম্থিনৈদো ইচাশা, খংদ্রে সিনা লুখরে।
অসিগীনা অমনি, রা মর লৈবি-সিনি :—
তারসনু ইচাস্নু,—খুমন লমজা মহাক্লা
শল-সি ফাব তাব'দি, ইমোম' বেম্মা ইচাদি
কাওফা মনগী খগদা পিব তানি।' হায়রকই
চিংখুব যুবরাজ॥ রাসি হেক তাক্লবদা—
লোইবী চিংমাই অম্রাংবা কোবৌ সুংনা যৈবদা,
থৌনু সুংগাই মথক্লা মনা' মতা য়াওদনা
লৈরাং নোনা শাংচবা লৈপাক লৈনা লৈরাংগুম,
শাংচখরে সু/মংতো—থাদোই লৈরাং ওইবীদো॥

বাখল্দি অমা ওই চিন্দা থাদোই সোম্বাংনৈ,—
"বাখন থেল্লি কৈনোদা ?" শোনখি তাবোই তাদবোই ॥
কাওগী পাওহু তাবদা/তম্পাকয়ুমদি মী খুদিং
থোইনা হরাওনখিদে। চিংখুবগী তালোইশিং,
খুমন কাদা মচাবু পিবা তারে হায়নবা
হয়া চেজেদো মগুদা—অতৈ অমা তাখিদে ॥
চাম্বং খমন চৎলগা চান-থক্ক থৌরাংহু
লাংগ্রে মৎকুপ হুদগী অরাং অপা নৈতনা
চিংখুবগীদমক্তি মনাইশিংদি পূম্বনা॥
পুংগোই খরা নৈরগা মমাতোন্দা থোইবীনা,
"পলেম শেন্বী ইমাতোন! নমোম্ ওহাক চৎলুগে
খুমন নয়াই নাকতুদা পাবুং থিরক' থোক্লগা
মেম্বিরম্মু ইমানা।" নূরা মপাও মেল্লক্লে ॥
ইমোম 'বেম্মা য়োজরু হায়বিখরে মমানা
পম্বৌ সংগাই তম্পাকয়ুম চাবা থকপা লোইহোরে ॥
কেগে লমজাও অম্ম্ম তাংলৌ ইচিক হুনখরে।
মনাই সেনু তুংদা-ইন থাদোই মাংদা থাখরে।
চোংখরক্লে থোইবীদো পম্বৌ সংগাই সুমাংদা।
ইন্নুং অহু হয়েংদি খুমন নৈপাক চৎকনি,
থাং-সু হৈব মখৈনি"—হাযবহুগী মোইরাংদো
তুমখুন হুৈ ওস্তানা। উন্ রাইগুণ চিক্লখি॥
যুব্রাজগী ইংখোন্দো থাপ্ল-নক্ল-সুমাংদৈ,
সুমদা থাবল অহুদা ওাল্লি হৈকোল নৈকোম্না।"
কনাগুম্বা নৈরাংনা শাংলি মপুং ফানমক,
পোম্বোম তৌই কনানা সুগ্রে হৈখল নৈখম্না।
বসন্তগী লন্-হুনা ময়াই করি নৈরাংশিং।
য়েংঙি ইখোলাংহুনা খোইমুশিংনা নৈরাংবু,

ভীক্বা নিবা শকুনা লেপই লৈগী থোংজিন্দা।
ওঁরাধনা লৈহিগী থোংনা নৌনা লৈশিংদা—
"মতম কুইনা ভাইরক্লে লৈরাংশিংগী মফমদা,
শিংচেন মপুং কারগা করি তুং ওইহনবগে॥
লোইবী লমদমগুদগী লৈরাং নঙুংলাংগীনা,
শাইরকইদো লৈরাংও॥" শারি—চংই খোইশিংবু?
তেংথা,খোন্দু তারগা লৈরাং মশেম ওন্সিন্নে,
মায়োক্নুনা ৱারি শাই খোইমুশিংগী মবুক্তো॥
নোংক্লে পেৎম্নে নুংংাইনৈ বানৈ লৈরাং মথেম্নু
লৈরাংশিংগী মতোদো উরুবগা খোইমুনা
ৱানৈ নুংঙাই চাকই খোইবাংই ইখোৱাংবা হেন্নরি
খোইমু মতৌ উরগা লৈরাংশিংদো তুমিন্না
ঙমদে লৈথোকচবদি শারদুনা খুম্লক—,
'লৈরাং ঐখোই ইমিংতো শাকচিং কৌবা থাহুদা
খোইমু কৌবা অমতা উজদেদো নো মতা।
বসন্তনা ওইরবা নুংগাই যাইফ লাক্লগা
লাকপিরেদো, অসিরা? মকুপ হাযবা লমচংতো!
লৈরাংশিংবু খোইমুনা নুশি হায দু অসিবা।"
ওইনজরি লৈশিংনা। খোইমু যাবা কুপ্পমই।
খুমদ-যাদ মতাগুম চিম্ফেল ফবা খোইশিংনা—
"য়েংবা ঙমদে লৈনাংশা শিংচেন নহোয় নতৌদো।
থাব-উল্লেল শিংদুনা নোজরবা মাইথোংদা,
য়েরবদা বাবদো উজনিংদে ঐখোইনা,
কল্লবস্নু ঙমজদা—ননা-নপান কংবদো।
লাক্তবনি অসিনা ৱায়োৱুনু মাদুদা।"—
"য়েংব মদে ৱাজহো-বামিন্নবা যাদবোই
মকুপ মান্দে হনবিরো।" নুম্না খোইবু লৈরাংনা

খংনরমই মতমদো। কম্বা শিংবা লৈত্তেভ্রা,
চংজরুবে হৌনবা, লৈরাশিংনা লাকচরে'
বসন্তগী থোইশিংবু থগাইনরি লৈশিংদো।
মী-চীক মীথোন তাদ্রবা লমতা থাগী পূর্ণিমা
নোংমা লৈবা থাবন্দা বসন্তগী অহিংদা,
লৈরাং মতম ওইরিবি, বসন্তনা থৌগনবি
থাদোই মানা থৌরকপা উরক্লেদো লৈশিংনা।
পামেল জাংতা ওইরবী লৈরাংশিংনা থোইমুদা
লেপ্পরকই থাদোইবু থাদোই মাবু কৌরকই।—
"তাইবং লৈরাং অথোইবী! থোইবী কোলোই লৈত্তেংবী
পামেল লৈরাং ঐথোইগী তমজনফম ওইরিবি,
কদাইদনো লেংইবা ইনুং'মতম অসিদা?"
লৈরাংশিংনা হংবদো খুমখিদরে থোইবীদো।
ময়াম অহু উরগা মিৎত-পিবু তারকই।
পামেল লৈরাংশিংহনা অমুক্কহ্ হংলকই।
খুমখিদরে ইবেম্মা লম্জাওরোমদা থোরকই॥
থোইমুশিংনা লৈশিংদা—"হংউরনু খুম্মরোই,
মথংলেনগী নাক্তদা, চেংগৈ পাংকী থোইমুদো,
নোংয়াই লাইর খাংপোক-শং খোংদারুদে ...পনি।"
থোইমু মরা তাবদা লৈরাংশিংনা থোইবীদা—
"তাইবং লৈরাং লক্কগী তাংন শাৎপী ইতারোই,
থোইমুশিংগী কাহুদা হৌনদেদো লৈরাংনা।
ফংনদবী নহাকনি করি চোপচরুদগে!
লৈরাং ঐথোই খিবিরা তমজনবা ওইবীনি।
য়াইফবদি নপাগী লৈকোনুংসে নহারা
অরেম্বনি ঐথোইদি ঙাল্লিবনি নংদনা।
করি হায়জরুদগে লেংখিনু ইবেম্মা॥

মনাই সেন্নু থারগা কোহনবিরু খম্বদো।
লৈরাং নতৌ উরগা ইকাইজেদো ঐখোইনা
খে ইমুশিংগী কাদঃ লৈরাং •ন হৌনদে॥"
থামজরকই লৈশিংনা॥ খোইমুশিংগী থম্মোইদো,
পুবা য়াদ্রে মতমদো উরুবদা খোইবাগী,
মথংলেনগী য়াব লাংসিল্লিবী মাইথোংদো॥
পামেল লৈরাংশি ৩বু হুন্দোক্লে খোইশিংনা,
খোইবারোমদা ওন্সিল্লে খোইবী কাদা লাওরকই,—
"তাইবং পামেল অনি, লৈবাং লক্তা তাংলবী
লেংউ লেংউ ইবেম্মা মীনী মরা তাবানু।"
লৈরাংশিংনা "লেংখিনু চোপই খোইবা ইতারোই,
মখোং থোংনা নুপীনা চংফদেদা" হায়বকই।
বসন্তগী থাবন্দা লৈগা খোইগা অনিনা
থাদোই মরা অহ্নগা যেংনহোঃ নুমদাংহু।
ময়াম হুগী মবাদো চংদে নাকো চক্রদা
য়াহৈ মরিক অমতা চেংগে লমদম পাংলক্লে।
জচোপ অরেম হোনবা হৌনদবা খঞ্জদে।
খুমন মাগী খনবনা মরু ওইবা মথো ওই॥
কেগে খারি লমজাওদো বসন্তগী লাইজনা
ইরৈ নাইনা চেল্লম্মি। লম্বী নাকন অনিদা
লাইজ ইনৌ চাইরম্মী। পুখ্রি খোংবান খুদিংদা
হুপ্লৌ লেং লেং চংপনে, লাইজ ইনো চাবগী
থম্মা থম্বান মথোনকাই। মোইরাং পল্লী, লৈপন্দা,
উগী লৈরি শাংপনে, লবুক-হুপচিং লমদমদা
লবুক লৈরি শিংহুনা, বসন্তগী লৈরাংনা
মোইরাং লমদম নিংথিরি। ইনুং চেক্লা শিংহুনা
লাইজ থক্তা তাওরাম্মি। কনা মনা পাইখংলি,

কোংগাই'মনা তারকই। ময়াম সংগু উবদি
থাদোই করি খল্লুদে। চেক্লা অনি খত্রাংনা
তারম্বু উরগা থমোই মৈবু হেঁখরে।
নুরা ইন্দ্রি চাওগোইনুং খাম্বি মৈশা ফংখরে।
ইনুং চবুক অহুদা শিংলকইবা মালংবা
বসন্তগী খোংচংনা মৈগী মতেং পাংউরে॥
মনাই সেনু য়েংহনা—"তযুম সেনু-ইবেম্মা।
—নহান মুক্কী মপোকতা লোয়ুম মাগী কাহদা
নুজা মীরাইখিবরা? নুরা কল্লক চাওহনা
অপাম্ মুংশি কনাগী মরুপ কাদা য়েংলুত্রা?
থংলেন মাগী কাদবু নুজা খুরৌ চেনখরে।
ইকোক পুংগী শন হুদি মীবু চায় হায় ইভারোই।
থংলেন মাদি মতোম্দা, খুমন লৈপাক ফংহনা
কুমজা কয়া হোংনৈ হায—কাওরেন ফাগে হায়হনা।
ঙমদে হাযদো অচানবী। মাদি থমখো শল্ অদো,
উচেক পায়রবা য়াদে হায—খুমন কাদা য়ৌত্রিভৈ
নোংয়াই কাদা থংত্রিভৈ, থংলেন মখোং হামত্রিভৈ,
শম্লাং কোযকরনবু লুখ্রা ওইয়ু তমগত্রা॥
থোইবী অসি হায়হনা কেগে খারি ময়াইদা,
নোংয়াই চবুক লৈথবা মুমদাং থাবন অহুদা,
থাদোই সনা থুংতুনা মনাই সেন্নুই ভক্ত-কোন,
খুমন মাগী খন্দুনা খনুং নোংখোংবগুম্মা
কপই মজা ইবেম্মা। বাগ্রবোংইদা থোইবীদো॥
থোইবী মতৌ উবদা ব্রাগ্রে সেন্নু অহুস্নু,
ইখেঁলাংবা সজিনা লৈঙোই লমদা ঙাওবগুম
খুমন মাগী কাওগীরা খল্লুহনা চাক্লকই।
মপু মনাই অনিদো নোংয়াই চেংগৈ পাংচাওরোম

থোইনা লৈবা কম্ মদম্দা থম্বাল মথোং ম্নাইরককই।
চেংগৈ পান্দোন যৌবদা—"থংলেন মাজ লোয়ুম্বা
ননাও লাকই হাযববু খংইরোইদো নহাক্তি।
খোম্লেন তুমখম্লবরা ননাও লাকই ইবুংঙো।!"
খম্ব খম্ব চংলকপা লাইর হোজং লাম্সিল্লে,
মাংগোল য়োম্রে। থোইবীনা খম্বু কৌরককই—
"খুমন চন্নু লাইরবী নোংযাই চন্নু ইনম্মা।
লাইবক চাওবী নচনবু লাকচরিনে ইনম্মা।
থোংগী নাত্তে কাংবিযু চাব-পৌরোন শংশিযু।"
হায়জরুম্রে থাদোইনা। খম্বু মানা—"ইবুংঙো।
মনা ওইরমাম্লেনে। অসুক থেংনা কবিনো।"
—"ওইরমাম্লে ইচেম্মন"। খম্ব হৌগংখিত্রুনা
থোংগী নাতে কাংউবে। লেংসিল্লক্রে থোইবীদো,
মনাই সেন্নু অত্রগা। নেংযাই মচিন মৌপ্রানা—
"করিগীনো ইবেম্মা? ইন্নুং অসুক থেংবদা?"
থাদোই গুংস্কক ভুংজানৈ মাইথোং অত্র উবদা
খুমন মানা—"ইবেম্মা। সনা কৈদোর'গেনে?"—
"থবাই কংকে হবুংঙো। লাকচবনি ননাওনা"—
খুমন মগা খম্বনা "করিনোনে খংত্রেনে?"
"খংবিররোই হবুংঙো। লাইবক থিবী ঐহাকপু,
ননাইনিদি হাযগুনা নিংবিদবা মবম্মা।"
থাদোই মরা তাবদা খুমন লাম্বা ফংদরে—
"করিনোনে স্নাইন। তুনা থোইনা খংখিরে।"
মজাইবেম্মা থোইবীনা—"খুমন মীরৈপুংত্রুদা,
শন-কাবা লেংগনি হায়?" 'মানি চুমই চংবনি।
প্রান কংকে হাযবু 'ত্রুরা?"—"মানি অত্রইদমক্তি।
শন অত্রদি ইবুংঙো। চামা লাকই চামা হাং,

লাকুওমদবা শন্নি হায় ?"—"তুম্মি মজা ইবেম্মা।"—
"করম য়াম্নিরুই ওদি ?" "হৃপায় শন্নি হায়রগী।"—
—"কনমনথরে করিনো। ফানি থাংজিং' ক্রুপানি,
অহৃম্নদি ওইবদা পুবিথরো' থৱাইসি,
কেগে লৈপাক অসিদা লৈহৌসন্নু হৃকচাংসি।
হৃম্নু কণ্ডে হায়রগা অনি পুন্না পুবিন্নু।
থুমন মীরৈপুংত্থদা লাইবক থিবী চংচগে ॥
হায়রে। খম্বনা—"কৈদই। তৌম্নু 'বেম্মা চংকম্নু।
থুমন মীরৈপুংত্থদা কদায থ্রাইদা লৈকনি।
সিন্নকনি কনাদা হায়ন্নু 'বেম্মা চংকন্নু ॥
—"তৌবিন্নু ইবুংঙো! ননাও নত্তুং ইঙ্গগে॥"
—"চংকন্নুদা ইবেম্মা! হে নদেদা তৌগন্নু।"
য়াথিদরে খম্বনা।—"হৃদি করে ইবুংঙো!
ঐদি হৌজিক শিরনি, ৎ থ্রাই ওইনা ইঙ্গগে,
করে ফনা হল্লকপা কত্রে 'তুম্মা ইঙ্গগে ॥
থাদোক্লই মানা য়ুংথিবা, মতৌ অতৃ উবদা,
খম্বা মাম্নু মমথরে। থোইবী মতৌ উবদা,
ইন্নিংঙনা চোংবদো—সেম্ন মানা খম্বদা
হায়জরকই—"ইবুংঙো! লেঙসন্নু কৈদৌগে,
করি থোইনা খোংলৌরোই—ননাই ঐন্ন চংচগে ?"
—"করি ন্নানো অচানবী। হৌনদেদা করিনো ?
করি হায়না চংকনি করম হায়না মেনগনি।
অমরোমদা মরেংঙে।" হায়রে থুমন মহাক্না
য়াথিদরে নোংয়াইদো মায়কৈ তরা খন্দুনা ॥
তাব মখৈ তারগা থুমন চন্নু লাইরবী
মঙ্গুজিংথো য়েংঙনা—"নোংয়াই ইচেম থ্রা হায়গে।
সনা' ওজি লাকপসি ইচেম খবাই হৃংঙাইরে।

চংলসম্নু সনাম্নু—ইনমম্নু চংলগে।
শিরে পুন্না শিগনি—সনা ওসি লাকতুনা—
ইপাগী তুংবু ইন, শান-নমৈ ৱাইববু
লাংজেং নতুং ইল্লুনি মুংঙাইরেদা ইবেম্মা!
খুমন 'বুংঙো ইচেমম্নু চংলগনি শাজেতোন্ ॥"
হায়রক্লে খম্নুম্ন। লমজা বান্থ তাবদা
তাংজ লৈদ লুকথখি। খুমন মানা খল্লকই—
"পুগে ইচে যাওরদি।" খম্বা মরুক লেপ্লকই।
পায়ম-ফব-খম্বুদো মচেম যাওনি হায়বদা
"য়াম্না ফরে" হাযরক্লে—খুমন মানা যাবদা
হয়াওজরে খম্নুগা থে ইবী মচন মনিংদো ॥
ইমুং অথেংবন্থদা লাইব খাংপোক শংন্থদা
জগোই শারে অনিদো. খ া ঃ হবাওবে ॥
হয়াও মথৈ হবাওবে অন্থুই মবক অন্থদা
মুন্না সেন্নু মত বোই খুমন মাবু যেংন্থনা—
"খুমন 'বুংঙো ঐবুদি পুবিরে ইদ্রা?" হংলকই।
খুমন মানা "অচানবী। চ ফম থোকই নহাকম্ব;
পিথ্রাযবীনা সেম্বী কা খুংজ্রাইবীনা যাজ-কা,
পিথ্রাই-সনা হিদান্না, নুবা মাগী তেংজ-কা,
থাংগ নিংঙোন কান্থদি হাংহে বনি কমদোনি?
নুন্না নপু ননাইন্না চংথোক্ল'দি ইবেম্মা।
পম্থো শংগাই মুংন্থদা পলেমশিংনা থিরক্লো,
নুন্না নংমা লৈরবদি নচা চেপই হাযন্থনা
মেনগনিদো নহাক্না। মুজা নিংঙোন কান্থদা
সনা কাংখন মুংন্থদা লৈরগনে নহাক্না
লোকপান থোংবু চিকপ লুপান (াংবু হোইবম্বী,
থোগন তৌরি হায়গনি, নত্রবদি অনিমক,

চৎথোকপদি ফৎলোইগ্রা নূরা করি হায়বগে ?"
তাওজিং হৈরোইনরবা মেল্লে খুমন মপাওথোল্ল ॥
খুমন মরা তাবদা—খম্ব্ থোইবী অসিস্থু
চুম্মি সেন্নু হায়বিবে। খল্লে সেন্নু মানস্থু,
চুম্মি হায়না রাফমদো। সেগা মাইগা তানরে ॥
সেন্নু মানা 'বুঙোতোন্। মুংশিবগী হায়র'দি
মনাই সেন্নু ঐহাক্রা তিম্থোক যাংদে চোংবগুম,
চোংলবদি শোইদনা পুবিগনি অসিবু,
চৎচররোই সেন্নুদি। শিগদবা লৈরদি,
য়ারোইদনি ঐহাকন্ মঙ্গোল ওইনি শোইদনা।"
হায়রে রাসি তাবদা "শোইরোইদবা অচানবী ?"
হংবিরক্লে থাদোইনা। "শোইরোই মজা ইবেম্মা,
ঐবু পলেম পম্থোনা পোকপা মক্তা শেংলবা,
মঙ্গোল ওইযু" হায়বক্লে। হায়বরগা সেন্নুনা,
থাদোই মপুকনিংঙদা বোবনিগে নিংবগা,
থাদোই মাগী মাংজোনৈ সেন্নু মকোক লুকথখি।
খম্ব থোইবী অনিনা খুরম্ব'দু ওকপগুম
সেন্নুদা খম্বা থোইবী, বোর নিরে খুরুম্মে ॥
খম্বা থোইবী অনিনা সেন্নু মরা তাবদা
লুম্মে পুক্নিং থুক্তরে থাদোই জগোই শাখরে ॥
থাদোই ময়াথংদগী সুমদাং অহ্ন মোইরাংদা
হয়েং মঙ্গোলগীদমক বার্তোন তৌরে লাইরবী।
থাদে ই পুর্বরিং লেপ্তুনা হনখি ইন্নুং মমৈদা ॥

৮

ইন্নুংঙাক্লে নোংলেক্লে, নূরা মজা ইবেম্মা,
সেন্নু মপু মনাইস্থু থৌরাং পুম্বা লোইরক্লে।

পম্থৈ, মপা ইবুংঙো যৌগল লাংগন থাখরে।
'লোক্তা এন্সম্ চায'-কৌবা মোইরাং নিংথৌ মপুগী,
হিনা হিয়ায থংহনা হি চনিনা খাবক-লাক,
খামেন চংপ কিরান্না মকম চানা থেংখরে॥
কেগে লোক্তাক মাযকৈদা হিগী যৌরাং নিংথিরে।
কেগে থোন্দ্রা যোম্লাংমৈ কংলা উত্রা সংলাংমৈ,
কেগে চৈরাপ চোন-মথে মোইরাং মায়াম তিনখরে।
থোংলেন মাদ-মঙাইরে ব্রাংলিবদি চৈরাপ্তা।
ঙরাং শুমদাং চাওবনা কুম্মকপদা চৈবাপ্তে,
লোইনা ব্রারম তম্মম্লে থোংলেন হরাওরবনি।
ইন্নুং ঙানফা-ত্রিঙৈদে নিংথৌ সনা যাথং ওই,
দোলাই পাবশিংঙনা যে বৈ পাংসি থোংলেম্দা
শাক্নী লানফী খাংল্ল, যে বাং লোইবে অথৌবা
সোমদা লাইর খাংপোকশং খম্ব খম্বা অনিস্নু
থৌরাং পুম্নোই লোইববা নিংশিংলম্লে হুদদা।—
"ইচ নিংথৌ ইবুংগে। ঙরাং মথে লাংবনা
অহল নৈত' হোনবা কাংথোকউরে ইচেম্না।
ধর্ম্ম কর্ম্ম নৈখিবিক ফান-পুন্ন-যাই-পুম্বা,
লৈরিবনি ইপাদা। শনগী মচি থৈনবা,
থাংবু তাবু চংদব ব্রাংতববা পম্থৌনি।
শুমন 'বুংঙো থিনফদে—চংলো নোংযাই।" হায়রক্লে।
মচেম মনা তাবদা শিন্দে নোংযাই চংখরে।
থোংলেন মানা খংলমই—'শুমন ইচা লাকখিনি।"
হুগী খম্বা মঙাকপু থোংলেন ঙাই'না লৈরম্মি।
খম্ব মানা খূংবদা চিব্রান কাংমৈ খুবম্মি,
কার-স্নাবু সংহনা ইপং-পংসিন্নহুন্না॥
খংন-খংন খম্বদা হংই থোংলেন—"কনানো?"

"ইপাই-বুংঙো ঐহাক্তি,—খুমন 'বুঙো শাজোয়া ?—
মানি ইপা ইবুংঙো, ইচায় মপাক্ক উবদি
অমুত ওইরগা 'পোকপা। কৈনো তখিং অকিংনা
ইপায় নাক্ত-লাকপদি, করিগুম্বা হাথনিংবা ?
হায় ঙসি ইপাগ্গ লংবৈ চথকে তৌরম্মি।"
খুমন মচা নিপানা —"হৌগং নিংবা লৈহুনা ;
করি লমদা ঙসিবু লেংবিগদৌরিবনো ?
হংজক্করে মপাদা। "খুমন লৈপাক-লেংগনি,
মতাও খুমন নিংথৌম্বু উম্নগনি হায়রি-হায়,
মপু মোইরাং নিংথৌদো ; চংতকদি য়াদবৈ,
চংপা তারি ইপান্ত তনবু তমগে ইপাদি ॥—
নংবু য়ুম শিন্নরমগে নিংঙমইদো ইপানা।
নংনা লাকপা অসিদি মুংঙাইরেদা ইপাদে !"
হায়খিরক্রে থোংলেম্না খুমন মচা নিপাদা।
খুমন মানা—"পম্থৌবু ঐস্যু চৎচগদৌরি,
ঐগী হাক্তক তগীনি।" হায়জকরে খম্বনা ॥
"করিগীনো ইবুংঙো তাবু তাগ্রি ইপাদে।"
নোংয়াই মমা—"পম্থৌবু ! অঙোম নোংবান ইতাওনা,
মাইবী চংই, মাগ্নদা থংজিং লাইনা হায়রে-হায়,—
'ইকোপ-তগী শন-চাগে। তুদা ননাই ঐদম্পা,
শন-সি ঐনা ফাজগে ইপা ইমা লোইরম্বা
কাওরেন অতু-ওইরবদি হায়জক্করে দুগীনি"
থোংলেনবনা—"শাজে তোম। মুংঙাইরেদা ইবুংঙো।,
ঙগা ইপায় ইবুংঙো ! হন্নক শন ফাবসিবু
লৈপাক্লা দঙ্গি ওইনা ইচাবু কাও হায়বরা ;
করম্বা শন মকানো ?" হংবিরক্রে ; খম্বনা—
"ঐনা নিজবকপনি। কাওরেন্দুনা ঐথোইবু

কোন্নশি হায়, অহুদা ডমত্রে শিরে শিগ্নগে,
ঙম্মে কাওরেন পুন্নক্কে নিংঙে পম্হে ঐহাক্না
দণ্ডি নওে প্রেমননি।" পোংলেন পেল্লি মবুক্না—
"কাদনকো হুংঙাইরে। নংদি কয়া কঙরে ?"
হংবিন্নকই থে ংলেম্না। খুমন মানা—"কঙদে"
খুমমী থোংলেন মপাদা—"হুদি করম ফাগনি ?"
"—ইপাংগন্না ন চদে ঐনা শন ইন্নগা
ইপা' হিরি কো বনি। পম্হে লৈরি হায়বগী;
য়ায়বনি খম্বনা কাওরেল ফাগে হাযহুনা।"
হায়জে খম্বা। পোংলেম্না তাবদা পেঙখরে।—
"ইপা লৈরি চাম-ফাও" - হাযবিরক্লে মপাম্নু
মপায় য়াথং ফংবদা লমজা খম্বা হরাওই।
খুমন-মচা য়েংহুনা—"খুমন ইবুংঙো শাজো!
লেম্ফারা করম তেবা শম্ফামনদি তোম্পোক ?"
থোংলেন মপানা হংবি, ইকাইহুনা খুমজদ্রে।
"খুম্মু হপায় ইবুংঙো পিরোই হাযত্রা নিংথোমা।"
হংই থোংলেন নমহুনা খুমন মানা ইকাইজে
"ইপাইবুংঙো মাহুদি শনা লুপা থোক্তরে।
কৈনা ওইনা পিনি হায।" খুম্মে ইকাই ইকাইনা।
পেংন হংই থোংলেম্দো—"পারি ইবুংঙো করি ?
কয়ুমগীনো কৈনাদে উক্লংপুন্নেন ময়ুম্না,
পংচ হনবম, ইবুংশি, মন্নি ময়ুম,লা শাজো ?"
খুমন থোইনা ইকাইরে—"পাল্লিবসিগী ঙ-নি।"
হায়জরকই খম্বনা। থোংলেন মপা 'থোবনা
"শাজো' কনানা পোকপা, তম্ফা লিক্লু য়াইফবী,
য়োইবু লৈত্রেন লমওংলৈ, থোইবী তম্ফা খাংওম্মোন,
'মতা পোকপী থাদোইবো ?"—"পম্মো ইবুংঙো মাবি।"

"শক্মা মমগী পিব্রবা—শাজোকো ?"—"ইপাই থুংডো।"
"হাঃ হাঃ (থোংলেন নোকথোকই) কৌনা থাবম, ইবুংসি,
মুগুম্ববু নংতবা! সনাও অমা কাবগী
লৈম-সিজ থাগুদ্বা ফংলবদি ইবুংঙো!
লোইরে কারো শাজোবা! নুমিৎ থাবু পম্বনি।
শন ফানি ইপা লৈ; রাশক্রুনা চংখিবা
কাওরেন মানি অমুদোন! মানা চংখি' নুমিৎতা;
তাক্লমইদো ইপাদা।" মিৎতা পিবু তারক্কে
থোংলেনবদি মপাদো। খুমন মাবু য়েংহনা—
"ইপাইবুংঙো তোলেস্তোন! ঙসি ইপাগ মংজানাল
নমা ইচন-ইতাওগা অনিমক্না লাক্লুনা
"ইবুং থোংলেন ইচাগী কৈরাক থাগে' হায়রুনা
ইচন ইতাও অনিগা তাইবংগুয়া তানৈদো।
সন-হু নংবু উরগা তেজগনি মরাইনা।"
"ইপাইবুংঙো 'হুমকপু, ফান-পুন্ন য়াইহুদি
পিবিয়ুকো পঙ্খোবু! কাওরম্বস্থ য়ারেদো
কাওরেন মানা ঐথোইবু মন্ত্র মথৈ' পিবিয়ু।"
হায়রে মপা থোংলেন্দা' পঙ্খো মানা—"ইবুংঙো!
মন্ত্র অতৈ নংতেদা, তাও! কাওগনুকো রাম্বিসে,
'ডারা পুংদোংবা—পানা 'ম্লাংনুবী' কৌবী 'মাদা,
'ইমুং থক্লকুপা' কৌবনি ময়াম্বা অম্রনে;
মচেম 'থোংনাং থরুকপী' কৌই পাম্বি ইবুংঙো!
অহুম অসি পোকপনি। থ, প্রথরে ময়ামসে।
মচেম অহু হৌজিকস্থ থোঙ পুংবু ওন্দুনা
চোথে পুংগী নম্লোন্দা লৈরিবনি ইবুংঙো!
কাওগী মথক উবদা মাসি পল্ল, হাঃনা।
মাদা লাকচরক্লবা মতমহুদা—'নংগীনা

'সিংথি ঙাংবা পাইব্রবা' কৌই হায়য়ু অমিংদি ৷৷
সিংলা হায়র' ভুংহুদা— পুরেম্বদি নতাওনা
পোক্লম্বনি ঐহাকপু, নচন ঙাংখ-রৈমনা
পোকপা নচা অম্বনি। ইমায অউন, শম্ভি হন্নক।
পলেম পম্মো অনিনা কাওরেন ইপাই খুৎচুদা,
শিন্নরমই হায় ঐবু। নমোম থম্নু, কাওরবা?
খুমন নচা খামবু ইপাই-বুংঙো খত্রবা।'
'মসি হায়না তোলেন্তোন মাংলম চৎকি থাম্নি-সি
লীযু কাওয়েন মঙোন্দা। কপ্লক্লনি শল অদো।
মীঙোন খংবনি শন দো, শক্তিনা পোকপা মানি।
শোন, হরি-কোলোইবু তুকখগনি শন-অদো॥
নংবো পোকপা ইতাওনা পাযরম্বনি শাজৌজোন,
লোংঙা চৈবুন অমনে। ইচন ঙাংখ-রৈমনা
কাব্রং লংখল কযানা নূজা ফৈবাক থক্ত-থোং,
তাজখিবা থৌরীনি। পুজাতদা অমানা,
পুখোকচৈদো থৌরিদো কাওরেন মাবু হোইনচে,
শনগী ঙকতা থাংলম্বা কাব্রং থৌরী অহুনে,
য়াইগী পোংশক অমিদো সিংরশ্মি খম্বতোন,
ইচন ইতাও অনিনা, নৈদো ইপায অসিদা।"
অসিথমু তাকপিরে। উংলে থৌরী চৈবুন্নে ৷৷
খুমন মাহ উবদা মিংতা পিবু তাখরে।
মঙক্তা কী য়েংতুনা নোংয়াই মানা থুরন্মে ৷৷
থোংলেনবদি মপানা শিন্নবিরে অহুম্ন।
মরম পুম্বা তাকপিরে—নোংয়াই মান্না লৌজরে ৷৷
মাহ কংজম্বদা হয়াওজরে খম্বদো
থোংলেন মপা যেংহনা—"ঐবু সন্না য়াৎংদি,
কোন্ন-লাকউ হায়বিরি পম্মো নরম তোপনি?"—

"পারি 'বুংঙো চুম্মিহো। 'সম্বং মানা নোংপাবু,
শাজো-তম্বা যাত্রোনি। চুম্মি, মুমিং ছুংবদা
নংনা যাত্রা তৌরকউ। থুংঙো পুংদি অমদা,
শন-কাও অছুম তাবদা।" মসি হায়রা থোংলেম্না
তাকপিরক্লে খম্বদা। "খোংগী লম্বী য়োম্বদদি
ওসি য়েংবা ঙম্মরোই, হিগী লম্না করনি।"
তাকপিরক্লে 'সিমস্তু। খম্বা মানা "ঐগীদি
ৱাকৈয় 'ম মক লৈজদে।" হায়জরকই মপাদা।
"পারি 'বুংঙো ইপাগী চাকহি অছুম লৈম্বিনা,
মোইরাং চাংলৌ হিদেন্দা নংনা পাম্বা খঙখো।"
—"ইপাইবুংঙো মোইরাংগী খুদেং কাওনা লৈতরে,
লোইসা খোমজ্রে কংঙরোই।"—"করি ৱামো ইবুংঙো।
ইপায় হিবু মোইরাংনা ঐবু তাকত' পুর'দি
লোইরোইদবো ইপানা। অমি পুখরবস্তু
অমা শোইরোই লৈগনি। নংগী ওইবা নররাই
পুংগে হায়রা লৈবনি খুমন নংগী নহাস্তু।"
"ইপাইবুংঙো লৈজদে, ঐগীদদি ৱাকয়েদি,
ঐনা খংত্রবনরা পোকপদগী উদরি।
খুমন ইচেম'মহাক্লা খংঙম লাক্লমগদরা!"
হায়জরকই খম্বনা। "চুম্মি নোংয়াই উররোই।
নপান মুংজেং ম্যাংলোতাক, অনি গুগী চৈরকতা,
থাংলৈরনি নপানা, কুমজা য়াম্লবনিনা
লুপগ্রবনি ইবুংঙো! নপানা হি থনমই।
কুমজা নৌরেম খুংম্বনা ফিলু য়েংউ, কৌথোকউ;—
পাহৌগীদি ৱাকয়েও লোংলসমু থোরকও.
নপানি 'খম্বা লাকএ।' কৌজো পারি লাজৌবা!
কংবাকো হিপ্পদো।" তাকপিরকই'থোংলেম্না।

মপায় ঋাচু তাবদা- 'পম্বো'। নোম্বু লৈজদে,"
হায়জকরে 'ঋুমম্বু। থোংলেন মানা—"ইবুংঙো!
ইচাই করি ঋাংপগে, পম্বো মাগী মথুংম্বু,
নোংরেল চুবু লৈবনি। নপায ফম্মুথক অম্বদা
লোনশিন্দুনা থনমূই।"— 'কৈদে ইপা ইবুংঙো।
লৈরম্মরোই নোংচুদি যুম্দি মনা শিনখরে।"
"কদাইদগী ইবুংঙো! নংগী নোবেন সিদিনে,
মৈদা থারে চাক্তবা অচুগুম্বা নোনিদো।
বীনা উরোই নংদনা উনি নপোং ওইবগী।
থিক্ল শোইরোই ফংগনি। নে 'চু ফংলবদিনে,
খংউ—হি ফংলে হাযনা। চংলম্নগে ইপাদি,
ঙাইরম্লনি নিংথৌনা।" হাযরমচুনা থোংলেনদো,
য়োথ্রে সনা কোনুংদা খুমন মাম্বু হল্লক্লে॥

৯

মোইরাং কোম্থোং খুদিংদা পূজা পোলম থারক্লে।
ঘোট পুজা হোথরে ধুপ-থাংমৈম্বু থারক্লে॥
লফু চু-বু যুংখরে—কেগে মুপী মথেনা
অঙাং অহল হোচুনা মপুই মম্থোল তৌখরে॥
যুবরাজ লেংলক্লে নি থৌ যাত্রা তৌরক্লে।
পুং-সেন যন্ত্র যৈরক্লে বাঁশী বীণা খোংখরে॥
সেকৃপীন মথোন খনখবৈ- মোইরাং ময়াম তিনখরে।
কেগে থাংজিং খুরমমে ম য-অরাং পাংখংখরে।
লোক্তাক ইঙো হোরক্লে। খোংজিন হিথাং কমন্ডলা
মোইরাং পুমতিন তিনখরে। লৈপাক কুম্মৈ ওইরকই,
লৈপাক কীঙো ফোরকই কেগে খোংজিন অম্বদা।
করাং-থেনগী খোন-য়াদা, তয়ান ঙাংনা মুনবগুম

মপু মোইরাং নিংথৌনা চিনবান তিঙাং তঙাংনা
লেংথরক্লে হি হুদা ইনুং থাংমৈ ওইতুনা ॥
ইরাই লৈমনচিংবা ইরিক লৈমা ইশিং লাই,
ইথৈ নিংথৌ পুন্নমক থারে খয়োম চবানবু।
চাইরেন রাংমু স্নুগুনু থাংগ করাং ময়াম্না
রাকয়ৈ মাবু হোল্লক্লে নৌরেন খুংতা পায়দুনা।
মীশিং লাকপা ঙম্লক্তে। লোক্লাকপাৎ-কোংগোন-তাওবী,
তাকমু-তাকহূল অনিনা লেম্লে মাবু চান-পুং,
সরেং পুহান অথৌবা লাইজ মাবু ইওজম;
খম্ব-থোংদি অকংথোং কেগে হাওসম-তরুথোং,
লমদম স্নুম্না য়োথরে। কেগে থোরি-তাকতুস্নু,
য়োথ্রে, মোইরাং নোংগাংথোং—কেগে ইসেন্ত্রাই সেন্ত্রাই-
ইরাইকোন রাইকোন-লম্নুংশি, য়োথ্রে মোইরাং তন্না।
কেগে হুইবী তাক, মোইরাং নাওরেং কোন নিংন-পাংপু
নাওসেক কোন তন্না য়োরে, লেস্তাক ইয়াই থাইথরে॥
তাকমু ইথিংকোন, থুযোন ঙে বী সোই তন্না য়োরে ॥
ঙানা মংনা থোংন চং লমদম মাগী কোলোইবু
থমংথোংদি—থমঙ পাং য়োরে লমদম অহুম্নু ॥
ঙাখা পাংতি কোংদিংসোয়, ঙাক্লা পাংস্নু পুয়োক-কোন,
য়োথ্রে মোইরাং ময়ামদো। চিংলক 'চৌবা য়েংওইনৈ।
মমাই অরাং পাংথরে - শিব-দুর্গা অনিনা;
ঙা-বু লম-বু তম্লম্মি, লম্লেন ঙারম কৌনখি।
ঙারম্ হুমাং অচনবা, থোংজোম্বুগী রৈন পুং-
লমদম মাবু য়োথরে॥ তথেন স্নুরান মহাদি
লাইরবগী থাংহুবু, থাংগ চিংগী চিংথোংদা
তারে। হুদৈ অমুক্তা থাংহ থাংগ-চিংথক্তা
তাগ্রে মরমসিদগী—থাংনা কাখি হায়বগী,

পোইরৈ তানা থিবগা থাংকা চিংবু কৌখরে,
চিং অসিগী ,কোলোইবু ॥ চিংগী মিংথোন অমদা—
খুমন থরাম নহাবু লাইরবদি মহাক্কী,
মচিঙ নিদো চিং অসে। কোলোই থাংগ চিংলেমদি
নিংথৌবনা' লৈহৌই, থরাম নহা গুণগী।
চিং অসিগী মমন্দি শা'কংবা পরেং অমা,
ক্ষো সংবাই অম খক্লে, ইরোই শম্বী অমগা,
মারেং 'হনবা থাংলম্মি লোঙ-লোংশা মাপন কাংক্লা
অমগা অসি পিথি। সিগী মমিং লৌম্মা,
'খুমন থরাম নহাদি লাইরবগী মচিঙরোম,
শাগং পরেং চিঙ লোইহ্ম কৌক্লক চিঙ মপন
পুংগা মারেং থাং খক্লো চিঙ, লোংশা মাপন-দি
থোংনংগী চিঙ কৌনেদো লমলেন্দি থাংগ চিঙহবু ॥
থাংলেন লু চং শোইবু মে ইরাং য়েংওইনখরে।
লাংমবী'সোই লানখরে —করা' চিঙ যেংওখবগ্রে ॥
হৈঙাং কোক্তিন পায়খরে। চরোইংবুং য়াংবি য়োগ্রেন
হৈগুম যাংবী য়োম্বুনা কেগে হি থু থাংউরে।
খো না লৈপাক কারক্লে মমাই নোংপোক পাংখরে ॥
খুন্নাক-পাং ল ল্লকুমা খুমন সতি খোংনাংগী,
য়োংপী লুতুম-লৈনম খোং—নাবা কোংঙৌ পুমদা খোং
হাওতিংনা-তিংনা-কৌবী পঞ্জন খোং, নোংয়াই মচন
অউন-খোং, মোইরাং ময়াম, খুমন সঞ্জেন-খোং য়োক্লে।
তুরেন রাংমা অমরোম খুমন নিংথৌ মহাক্লা
খুমন প্রজা মখৈগা, অঙম অখো মখৈগা,
শামু তাইবোং হাপ্পুনা মোইরাং নিংথৌ মতাওবু,
অরাম চাক ঙাথবগুম্না লৈজরম্মি ঙাইহ্মা
মনাও মশক উবদা—"লেংবিরক্নি ইতাওবু।

চিংনবিনু ইতাওনা সনা পুন্নিং অহুদা !"
খুমন নিংথৌ কৌরকই। খুমন মোইরাং লৈপাক্না
নিংথৌ অনি তৌনবা মুংশিনবা উবদা
শেন্নে মুংঙাই পুক্লিংদা॥ "খুমন প্রজা অঙম্বা
মপু মোইরাং নিংথৌগী, মোইরাং প্রজা অঙম্বা
খুমন নিংথৌ মপুগী স্নুমা থৌগল তৌনসি।
কাইনকদে ভক্তিস্নু" সুম্না মহৈ মহৈবু
য়ারকখি ময়ামদো মতোম মতোম অহুমা॥
খুমন মোইরাং অনিসি য়াংম- য়াংম অস্নুম্না
য়াংলেম পুংথাই অমরোম লৈনরকই থেন্দুনা।
মোইরাং নিংথৌ মপুবু, নোংয়াই মচা খম্ববু
য়েংলিং উনিংবদগী কোয়ৌ মতাং অসিদা,
খুমন তুরেন মপান্দা তিল্লকপা মীয়াম হুদি,
মুপী নিপা হন্নবা পাখং লৈশাবীদগী
খুমন পুম্পুন পুমখরে যুমদা মী লৈহে দরে॥
খুমন লৈপাক হায়বদো লৈতে হুরাম চিঙ্কিংস্নু
হুই হৌদোংগীদমক্তা ময়ুম খোংবু লোন্নরে।
লোইবী লোকচেন অখুবা লৌইরেল অচপ্প লমদা,
থৌথোম মপান শাংপগুম খুমম মীয়াম অহুনা,
অমুক তোইনা স্তোখরে। সেংলক চারকপগুম্না,
কীজোন মখম মখন্না কোয়ৌ নোংনা মংবদা,
হুমদাং য়াইগী মতমদা থাগী মুশেক্তা,
থোক্লকপগুম মচুগী মখল মখা কয়ামা,
নিংখিজবা থেংলক্লে খুমন মীয়াম অহুনা॥
তন্না লৈবা তন্না থোক মতা লৈবা মতা থোক,
মীয়াম অহু উবদা মোইরাং মাগী মীশিংনা
য়ামদবহু উরগা মোইরাং নিংথৌ চিংনরে,

মপু মাগী মবুক্তা॥ খুমন নিংথৌ মতাওনা—
"লেংবিরব্রি ইতাওবু" কৌরকপদা, কেগেগী
মপুইবুংগো নিংথৌদো—"লাকচরনি ইতাওবু!
লৈপাক প্রজা অসিগী চাবা থুকপা ঙাইহাক্কং,
লমদম শাংনা লাকপগী অরা পুংথোকচনবা,
ঙাইজবনি।" অস্পন্না প্রজা পেরবগীওই,
থুম্মি খুমন মতাওদা॥ উরে খুমন নিংথৌনা
মোইরাং মবুকনিংহুনা চিংনবিবা মতৌদো।
খুমন লমজ্ঞা খম্বসু থং দবা [illegible],
কৈনো হাযবা অমগা চিংনবকই [illegible]ক্লিংদা॥
খুমন নিংথৌ লা[illegible]রকই— ইতা[illegible] [illegible]ংঙো লেংঙকই,
ঐনা লাংজরম্মিবা খুমন ঐগী থোঙসে
ইতাও' প্রজা মযাম্না চৎপিবদা যাগদ্রা।
মিৎয়েং তামি[illegible] [illegible]ন" হাযবে। সয়াং থক্তগী
চোংথরকই, [illegible]ন্দাকউ খুমন প্রজা অপুম্বা,
নিংথৌ ইথন ওক[illegible] [illegible] হাযনা প্রজা তাম্থোকই।
খুমন লৈপাক লাঙ কপা গুক্ষং লাওবা থবমিদো,
মোইরাং নিংথৌ তাবদা থোইনা হেন্না চিংনরে—
"থোংলেন। কৈনো লাংহনা" হংমিরক্লে থোংলেন্দা।
খুমন নিংথৌ মত ওনা মোইরাং পুক্রিং উহুনা—
"ইতাও 'বংঙো লেঙঙকউ, ইতাও' খুদোংথিবদা
ঐনা নমাং গনি ধর্ম্ম সাখী [illegible]ইসনু।"
ব্রাশকলকউ নি[illegible]ৌনা। [illegible]ংলেন মানা যেংলকই।
থান তৌহনা থুদকতু কাযবা লৈত্তে হাযবা—উই।
"করি কায়রোই লেংবিয়ু।" হংগংচরে থোংলেম্না।
মোইরাং নিংথৌ লেংঙক্লে। নিংথৌ থোংলেন অনিবা
খুমন লক্তা যে থবে নিংথৌ অনি কাথরে,

মোইরাং খোংলেন অথৌবা শামু খায় থমখরে।
মোইরাং প্রজা লাক্কুনা শমু নাক্তা থ্ংঙরে।
খুমন-মোইরাং প্রজানা শমু ন ক্তা চপ্তুনা,
শামু য়াইদা থংহনা প্রজা খাইবোক চেলকই।
পুংনে শেননে বাঁশীনে, ঋংশী কর্তাল য়াওরকই।
কাংহৈ ঃামোর থৌগম্নে খুমন, মোইরাং নিংথৌবা
লৈপাক অনি প্রজাগা শমু খক্তা লেংঙকপা
নিংথিবগী থেংলক্লে নুংশিং নাকোই শিংলক্লে।
নাওহ্ন খোংদি আপন সোই লৈপাক অনি তিনখরে,
সগাই সগাই কানরে লৈপাক অনি মায়োক্লে।
খুমন মমাই নোংপোকতা মোইরাং' নোংচুপ ওল্লকই।
স্নুক্না মুবা অহিংগুম য়েংউবদা লুমখরে।
থাংগী তাগী মতোংদা ইন্নুং তন্দম ওইখরে।
কবাক থাংদি থাংশাংনা লংবা, নোংথাং ওইরক্লে।
খুমন মাগী অথোইবী মহারাণী, মচাগা
হুয়াইহুদি কোবিদো; চেংলো থাজ ঙমজবী,
নুজা মথৈ চংহনা মোইরাং নিংথৌ মতাওদা,
খুমন-মানা পোং লানথ্রে। খুমন চন্থ হুয়াইন্নু
মমোম শকপী অহুগী পোংলান পোংত্থু লোবিরে।
মোইরাং নিংথৌ মপুনা ফৈরা থক্তা পমখরে,
থাজ ম ইথোং চুপখরে হরাওজনা নুংশিনা॥
মোইরাং নিংথৌ মপুদা "ইকাইদেদা করিনো,
মচা শকথিবী সিবু চুপচ শাইদা!" হায়রহনা
লংনখিদো, নিংথৌদি খুমন মতাও অহনা॥
লৈপাক থনি পেয়রজে নিংথৌ অনি উহনা,
কেপে খুমন অনিনা নুংঙাইনরে সগাইদা॥

১০

নাংগাই-চখা-লৈগুম্বা, চখা-মোইদোন লৈগুম্বা
মোইদোন চোমফাং-লৈগুম্বা, হুইক্র কবাক লৈগুম্বা।
কবাক্ নাওংখোক্তুম্বা খুমন মাগী মপাওনে,
লোৌশী থম্বাল লৈগুম্বী লাগুম-পাবী-ইবেম্মা
লৈগুম নোবী থাদোইগী নুরা মপাও অহনে,
নোংগাই-চনু পোক্লেম্বী —খুমন সংদিঙ-নানৌবী,
নিংথম-চংবি-লা-রাক খায, উন কন্দবী হৈগুম্বী,
লাইরবীগী মপাওনে ,রাকযে হিরম কাবফদা,
খোংদিং পাংসোই নাইফদা ইজরকই, মাসিদা॥
মতমনদি অমতা ইরকপস্ত অমতা,
অকোল অহান নাইবদি হৌনবগী ইজরি।—
মোইরাং লৈপাক, নিংথৌনে কেগে লোক্তাক লানগ্রম্বা
মতুংহুদা খুমনা নিংথম শম্ভুজিন শেংখরে।
অচা চাদ যেংজরে, চারে ফরে হায়দনা
থম্মে কীরোন অহুমা লোথোক্তুনা নিংথিনা,
মনজুনবা ফিরোনদো হোংলে লম্বী চৎপগী॥
খুমন! মচেম যেংড়ুনা—"মতম ওইরে চংলসি
পম্বৌ নোরেন মথুৎ-স্থ থিক্লবগে ইচেম্নন।—
খুমন শাজৌ থিরুরো।"—হাযনহুনা মচেমগা;
নোচু থিগে হাযদুনা কাখৎখরে থম্বদো,
পম্বৌ সগাই কম-থক্তা লাইর খাংপোক শংড়ুম্বী॥
নোৌরেন মথোক অহুদা সনাতনা য়োম্লম্বা,
নে'শী খুৎপাই কমণ্ডবু, খাংগুবুগা খাংলেনগা
লোন্নবা মরক্তুদা য়ুমশী ইকোক মরক্তা,
ইলং লংনা উক্কই। 'খুমন নংবু ইপা লৈ,
করি চিংমরুবগে!" খাকই হায়দে হায়বদা।

থোইবী-খম্বগী উবদা খুমন মপি তারকই।
"ইপাই'বুংঙো য়াহৌরো!" হায়জরুরে খম্বনা।
"ইপা মাংবু থাবিগে ব্রাকয়ৈ মাবু থিদ্রসি।"
হায়রবোইনা তাথরে। অপনবদি লৈতানা,
নোরেল অহু চিংংরে। নোংয়াই মচেম লাইরবী!
ওক্লে মৈপা্রাই খুংতগী নোংহু খম্বূ মহাক্না।
"পম্বৌ ংসি কোরৌদা খোয়েন মিকপ খোক্লেদো।"
খজঙনা খম্বূনা চৈরৈ তম্না থাহুনা
থম্লে নোরেন অহুবু, পুজা তৌরে খম্বূনা।
খুমন মচিন মোপা্। খুরমখরে অনিমক
পুজা লোইরহুনা খম্বা নোংহু পায়রহুনা,
শায়েলো পাংকা, মপানবী নুংজেং তাইনবা,
লৌ পরি অনিপাক্না অনি শাংনা লৈরিবা,
ফুম'হু কারে য়েংলকই - খুমন নোরেল অহুনা
থিরহুনা হিহুবু, খংখিদরে ব্রাকয়ৈদো॥
খুমন মানা হান্নবা কৌহৌদরে অংনা
কংদ্রবনি হি-অহু হিদি মোইরাং লাইফুমদা
লৈপ্রি চাকতারহুনা॥ ফংদ্রবদা খংদি -
"ইপা থোংলেন মহাক্কী ব্র কয়ৈ অহু পুরগে।"
হায়না অহুম চংলক্লে, য়াংলৌ মিংসেন পন হুদা॥
পলেম পম্বৌ অনিনা খুমন মচাই মতোদো
উরে লাইরৈবাক্তগী— "কয়ো মাংঙে থোকখরে;
কংঙোইদৌরে হিংসিদি কাওরবোইরে ইচাদে।
নপা থোংলেন ইতাওনা তাকপা হিংগী মরোম্দে!
থাংজিং চিংলু কোকতুগী য়ানবা ব্রাকয়ৈ ইথুনেৎ!
তোংজোং ঔমম হিওদা!" হায়রহুনা কৌরক্লে,
পুরেন' ভাংখরৈমনা কোরৌ নোংংোং হাংহুনা।

হি-হু তরে কৌবদো। "হী! ঐবু থিরিবোইরে।"
হায়না মাগী য়াহিপ-ফম অহু তাগা হি-হুনা,
লাইজ ইরোন নুংংদা, জং জং লাওনা চংলক্লে।
খুমন মাস্থ—"হি-হুবু কেগে কনাগুম্বনা
হিনা মথি ফোংবদা থেংনহুনা লৌথ্রব্রা,
খায়দোক্কুনা লোইথ্রব্রা।" "লৈরি, খল্লি চংস্থনা।।
হল্লিলক্লে হিহুদি। নিংঙমদানা লমজাস্থ
অমুক্তদি য়েংখিগে খল্লহনা হল্লিল্লে।
হিনা হল্লিল্লকপদা হিরম কোঙ্গোন কাবহু,
খম্বা লৈনা য়েংবদা উরে কোঙ্গোন পরেং দো,
"ঙাপি ঙারেল লাকপরা কোঙ্গোন শাংনা কায়।
য়েংহুম য়েংগে।" হায়হুনা, কোঙ্গোন'হুগী মাংওইনা,
লাইজ ইরোন-নুংহুদা য়েংলে মথুং খিস্থরে।
হিনাও কাওদোন অহেবা খুমন খুংনা থেংনরে।
"লাইরা? মনা লাংরেদা।" খল্লি শাজৌ মহাক্লা
"লাইদি হাংলগা ফৈ হায়, লাংচু তিঞ্জু তৌদে হায়;
নখয়াংতা পায়হুনা চিংখংলগে।" খন্দুনা,
খম্বা মথুং অংনা লাইগী খয়াং খিরকই।
অম্মুম কোয়না মাবদা হিগী মওং থেংনরে।
নোংম্নাই মবুক হরাওরে—"ইপাইবুংঙো খাংগনু
ইপাই থোংগুল লীরকই নচা খুমন ঐহাক্লি।"
হায়না মপাও মেন্দুনা ব্লাকয়ৈ মাবু চিংখংলে।
হিহু য়েংলকপদা ফজবগা কিবগা
তিল্লী গুণহু অনিনা। "কিব-চুমদে ইপানি।"
খুমন মংক ফাহুনা শেংদোকংরে হি অহু।
তৌগী য়েংম্রী তাহুনা হিহু যংঙে চেকয়াদা।
ক্লুমদি হাওদি পকইবা ব্লাকয়ৈ মাবু থিবদা,

থুমন মশা শেংদোক্লে ; খম্বা অহ্নম্ ঙাইরক্লে ।
মজাইবেম্মা থোইবীগা নোংরাই মচেম খম্বগা ॥
ছপচিৎ নাতে ক্ববদা থুমন মদোম্ পোখারি ।
লমতা থাগী নিংথিবা বসন্তগা ওইবনে ।
ঋতু নিংথৌ মঙাম্না তাইবং পুক্নিং হুরকই ।
হান্নৌ নেম্নেম কাবনা মালং ইপোম হৌরকই ।
চেক্লা চাগী মথেন্না শাবাং লেংফাংনহনা,
কোরৌ থক্তা পাইরকপা মালেম থক্তা তারিবা,
খুন্দোল লম্বাং অহদা নেয়ন-হাইনা কোয়রিবা,
'নৌবা নাপী লকতুদা হরাওরিবা শংগাংবা,
'নৌবা ঋবু অসিগী শিগেল লৈরিক মানবা,
খম্বা মাগী মমিংতা মতমতুগা চুক্নরে ।
শুংঙাইরকপা মতমদি ইংখোলকপা মতাংদা,
মথোন কারকপ-মক্তা মথোন মথোন ওইকরে ।
যাকরৈ অহু কংবগা পুক্নিং 'হুগা শুংঙাইরে ।
লমদম মতা অহনা কোরৈ কৈচিক হুনবনে ।
মচেম, মথং অনিবু চাইরকপা খনবনে ।
নোংয়াই মবুক অন্নবু থাদোই কাদা চুক্নরে ।
লাইর-খাংপোকসং লোমদা—থাদোই মাম্ভু থুংখরে ।
থাদোইসনা য়াথংদো ;—"লোইরব রা ইনমা ?"
হংজক্লরে খম্বদা । "কন্নি ৱানো ইবেম্মা !
অহুক থেংনা লেংঙকপা ! পুংকম শোইমি হায়হনা,
অক্লবদি ওইবগী চ খ্রে কৈহু মিংথৌদি ।
সনা য়াওত্রে হায়রনা লৈহৌরেদো ঐহাকহু ।
তোকএদনা চৎতরে ।" হায়রেদো খম্বনা ।
থোইবী মাগী মত্তোদো য়েংনিংহনা লাইরবী ॥
থাদোই মানা—"ইনমা ! অওইবরা চৎপ্রজা ?"

লাইরবীনা "ইবেম্মা! চংখরেনে সনাহল!"
তেৌক্লরেদো, কাগিদো, মমা ৎইবী প্রেম'ওনে
চান্নজবা মুংশিবা পুকচেন মখন কযানা॥
খুমন মাগী প্রেম্মদি—মমাই চোনবা শাক্লদো
লাইজ নিক নিক লাংরবা খিত্তু শোকপ য়াদবা
লাইজ অচু পাংবা—থাদোই থমোই পান্নদি
ইমাই চোন্না লৈবনা পুক্লিং কাইবা য়াখিদা;
খম্ব মন্না তাবদা—"য়াম্না ফরে ইনমা।"
হায়রম্লগা থোইবীনা, ব্রাখল অতৈ তৌখিদে;
থাংলেন মাগী ময়াদা শম্মা 'মতং তাবদা,
শম্মাং মদোম তুপচবা, নুরা ছোরী মখুংম্বু,
শাগোন্নবী থাদোইগী নাকন্দা থাং অদো,
থম্বান মানবী মখুংনা মজাই'বেম্মা সংখয়ে।
"ইখংলে। লাইববা কান্নদবী মপোকনী,
: নাকা দে, চেক্লা ওইনা থন্নাইমা
খুনন মীরৈপুংহুদা শাংয়াই ইকোপ লমদমদা,
কাওরেম মানু কাবদা মাজ হৈনা ইবগ্রপে,
মুজা মপোক ওইবনা অংম চংপদি চপ্পোই।"
খনথ্রহুনা থোইবীনা হুরা সোবি অহুনা
খমোই লা ন খাযরগে খিম্বরক্লে সোয়ীদো
লৈয়াং খাঁজপ তমহুনা॥ পাখংখয়ে লাইরবী—
"মাচেং মজা ইবেম্মা" হাঁযকরগা খম্বনা
থাদেহৈ মাগী সোরীদো থোংশন্দুনা ম্বন্দগী
কায়ে লাইর খুংতুনা। মুক্লে তন্না সোরীদো॥
থাদোই মতৌ উবদা লাইরবীদি খম্বদো,
অতৈ খনফম থোকখিদে মুংশিবনা থোইবীবু
খম্ব মিংতা পিবু-তায়। মুংশিগ্রেবা থোইবীবু॥

খাম্বি ওথোক' মুংশিনা, সেনি মাইমি হায়নরে ॥—
"করিনোমে ইবেম্মা' নমা ফাগি তৌবগি
কিংমরবগে সনাহন !"—"হায়মা করি ৱাফোদা
নঙ নিংথৌ কা-দবু" হুম্না খুমজে থোইবীনা ॥
লাইরবীদি মখুৎনা মঙনিংথে খম্বগী
নিংখিজনা য়োমসিল্লে নিংখমু শমজিন অপুম্বা ।
মজাইবেম্মা হেংহুনা—"ফিংখিগনু ইবেম্মা !
চৎতে, ইহুনিংখোদো । শম্বো খুনেং হিহম্বু,
কুমজা নতম কুইখরে ইরোন-মুংদা লৈখরে ।
ৱাকৈয় মাবু থিরমগে থোকপিরকও হ'য়রনা
মাংবু থাগ্রে হায়বনি । সনা' ইচম ইনিংবু
ঙাইরম্নিনি য়াম্নহুম । থিল্লে লেংহুম লেঙংগনি ॥"
হায়বিখরে খম্বনা ।মৌপ্‌াই নিংখম-শমজিন্দো,
মুরা খুৎনা পায়খৎলে । মজাইরেম্মা শাদোইনা—
"হাই-মাই-পেম্মা ! ইনমা ! ভায়োল্লুরে ঐহাক্তি,
চৎসি, কদায় পোং অদো, চেগশ্ন লৈনা খুৎনদি
পায়নহৌনদে খুৎনা নচন পুসেমজগেদা ।"
হায়না মজা ইবেম্মা । মনমগী নখুৎতগী
মথংলেনগী ফীরোম্দা সনা খুৎনা লৈরক্লে ।
লাইরবীদি লমজানা হৌনদেনে হায়রনা
খামজে ৱাই য়াঙনমক য়াম্নখিদরে থোক্লনা
খাদোই মাংদা থাহুনা পোংয়োম অও কোক্ত-থোং,
লমজা চনু লাইরবী মানা তুংদা ইল্লক্লে ।
খম্ব মানা মপুওই, মপু ইবী শাদোইনা
লমজাই মপোং পুনা চংলকপহ উবদা
খোয়ুম মথৈ পেনখরে থাগৎলকই থোইবীবু ।
খম্ব মবুক অঙদা ঙাইহাক পুংগোই হরাওই .

খুংবা খাবু কংঙমই। থাদোই খাজ ওইহনা
খম্ব নোংইল ওইরকই। অমরোমদা কিবনা
চংপা য়াদে লমজাদো। নোংয়াই মম্ব নিংথৌগী
লমদম মায়কৈ পাংলকই, খম্ব থোইবী থোরক্লে।
মপুং কাবা খম্বদো, প্রকৃতিগী চেবাংদা
সুংশিবগী মচুনা মথল মথল হাপ্পুনা
পুক্লিং তুরি পায়দুনা থাদোই মুত্তি য়েক্লক্লে।
নিংথিজরে মুত্তিদো খম্বা মানা য়েংলকই।
মুত্তি অদু য়েংলগা, খম্বা য়াম্বা মেল্লকই
নোংয়াই শৈশক ওইনদি লমদম 'চিকপা অদুদা।—
"অয়াম তম্পাক য়ুমনদি য়াংথোন পুক্রি নুংঙুদা,
খম্বান তোমশাংনরিবী লৈরাং মপুং ফারবী,
কোরৌ অবাংবদগী লৈরাং ওইবী ইবেম্মা!
ঙরাং কৌবা সুরিংতা খুমন মারৈপুং-হুদা
শন কাবদি চংশদা লৈরাং তোম্বু ইনগনু,
য়াদ মথৈ খয়োইও চংনিং য়াংঙইনবনি।
নুবা চংলো হায়দুনা লেপ্পরগা ঙরাংদি
তাংলো হৌজিক কাওবনু লাকতবনু করিনো!
নুবা য়াবা অমুত খানিংঙেদা ঐহাক্তে।
হায় নুজা কৈদৌ?" খুম্বা খম্বা পাওহংই॥
নিংথম চুম্বা য়ান খাং, পামেন মনা কংঙবা
কুমগী মতম ওইবগী এনিং ডাংনা চোংবনা
পামেন নাপুং কারবা। চোংগাং মনা পুংলবা,
নেয়েম ভৌবা অমগী, খুমন, মখোং অদুদা,
কোক্তোন খিংতা উরকপা শক্তি শেংনা উদবা;
নোংয়াই শৈশক তম্বদো—মাংদা হিদি থাংজিল্লা;
পুক্লিং ইনে নোদুনা মচেম লাইরবীদুনে,

শানৌ মনেম মচানে অনি হুবু চাইরিবা ;
থেংনরুরে তারকই পাখং মাগী সোরদো ॥
থাদোই খম্ব অনিনা খম্বা মারকৈ পাংহুবা
চংশিল্লকই মতমদো। থাদোই মানা—"ইনয়া ;
নহ নিংথৌ নংভম্না, আদা ইশৈ শকইনে ?"
হংই খম্ব মঙোম্দা ইশৈ মরোন শেংনা তাই
থাদোই খম্ব অনিদো। খংনা তানা খম্বনা
"নংতমাল্লে ইবেম্মা।" খুমই ইকাইজহুনা॥
অনি হুনা চংলকপা লাইম নক্লিল্লবদা,
"কনা কুইরে করিনো" খল্লহুনা খম্বনা,
য়েংথোরকই তুংহল্লা। নোংয়াই মচেম-থাদোইগা
মাংগা তুংগা লাকপদো উরে খম্বা নকুরে।
ইকাইজরে লাইরবা তাররিনি খল্লুরে,
মচেম মমা শকগীবু। পাখং নিপা রাঙাং ওই,
হায়জরকই মচেমদা—"ওম্বোক্লম্বু তপগ্রেদা
করিনোনে ইচেমহন !" খম্বে মরা তাবদা
থাদোই মানা—"ইবুংঙো! ইনমনা নম্ভেদো,
ঐনা খোংহৌ থিনবনা ঐবু ঙাইনরকপগী
ঙাহাক পুংগোই চাইবিরে।" স্নুম্না সোঙ্গে কিহুনা॥
খম্বা মাগী মপোংতো থাদোই সনা কোক্কা থোং
মতৌ অহু উবদা নোক্লিংউরে খম্বদো॥
খম্ব মানা হিহুবু উরকপদা—"পম্বোদি,
লোইদাম অম্বুক কুইববু ইরোন-হুংদা য়াত্তাবা!
ইপাইবুংঙো!" হায়হুনা চেংথোইদিং থাজহুনা
পুজা তৌরে খম্বনা। খুমন মচিন মৈপাং,
মিংতা পিবু তামথে খুরমকই হি-হুবু॥
নিংথৌ মচা ইবেম্মা, নৈস্ত্রেল লাংওন চংথোম্বী,

মুন্না রেংই সনাহন। খুমন মাগী পুরকপা
মকোক্তগী পোংতুদি ইথা থাদে কোক্তগী।
খম্বা মাবু রেংহনা—"খুমন চন্থ ইনমা।
নোংমাই চন্থ অরেম্বী!" লাইরবীদি খম্বনা -
"ইবেমা।"—"কয়ো ঐদি ইনমা চংত্রেদনা?"
—"করিগীনো ইবেম্মা?"—"রাকথৈ অসি ইনমা!
ইকু থোকএ ঐনীদি। থোকখিবরা অসিবো?"
—"থোকএ কৈদৌর'গেনে?"—"ইনমৈদি ইপানি
দোষ লৈতে অমনি। মমৌ মকু হায়বসি
শোক্ক পন্ন য়াদেদো। ইকু এইবা রাকয়ৈবু
'খক্কা করম তোংজনা চংলসিগে ঐনবো।
তোকএদনা ঐহাক্তে, কয়ো ঐবো ইনমা॥"
হায়রে রারে থোইবীদো। অসাই মানা পুরকপা,
পোংয়োম চুস্থ থাদরি। ভাংথোরকপা রাতাদো
নোকনিংবনা হেনখরে। নোংমাই মমাই লৈথোকই;
খোইরুম মোমোন তৌজখি। নোক্তে খম্ব ফাক ফাক্কা।
খুমন চন্থ লাইবর্বা মানা পোকপা নুমিত্তে
কোয়ৌ অঙুই শুমিৎতা নোক্লিংবগুম নোক্লিংবা'
নোংমাই চন্থ তৌখিদ্রি। মখোন থোক্না নোকপন্থ
খম্ব মন্থ মঙাইহরি। নোকথোকউরে খম্বদো।
মমৈন্থদা ইকাইরে কন নোকথোকউবদো,
খুমন মৈপাই মাংহুদা। থাদোই মাবু লুংশিকা,
ভাংথোরকপা রাঙ্গা নোকউবনি খম্বদো॥
থাদোই মাবু রেংঙগা - "করি রানো ইবেম্মা!
পম্মৌ মাগী রাকয়ৈনি চুপী ইপ্পা হায়বনি।
হৌনবনি ইবেম্মা। তোংবা করি য়াদনি।"
ভাকপিরক্তে খম্বনা। থোইবী মানা খম্বদা—

"হায় মা 'হুন্না ইনমা। নুংঙাইজরেদা সৈত।
বারুরেদা ঐহাক্তে।" হায়রে থায়ে মপোৎতো
লুম্না লাম্লাই থঙ্গী নিংথম শমজিন ময়োমদো।
হুপচিং লমদম অহুগী লবুক লৈরি থক্লুদা
থম্বাল লৈয়াং ওইবীদো, নিংঙাইদনা কমথরে,
মুংশা মপী হোন্দোকই—"বারুরেদা ঐহাক্তে।"
হায়না শোল্লি থাদোইনা। নোক্লিংথরে খম্বগী।
খুমন মানা—"ইচেম্মন। মতম অসি ওইদোক্লে,
হোরেন মতম শোইরগা মপুই দণ্ডি ফংগনি।
তোংবিরক্লো চংলসি।" হায়না খুমন মহাক্না
কুমথখরে হিরুদা। মচেম খর মোপ্তাগী
নিংথম শমজিন পোংয়োমদো থাদোই খুৎতে লৌখ্রিনা—
"ইহু নিংথৌ শেংচিল্লো।" সিন্নবিরে শেংহুরে।
খুমন চরৈ হোংখরে। হুপচিং নাতৈ ফবদা
বাকয়ৈ অহু থাদ্রিবৈ খম্বা থোইবী অনিগা
লৈপাক লৈম ওইরবী লুম্না থোইনা লেপ্লবী
খুমন চপু খম্বগা অহুমহুনা লেপ্লকপা,
নিংথিজবা লোইখরে। স্বর্গদগী লাইশিংনা
লৈচিন খুদানহুনা অহুম অহু য়েংঙকই।
কেগে লমদম অহুগী কোরৌ থক্তা পাইরম্বা
পোম্বী চেক্লা পুম্বনা অহুম অহু উবদা
মালেম থকতা তারকই। চেক্লাশিংনা পাইবদা
সাগন তুকাং খপকনি হায়বা হুবু কাওনরে।
তাইবং মীসি লাইখরে চেক্লাশিংসু থমখরো,
স্বর্গদগী লাই-ফাওবা পুম্মুন ওঙনা মুনখরে।
মতমহুনা নিংথিবা লোকতাক মিংসেন তাগুম্বা,
লোক্তাক খোংবান অহুগী লাইজ কংথখিবনা,

চাংদোন চৌরপ তাবনে। তুগী মরক মবক্তা
মোংসোং মচা মচানা অরিবনা মাংখিবা
হানৌ নোনা চোংখিবা। থাপ্তক নক্তক লম্পাল্লা
তংন-শন্ন লৈরিবা। মৈকোক থান-ওইবগী
থাথাই অমৈ মমাংদা, থান্নুং অমৈ মতুংদা
ওরাং ওসি চাকখিবা লমজাও থাম্বী মহাল্লা।
সুম্বা লমদম খিবিল্লা থর'মনা চোংল্রিবা,
কনা 'মনা চোংলবা হানৌ খো'হৌ মান্নদ।
লমগী মচেৎ মচেৎনা মখন নাইনা উরকপা।
ঈশিং কংফান তাইনবা লোক্তাক মাগী খোংবান্দা,
তুগীখোংগী মন্নংদা মপান ওইবা কযাদা
লোক্তাক কশোং মনানা সংন লেল্লেক হৌরিবা।
কেগে লোক্তাক অতুগী অনৌব শকফম্নি।
ঈশিং ওইবা শকল্লা অমুক নোনা নিংখিবা।
হৈকক্ এল্লী হাযন্থনা নোনা নোনা চোংখ্রিবা,
এন্সম্ চরাং মখৈনা লাইজ নুংদা হৌরিবা।
ইকং থানা ওইবগী লাইজ মানা লূবিবা।
ঈশিং তুগী মবুক্তা ফুমনা মতুপ মতুপ ওই
ছপ্রৌ চিদায খোমন্নুনা তুম্পক তম্পক তাওবিবা।
সুম্বা লাইজ লমদমনা—নিংখিজবা মতমদা

*   *   *   *   *

থুমন নোংথাই মচাদি খু'না থনবা খম্বনা
নিংথম শমজিন থোন্দুনা নৌবুন থুত্তা পায়ন্থনা,
বাকথৈ হিকদা লেপ, মচেম খম্ব কৌবীনা
হিনাও কাওদোন থংহনা, মজাই-বেম্বা থোইবীনা,
হিগ্নাই তুদা তোংসিন্নে, কেগে লোক্তাক লমদমদা,

কাওরেন ফাবা চংপগি হোন্দোরক্লে হি অদো।
লাইঅ মুংদা লৈরিবা খোয়ুম শিংনা মাংদ-চিং,
লোক্তাক মাগী লমদমদি তাকমু' কৌবা য়োরক্লে।
তাকমু ইয়াই অহূদা খুমন মাগী রাকয়দো,
খোংঙে হিহু, ভংগুকই। খুমন মানা "করিনো"?
হায়না নোংয়াই কোয়েংবু য়েংগুকপদা উদরে।
খম্বা য়েংখরকপদা · এসম চরোং চারস্মে,
হি-হু' খোংবা তারক্লে। খম্ব নুংশা খিখরে—
"ইহু নিংথো করম্লো! হি অসাদি খোংঙেনা?"
—"খুমন মানা ইচেম্মান খোংজসনু।" হায়রকই।
ইপং পংনা করিস্তু নুংশা থিদে খম্বদো।
মতম অহু হি-হুদি খুদোন অনি য়োমদদি,
লৈরি হিবান অহুবু লুপকদোরে লাইজদা।
খুমন চম্পুলাইরবী নুরা ছোরী মখুৎ-স্থু,
নুরা অম্না শম্বুনা রাকয়ে যাবু য়েঙরক্লে।
"নপাবুস্থু,ইপানা, নপুবুস্থু ইপুনা
নকেনবুস্থ ইবেমা; হি নংবুস্থু ঐহাক্না
ভমই:খংউ'রাকয়ে নং। থাংজিং চিংলু কোকপী
রানবনিদো হি নংবু। নপা থাংস্থ চিনাইবা,
নপু থাংদি চিনাইবা—থাংলেন কোমসংনরগে,
লাংগোই সরি থোক্লগে খমস্থ খম্বা য়াওরিদো।
খুমন নচা অনিবু কাওরবরা পম্লোবো!!"
হায়রহনা খনগুনা হিমাউ কাওদোন অহুদা
রাক্লে ছোরি অংনা ঈ-থোক্লে থাংকম হুদা॥
নুরা খম্বান মনম-থাং লমথাং কিজি সেপাইরে।
ঈ-থোকইবা থাংখুন্দো খমনু মানা মেঞ্জরে।
মিংস্লা খম্বাল লকাদা খমনু শিবু তাহ্নুনা

"তমক্তা চুপ্পোই চংখোনবী মাংফদবী ইবেম্মা।
নিংথৌ মচা অসিবু য়াওরি ইপা ইবুংঙো !
পন্থৌ কম্নি শাওবগে। ব্রারোবিন্দু নচাবু॥"
ভক্তি কংলে খমন্দুনা, হিহু হান্নৈ দৌগুমনা
খোংজ্রে, ইরেন ত ওথংলে। মথং মথং হোক্লক্রে।
থৌদৌ অসি উবদা কিজরেদো থোইবীদো॥
লমদম খরা চংলগা—মনিং তম্বি থাদোইদো,—
"ইনমা 'বেম্মা ঐবু কোকপু যামনা ঙাওরেনে।"
খমন্দু মানা— 'ইবেম্মা' 'হিরাই হায়বা অহুনি
হিবান চিকউ ফগনি।" থোইবী হিবান চিকউরে।
"কৈন্দু কত্তে নুঙাইরে" হায়না শাওই থোইবীনা
"নৌজুম থকউ অহুগা"—হাযরে খমনু অমুক্তা।
মতাং 'সিদা থোইবীনা খুমন মাবু যেংহুনা—
"শিরবস্থ কবিনো,সুমনা যেংগে হায়বরা।"
ঙারে খুমন মঙোন্দা। নৌজুম অহু লৌসন্থু
থল্লুনা খম্বনা লান্সিল্লকই থোইবীদা।
"লৈখোম ঙাক্তা থক্লিংদে।" [illegible] নৌজুম লৌদরে।
[illegible] নৌহু অমুক্তা এক্সন চব ং হাইদোকই।
নৌজুম অহু পিবদা—"এক্সম চবা নম্বু
নমথি ঙম্মোই থক্লিংদে," থাদোই [illegible] যাদরে।
থোইবী সনা পুক্লিংদি মাঙ মাঙ্গী খুৎতুনা
[illegible] জুম অহু লৌম্নগা নুরা চিন্দা ইক্সনু
নাই, অসি তৌদবহুনা থকউ য়াদ'নি।
[illegible] অয়ো! ইনমা" থাদোই তৌয়না কৌরকই।
খমনু মানা চংহুনা [illegible]রাম শোলি কংতরে।
"সোর শোনবা মরমনা কত্রমাস্নে ইনমা।
[illegible] নিংথৌ শোহল্লু!" হাযরে থোইবী তশেংনা।

খুমন মচেম মমাংদা খম্বা শোনবা ঙমদয়ে ॥
"খম্বা শোল্লু ইবুংঙো।" হায়বিরকই খম্বদো,
হিয়ম য়েংবা শায়না মমাই অহু লৈথোকখি
নোংয়াই লৈশিল্লহুনা থাদোই নাকোং চক্রদা।
শাইবোন চিন্দোন থেংননা—"লৈগদবা নিপাদা,
লৈগদবা মুপীনা স্থম্না তাংপু তৌবসে,
পুক্তিনদে হায়বনি। ঙসি খংঙে মতুংদি
পুজ লাকচ-ঙম্মরোই।" শোল্লে মন্ত্র অসিনা॥
ঙম্ভোকপনি ইবেম্মা। মজাইবেম্মা থোইবীদো।
মুয়া নাপ্ন'হুদগী নোংয়াই লৈথোকংঙাংত্রিবৈঙ,
"হো-ইমমা! ইননা! হৈত্রেদকো নৌপ্না-সে,
কোক-ডাওবনে করেদো।" থোইবী তল লাও লাওরকই॥
খম্ব মানা "ইবেম্মা!" লমজা স্থম্মা খুমজয়ে।
মচেম' য়েংলকত্রিবদা খম্বা থনা লৈথোকখি।
ঙম্ভোকপনিদা হায়বা খম্বা শোল্লি শোম-থাংমৈ।
"লাইখৌরগে লৌথিয়ু।" হায়রহুনা থোইবীনা
পায় চঙম অমথক লাঙ্গরকই খম্বদা।
নৌদোন হু লাম্ভোরকই। থোইবী মান্না শাওনিংই।
"ঙসি শন কাদোবব কনা ওইবিরবনো॥
কাওবেন কা-মন কৈমাবু নৌনা কংগদবরা?
নুরাই মপু নংত্তবা মৌদা করম দৌহনা
পায়-লাল্লুগদগে! হায়রে পায় হাওয়ে॥
খম্ব মতম অসিদা নুরা চিনথু তেংশিন্নে।
নুরায় পায় অহুবু লৌয়ে পাখং খুংহুনা।
কাকৈয়ে মাবু হোল্লক্লে খুমন লমদম তমহুনা॥
থমংখোংদি খমং পাং, চিংলক অচৌবা রোমদা;
হৈস্লাম মুমাং হোন্দুনা খোর্দাক ইস্নাই খাইহনা,।

ৱাকচৈ অহ্ন হোন্নকপা হাংজেং পন্দোন য়োৱক্লে
থাংগ-কৱাং চিংহন্নবু ফুংওই নাক্তৈনহোৱে।
নোংপোক-চিংথৈ, পাংহনা, মকাপ-ইশম-চাই য়োম্বে।
অঙোম পোক্পা চিং রেরে। লুৱাং-লুকায় নহীদা
হি অহ্নবু হোন্নক্লে। কৌগাকচাঙ হিরম ইম্না,
হোন্নকপহনা হি-ন্থ তুরেল অচৌবা তারে।
অৱাং পাংনা হি অহ্ন তোৱৈ ইম্না লাকপনা
সেকমাই ইচিন যোথবে মপু মনাই অহুমদো॥
লমলেন-মাস্তক ' থাই-চিং, চ্যাই-পাক্ষেল-লোক-লুদা
ইহইদাও থে রদেনবী কৌবী নুরা 'মনা লে। রাম্নি।
লুমিং কোবা লাই 'সিনা লুমিং খুদিং লাকইদো।
নুরা মাবু পাওথেমই। থ রই যাদে নুরাদো॥
খোধুম মপাঙ ওইবগা নুজা থাংবা ঙমদরে,
হায়ন দোথৈ হায়নৱে খুন্ন দৌথৈ খুমনবে।
মথৈ থংদা অনিমক—ৱাহৈ মৱাক চেন্দানা
ৱাথং থোবা শমদস্তা, ৱাথং পাংসোই নিক্তানা
ৱানথৱে অনিদো॥ সুৱা হনা হায়জখি,—
"নংদি খোম্নুম ওইবনি নর্নাই ঐদি মীনিদো।
নংগী নাক্তা চংলগা চাকথেকনি চংলৱোই।
লোইবী সিগী মথক্তা উথুম চাবোবী কৌগে,
ইথুং-ইশম ইরা ওই, ইকোক যুংনা হোজগে।
ইখোং' ইশা ওইহনা কোৱো থক্তা লৈসন্নু।
কোৱো হনবা নহাক্তা লুমিং খুদিং লানবিবু,
পাৱেল ঐগী ইথক্তা, নংগী বোপন শকচগে।
মাংদ ত দ নহাক্তা পিনবিয়ু॥ হায়জৱে॥
কোৱে হনবা মহাক্তা, যামনা কয়ে ইবেম্মা.
ঐগী ইনাক চংপদা কৈহ্ন শাৱোই ইনিংনি।

অসিমকপু নহাক্না নিংখরবা পুক্নিংনি।
কোরৌ খর ঐহাক্কী থৌগল তৌরো অদুমনা,
মতুং"হুদা নং অসে 'নাওসিদা' হিদেব হুদা,
মাংদ-ত্রাদ লৈখ্রোকো।" মাংদ বোর পিখিখি॥
পামেল ওইবা হেৎখরে তল্লা মাবু চাংখোইরে।
পামেন রাংখোইরবদা হিয়াং হিদি ওইনগে,
য়ানগ্রে মতম্ন অমদা॥ মাস্তক চিংদা হৌবনা,
ঈরম সেকমাই তুরেন্দা পামেল মাবু থারকই।
ইরেন অসি য়োবদা তলা মাবু থাঙজকই।
য়োংকী থৌরী থাহুনা চিংখ-পদা য়াদরে।
নাওসিদা-দা লুপখরে। লুপ্পবু তুম্বা কৌই,
হুগী উজুম-কোন কৌখরে। ঙহাক পুংগোই লৈত্রবা
থিঙংলক্লে রা অমা। থিঙংলকপা রাহুদা,
কারক্লে মরী মরী ইশিংদগা উচি ঙাক।
ঙাহাক অমুক লৈরগা খোইঙাক্তদি তম্নরে।
মতম ইকুই কুইদনা লোইনা পুম্নাং মাংখরে॥
থৌদ্রোক সিগী লোৎহুনা লমদম সিগী মমিংবু,
উচি রাদি খোই-য়োম-পান কে নখরেময়াম্না॥
চাখা মোইরেং স্বর্গা মচা নিপা অহন্দি,—
থুমন চাখা 'হুন কৌই। মানা খালৈ লৈম্নাল্লি।
কুম হু খর থেংখরে। তরা চয়োম পুসেন্নি,
খাংল্লা অকংবনগী সরেং খোইবী অকংবা
হুম্নু য়োমই পুরকই। ইরেল অসি লাল্লকই।
লেৎম্নে অকংবতুবু লাইজ সিদা চোংথক্রে
অহিংবদি ওইহুনা। চারুদরে চাক তুবু
থমগ্রে তরা অহুম্না। হাওরম অহন হাওরম ম্রোঙ,
হাওরম য়াইমা অঙুমগী হাওরম হাক্তক অসিদা,

পামেল নোংথৈ্‌ থক-ভুদা নোংথৈ্‌ ওইনা লৈথরে ॥
ইরোং লৈম-তেনরাবা, লশিং লৈপান-কবী দি,
য়াম্ন-ইচম-ওম্বীবু লাইরেম্বীদি মহাক্না,
থৌবান-ইরোং নিংথৌদা, নোংথৈ্‌ অসি পরেং লেং,
খুদোন তৌখি লাইরেম্বী থোমুম মশেন অম্না ॥

* * * * *

উচি রাদি থোয়োমপান-হুইদাও থোংনেম্বী চানা,
পামেন উতুম কোন-হুর, লেপ্লে সরোং থোইবী-দি
অকংবনা লাইজদা, চাপ্লো নুপান থক্তগী,
লমলেন মাবু চোংথরাই। নুংথিন থাওরা 'কংবনা
তেক্লোল লৌ কেনরিবা— লমদম অসি য়োরক্লে,
খুমন হিহু হোল্লকপা—নাওসদা ইরেন থেংখরে ॥
লৈমথোংদা হি অহু খুমন্না চিংশিল্লম্মে ॥
নোংপোক থংবা তোর্বান্দা অহুম অহু কাথংলে ॥
খুমন উশা চিংথরে উনা তন্না হেক্তুনা,
মচন মনিং অনিগী চান ইরুম খাংপোক শং
থক্লে খম্বা নিংথিনা। খুমন মাগী মরমদম,
লাইজ য়েংনা কোনবদা মৈকোক থানা ওইবগী
হানৌ নেয়েম কাবদা ইত্রিক হুম্না নুংশিবা !
কোরৌ মৈশা মরক্তা লাইজ লম্বী চংলকপা,
কোরৌ মৈনা য়বগী নাতোন নাকচি নাকচিদা
সনা কোংগোন খিনবগুম লুপা কোংকুপ চাইবগুম
হুযাং লৈরিক কাবনে ! সনায় মোন্দুম মোক্তেকথক
তায়বম্ন মকভৈ, চাদ লাংথোং থাহুদা,
ইরুম থাংপোং মথাদা চংউবম্ন মনিংথি।
উনা 'হুনা সংবনে, কুচু তংাং তংাংলে।
হৈরোং মপুং ফারবা তাওজিং অমুম-বগুং।

খুমন মচিন মৌপ্যানে নিংথৌ মচা নুপীনে,
খাংপোক খাদা চংহনা ঙাহাক পুংগোই পোথারে ॥
খম্বা মান্না – "ইবেম্মা ! লৈপাক ঙাইনরম্মনি
চংলগেকো ঐহাক্না কাওরেন কাবা ওইজগে।"
খুমন মচেম থুরম্মে। থাদোই চোংথোরক্লুনা,
খম্বা মাগী নমাংদা সন শা লৈদা কুন্দুনা—
"পাম লম্লান চাদবী, হিদেন অনি তাদবী,
লৈরাং কৈনা চিন্দবী, নুপী মঙা ওইরবা,
শনবু লেপ্ল-ফাবিয়ু ঙসি কোরৌ অসিদা।"
খুমন মাবু খুরম্মে ॥ খম্বা মখুৎ অহনা—
তুংয়ান শম্লাং অহনা হুমদাং নাতা ফণ্ডম্বী
শম্লাং লৈদা তারিবী, পাইখুরা-দি চরাবী
লমথাং হনা ফরিবী শমগা ফীগা অনিগী।
নুরা নঙ্গন থক্লুদা খম্বা খুৎনা নমহনা,
"নুরা মজা ইবেম্মা লাইনিং পরৈ চেৎপিয়ু !
কাওরেন মাবু কাজগে মঙ্গল ওইজরকেকো।"
বোংয়াই অসি হায়রহনা লাইবক কৎলি লমজানা
খুমন খোংকাপ ৱাইরক্লে, লৈপাক তিনবা মাইকৈ-রোম ॥
বোংয়াই মানা লাকপনা লৈপাক মীনিন তারক্লে।
সোমদা লৈপাক ঙাইনরে – অরাম চাকঙাই বদোনা।
খুমন নিংথৌ মপুদো সনা পুক্লিং লাংথরে।
মোইরাং নিংথৌ য়েংহনা "ইতাও নিংথৌ তাবিসি !
পুংদি অমা তাথরে ননাই খম্বা লাক্লরে,
কিরুরেদা ইতাওবু। নিংথৌ পাঙ্গল চাংবনি
কেগে লোশিং ফবগী কাওরেন ফানি হায়রগা
খুমন'-নরোই ওইবিগে নির্ববরা করিনো!"
কাগি ওইনা হায়রকই। ভাবতি অমা ওইনা উই ॥

মোইরাং নিংথৌ ইতাওবু! ননাই খম্বা লাক্লনি
তাহাক পুম্নমক মতাইরে। সনা পুক্লিং তাহাক্লা।"
থুমই খুমন নিংথৌদা। খুমন মানা—"ইতাও।
তাইজগনি অদুগা, খম্বা মানা লাক্লুগা
ঐনা চাম ওইরগা ইতাও'মগী ওইদুনা
কুরু ক্ষেত্র ইকোপ্পা কুমৈমুম থোক্কদরা।
ঐগী প্রজা শিংসিনা খম্বা উবা ফংত্রবা
লাকখিত্রবদি ইতাওদ—শনগী রালি শোইরগা,
প্রজা পুক্লিং নৌখিনি রাইনে ঐদি মসিগী॥"
হায়রে মচিন থোরকলে। খম্বা লাক্লে হায়নরে।
মুংশা সিরে মোইরাংশিং নিংথৌ চাওবা তানরে।
থোংলেন কাদা চংদুনা হায়নরুরে—থোংলেম্বা,—
"লাক্কনিদা কৈনো! সাইখো হায়, মীনবু
উচেক ফোওম পাইগন্দ্রা, চংলমদাইদা ঐহাক্না
উন্নরকই পুংফম অফবা তাঙ্গা য়েংনা লাক্কনি।"
হায়না থুমই থোংলেন্দো করি থোইনা নিংথাইদে॥
চেক্লা নোংগৌবী চানা—লাইচ ইথাইজবগুম
খুমন প্রজা নিংথৌনে মোইরাং লৈপাক পম্বনে;
খম্বা খৌরাংজবিং খুমন মোইরাং অনিগী
সগাই মখোং লোম্বা ইকোক কোকপা লৈরুকোক
কোরৌ মঙান কবগুম ফোংবু লাওনা ফাওররে।
"লাক্কএ লাকএ ফজেদা—! লাইনি লাইনি চাওইদা!"
রাহৈ অসিমঙনা লৈপাক পুম্বিন, নিনখরে।
লৈপাক তম্মিন্নরকপা প্রজা নিংথাইগদোরে।
থাং পাইদুনা তাকখরে। লৈপাক পুম্নাং লাংখরে॥
মবাই কৈরোইজায়না খুমন নাক্না চংলক্লে।
নিংথৌবী অনি তিনবদা কনা হায়। থুরম্বা

হৌজক্কে হায়বসি মসেন মবাই চিংনরে ।
মশেন মবাই উবদা পাবোং শক্তম মাম্বা,
অরাংপদি লৈতবা ওক্লখরে খুবম ।
কনা 'মনা "কনানো ? ময়াম্বনি" হায়বা-মাও,
পুম্নাং ওইনা লাংনখি—খংনবসি ওয়দে ।
মশেন মবাই মবুক্কো উরগনা পোংলে ।—
"খুমন 'বুংঙো তাবরা, শাগৈ নিংথৌ হাপ্পগা,
নরম নিংথৌ খুরম্মু ।" লাওবিরক্লে মপাক্পা ।
খুমন নিংথৌ খুরম্মে, মহারাণী খুরম্মে ।
যুবরাজ খুরম্মে । খুমন নিংথৌ মপুদি
মদোম পোকপা ওইবনা অশাম্বদি ঈদগী,
কাকপা লৈতোন পানবনা, যুবরাজ ওৎরপি ।
খুমন মজা ইবেম্মা হয়াইন্নুদা চংলকই ।
"অমুক্তদি চাইবিখো" খামথে খুমন লমজাক ।
"চহি কয়া মরবা ইপা ইতোম থোকপরা
ইবুং ইপা ওইবরা—" হংজরকই হয়াইন্নু ।
খুমন চন্নু হয়াইন্নু চহি কুমহুমদোই সুরে ।
খম্বা মাবু হল্লমনে । "ইপাই ইপুই গুন্দগী
ভক্তি ওক্কে ঐহাক্না ।' বারম অসি হায়হনা
হয়াইন্নুনা ওকখরে—নৈরাং পরেং থাম্বকই ।
মরৈহুদা নিংথৌনা খম্বা মাবু কৌসিল্লে,
সগাই লাক-থোম তকৈক্তে চিংখৎখরে নিংথৌনা ।
খুমন নপাও হংবদা—"ইপাই ইমাই থুবম্মু,
পাক্তি খাদোকচবু ওবদদনা নমাইনা ।"
খুমৈক্তে খম্ব নিংথৌদা ।" নমাই ঐগী ইমিংদি
অমা অনি মুহনা - মপু মোইরাং নিংথৌনা
কৌবি 'কংলা নিংথৌবা, নমাই ইচেম অহনা

খম্ব কৌই। মোইরাংদি থোংলেন লাম্লোই তাম্বনা
মমাই ঐগী ইপানি, নোংথোংনা ইকুনি।
কৈরোইজাম্বা ইবাইনি ইচেম মথং খনবনি
কেগে লৈপাক অসিগী তরেৎ সেলুং হনবনি।"
হংগংখরে খম্বনা॥ খুমন নিংথৌ মহাক্না —
"মোইরাং তরে সেলুংবা চংবিরকউ" হায়রুনা
মমামবা সেলুংবা খুমন মাদি কক্ষমদা
কৌসিন্দুনা কমহল্লে। খম্বা, খুমন নিংথৈগা
য়েংক'ওইগা ,কমখিবা,'অনি অমা উবদা,
"খম্বা মীচম্'নত্তেদো" খংনখরে লৈপাক্লা
খুমন নিংথৌ মপুগা মান্নখরে অনিদো।
মবাই কৈরোইজামবনে নিংথে খম্বা অনিনে,
অহুম অতুই শক-অচু উরকপদা ওক্লরে॥
ওহাক পুংগোই ফম্মগা নোংযাই খম্বা যেংহুনা
খুমন সনা যাথংদো— খুমন ইপাচা নংদু,
নোংমাই কমায়,থায়নো, মহ থ মা তানিংঙে,
তাকউগবা ঐগোন্দা?" হংবিখরে খম্বু। —
"নমাই ঐদি ইমিংথৌ, হাওরম পুংগোই মাইমবা
ও য়েন্দা কাকবগী খুংমি হাবমা তাদৌদো।"—
'মচিন মমাও কয়া সুই হায়বগে খংদবরা?"—
" ম সুই হায়বিরকই খুমন চনু ইচেম্মা
ওসিতা তাকপিরক অমি হাওরম অহুদি,
হাওরম অহম হাওরমতোন, কোলোই অম্মুম কৌই-হায়।"
খুমন নিংথৈ মপুনো মিংতা পিদু তারকই।
থৌগল'কীনা তৈথোকখি। সনাপুক্লিং নৈখয়ে॥
মপু মতৌ উবদা খম্বা মাম্থ কপ্লিংই।
"হায়ু হায়ু ওবুত্তো করম সাইদাংখিবগে?"

হৎবিয়রক্লে মথা 'হু। খুমন মচা মহাক্লা—
"সনা বুদ্ধি তৌবিয়ু। ইধে অহুমবু পোকপা,
ইধৌপুরেন ইবেন ধে অনিমক্লা নোংমদা,
ইরোংলৈমা কাইব্রাথে লমদম মাগী তুরেন্দা,
লেমৈ থিক্ষ লেংই-হায়। তুরেল লাইজম্নুংহুদা
নোংথৈ পরেং অমবু উরে তাংনা লৈবা।
ইশিং অহুদা ফিরে খংঙ্গ্রে য়াম্না গুরুরে।
কাখংলে লাই অনিদো। ইশিং অমুক লুরক্লে,
লৈরি অহুম কাইদানা। খংরে, কৈনো! লিক-অসি,
চুম্নগীদি নংতরে। হিচং নোংচংশ শংগী
শিখি নাখি যাওবদা লায়োইদনা লৈরবা,
মথরাইনা ওইখিবা চুম্বা লিক-তা ওই' তারে'।
ছুই অমদি লোয়নৈ হায় ইশিং মপান অদ্দা,
কোরৌ ওক্কা অমুক য়েং লাইজ নুংদা অমুক-য়েং,
তাওবা মাম্না খোংবদা ছুইনা ইগ্রিং খংহুনা
কোরৌ থকতা যেংখংলি। তোর্বানহুদা হৌরিবা
পামেল মাগী মশাদা লাইজ মাগী মথক্তা
লিক্লাং অহু য়াল্লম্মে, লাইজ নুংগী লিক-ছুদি
লিক্লাং মনি ওইরম্মে, লিক্লাং অহু পুরক্লে।
ইধৌ তোন্দা লিক অহু পিনরে ইমিংথৌ॥
নোংমৈ কোরৌ অমদা— লুরাং নিংথৌ মচাবু
হৈরেম নিংথৌ মাগীদি মচা নিপা অমদা,
লুহোংই হায়। নুমিত্তো, ইধৌতে নদি খংদনা,
ইধৌ অহন' য়াইমগা লুহোংবসি চংখরে;
চিংফু লৈনামুং তাম্না। অনি সিগী মতুংদা
ইধৌ তোনসি হল্লক্লে, লুহোংবা চংকে হায়না
ইধৌ তোম্না লিক্লাংসি —থিরকপদা লৈবমক্লে।

ইথৌ অহন্না শিগ্রে হায়বা 'সিগী শাওখরে।
থাংলেন খুৎতা পাইহনা ইথৌ অনি হল্লকপা
চাইয়ে ইথৈ তোন-সিনা' ইথৌ হন্না তুংদা থং
ইথৈ অমি লাকপদা ইথৈ তোন্না থাংলেম্না
লিল্লাং 'ত্থগা লোইননা ওকশম তোংদম ককই হায়।
থৌদো অসি উবদা - 'কৈনো নংদে' হায়বদা
ইথৌ তোন্না শাওবনা হেনমনখিবা অহদা,
পুক্লিং চিংনরক্লনা ইথৈ যাইমা চেনখরে।
'তিন্নবদি ওম্মরোই লিংজেন খা-ল্লী' হায়না
কেগে লমদম অসোমদা— স্নুয়া সাইপক সাইদাংখি।
তাকপি স্নুয়া ইচেম্না ইথৌ যাইমা অহনা
হেনায় মিঙোন লেংহনা পারেম্বু পোকই-হায়
তারিময়ুম মিঙোনবু পারেম্বন' লেংহনা
পুয়েম্বু পোক্লগা ওঁাংখম নিংগোন লৌহনা
পুয়েম্বনা খম্বগা খম্ব কৌবা অনিবু
ইচিন ইপা পোক্লমই।" হংগংলয়ে খম্বনা॥
য়ারি অসি তাবদা খুমন নিংথৌ চাকখরে,
খম্ব মুংশিখিবনা নিংশিং নিংশিংউবদা
লৈবা খদে তুদোই নিংথৈ ফম্বা ওমখিদে॥
খম্বা মাবু যেংলগা— খুমন নিংথৌ কপখরে—
"য়াম্বুং কৌকো ইসুংঙো। 'যাম্বা যুবরাজ ওইগে,
নংনা নিংথৌ ওযুকো, হনখ্রণয় মোইরাংদা।
কাওয়েল অসি ফংবগা পিথোকখ্রসি ইত্তাওদা।
নংনা নিংথৌ ওইদোনি ঐগী নত্তে ইবুংঙো।
ইথৌ-শিংগী থারাদি নং ঐসিদা মঙাইরে।
'য় ম্বা নমিং থোননগেকো— 'খুমন লৈকে ই নিংথৌবা"
কৌরগেকো ইবুংঙো। লেপ্প-শনবু ফজোকো।

মৈাইরাং নিংথৌ ইতাওনা শানৌ মিং করি থোক্লি ?
"ইনিংথৌবু নতাওনা" হায়না খুম্বা খম্বনা।—
খুমন নিংথৌ য়াহৈদো মরক তুম্না থংতুনা,—
"মাখ্বুং হায়ু হায়রগা করি য়ানো শানোত্তোন।"
খম্বা মাবু থামখরে। খম্বা অমুক ওন্দুনা,—
"মাখ্বুং 'বুংগো নতাওনা — 'কংলা নিংথৌবা' হায়না
ইমিং থোনবী মোইরাংদা" হংগংখরে শাজোনা।
অগোই শারে নিংথৌদো—"ইতাও 'বুংঙো লাইনিংদা
ইনাও মিংহন অসিবু চংথোম্নদি থোনখ্রেদা।"
হরাওখরে নিংথৌদো মনাও লোক্লৌ কোন্দুনা
লাইবক খেলৈ চুপখরে। থাগৎনরে লৈপাক্লা॥
খুমন নিংথৌ খংগা অনি মতৌ উবদা,
মোইরাং নিংথৌনচিংবা কম্লাই কানাই পুম্বনা,
হংনমকই "করিনো ?" থোংলেনবনা তাকখরে,
খম্বা মাগী নিংথিবা পারি পুরি পুম্বদো॥
অমরোমদা খম্বদি মনাওবু নিংথৌনা
খুজেং পালোই-মতুনা সগাই ৎকৈ হোৌগংলে।
সমু খুৎনা থিন্দুনা খুমন লমদম অহুবু
তাকপিরক্লে নিংথে না—। মোইরাং লৈপাক, মিংথৌ কাও,
খম্ব মাবু লুমক্লে পারি পুরি তাবদা
খুমন মচিন মনাওনা তৌনবহ উবদা।
খুমন নিংথৌ মপুনা "খুমন লৈকোই নিংথৌবা!
নোংমাই খম্বা য়েংউ-দো, 'য়াম্বে খুৎনা থিনখসে—
সেকমাই তুয়েল্ল লাম্বোকসি, খরং হাইমু পাৎমি সি,
মোন্দুম, সরিক কোজিরি, তোকপ-কাম য়েৈম্ফে-চিং,
কৈরক লম্মহম য়াবগাই, কাংগোম তেম্বা, মাত্তক-চিং
কেকি ইকে প য়াংজিংপুং, তেলৌ পোকপী লম্ম-মাই,

থোবাল, লম্লেন চিংঙা-মাং মরম নোংগাংখোং-তোমজিং,
লাংমৈথেং লম্ন্‌ংশি-নি—। য়েংউ ! নোংয়াই নগম্লি।
সোমদা অহুক য়েংউ-দো—লাংজিং, পেচি, উখোংশাং,
শিগোং-থ্‌ম্বী-ইঙৌরোক, শোঃরোম, কেক্রু, য়াইরিপোক,
অঙ্গ্রো, হুইকপ; অংথা নি ; ভাসমুখ, থোংগ্রাংবী,
উয়ান, কৈরাও, ইরিনবুং, তাখোক লময়াই কবোক পাং,
পুংলেন খোম্বা মপুংয়াই, পোরোম লৈম-মকাইকম,
খুবম লালোই অহোংগৈ, চেংলৈ রাইনুতা, সৌবোম
লাইরেম্বা মচিন-মনাও থালৈ মাবু লৌতাকম,
মিমুরৈম মকাইকম—অসিনিদো ইনাওবু !
অরাং শেংনা য়েংউদো—অঙোম লরাই এরুম-চিং,
অরাংখোইবা চিংঙাংলেন, ভখেন-চিংখু. পুংদোংবম,
সেক্তা ইকোপ মরুনি। হৈকক মপান ভরেং খুন
সগোন মাং, পুখাও কাওবা খুমন নংগী নরমনি।
মাসি কাওবা শন্না চায় -লমগী লাইবু খুরম্মু
কৌসিল্লুকো শন হুবু। য়ুম্নাম খুনৌ হরাওরো,
উরবরা ইবুংঙো ! কৌক্ত পাংঙো য়েংসিল্লু—
হৈঙাং কোম্বা শগান য়াই, লুরাংশংবম লম্মদোন,
থোইরু সিকাই পোংশংবম, অরাং রাবগাই ভিংগ্রি,
মহারাবী খুরুখুন, উকাসোই সেঙম চিরাং,
লাংজিং পাংসোই, তাং উমং, মারুং হাওরেম-লাঙ্গোইবী
অয়ানা সম্ন্‌পলম ভিংঙি থারা লাওজেল লম,
য়েংউ'সিগী সৌলেন চঙাংগৈ কদ পোকপী,
রাইসেন. হৈপোক, হিয়াংথাং, চন্দ্রনদী, হাওরৈবী
চজিং,লমদোল লাংথবান অরাবতী লম্ন্‌ংশি,
ঙাংলৌ চাওবোক খোংম্নুংসু, কীবৌ, কোনা থিঙেন-নি
শামৌ তোনবু য়েংউদো - কোকচাই শমজাই লঙ্গহন,

লালোই পাওবী তেক তাংজম চৈহুল্লম মরম লমদম
বাইথৌ খম্পুং সোই, তাংজেং লম্নূংশি অপান সোই-দি
সানৌ 'থুংঙো সিক্ষাওবা--ইপা ইপুই ইরম্নি।
ইনাওগীনি অতোনবু। কোরৌ মতম লৈতবা
'থ্বগী নংবু 'য়াম্বনা স্থম্লপ স্থপ্না তাকপনি।
নংগী নরোইনিনেসে—অম্বপ য়াম্বা পুম্বরে।
ইরম-লাইবু খুরম্মু- কাওরেল লেপ্ল ফাজোকো।!"
তাকপিখরে নিংথৌনা, মপুই থোজ।ন কোক্ত থোং,
খুমন সগাই খক্তগী লমজা খম্বা কুমখরে।
থোংলেন মপাই মনাক্তা চংখিহ্নুনা খম্বনা,
মম্নাম্বদি নিংথৌনা তাক্পিরকপা অপুম্বা
তম্মে লোইনা থোংলেন্দা। "নোংয়াই খংঙে" হায়হুনা,
লোংঙা-চৈবুন শিংরে। থৌরী অদু খাংহুদা
নোংয়াই তম্না পুন্সিল্লে। শনথিবা চংহল্লসি
হায়না থোংলেন লাওরক্লে। নিংথৌ লৈপাক খুরম্মে
মমাই মখা পাংহ্নুনা শন থিবদি চংখরে।
অহুম অম্বুপ লাপখরে। উখ্রে শমজিন মতোন্দা
ইকোপ লাইপন সোই য়ৌখ্রে। মতম-সিদা চাওখনা
কৈরোইজাম্বা মচাবু নশেন মতুং ইল্লুনা
তাকপিরক্লে নোংথোম্বা। খৌরী শাজে পায়হুনা,
লাক্লে কৈরোইজাম্বদো। খম্বমানা—"লৈপাকপু
কম্না লাপহোৌরবনো" হন্না য়েংথোরকপদা,
উরে মবাই লাকপদো। কৈরোইজাম্বা মবাইনা—
"খুমন'বুংঙো তাবরা—ইবাই লাকএ নিংথৌবা।
শিরে সিমিম্নরসি হিংলে হিংমিন্নসিকো।
ইকু ইনেম অনিনা লাইরৈবাক্তা য়েংবদা,
মুঙাইনবা তৌসিকো। লমজা অতাকনবগুম

খুমন মদোম চংখিবা ইবাই লৈবা ওমদরে।
লাওবিরক্লে খম্বনু। মবাই মরা তাবদা
খম্বা পিনবু তাখরে। মসেন মবাই থেংনরে।
মবাই সংখিক য়েংলগা- "ইবাইবুংগো লৈথিনু।
সিনা লোইজরবনি।" হায়না খম্বা মহাক্না
লমুক লৈরী তোম্বোংবী তরেং তম্না থংতুনা
কংলে মবাই চে রে ক্না। ফৈরোইজা। ওকখরে—
"করিনোনে ইবুংগো' ইবাই অথ খংদরে,
হায়ুগবা ঐঙোন্দা।" হংই ফৈরোইজাম্বনা।—
"ইবাইবুংগো তাবি। খুমন চনু লাইরবী
লাইবক থিবী ইচেমনি। মুক্তা মংগুম ফিংলবী
তামক্লবী মহাক্নি। মাসি কনা লৈহেক্রে।
কক্ত-নুং যোরবদি তারগনি হেক্জিবমক।
ইপাগী মবানথাইদো কোক হেক থাদোকপিগনু।
ঙুমিং শিংনুম খরদং লৈবিবম্মু ইবাইনা।
অ৫ং অউন তম্মমক্রে লাইবক থিবা খন্না।
কদী লোক্নং খরদং লৈহৌবনি মাঙ্গনা—
লাইরবিদি ইচেমনি অউন পোত্তি শকপিথু।
য়ারৌবিম্মু ইবাইনা।" হায়না খম্বা মবাইগী
মখোং শোকপা খুবম্মে। কেরে নেংনা খোংথঙম
লোইজিং ইরাও খোনগুম হেক কপখরে লাইরবনা।
মবাই ফৈরোইজা না "খুমন ইবুংগো নত্তে,
মতু ইবাই পামজদে। চিংনগনু নংক্না,
করে কক্লে যাওবগে ইবাই লাকচরবনি,
খুমন হৈনা ইংক্লে। কৈনা লোগে লাক্লরোই
নিংউবরা নহাক্না। কৈনা যাবা ওমখিরোই।
ইসেন ইবাই তুংদবু নুরা নংগেম ওইবিনা

থোইদাবদা ৱাইথৎৰা, ঐথোই অনি কর্ম্মদো,
খুমন চনু তৌস, ইবাই কৈনা লৌখিরোই।"
হায়কৰগা মবাইনা মসেন খম্বা কোনখরে
অনি অহু কপমিন্নে লম্লেন ইকেংপ লমজাওদা।
"ইবাই-বুংংো লৈখিহৌ।" হন্না হংনা হায়জরে।
"খম্ব, ভরা পিহনা লৈহৌবদি ওমথ্রবোই।"
য়াখিদরে মবাইদো। খম্বা থৱাই ৱাখরে—
"য়ায়োইদে বে কবয়ো। শ া হাইদোরক্লনা
ইবাই শোইরগবরা ?" খ া খ া খ দো,
মসেন মবাই চৎলরে। খুর ইতাং ৱাংজিং পুংদা,
শন্না সণ্ডুপ শাযবগী ৫েরোক ঙৌনা মতিন-হু
অচি চাব খুজাইগুম তারম্ব হু থেংনরে॥
মসেন মবাইনা নিংই— খুমন লৈপাক অসিনা
হোঁজ হোঁজ সন সিধু তা বদা তাহৌবা,
লমজেন খুজ ই ওইতারে। তাবমগনি থাং-তা-জু।"
স্নন্না নিংনা,ঙাংমনা, নক্কুরক্লে ওইরম্মে,
সন্না সগুপ শাইবগী কোজোন অহু তশেংনা॥
"শবসি মক্লে" হায়নরে- খর চংলে, কাওহুগী
মথি ফোং-ফোং শাবহু থেংনরক্লে অনিনা।
"ঈজিংতা মতৌনসি" মসেন মবাই ঙাংনরে।
অনিসিনা লাকপনা সন শেংনখিদৌরে,
মাহু উরে থাংজিংনা নুংঙাইররোই হায়হনা,
কাওরেনহগা মাৱবা ওক্লে শম-দি অমধু।
সরম অনি থোকহল্লে মখা অৱাং অনিদা।
ল্যাইন ওনবা শন্দুনা অৱাং পাংবা সরমনি।
অশেংবদি মখানি। "থোংগুন অনি অসিদি
নৈ বা-লিবা মাৱরে কমদোগনি' তানরে॥

খুমন মানা—"ইবাইবু অৱাংপাংনা হৈব,ইনা
সৱম অসি হৈনবিরো মথা সোমদা ঐ চংকে।
শন-সি থেংনরবদি কৌবিরকউ নসেনবু।
কপ্রে ইবাই য়াওরবা। ঐনা চৎথখিবদা
থেংনরে করে ঞগা, থেংনদরে থিগ্রগে।
পুং মঙা তাবা ফাঙদা কীগে অমা খংগ্রবা
নসেন শিরে খংবিরো। খুমিংসি তাগ্রবদি,
মুজা ওইবা অনিদং শিবা তারে—ইবাইবু!
নুংগা মজা ইবেম্মা। ননাই ইচেম লাইরবী!
উচিগ্রাদা অনিদো চাদ ইকুম শং 'মদা
নৈহে বনি ইবাইবু'। তানরকই খম্বনা॥
বা-সি পুম্বা তানরে অনি শমজি খাইহুনা
মকাই লাইগী সরমদা, নোংয়াই' মথা পুহুনা
চংনখরে অনিমক। ফৈরোইজাম্বা উচিবা,
মুগা অনি নৈহে বা মাংকৈ পাংনা চৎলকই।
মচিন মনি অনিগী মাগ্র খাদা চিল্লিবা,
নৈমম ফাঙবা তারকই। য়াগ্না নক্ল-চংউরে।
মশক উরম-দাইহুদা পুথোকখরে থাংজিংনা;
সরম ইম্না লাকপনা অপান শোইদা থোংলেনগী
সগাই মথোং মক্তদা ফৈরোইজাম্বা থুংউরে॥
থোংলেন মামা অমুক্তং "ফৈরোইজাম্বা" হায়হুনা,
লাওরকপবু খংখরে।—"ইমান'বুঙো" খুমজরে॥
"কৈদা চৎলুই, হমা-হায়"—"ইমান ইশিং থকচক্লই।"—
"চুম্ন-খুম্মু জিংবরা! ঐঙোন্দবু মীনমই!
শন থিবা চৎলুরগা, চুম্ন তম্বু তাগেমে।"
হায়বা থোংলেন বা-হুদা—ঙমখিদরে তাক্তবা।
মুগ্না তৌই হায়বদো—খুমন মচাই মপাঙদো,

থোংলেন কাদা তমথরে। মমৈহুদা থোংলেম্না—
"মুবা চৎখি লাকখিনি সেনবো কৈয়োইজা"-সে।"
হুকুম তৌয়ে মুবনা। লীল্লবোবনা কোম-সেনবা
মতৌহুগুম মুবনা কৈয়োইজাম্বা সেন্নরে।
চাওব-মানা মচাবু চৈরে "চৎহুন্দ্রে" হায়রে।
মরোন পুম্বা চাওবদা তম্মে মচা নিপানা।
"অঙোম হায়বা জ্বাং অসে ররিন তাওই।" হায়রুবা
চৈরে কৈরে'ইজ্বাম্বু—মুংঙাইতরে চাওবদো॥

॥

খম্বা মানা লাকপদা মমাই মৈরম পাংলকএ।
রাইকৌ পোকপী পল্লাং-চং, মুবা নোংগা পাম্বনা
পুংখিবদি পুংতাক-লম লমদম অসি য়োয়রে॥
খুমন খরাম্ব নহাদি লাইরবন্না থোল্লুমবা
লাইরু-পুংখোং য়োখরে। লেপ্লে পুংখোং অহুদা॥
"শম 'সিদি মীখোন তাবা য়াদে হায় কৌরপে ঐ,
হোরেন মানা শাওহুনা চংলকপদা ফাম্বগে।
পুংথক সিদা কারগা কৌর' খুদোং চাগনি।
পুং নংগী নথক'সিদা ঐনা কোক হেক কাবদি,
কিরে লমজা ঐহাক্লা, খুমন ইপা ইপুনা
থোল্লমই হায় নংবু। ঐগী শরুক খরদং
হাপচগেকো।" হাণ্ডনা চয়োং হাবুং খরদং
লোয়ে, হাপ্লে পুংহুদা,—পুং-হু লাইবক কংজুনা,
কাখংখরে খম্বনা। নোংয়াই মাইকৈ নিপান-মক
খম্ব-লৈন-য়েংঙকই। অরাপ-অনক থুং-মখৈ,
লমজা শন-বু য়েংবদা উথিদরে মতমদো॥
শব অহুদি লাইদিগোম মপান্দা মমাই অহু
ককচিং মৈরম পাংগনা- মমৈ চামোর অম

খুৎ-খুম থাজরম্বা, কাওরেন ময়াং অহূদা
মরুম লৈশুং খিজিল্লে, অকংবা কুমদি মপাক,
লা-মুক পাকপা অমদি কাওরেন মচী অহূনা
কোকখংতুনা মকে তা ইরেল্লদি কুপসিল্লে।
মানবী চৌরেল অনিদি বেংতা সনা লোংখুম হুক
ওইদা লুপা লোংখু-হুক কুমদি মথক অহূদা,
পুল্লং লংনা লিখংলে। কাওরেন মচু অহূনা
লেক-লেক লাওনা ভাংবমে খুমাং অনি লুকথরে;
সম্ভিক নাপান চাবগী, লিক্লাইগুম্না লুববা,
লাইদিগোমগী লাইঙদো কাওবেন মানা থল্লকই।
চিঙাওহূনা ইশিংহূ চিংসিল্লকপা ইরৈদা
এন্সম চরাং মথেদো চেন্সিল্লকই মচিন্দা।
কাওগী খবাং অহূদা পরেং পরেং পৈখরে॥
মচিন অহূ কুকংপা লাইঙদগী মতমদো
কাওরেন মানা লেপ্লকপা খয়াং এন্সম চরাংদা
সিম্বরকপা লাইজুরী মতুম মরি ইলং লং,
কোরে মঙান রৈবদা। চিরেন্নপা ইলং-লং
মচুনগা ইংাং-ঙাং কুমদি অমা কুপ্লমে—
মংং অমা ওইখরে কাওরেন মাগী মশক-তো॥
খম্বা মানা মায়কৈ-হূ পুনথুং থংনা রেংলকপা
মমৈ থংদা খা-মৈরম মাইকৈ সোম থোকউরে,
উরে কাওরেন মহাকপুা খম্বা-খংদে খল্লকই—
"শকু মাক্লি কম্বিনো! মচু ভাংইসু হায়কো;
মচি যেংলোম ওইরোমদা সনা লুপা হুকই-হায়॥
শম্নি লাইনি খংদরে, করে লৈজম্নসল্লু,
শনহূম কৌরগে॥" লেপল্লে। 'লম্লেন ইকোপ-কেঙ্কি কোম
কেঙ্কি ইকোপ লম্নুংশি, লম্লেন-সিদা কোনবা লাই।

কাওরেন ঙাংবা পাম্মৈবা, ঐনা:লৈবা লম-সিদা,
খোয়ুম পুসিনবিরকউ ! কাওরেন নংস্তু তারোকো,
মাংলম-চংতা মহাক্তি খুমন হায়বা লমদমদা
মীখোন তাবা য়াদে-হায় । ঐ লাক্লেদো হৌজিক্তি।
নংগী গুমস্তু য়েংজগে ঐগীস্তু মং য়েংঙরো
চংরিরকউ ইশাক্তা ॥" খম্বা অসি হায়রহনা,
খুমন নিংথৌ মপুনা, মপাই মপুই লমদম্ব
তাকপিরকপা মথৈহু মমিং মমিং হায়রহনা
কৌজরক্লে মতম 'হু কাওরেন মানা তাখরে,
খুমন মাগী মখোন্দো কারে পুক্লে নুংশিংনা,
কাওগী নাকোং চক্রদা পুন্না পুল্লপ খিল্লরে ॥
মীখোন তাফদবা শন ! খৈ মখোন তাবদা,
কাওরেন মতু চুংলকই, নোংপোক্কগী মমাইদু,
নোংচুপ্প সর ওল্লকই—"ইলাই-লাইনা কনানো !
উশিন্তবা খোক্ফমি য়াম্না নাপন চাওনা-তায় ।
খেন্দে চাইরেন পোইরৈয়া ! লায়না ইমিং পল্লিনা
হায়না মমাই এন্সিল্লি, খুমাং খ্রো-খ্রো খোংলকই ॥
মায়কৈ কদোমদগীনো হায়না কাওনা য়েংলকই !
মায়কৈ লেপ্প ওমদরে- মীনম মায়কৈ কদোমদৈ
লাকইবগে হায়রহনা কাওরেন মনাক্তোন-হুনা
তাইবং মীনম নম্মকই । মীনম অদু কাওরকই
খুমন লাইরু-পুংদগী । কাওনা মতু খিংলক্লে,
খুমাং অনি খোংলকই মমৈ চামোর হাইগৎলে ॥
কাওন্না মমৈ থেকংপা চুমথাং খনগুম উখরে ;
খুমন মাগী মমিংতা । খম্বা মানা খল্লকই
"চুমথাং খন্দে অসাইদি হৌজিক্কদা খল্লকপা,
অরুবা লাই ওইব-তায় । লৈরিবা মতা সিগা

চিংলায় হায়বা অচুম্বা— ঐদি শনবু কে জরি
নংবু নত্তে।" হায়দুনা খ ১ অমুক লাওরক্লে—
"মীখোন তাকদবা-শল। করি দৌরি হে জিক-কাও।
লৈপাক অনি তিনবদা নিপা পাংগন তিংনসি।
চংলকউনা থোরকউ তাব্রববা শন-নংবো।"
হন্না হন্না লাওরক্লে। কাওরেন মানা শাওরকপা,
সোর ফী ফী কাম্মকপা লৈবা লাকপা ঙমখিদ্রে॥
"লৈকম থংলে চেনগন্নু, ঐগী গুন খংদ মাক্লে;
নত্তিক ইত্তিক থংনসি, 'লৈপাক তিনবদা' হায়না,
—করে, নংদদি লেম্না থ থবরোই ঙসিদি॥"
কাওরেন অসি হায়দুনা থোংহনা রাশক্লে॥
'ঙরং' লাওবা খোম্ফমদে খম্বা মানা তাহৌই।
খম্বা মানা "করিনো শন্দি লাক্করদুনা,
লাইহুম লাক্লিগদরা।' স্নম্না খল্লুই খোন্দাদো॥
খম্বা মানা লৈবগী লাইদিগোম্বগী পাংপাম্না
মায়গৈ রাংমা ওইবনা খুমন তাম্না লাকপদা,
কাওরেন কংফান কোইদরে শাওখিবনা শন-অদো,
লাইজ ইরম শম্মকলে চোংওরকলে পাংযাইদা।
নোংমাই তম্না লোইরকই। মমৈদুনা চিংলকপা,
চিরেন অনি অহুনে কোকচাও'দুনা মাংহুদা
মমিং মৈবুন থান গুম্বা যাংলেন কোরী চেনবদা
মরক তুদা লৈপুংগুম মকম অহু উবকপা।
খুমাং খুহুং মরিনা লাইজ দুদা হোংলকপা,
লাইজ ইপোম অনিনা ইথক ওইনা কাওহুগী
রেংতা ওইদা থাইখিবা, অনি নুবা ইথক্তা
মমৈদুনা ক্লিংবগী ইথক মথাং মথাং ওই।
ছু।' শা-হুনা রৈবগী চিরেন অনি অহুগা,

লাইজহুগা শাহুনা পুম্নং ওইনা লংখিবা ॥
কাওগী নাত্তোন অনিনা মৈহুম উত্তোং মুক্তি লাও,
লাইজ থক্তা কাম্মকপা ইরাও খোনবু খোরকপা
মতৌ অসি উবদা খুমন পুমংক চকখরে।
কাওনি হায়না নিংখিরে। খুমন মানা লাওরকই—
"তুবি নংবু নংচদে, লাইরেন নংবু কৌজদে,
তুবি নিংনা তেবিরো, লাইরেন লু-না হনবিরো
ইরান নত্তে নং ঐদি ল ই নংবু খুকমজরি।"
খুরম্মকই নোল্লুক্লা। নোংয়াই মবুক অহুদা
শাংনা লংনা উবনা লাইনি হায়না খল্লুরে।
চিরোং লাইরোং মতানে অওইমক্ত মানখরে।
খম্বা মানা হায়জবা মীখোন অহু তারগা,
শাওবা হেল্লি কাও অদো ইয়াইহুদা শমজুনা,
তাংথক লৈতে চংলকই— নক্লিল্লকই অসুম্বা॥
ইকং মতম ওইবনা পাংকী উচেক অপুম্বা—
তান্নু খরা চিম্পাকপী, লম কাংড তিংড়ি, উরা
উচেক সংগু সংগুনা কাওনা ইরোইরকপদা
ইপাক ভুদা তারম্বা পুম্নম ময়া পাইখত্রে॥
খুমন মোইরাং অনিনা সম্মাই থক্তা উরক্লে॥
লৈপাক অনি তিমবদা— "য়েংঙু য়েংঙু থাপওবা,
মৈরম পাংবা অসোমদা, উচেক শিংসি করিনো!!
খুংতা 'মনি।" হায়নরে। অথংবনা হায়রকই—
"লৈপাক মীয়াম নিনগমু, নায়তোম থেংনবদগী
ময়াম মনিন তারগা কাওরেন হেল্লিরকনি,
তুমিন তুমিন লৈথিয়ু খম্বা শনবু থেংনরে।"
লৈপাক পুম্নিন নিমখরে। কনাগুম্বা অমনা—
"লাপ্ল-থেংনরুরেদা অসি রাইদা ওইরদি

কপদনি” হায়নবা—কোংগাই অমা য়াওরকই ॥
খোংলেম্ন, - খুমথ মচা লাইরবদি খম্বনা
মখোং থাংদোকখিবদৈ, মমিৎ অনি পাংখিদে,
খম্বা মাবু খম্মোইদা খোংলেন চেৎনা কোনখরে ॥
“পারি ’বুঙো ইচাবু খোংকাপ কৈদা শোইগবা।
মপা ইতাও নৈত্রেকো,” খনখিবনা খোংলেন,
খুমন ইকোপ লমদমদা কয় হিরী কোনখরে ॥
লাইরবগী সয়েংদি নাম্ব ওইবা মবাইদি
কৈরোইজাম্বা নিপাদো লৈপাক মনিন থোরকপা
ইনিন অহু তাবদা লৈব লাকপা ঙমদরে।
মখান চাওবা নোংথোম্বা কম্বা ঙমদ্রে মতোমদা ॥
উচিরাগী লমদমদা খুমন চম্নু লাইরবী
মালেম লৈমাই থক্কুদা লৈযি যৈজে চিংখরে ॥
নুরা ওইবী থাদোইনা—“ইপু ইনাই অনিবু
চংবা য়াররোইদবো—কমদোসিগে ইনমা।”
খম্বু য়েংন হাযরকই। খুমন চম্নু খম্বুনা—
“কদাইদগী ইবেম্মা! লাইনিং পরে চৎপিয়ু।”
হায়নরক্লে অনিদো। “থাংজিং নংগীদমক্লি—
মাঙ ভুবুম অমতং ঙাক্কনবিনু নহায়া।”
খুরমখরে থোইবীদো। নুবা অনি যেংবদা
থাংজিং মানা লেপখরে লাইরবগী মায়কৈদা
ইকোপ-লমদম পযেম্দি হৈবোং মপা অহুদা
থাংজিং তোংনা লৈখরে নুরা ওইবী থোইবীদো
থাম্বী মৈত্তান নেংপগুব কম্বা লৈবা ঙমখিদে।

* * * * *

খুমন খুক্ৰমজবদা পনখিদরে কাও অদো,
চংসিল্লক্লে অহোইনা। চংলকপহু উবদা—

"শন্দি লায়রি ঙসিদি নংবু হাল্লা থেংনগে !
তুবি নখা সেগাইগে লাইরেন নবুক হোগাইগে,
হল্লগনু চংলকউ।" খুমন তন্না লাওরক্লে।
শন্না তারে হাইহল্ল—"উশি-ভেদা হায়বগী
থনখিবনা শন অদো শাওবনা মাংওইনহুনা
মশা পান্ন পাইনিঙেঙ। চংসিল্লক্লে পন্দরে॥
লাই হনখিনি হায়রনা খম্বা মুক্তী তাখংলে।
ইশিং' থেনবা য়ৌবদা কাওহনা কারকপদা,
মশক লাকপা ঙম্মক্লে। "হী অসিদি কাও-নিনা!
অরেম্বদা ঐহাক্তি থোযুম মাবু চৈক্লরে,
চিংউ হায়োবিগনু।' খম্বা তন্না খুরমই।
কাওরেন মাবু য়েংলগা—"থনেক নত্তে য়াংকোক্তি,
নাতোন নত্তে মৈহুম্নি, মমিং নত্তে থবান্নি,
থবান নত্তে নারম্বি, মনা নত্তে হুমাইনি,
মমায় নত্তে চিংমায়ম্বি, য়াংলেন নত্তে লৌরি-ম্বি
লৌরি নত্তে চিংয়াংম্বি, মরেং নত্তে চিংথাংম্বি,
মরুম নত্তে লৈপুংনি লৈপুং নত্তে চিংহম্নি
মথোং নত্তে য়ুম্বীম্বি, কজরেদা চাওরেদা ?
নিংথিরেদা শল-অসে ! মমৈ সিম্বা মিংথিবা
লোইবী য়াংগেম মপুন-গুম চামোরমা কৈদৌদি।
শল অসিদি পুরগে খুমন মোইরাং তিমবদা
সিদা কনা ভৈরোইই লৈশাক অমি উহনগে।"
নিংগ্রে, খম্বা শন-হুবু লংমরগে খমক্লে।
শন্না য়োৗরক্লিঙৈদা হাবুং অচৌ অচৌবা,
খুমন ইতোম পায়হনা ফুক-ফুক কক্লকপহুমে,
চোংপাং পাম্বী, বৈভংশায়, লৈপুং অচৌবা অমি
শৈরে খুমন মবাক্তা খম্বা কাও-হু ভাইরক্লে।

ভাংথক লৈত্তে কাও অদো ফুজিনক্লে খুমন্দা।
হাওরে। কৈদোম কয়াদৈ কাওবৈ মচী অহূনা
মালেম লৈকন হাইগাইরে খুবাং থোংবনি কাও-অদো.
কাওরেন ওইবা হৌনবা কীবম পুম্বা তৌরকই।
মহূ উরে' খুমন্দো নোকই —"নিংথি কৈজেদো,
পলেম পন্থৌ অনিনা পাম্বি 'শাম্না' হায়রমক
পাম্কবনি শল-অসি।" থম্বি নোংমাই মতোমদা॥
পন্দে শন-হূ, 'ওক-থ শূ' চোংশিল্লকই খম্বদা,
লাইর পুং-হূ নিকথরে "নহাদে"—হায়রে খম্বা,
লৈকম হারু পুম্বহূ কাওরেন মাবু তমহূনা,
লংসিল্লক্লে। কাওহূনা খংখংখং ইতোই ইতোয়।
হারু অমৈ মতুংদা হারু অমা, লৈকল-'মা,
মরি মরি শম্নরে—ইতোয় ইতোয—খংতোকই।
কাওগী মায়কৈ অদোমদা পুম্মন ওইনা মমথরে।
"উশিত্তেদা নিপ সে মীচম্মক্তি নংতয়ে।"
খনগ্লে কাওরেন অহূনা খবৈ চৈথা ফংবদা॥
খম্বস্ন—"ফাগি যাদে শল-সি শন্দা অমম্ভি।"
খল্লে খুমন ক্লা পায়বগা লংসিনবগা
খংখং ইতোয় ইত্তে মনি শম্বু ম অম্মা পমদে।
খম্বা খুংলাই লৈমক্তে —শন কেপ্পল্লকদোরে॥
খম্ব মানা "ঐহাক্তি চেনবা নংত্তু থোযুমশা।
শাথী ওইযু নহোয়না কুমৈ কংকে তৌবনি।"
হায়না খম্বা শন-হূবু লংনরক্লে শাওহল্লে,
লংন-লংন-নিংহম্নে, কৈদোম তরেং হমথরে॥
"হুংহমনা চংশসি হু-লাকপা থোক্লবদি,
মাইবী মাংনা তোক্লনি।" খল্লে, মনায় অমাং-পাং
খম্বা কাওগী মা, হূদা – চেল্লে খম্বা লাওরম্মী -

"ঐদি চেনবা নত্তেকো কাওরেন নংবু খংজৌও।"
চেল্লবদি তাল্লরোই খল্লবদে শল-অদো,
চেন্দে হায়বা তাবদা, মমিৎ থল্লান মারন পাই,
মখোং নোংথাং ওইহনা পরি মঙা তরুক্তুং,
মালং মমাং থাহনা থম্বনু তান্নরক্লে।
অয়াংব নিশা ওইবৈ খম্না করি রাবিদে।
রারে কাওরেন মহাক্তি। লেপই শন-হু ঙাহাক্তুং
লৈহৌদেরে হায়হনা খুবাক প্রোক প্রোক খুহনা
শমবু 'য়া-য়া' লংনরে। শল্লা অমুক শাওহনা
পরি অনি তাক্সিল্লি শল্লা র'রে পোংথাখি;
খম্না অমুক লংনরে—স্তু.। লংন-ল'মনা
কাওরেন মাবু পুরক্লে, অনি হনা তান্নবা
থৌগ্রে উকুন ফ্রং ফ্রংদি। লৈপাক্কী উকুন নত্তে।
লমজাও মৈমা চাকখিবা অহুই তাংগোই মরুনি॥
সিগী উফুম 'হুদনা লৈচিন মোংফাই ওইরকই।
কোরৌ মোংথোং কল্লকপা উল্লরক্লে লৈপাক্লা।
"কৈনো মতা অমনি" য়েংনবদা উরকই।
"তান্নরক্লে খুংলাই-উই পাবু পায়।" হায়মখ্রে।
মমাং থংবা মথৈনা রাল্লা রাল্লা লাওমরে।
মীচোইপোক্কস্তু হায়না চেক্সিন্নখ্রে লৈপাক্তো।
থাং-তা খুংলাই পায়বনা ফুনখ্রে সগাই পম্মাংদো।
"খম্না'চোল্লে—চেন্সন্নু মীনা ঙম্না শন-নত্তে।
থবাই মাংদ্রগা লোইরে"—হায়নরক্লে লৈপাক্লা।
খুমন নুপী মথৈমা—"মোইরাং কৈদে নবগে?
অসাইনা তারে কৈমো। ইল্লবদা খম্বসে,
ওমদহনা চেল্লকলে তক্সিল্লুনা খম্বগী
লমজা মথল্লাই কন্সিনা! খুমন নংস্থ তক্সিল্লু!

খুমন শাগে মচানম্না থরাই মাংবা পান্মুইনা
কোরৌ নহান মখৈদি শগৈ নাতে খংলমদে।
খংনজরি ওম্মিত্তা কনবিহৌসি মহাকপু।"
খুমন নুপী অঙাং লাওনরকলে নিনখরে॥
"অস্তুক নিংথি' ফজবা অঙাং সিবু পান্মুইনা।"
হায়না খুমন মহাক্কী নুপী অঙাং মখৈদি
খম্বা কনগে হায়দুনা চোংথনরে পম্মাংদা
খুমন 'থোবা মখৈনা "হানু ওাইখো" থাম্নখি॥
"মোইরাং কৈদৌরিবগে" লাওনরকলে চোংথরে।
কেগে তেংগোন অদুনা চেল্সিনখরে লৈরাক মা
খম্ব মাগী মায়'কদা। "লৈপাক ওাইখো" হায়দুনা
নোংয়াই চেপ্পাক লাওরকই। থোংলেন মমিং পাংলক্লে॥
লৈপাক নিম্নবদুদা মমিং পাংলে থোংলেন্দো —
"ভোজোনমদি চেন্দেনা ঐনা শোইরবমরা।"
হায়না থোংলেন যেংন্দা উরে মচাই মতৌদো!
করিনো 'সিদে হায়না খল্লদুনা থোংলেনবা.—
"পরি ইরুংগো নংবু 'খম্বা চেন্নে' হায়বসে.
ইপা তাবা ওমদরে: চেন্দে, খংই ইপাদি,
নপা ইতাও, নমাবু পারি 'রুংঙো নিংশিংউ।
নবাই-লৈ নপা ঐ লৈ — অওইবরা শাজোবা!
চেন্নবদি ইপাগী সগাই রোমদা" হায়রক্লে।
"খুমন মোইরাং অনিমক লিন্দা ফনু কান্নরোই।"
লৈপাক অনি লাওনরে — খোইরেন মশা পায়খদে॥
খম্বগা শনগা অনি সগাই য়োগদবদু
মতম অসি লাপ্নবা পরি অঙ্কম মরিরোম,
অদুনাইদা মরাংলে। খম্বা তারে খল্লকই —
"হায়খিসনু নিংসম্নু।" লককু তৌই খন্দো।—

"নং ঙমত্র' ইপা ফাগে, সিজ লৌজো নহাক্না ;
লৈপাক অনি তাবিয়ু—ঐনা ফারে ইচানা
ইচানা ফারে ঐনা ; সিজ পিযু ইচাদা !!"
হায়না লাওরে থোংলেন মাগী সগাই থক্তগী।
মোইরাং নিংথৌ মপুনা খুম্মে "পিনি" হায়হুনা
মপাই মরা তাবদা খম্বা চেল্লাও লাওরক্লে—
"খুমন, মোইরাং নিংথৌ সু লৈপাক অনি প্রজাসু,
খংদবসু খংবিহৌ উদবসু উবিহে ।
সুংজেং লাইজেং অপূপা লৈথক লৈখা লৈরিবা,
কৌজেং হারৌ কাওবসু তাবিহে রো খংহৌরো !
ইপা ইকু ইবাইসু- ননাই খম্বা চেঙদে !
লৈপাক উদ' উনবা খংদববু খংনবা,
॥ পুম্বা তানবা,—ঙরাং সুংদাং মোইরাংদা
কেগে কংলা পুংহুদা,, শন-ফাগে হায়না ঐনা,
রাশক-পদা লৈপাক্না' ফাবগীদি মফারো
য়েংনিংইদা কুম্মেদো হায়না শোয়ম্নে ময়াম্না।
লৈপাক কুম্মে য়েংহনগে খজহুনা লমজানা,
পুরকপনি শল-অসি। লৈপাক পুক্নিং তপ্পিয়ু!
থেংনরগে কাং-অসি।" লাওরে খম্বা মীয়ামদা॥
নোংয়াই খোম্ফম অহুবু অমৃতনু ওইখরে।
লৈপাক পুম্মিন নিনখরে—"চেন্দে হায়।" হায়হুনা।
লৈপাক উনশুম ইংখরে। খুমন অমুক হন্দুনা -
"পঙ্কে, ইমান, ইবাইদু ননাই খম্বা চেঙ্গদে
মীরা চানবিগনু !(পঙ্কৌ খোয়খা সুংহুগী
তীমনি ইপা ইবুংঙো। কুম্মে য়েংবিননবা
কাওরেন পুথোরকপনি। নপ রি চেনবা মঙ্গে।
মানবী চিক্লেন পায়রগে পঙ্কৌ কুম্মে য়েংবিরো॥"

থোংলেন মচা যেংহুনা 'পাবি 'বুংঙো ইপাদি
খংই চেন্দে হায়রবদো মীরা চয়নবগী
লাওরবনি ইপ না। ইচেন ইতাও অনিদা
ইপা হয়েং শিরগা পারি নপাও তম্মুগে।
কিরুগনু শাজৌবা!" লাংরে থোংলেন মচাদা।
"খুমন ইবাই লৈ, কিন্নু ইকু লৈএ ইবুংগো।"
চাওবা মপা মচাম্মু - খুংন মবু লাওবকলে।
রাহৈশিংসি তাবদা লৈপাক অনি পেংরে।
খম্বা ছঃ-হাইজিনখরে, কাংনা ফুজিল্লকপগা,
অনি অহু মান্নখ্রে। কাওগী চিরেন অনিহু,
তাপ-পাযহুনা নমথবা কাওবেন মচিন অহুনা
মাঙেম লৈদা শেংখবে শন হু লেংবা ঙমদরে।
খম্বা শন-বু খেংনরে কাওবেন মচি পাযখরে,
লৈপাক বাবু লাওখরে। খুমন ইনগে যেংবদা
কাওরেন মখোং মরিদো উচুক থাগুম লেংদরে।
কাওনা ইনগে নিংবম্মু যুম্বী গুম্না লৈখরে।
অনি খাংনরকপসি মতম তাঙ্গা যেংনরে।
শন মখোং মরিনা কাওগী ফীবম চেংখরে॥
খুমন মথুং যেংভুনা কাওগী ওংরোম তাবদা
ঙেৎনা কংবা ঙগা ওইহু কোংগোম থাবদা
খুমন মানা মুকপদা শনগী মচিন যুকংপা
কাওগী ফিবম তাওখবে তাঙ্গা ওইরে, খুমন্না
কাওরেন মাবু ইনবহু হাংরে। ফৈদোম অমরোম
ইন্নে শন-বু খম্বনা। কাংরেন তম্না খাংবনা
কাওগী থুমাং খুহুংদা কংমৈ মরি পৈখরে।
জুরি মরি তেংরক্লে। 'হুদগী শন্ন খম্বা,
মাবু অমুক ইল্লক্লে। কাংনা অমুক তম্ন ইল,

খম্বা মানা অমুক-ইল ; অস্থম ইন্নরকপসি
বাংলেন পুং অঙুম ফারে নোংয়াই মানা চেপ্পদা
লৈপাক অনি চেপ্পকই। কাওরেন মশা অপুম্বা
হুমাং পুমচোং চোংলক্লে। মচু ঙাংবা শল অদো
মুঙক মুনা উখরে। খুমন মাসু হুমাংনা
পুন্নুপ ওইনা লুপখরে। খুমন মানা "শল অসি
লৈকুং কোংকুং অমদা ইম্বুনা নমুংনা
কাওরেন ফাগে" নিংখরে, অতুই খুদোং যেংবদা,
কাওনা শিংবা হেন্দুনা খুদোং অসি পিদরে।
লাইবু খোইবা শান্নবা নোংয়াই মখুং অনিদো,
কাওরেন মচি পায়বঙ খিংতা কোম্বা-য়াখিদে॥
অনি সিনা ব্রানবা প্রানবু খুবাক হাপ্পরে।
অমনা অমবুদি লাকচৈ হাযবা ঙংদ্রে॥
খুমন মাগী মীচংন' লৈপাক অনি ওংরকই।
কাওগী মীচং লৈখিদে। মীচং য়াম্বা মঙাইদো,
কাওগা যেংনরকপদি খুমন মচা মতোমনি॥
মমৈ-তুদা খম্বনা ব্রারে ডাহাক পোংথাগে,
নুমদাং ব্রাইদা ফারগে- নোংয়াই বুদ্ধি তৌরক্লে।
খংইল ইল্ল খংং। থাই থাদে কপগা চোংসিনখি।
কাওগী মরেং অঁহুদা খুমন মাবু তাখরে।
নোংয়াই লেংজাও অতুনা কাওগী মকুম অ-দা
নপ্লে ফারে মরমদো খংা মথুং অনিনা
কোল্লে খুরক চন্দুনা। খোংগী খুদোল অনিনা
মচি' মক অনিদা খোংগী খোংফম ফাখবে॥
কাওগী মংক অঁহুদা পোথাখরে খম্বদো॥
কাওগী থক্তা হেক তাবা হাযনরক্লে মতমদো
"খম্বা কাওনা লেংখরে হ ইগংখবে মাংঙদো॥"

খদাংচেং লোয়মন্না কাপ্রং ফেনা লৈরোংনা
ভাংনা তাবা অহুবু শন-তুগী মথক্তগী;
ঈনি হায়না ভাংনরে। নিংখম মৈতোন তাবদো—
"ইমুং কায়রাক খাইখরে"—হয়া লৈপাক লেপখরে।
খম্বা-শনগা থেংনবা মফম অসি লৈপাক্কা
খর লাপ্প থোকপনা অস্তম ইন্নখিবদা,
মিংনা তাম্ব লমদি ওই, ফিথৈ লাকপা ঙম্মদা।
খুমন মোইরাং কপনখি খম্বা মাগী রাবনা।।
মপা থোংলেন অথৌবা মমিং অনি উইশিন্নি—
"ইচন ইতাও অনিনা শন ফাবসি যাওবিয়ু;
নচাই পান্থল হাপ্লিয়ু খম্বা থোংগংলকপদা,
অমুত ইল্লু ইচন্না থোদুম নংম্থ য়াওবিয়ু।"
হায়না ধ্যান তৌরহুনা ফম্মি সগাই মংক্তা।।
খুমন মোইরাং অনিনা 'থোংলেন মাস্থ কপই'-হুম,
উরে লৈপাক পুম্বনা। অশেংবসি খংবদি
থোংলেন মাদা মঙাই—মোইরাং নিংথৌ কপ্লক্লে।
খুমন নিংথৌ। কপখবে মহারাণী, হয়াইন্সু,
হুপী অঙাং কপখবে। "থোইনা অসাই উবদি
কাওরেন মাবু নহারা যাম্না লাকচ—উবনি।
খম্ব করি ওইরসিগে। হৈনা নতুং ইনগে,
শানা লাংজেং নমৈথাই, খুমন ঐখোই লাক্লগে।"
কপখ্রে নিনখ্রে ইকোপ্পা অপান-সোইহু নিক্লক্লে।
কপচৈ হাযদ মঙ ইরে লৈপাক পাংগন থোকখিদে!
কাওবী গুন্দ্রু খংবনা কনা চোংথোবকতরে;
খুমনশিংগী মরক্তা মোইরাংশিংস্থ 'ঙমদ্রাই।।
"হল্লসিদা' হাযনবা অহু ফাওবা হায়নরে।
মন তুম্বিন লৈনখরে। "কনবা ঙমগদবব্রু

কনা লৈবা হেৎজিক্তা চোংলকও।" লাওনরক্লে।
ফৈরোইজাম্বা চোংথোক্লে—"মসেন হৈনা ইল্লুগে,"
লাওজনরক্লে লৈপাক্তা খুমন মাগী প্রেমহনা,
ঙাওরে লৈবা ঙমদরে। থোংলেনবনা—"ইবুংঙো!
ফৈরোইজাম্বা হাখিনু। খুমন নশেন অহুবু,
শিরে হায়বা অশেংবা অঙমক্স, উদরি,
কাওহুদা অোংঙমদি চংলিবরা, মাহুস্থ
ওইফবনি নসেন্দো। লৈপাক প্রজা পুম্নমক
নিংথৌ অনি তাবিয়ু। নুমিৎ তার-দায় কাওবা
সিদা খংগা লাক্কগা শিবে হাযবা খংলসি!
হাবিখিনু।" হাযহুনা থোংলেন মানা খাম্বক্লে।
খম্বগী অকুম্বনা কাওগী চিন্দোন অহনা
লৈপাক তানিং তাম্বনি মথা অহু লপাক তাই।
মথা পাংনা পুথক্লে। শনগী মতুং অহুদা—
ফৈরোইজাম্বা ইন্দুনা পরি.অহুম মরিদং
য়েংই ঈদি তাখিদে। থোংলেন লালোই তাম্বনা—
"কৈদনো নংবো অঙাং লাও চ থোকখিগনু"
খামখি। ফৈরোইজাম্বা তম্মে থোংলেন চাওবদা।।
খুমন মশেন অহুগী ঈদি তাদে হায়বদো।।
থোংলেন মমিৎ উইসিনখ্রে অমুক্স ধ্যান তৌখরে।
চাওবা তন্নাচংলক্লে—"ইতাও মন্ত্রি তারিত্রা।"
থোংলেনবনা—"কনানো?"—ঐনি ইতাও মন্ত্রিবু।"
"করিগীনো নহাক্তে অঙাং মানখ্রেদা চাওবা।
ঐগী ভোজোন থংগাইদা"—"শাওনু ইতাও! ময়া হায়গে।
খুমন নচা—ইমাকপু, হায়নম্বিবসি চুহ!?"
"ময়ারুগম্ব চাওব নং, নং ঐ কপ্প-য়াদেকো।
নমাক খুমন শিদে হায়। শনগী থক্তা তোংহনা

পোত্থাবনিনে ইতাও ॥" থোংলেন মরা তাবদা
মবুক-দং তারে চাওবা,—"ঐনা নংন্ন কংবদি
তম্ফা খুদোপ। থোংলেনবা। পেনখরেদা চাওব-ঐ।"
হরাওজরে চাওবদো। "ঈরাকুরম্ন নোংথোম্বা,
খম্না শন-কারক্লনি চংলো কম্মুরো চাওবা।"
হায়বিখরে থোংলেম্না—মচা কৈরোইজাম্বদা
থোংলেন মপাও তম্মুরে, হরাওজরে অনিদো।
লৈপাক অনি উবদা—"ঈরারে 'থুগী চেন্নরে,
লমজা মাগীদমকতা।" মুস্না খনবিখিবনা
লৈপাক অনি কপখরে, হৌজ হৌজ হৌহ্নবা ॥
লৈপাক কনাগুম্বদি চেন্নখিবম্ন য়াওরে।
ময়ুম ময়ুম পাংহ্নবা—"কুম্মৈ য়েংবা লাল ওইনৈ।
চংকম্নসি হায়জেদো নংনা নিংথাই চাওহ্নবা—"
চৈনবম্ন কয়ানি। মতা অম্না ওইরক্লে।
চেন্নরকপদা নাওস্ত-খোংগী উরোক থোং অদো,
তেকলে: ইয়াইমক্তদা হন্‌থবা 'মা তাখরে।
লুপথ্রে ইরৈনা পুখ্রে, লুপ ফেং হ্নপ-ফেং শমজিদি,
উতিন মমৈ মুক্তা শাং; লোইরে মাওইবগী-দি।
মহৈ মহৈ য়েংনদে—মাগী মাংনা কনখ্রে ॥
লমজা 'থুগী মীসিদি ইরোইবনি হৈনখ্রে।
ইরোইহ্নবা চংলকপা মখোং লৈপাক ফংবদা,
মবুক মোরে অহন্দো—মীয়াম দোমদা য়েংহ্নবা—
"থাইবৈ লৈরাং চিন্নমন—নারাঙৈগী থেংনমল।
শিঙেন চিন্নমন্নিদো কাওরবরা মনাওবো।
চাংঙৌ কাবা শুমদরে—মাঙ চিংখংপিরোকো ॥
মীয়াম অহ্ন মরক্লে হন্নুব 'মা থোরক্লে।
লাকমিননবা ওইরম্মে। ইরেন চংজখিহ্নবা

নাহৈ চৈন্থ মতোন হু. হন্থবী চৈদোন পায়জরে।
হন্থবীহ্ন কাখংলে, চৎমিন্নখি অনিদো ;
ইচোৎ চোংলে.ময়দি—ৱানখরে লৈপাকতো,
'খম্ব 'মনা য়েংনরে মহৈ মহৈ রে ন্নখি ॥
অপান্ম লোইগী মীনিংলে উচিরাগী লমদমদা,
তান্নে খম্ব, থোইবীনা—খুমন চন্থ লাইরবী
'ৱাবা পান্দম লৈখিদে—মুজা পংকপ কল্লকই।
নুরা ৱাথন তৌবদা—"পৱেম পম্বো থাওদগী
ভামিন্নবা ইপ্রা দি! কৎত মুংদি থোক্লবা,
ইপ্রাই খুদম লাক্লনি। লাক্নে করি তৌদবোই ॥"
খম্ব, ৱাথন ভোরকই ॥ নুরা মজা ইবেম্মা
পায়ম-মুংদা ৱারকই খুমন মাগী দমক্তা
ইজ্রি চান্না কল্লকই—"থোইবী ইন্থংলাংগীনা
খুমন ইকোপ-লাইপন-সোই নোংয়াই লমদম অহুম্মা,
রাইবী মাংলবন্নে। খুমনরাইবী মাংলবা—
মোংরাই মদোম চংকন্থ। লমদম খোংভাক অসিথেন্ন
খুহু মীশা তাবা-চিং, ম ঞ ঙাইবিরমখোকো !
মনাও ভুংবু ইন্নকে! সিনি খংদ কৌনিনা।
খুন্না সেনবু হাপখিদে নুখুম সেঞ্জা তমখিদে,
মীরৈপাক্তা চানবা, লোয়ুম! মনাও পুক্নে!
খংলেন ঙাইবিরমখোকো! মনাও লাকই ইবুংঙো ॥
হান্দক মপোক অসিদা থংলেন নংগী সেবাদো
মনাও নিংবা থংজদে—মনাও য়াৱা তানদি
লোয়ুম মংনা ঙাইবিয়ু !!" হায়জরকই থোইবীনা !!
লৈবা ঙমদে থাদোইদো হন্না হন্না কপখরে—
"মাজ মনাও পুবিয়ু, বৈতরণী হায়বদো
মনাও পাঙ্গন শানবিনী ভুক্তা লানবা ঙমজবোই।

শন্নাং 'মনা থোংকু-ওই, শম্বুম 'মনা পাম্বে ভই,
য়াম্না থুদোং থিদি হায় । খম্বুং যোমরাজগী
দরবার চংবদা চংমিন্নসি ইবুংঙো ।
নুজা ইলোম লাকপদ্দি ইনেম ইকু অনিবা
খংবিরম্মোই হোয়েন্দা । খুমন নযুম নাকছুদা
পল্লেম পম্মো তুংহুদা চংজরকপী ম্মোনিবা ।
মাজ নহাক ঐহাক্কী থোযুম নোংদম থিবগী
নারা ওইনা কাইনখি খংনখিদে শক-অদো ।
মনাও ছুংবু ইজগে থিমিমনসি ইবুংঙো ।।"
কল্লমথৈ কল্লগা নুম্না থাংলেন মখুৎশু,
থোইবী ছোরী শংখয়ে । নুজা সরি লোম্মুং-লোন
শিরগেদি হায়হনা মাজ ফিগৈ থিরক্কে ॥
লাইরবীও খম্বনা—"হাবিখিনু ইবেম্মা !
কবি ঝাকুরিবগে । ইপু ইনাই স্নুরিদো ।
ইপাই ফিগ খংলগা থুমন হৈনা ইনখিসি !
পোকমিন্নবা ইপানি—ফজ-নুংবু পোক্লদি,
শোইরোই থুদম লাক্কনি । থুদম লাক্কে হাখিনু ।"
থোইবী মাবু থামজিনখি । থোইবী কল্ল-তোকচবে
লাংনা পাদম্মি কাংখন তাই, থোরি থোংলি চংতাই ।
মণ্ডারক থোরি থোংলে. চং অন্নুমা মত য়ে ॥
মুম্বা অনি চিংনবা ওথাক মথৈ কোকচয়ে ।
বাথৈ লোইবদি নাইদে । স্নুম্না অনি লেমকই ॥

১২

খম্বু শম্না পুবা তেরা পন্সাং য়োম্নক্কে,
ইকোপ লাইদিগোম থেংলে, শম্মু খম্বম্নু অনি
পাজন অমুক হজিয়ে । মণ্ডকদি কাংঅদো

হাইগৎপহ্নু ঙমদ্রবে। খুমন যোইরাং লাপহেন্নরে॥
লমদম অহু উঙাক্লা। "ঐনা সুম্না শন-থক্লা
নৈরবদি কৎতরে—শন্না-শন-শিং ওইবনা,
খেংজিন্নগা উসিদা ঐগী খুদোং চান্নরোই।"
রাখন তৌরে থখনা। চোংথরগে নিংখরে।
খুমন মানা খল্লকই—"হৌজিক সিদা ইচেমগী
লাইর খুৎনা লাংজবা তন্না চম্বম অমতং
চাজরগা ঐনা—কাওরেন নংবু—য়াবৈদি,"—
কাওরেন মান্ন খল্লকই—"লাইদিগোমগী সজিক-তো,
কম্বোং মনৌ খরদং চাজরগা খেংনবা,
য়ারগদি হুংঙ্গাইনি।" সুম্না নিংনৈ অনিম্বক॥
চোংথব্লগে লায়হনা, চৈ পায়দনা মখুৎনা,
খুমন মফী য়েংগে· মাথরকই মথাংদা।
কাত্রং থৌরী খেংনরে। খম্বা মতু চুংলকই॥
মখুৎ ওইনা মপাগী নোংঙ্গা চৈবুন পায়খরে।
য়েৎনা শনগী মকমহু খুমন কন্না ইম্বোক্লে।
খম্বা তোপনা চোংথোক্লে। সকু 'হুনা কনবনা
কাও থুরু খুদক কুপ্নি। চোংথবগা চোংসিনগে,
শননা মখোং ফুক্রমদায় মতম মিকুপ অত্তুদা—
"ইপা ভাংবা ভাইবিখো" খম্বা মানা কৌরকই
কাওরেন মাবু য়েংহনা। শননা খংলেপ লেম্বকই,
মনা অনি থাংগৎলি তারে খল্লি—"কনানো?"
খম্ব মানা—"পম্বোবু! হাংকে কোন্না হাৎপিদু!
নচা রাহ্লোকরোই। রাদদি হায়জখিগে!
(রাহৈ অসি তাবদা "মাসি মীওৎ অমন্নি,"
তারে শন হু লেপথরে, খগা চিংনা য়েংহনা।)
পম্বৌ পোকপা ইপুদি—নিংথি-বারা পুংজোংবা;

পুংজোংবা—লোক লান্না—চিংদোম অমদগী অমদা চোংহ—(পুংজোন্না

ইবেম 'ফুগী মিংছল্লা-লাঙনুবী কৌই হায় !
ইপম কোলোই অহুনা ইন্নুং থরুকপা কৌই !
ইনেম ইবেম্মগী মিংনা থরুকপী কৌই ।
নিংথি মপুংযাইহুদা পিশক পিক্লা ইপাবু
থমশিন্নি হায় খাইসিনা। থোন্নাং থকউ য়াদে হায় ॥
মুংশিং চান-হিংযাই এ। ঐবু পোকপা নতাওনা,
নিংথি লোইপোং থৌবগী লমদম সিদা চৎপদা
থেংনরকই হায নতাওনা, ইপা ঙাংব নহাকপু ।
কেগে কোন্নুং যৌবদা নিংথিবা ইপাগীদি
মুখ্তি অহু উবদা নিংথো তালোই অতোপ্পী,
ঙাম্বৈমা কৌজবী কোইদিং ললমিং চুম্বিনা
পান্সি লোজগে হায হায, ওইখি হাযদো ইমাগী ॥
পম্মো ওইবা নতাওনা পায় মঙা ফাওদা—
থাবি হাযদো ইমাবু তালোই মচা সেংতুনা,
পুরেম্বদি নতাংদা। অং অউন তস্মি হায়
মোইরাং নিংথে মপুনা পম্মোবুস্ত উল্লী হায।
পম্মো নচু ঙাংবনে নিংথি মপুং যাইদগী
পুরকপগা ওইবনে পলেম মানা পামজেদো—
ঙনশিংসিবু লেংনা পম্মো নংগী নমিংবু
'ঙাংব নিংথি পাঙ্গবা' কৌনৈ হাযদো নহাকপু ।
পম্লেম ঙাহৈমনা পুরেম্বদি নতাওগা,
কোয়ৌ নেংগাঞ্ববদা পম্মো ইবুংগো নংনা
ইচেম থম্ব, লাইরবী, খুমন ইচিন ইপাবু
পম্মো কোনবীরম্মি হায। (খম্ব মিঙা পিবু-তাম)
পম্মো ঙক্লা থাংলগা, ইমা নচন ইবেম্মা
মুজা মানা তায-হাযদো—কাত্রং থৌরী অসিনা !
নপাইনা পায়রিবা চৈবুন অসি নতাওনা

কাওরেন চপ্পোক চসিন্দা পায়রম্বনি হায়বিদো।
পম্মো কাওখরবরা, মচন নতাও অনিথু ?
পম্মো মুংশিখিরবা লমজা খম্বা খম্বদি
ইচিন ইপা অনিবু ?" থোইবী কোম্মোই শেমজরে।
কাওগী মমাং অহৎদা খম্বা কপই লেপউরে।
মচন মতাও পনবদা লমজা খম্বু পনবদা,
চৈবুম থোইবী উবদা কাওগী মবুক অহৎবু
মোংখোংবগুম ঙংখরে। "পারি 'বুংঙো!" হায়রক্লা!!
কৌদে হায়দা-থাকখরে মচিন অহৎ চপ-চপ-শাম।—
"খম্বা! অসাই মথৌদ্র করি হায়দে ইপাদা॥
লমজা থিদে হায়বগী খুমন হাংকে হায়রুনা;
লমদম শোমদা লাকপনি। খুমন পাঙন চাওরম্না
ইপায় থোঙ্গুল লীহন্নো হায়রম্বদি ইপানা,
ঙসিতা হায়বরনে লমজা নচেম খম্বুনা।
লাইর-মৈনা চাকপগী কাওকরিনি নচেমদো।
থংউদরে ইপানা ইচা লাকই হায়বদি।
বাবা-লোইর মতমদা তাক্লে-খুমন! ইপাদা॥
বাররিনি ইচাদি······· ····" কপথ্রে কাওরেন ঙাংবদো।
মিত্তা পিনা থম্না-তায়—কাওহৎ ইরেন চংলক্লে।
হন্দোকুনা পায়রিবা খয়ে থোইবী অহৎদা
শম্না মচক খিংজিন্নে। চৈবুন অহৎ, শন 'হুনা
মচী 'হুনা কোৎলরে কাওরেন লাইবক কৎলরে॥
"বাররিনি ইচাদি" হায়ররুনা মরেনা,
লেকই খম্ব-মচাবু। কাওগী মনাতোন-হুনা
মচন মতাও অনিগী হকচাং মনম থুংখরে।
লিংশিং নিংশিংউবদা কাওগী পুক্লিং নোংখরে॥
"ইপাইবুংঙা লাইরবী-নমোম ইচেম য়াওরকই,

উচিবাদা লৈরোই।" হায়রকরেদো খম্বনা ॥
কাওরেম মানা—"ইবুংঙো। উচিবাদি ইবুংঙদি।
ইকোপ লমদম অসিদা ঈশিং চাওবা মতম্দা
ইপাগী লৈরো লমহৃদা ॥ নংবু শিরে হায়অদি,
ভাংনহৌরে লৈপাক্লা নচেম ছুনা তারগা
হায়মনি ইচাদি ইপা নচেম উনিংঙে,
চৎসি নচেম মনাক্তা ॥" হাযনা কাওরেম মচিন্না
ইকি খম্বা মচাবু খংত্রি ভাবতু খৎদি,
ভিংক ভিংক শ্লুম লৈরে। কাওরেম মানা—"ইচাগি
ঐগী ইরোন খংদরে খুমম ইবুংঙো চৎসি
ইপা নচেম উনিংঙে" হাযরে। খম্বা য়েংহ্নুনা
উচিবাদি পাংহ্নুনা কাওরেম মখোং থাংলকই।
কাওগী মতৌ উবদা খম্বা ভাব-তু কংলম্লে।
"পন্থো 'বুংঙো' ইচেম্বু। উনম্লসি হাযবরা ?"
খম্বা হংই মপাদ—কাওবু লেপই অহুগা
খম্বা মাবু অমুক যেং উচিবাগী মুক-যেংই।
মপায ঈঙ্গিত উবদা খম্বা খংলে মাং-থারে।
মপাগী ভুক্কে থোঙ্গিদো লৌথোকচগে তৌবদা,
মতক লৌথোকই, হায়দে—"নমা ইচম ইবেম্মা।
নপা ইতাও অনিবু কায়নরকপা কুইরম্লে।
লৌথোকচু।" তাকপিরে। কাওগী চকলম অমম্দা
য়েংশিল্লরে খম্বনা। মপাগী মমাং থাদুনা
মপা মচা অনিদো থোইবী খম্বু অনিগী
উচিবাগী মাইকৈরোম মীপা শম্নগা হায়বী শাম্ন,
লাকএ মতে অক্সুম্না। খুমন মচেম ইবেম্মা,
নোংম্লাই মাগীতমতা হাজহোবী থোইবীনে,
অনি চুগী অম্বাকা নোংম্লাই মরা তারগা

কোন্নসম্নু খন্নুনা কাংখোম্ব খোন্নজা নাম্বিনা
খুম্বন মপাও অঙ্গু খম্বা মামা য়েন্নক্লে,—
"ইচেম্ব, ইবেম্মা অদি, খোংয়াই ইপাও কান্নবি,
মালং মৈম্না মৈরম্না কোন্নৌ মৈনা চান্নব্বা;
অৱা হুইজোম্ব অাংবৱু, শুংশি পোংলুম থাদিন্নো।
লাব-খৌরেম-মৈৱা-বু নম্নব্বু কোকপিন্নো।
খোয়ুম মাগী লোংঙম খোংকাপ ম্নাবা মুন্নমন্নো।
মপানপল অদিগী নুৱাম্ন ম্নাশক কান্নবন্নোই।
ইবেম্মা ইজেগা নহোয় অদি কৃপাম্না,
কাওরেন মারু কারক্লে।।" পাখং শৈশক ওইমিদি
উঁচবাগী লমদমলোম হুমিং চিংয়া থাংলকপা
কোন্নৌ মেম্নেম তৌবদা খুমন মামা লাওরক্লে।।
খুম্বন মপাও তাবদা মুজা মচন মমিংদো।
কালেন মৈনা চান্নম্বা ঃাকচিং উন্নেল ওইখন্নে।
খুমন চম্নু লাইরবা অসাই মখৈ খোইবীবু,
হাখিগম্নু হায়হুনা খুজেং পালোইনদুনা,
মুজা পাওমেম্নমই। খোইবী তারে,—"ইনম্মা!
থাদোকপিন্নো ইখুংসে মচন জগোই-শাজগে।।"
হায়জরক্লে খম্নুনা "করি থাদোকউদগে!
খুম্বন ইপা। লাক্লগা অম্নখিগনি থাদোক-ওই।"—
"করি হায়বা ইনম্মা?"—"খুমন নোপা খম্বদি,
কাওগী খুংতা শিরে হায়; মুপ্রা শকুবনবা,
শিকাং-ম্রিঙৈ অদিবা চংচরনি হায়ব-মৈ;
ঐনা থান্ন, থনস্নি। হায়ন্নি 'বেম্মা থাদোক-ওই"
– "কদায় চংকে হাক্লবা?" - "অঙোমলোমদা হায়-
হায়ন্নি।"—
"হায়বা! মাংঙে মাংঙে হী:। ঐদি হায়ম্নু হাম্নবা,

হায়বি-য়াকপিরুগনু, বাগ য়ারুবদমে,
ঐনা হায়দে মহায়নি, ঐগী য়াদি লৌবিরোই।
হায়বিরুগনুগনা॥"—"চিন্না পুখ-সেন-শং,
বাকোংঅদি য়ায়রোই।"—"কোংজরগে ইনম্মা!
ঐগী ভক্তা খুদোপ-সে তয়ুম নাইপুম লথানা,
মত্তে মমল কংববু ইনম্মা। সি লৌবিরো!!"
হায়রে থোইবী খুদোপ্তো খম্বু খুংতা শিবিরে॥
থোইবী অমুক হায়রকই—"ইনম্ববু থা বদা,
য়াওবিরেদো ঐবুম।" খম্বু মানা—"কৈদৈনি।
ঐবু থাবদি 'বেম্না। থাদে হায়নৈ—থাবনি।
কয়া কজনা থাগ্রবা; ঐথোইবুদি স্বয়া,
থাবিদেদো ইবেম্না। কৈরোইজাশা সেলুংবা
মবুংথোইনা অমুক্তা।" খম্বু স্বয়া হায়বিরে॥
হয়াও হল্লি ঙাঙোই মজাইবেম্মা থাদোইবু।
শিরুবদৈ হয়কপা 'হবু হেন্না হরাওইন।
মচন মনিং অনিমক॥ নজিয়রে খম্বদো—
মৌপ্না মশক উরক্লে। য়ারা মখৈ তারিবৈ,
মালংবনা পুন্না লৈরাংশিংগী মনম্বু!
হুংশি হায়বা মঙাইবা লৈরাং শক্তি উবদা!
পুক্লিং অতুক খুক্লমদে, লৈরাং মশক উরগা
পুক্লিং মৌবা অতুগুম—খুমেন মশক উবা!
মুয়া খম্বুই লমোইদা লাইক ওইনা তেকখরে।
কাওরেন মশক উরক্লে খম্বু লৈবা য়াদরে,
লোংথোংবগুম কপখরে "খপা ইপাদা দোব
তৌকরবনা মংদে?"—শপ্পা "ইমোম ইবেম্মা!
মমা ইবেম্মা মানবী। অনিগুবী ঙাথৈমা
ইপা মংবু কাওরে, নক নিংথো অসিদি

ইতাও মানখ্রে ইবেম্মা !" হায়না ঙাংবা পান্মোব্না,
মমোম্ খম্ব লেকউরে। কাওগী খুমাং অনিন্থ
খম্ব শোক্ল-মকোক্লা সন্সা লৈদ-কুম্মুনা
খুরুমদুনা কপখরে। কাওরেন খুমাং অনিনা
কুম্থরকই মহোম্ব লোক্লৌ চেপ্প কোক্লরে ॥
খম্ব তম্না হোৌগৎলি—"পম্থৌ 'বুংঙো কুনববু।
করিদোৗরবগেনে ? নপাবিগা কায়নবা,
নাব্রা মতম ওইহৌই। পম্থৌশক্তি থংনদা
নপারিনা পংদুনা ! 'পাবু দোষ তৌবরা ?"
চৈকম রেংই খম্বনা। কাওরেন মাবু চিংথৎলি—
"পম্থৌ কৈদোৗরনগে ?" নুবা খুৎনা নানজরুই।
"ইপা বনিস্থ তৌদে।" খুম্মি চাই রাদুবু।
শনগী 'মোৎপা নাম্থোকই—নিঙেছন থম্বী মায় ঙৌবী,
লাফোই লতং বংচবে। কাওরেন 'দুমা—"ইতাওদি
ইচন ঙাম্বরেমক্ত চানিগদ্রা নহোয়বু !
চাসি লাকউ কুম্মকউ !" মচন মতাও কৌরকই।
কাওরেন মাদি বল্লকই। চারে শম্না পোৎ অদু।'
থোইবী মাদি মতমদো থাপ্লপ ফম্মি হায়রকই,—
"ইনম্মদি ফত্তেদা ! ইপা লাকএ থোইবী নং
নকোক খুম্মু তাকপিফ্লে। শঙ্গুন নত্তে কুপ্পইনা !
কায়বা মাদে—সিননি ॥" খল্লদুনা থোইবীনা—
মুগা ফীতুপ অননা নুরা মকোক খুমদুনা,—
লফোই লতং থম্বিবু—থাপ্লপ থম্মি কুংলগা;
"ইমান 'বুংঙো লৌবিয়ু।" হায়না নুরা খুরম্মে ॥
থোইবি' মশক উবদা শম্না সংত্রিক রেংঙকই।
শম্না ঙকই—"কমানো ?" খল্লি থোইবী মহাকপু।
খুয়ম্বদে থোইবীনা—কাওগী মতৌ উবদা,

"ইকু পুক্লিং ফাবিয় শাওরমাম্লে ইনম্ম !"
হায়জরক্লে খম্ব্‌দা। খম্ব মানা শন-চুদা—
"ইপা ভাঙবা ! ইপাবু কাওরেম কোঞ্জনমন 'চুবু,
লমজা খম্বা নচাদা মপু মোইরাং নিংথৌনা,
যুবরাজ মনাওমা পিবিগনি হায়রিবা ;
চিংখুবগী মমোমোই ! মজাইবেমা কোলোইদি
থোইবী কৌই পম্ণোবু। নৈরাং তুইবী অসিনি !!"
হায়জরুরে মপাদা। কাওরেম মানা খংখবে ।।
জগোই শাদে হায়বদা খাকখ্রে শম্না হবাওবা !!
ওম্মোকপনি ইবেম্মা পিরু-লমচং খংলবী,
চাওনা নাওদে শাজবী, পোকচবনা তম্পাক যুম,,
চাওকবনা বোনুংদা বেগে নৈপাক অদুগী
মিংকী কুম্মৈ ওইজবী ভাগোই মজা ইবেম্মা
কাওরেন মমাং অদুদা মকোক খুম্মি থাদোকতে,
তৌই লুন-কিনমক, উখিগম্মি মতানি'
থোইবী ঈঙ্গিত তৌহুনা মাঞ্জ খম্বা কৌথোকই।
"থংলেন মাঞ্জ থোইরোইবু ! নমাও করম তৌজোগে !
মাওরি হৈদি থরদং"—"কবি হৈনো চাসিরা !"—
"করম তৌজো হাযবগে, মহি ওইনা হাগদ্রা ?"—
"ফদোমাম্লে মহুনা।" তাকপিরক্লে থোইবীদা ।।
লম্লেন কাইদি মপান্দা পানবা লিবেন লিথম্মৌ,
হৈরি চরোং অমত্তং লুপা চাইসেন নুংহুদা,
হাপচিনখরে থোইবীনা উচিবাগী তুবেন্দা
'সুমা কুমথখিদনা মকু পুম্বা হুন্দোকখ্রে।
লাইজ ময়োন সংলক্লে ; পুরক্তনা ইবেম্মা !
কবো সরৈ নদোগুম তাংদাকবী কজবী,
থাওদম মানবী তখাৎপী অগনি মানবী খুৎতুনা,

হৈরাং অহু মেৎচবে—মরু মপ্রাম হুন্দোক্লে।
মহি ওইনা পিক্লুরে নোংয়াই হৈহু থকখরে॥
পান্ন লাক্লে লোইথরে চাবা থকপা অপুম্বা।
"ইচেমগা ইবেম্মগা" হায়দুনা খম্বা চৎল্রে,
লৈমখোং-মন্নুংদগী চিংখোকউরে হি-অহু।
থুমন মচন মনিংদো—হরাওবে হিদা-তোংখ্রে।
নুংঙাইবগী ইপাক্তা কেগে লোক্তাক হিরমদা
মোইরাং মাইকৈ পাংখবে। নোংয়াই-মানা মপাদি
কাওবেন ঙাংব-পুহুনা লৈপাক অনি ভিনবু লম
অপান সোইবু পাংলকই নুমদাং রাইরম অহুদা॥

১৩

থোইবী খম্বু অনিদো নিংথৌ' লাকপ লম্বীদা
হক্কবকই মতমদো, হরাওখরে থোইবীনা।
অহানবদা হি-অহু খম্ব মানা হোল্লকই।
থাদোই মানা—"ইনম্মা! হি অহু অমুক্তদি
হোঞ্জগেবা ঐহাক্কা।" হায়জরকই খম্বুদা।
খম্বু মানা—"ইবেম্মা! ইনম্মা সুম মহোনগে।"
যাদ্রে থোইবী মো অহু লোরে খম্বুই খুৎতগী॥
মালং লিবি শিৎপনে, এন্সম চরাং অহুনে,
হৈকক যেন্সী অহুনা লাইজ মথক অহুদা
হেক মাই নৌনা কাবমে। নুমদাং রাইরম ওইবগী
কোরৌ মঙান অহুনা মৈচাক হল্লকপহুনে,
লাঙেঙ থাদোই মবুক-তো। নুরা থমোই লৈকোন্দো,
লৈরাং লৈখম কযানা শাৎলে লৈরাং ফুগাইনা॥
অচিকপা চিংগী লোক্তা তাম্না শিংনা খোংবক্তম
লোক্তাক লমদম অহুদা নুরা শৈশক তম্মক্লে—

"ইনেমগীদি তাম্ব হি ইকুপীনা খুনেং-হি!
হায়মরক্তি ভুইজরে, ইমান কৌসি কদায়মো!
হৈবান নৌদি হায়কদা, হৈবোং নৌদি শাকদা!
মনিক কোবা এ গম নৌ। বাকৈয নংস্থ তাবিমু!
মোম্বুই সাথী ওইহবিযু! ঙসি কে বা কোয়ৌ-দৈ
খুমন মৌদি ওইরগ! নোংযাই মংদা তিল্লগে!!
ইবাই লৈম তাবিমু—লোক্তাক মংস্থ থংবিহৌ।"
নুজা অসি হায়দুনা হবাওজবে, পাওমেঙ্গে॥
নুংঙাইমনথবদুনা হোন্দ্রে হি দো হিরমদা,
ফৈবেং তূরেং হোন্দুনা শানদুনা লেথোক্লে।
খুমন চমু পোঙ্গেম্বী "ে বোইদৌবে কয়গো।
শাওহল্লগে" খল্লে। "জাইবেমা কবিনো!
বুদ্ধি তাখিদ্রবোইনা!" হায়বিবে খয়ুনা
থাদোই মানা খয়ুদা "হাইনা! ইনম্মা কৈনো!
ইনম্মদি ঙাওবেনা।"—"করি হায়না ঙাওবিবা?"
"ঙাওবী ঐগী বাসে ইনম্মা মুক্তা,—য়েঙ্ঙো!
অসিনে, নচন ঐ ঙাওবা লাকপা নুংচদে।
যান্না বুদধি তাজরি। তশেংবনি 'নদি,
খনবিয়ুকো অমুক্তা! বাবদগী নুংঙাইনা,
অপিকপনা চাওবকপা নুংঙাইদনা ইনম্মা!
বাবরেদো ঐহাক্তি হৌজিক নুংঙাইরেদনা!
মিংঙাম্মনে ইনম্মা! অপাম নুংশি থুংবদি
নুংঙাইদনা কবিনো! নুংঙাইডবে ইনম্মা!
শাম্মখিসি কদোগে! নৌপাখোইনা থুংলবা,
ঙাইখিসিনে, ইনমা থুংনিম্মসি মযাম ছুম॥"
হায়বদুনা থোইবীদো নুরাশিংগী হি অদো,
হোনন্দ্রে ইরেন লেপথোক্লে। খয়ু মানা "নাংঙনা

কয়ো সিদে" হায়দুনা—"খোইমু কনাগীদমক,
হয়াওরিবা ইবেম্মা ?"—"কম্মি মানো ইনম্মা।
চিংনা কোয়বা অসিদা খোইমু কনাগীদমক,
হরাওরুনি ঐসিদা। মতুনিংথৌ ইবুংঙো !
মাগীদমক মিদনা॥ শিন্নিনসি লাকপনি,
হিংজবেদো হৌজিক্তি। কাওরেন মাবু পুখরে,
ইপা ইপন অনিনা ঐবু লুহোংবিরনি,
খুমন কাওকামনতুগী। লৈপাক অনি মাংতুদা
মুজা ঐবু পিরনি ঙসি কোরৌ অসিদা !!
সিবু শোইনবরনে ? মুংঙাইজরে ইনম্মা॥"
–"ইপ্রাইদমক ওইরেকো ?"—"হাইমা ! মাশি ইনম্মা !
চাকথোং ফৌস্নু তোৎদো, তোক্লনিদো ইনম্মা !"—
—"মজাইবেম্মা হরাওনু 'তুগী মক্তা ওইরদি।"
—"করিগীনো ইনম্মা ?" হায়—হি হোনবা হেক লেপই॥
–"ইনম্মা শাওরবরা, করি তৌরবগেনে ?"
—'মজাইরেম্মা ইপ্রাদি, মোইরাং য়োরকথিদরা,
থাজদরে ঐহাক্তি"—"কম্মিমনো ইনম্মা ?
করি তারকপগেনে ?" "অতাবা বা লৈদনা,
নাসোন ওইনা হায়রম্মি। মচেম-নিনা ঐঙোন্দা !!"
–"করি হায়রম্বগেনে ?" "কেকাম্নো ইবেম্মা !"
—"হায়বিয়ুবা ইনম্মা ! ঐবু নুংশিদ্রবরা ?"
—"মাম্মা নুংশি ইবেম্মা, তুনা হায়দোক নিংদেদা !
নুরা নংগী অরাবা মজাইবেম্মা উনিংদে।
ইয়ুম মোইবাং য়োথিসি তুগা কোন্না তানসি।
ইনম্মা হিন্থু হোঞ্জগে। নৌথু পিয়ু ঐঙোন্দা।"
–"পিজররোই ইনম্মা ! হায়বিয়ুবা কৈদৌগে॥"
"মোইবাংদদ্রি য়োথিসি।" "হায়বিয়োদা ইনম্মা !

মোইবাং য়ৌর' কৈদৌনি, হোয়েন তাকপিগদস্থ
ইনম্মনি, অহুগা তাজদৌবা অহুস্থ,
নচন ঐনি কৈদৌগে ! হাযবি-রোই-নি ইনম্মা !"
তানিংখরে থোইবীদো। খম্ব থবাই বাসিন্নৈ।
—"হাযনিংদ'না তৌবনি ওন্থোকপনি ইবেম্মা !
মবম অসি প্রমান-চাই, মুক্তা ঐখোই অনিবু,
মাগা লাকখিন্নবগা হান্না চৎলো হায়হুনা
থাদোরকপা অহুনে" হিহু হোন্দ্রে থোইবীনা
খমখ্রে নৌহু প্রায়হুনা - লোকতাক মযাই অদুদা—
তাওনা লৈরে হি অদো। লাইরৈবাক্তা তাংলবী
তাইবংলক্তা থোইববী মুবা অনি অহুনা।
কেপে লোক্তাক লম্বুংশি মোইবাং পুক্লিং হুম লম
লমদম হুদা লৈবদো—অউবনা ওকখরে
অতাবনা থোয়াংই। থোইবী মানা—"ইনম্মা !
হাযবিরোবা কৈদৌগে ?"—"হাযরিসিনি ইবেম্মা।
কাওরেন মামা ঙাওবনা - মাবু কিনবদগী
ঙাবু চাখিদরেদো খুমম হাযবা লৈপাক-সে।
চহি কুনবু হেনখরে অস্থুপ বারকপসিবু
ইহুনিংথৌ খম্বনা হন্দক কাওবু ফাবিবে।
হান্না হাযনবমান্নে, ঙাবু-পিজ মন 'হুদি,
লৈপাক তংখাই অমবু পিনি হায়দো ইবেম্মা !
অহুই মথক পোৎহাপ্পি খুমন লৈপাক অহুগী
ইনুং লেম্ব-সজিকুম ইংনা লেম্বী হয়াইনু,
পিম্নি হাযনে ইবেম্মা ! নুপীজাদি ওইবনা
'হুক হান্না মুমস্থদি তাহনদেদো ঐখোইবু,
'হুনা মোইবাং যৌরগা তানসিন্না হায়বনি।"
—"অওইবরা ইনম্মা !?"—"ভহুন হায়নে ইবেম্মা।"

—"খুমন নিংথৌন অতুদি লৌন য়াদে হায়বদায় ?"
—"করি য়াদজরুনি নিংথৌ মচা মসেনবো ;
মখোইনা নিংথৌ 'নৌবম, ঐখোইনা অরিবনি।
'হুনা ইপু ইমাইবু হান্না থাদোরকপনি।"
ইম্মু ই বাসি তাবদা মুরা মজা ইবেম্মা !
মিৎসনা থম্বাল-লকাদো পি তরং তরং চেল্লি।
সোর থবেং থবেৎলি ! খম্বু মানা—"হল্লোদা !
তুনদি কর্দাইদগী মুপী লোনবা য়াদগে !
লিন্দা লৈজখিদ্রেদা !" থোইবী মামা—"ইনম্মা !
চৎলো ঐদি তোনখ্রেদা !! 'মপোক তরেৎলক মুরে,,
হান্দক থুংগনি' হায়বা পাঞ্জিশিংগী মবাদি,
মীনম্বোইরে ঐঙোন্দা। মুংঙাইবিহৌ মোইরাংদা !
খুমন চনু হয়াইনু ! শক-ত চুদা নিংথিবী,,
হায়নরিবি মহাক্নি। চৌবা নিংথৌ মচানি :
মোইরাং ইপায় লমদমদি খুবাক-খুজোক অমতা !
মতম অমুক কুইনদি নোংয়াই লৈমিন্নজবা !
মোইরাং মুংশিখিত্রবোই—খুমন ইরম হায়বনা
হেমখরবোই হৌজিক্তা ! কৈদোরুনি হৌজিকপো !
হঞ্জরোই মোইরাংদা শিহৌরগে লোক্তাক্তা।"
থাদোই শিগে নিঙঙক্লে—লোক্তাক লাই খুরম্নক্লে।।
লাই ময়াম্না নোক্লকই। "চোংথরকউ, হুঙৎকে
ননম্মনা নত্তিং কোৎ, তুম-তিংন-শারগা ;"
হায়না লাইগী মথৈদো লোক্তাক-তুদা লৈরিবা,
লংনরকই থোইবীবু। "ইনম্মা ঐদি লোইরে,
য়ৌবিরোকো মোইরাংদা—" নূরা সনা খুৎতগী
নৌরেন অদু সিন্নরে খম্বু মাগী মখুৎতা।
"তৌমু তৌমু ইবেম্মা।" থাম্মি খম্বু থোইবীবু।

“হায়বিরম্ লাইরবী খুমন চনু চৎলোকো ”
খুৎমথরে খম্বনা। “ইবেম্মগী নমিংনি”
হায়বিরক্লে খম্বনা। ফাগি নত্রে থোইবীদো,
লাইজা মকোক কৎখরে চোংথরগে হায়দুনা
সরং থাজ লখাগুম মপুং ফাবি মাইথোংদো।
ইমুং শিঙেন শিংগুম্না পিনা পুমচোৎ চোংতনা
লুমাং তাবা খল্লাংনে লুকথরক্লে থাদোইনা !
“লাইজ ইবোন মুংশিদা পাপচেল্লবী ইকোক্লা,
মাংলেম লৈখোম অসিদা য়ৈশিন্দুনা শিরগে।”
হাইখরকপা মতুদা—খম্বনা মানা চেল্সিনখ্রে,
লাইর খুৎনা ফাক্লবে—“দৎ ইকাইদবি সিগা !
থুবাক্লা খজাই সি-দনে হেক্ থাবুনে মাসে !
মচিন মৌপুবানবু লৌনৈ্ হারব-বন-হায় !
মীওইরোইন-হাই-নংবো ! তৌথোবক্ল-পংইবা
ভাংথোবকপ' শিংইবা ইকাইদবী অসিদি !”
থিনা চৈরে থোইবীবু খাম্মে মথুং পায়দুনা ॥
খম্বই মরা তারগা অমুক হেন্না কপখরে ;
নারা পিশক শিংদুনা মমাই ভম্পাক অহুদা,
তুমপক চেপ-চেপ হিপ্পুনা খোরাংলবা, মচিন্না
অমৃতবু মায়োক্ল নবা মথুং নাম্বনা,
খোমলাং নামা-পায়জবা, মথুং নামা-অহুনা
পলেম মাবু কোপ্লবা—পলেম মায়োক্লবগুম,
মুরা ভাভোই ইবেম্মা থমোইমবুক ইংখরে।
খোয়ুম লাইরী মখৈনা অনি-মতৌ উবদা,
মুংশিখরে, পেনখরে' কেগে লোক্তাক লমদমদৈ ॥
কপ্ল তোক্লে থোইবীদো—“ইনঙ্গা শাওবীরম্ ।”
হায়না খম্বু খুরম্মী। হৌগৎলকপদা নোক্লে,

খুয়াই মখিং অংগুদা মপি কংদরি ।
"হয়েদো কপ্রোক, ইকাইস্নু ইকাইদেদা করিনো।
থেংনবদি মীসে খেনম নমই হায়বদো ।"
কৈবিরেদো, খম্বনা। লংনবিরে নোকপিরে,
থোইবী মানা হোল্লম্বা হি-দু খম্ব মানা হোল্লক্লে।
কেগে য়োরে থংখরে। - খম্ব মোপ্পাগীনা,
চান থক লাংখরে। নুরা মজা ইবেম্ম।
অরাম তম্পাক যুমথগী নাকন থোংদা কাওজিনখি ॥
মমাশিংনা থোইবীবু থিরকপা মতম চুমক
থোকউরেদো তাঙ্গাদো। নমা অতে অচুদি,
মতম ওইরে হায়দুনা মপাইবুংঙোই দমক্কা
লাংই অচা অথকপু। মুজা মমা তোন-চুদি,
লৈরাং হেক্কে হাযদুনা মনিং লোমদা থোরকই।
থেংনকুরে থোইবীগা "হাইমা থোইবী কৈদেনো ?
থোইরাই হৌই হাযদুনা হিপই হাযবা নংনবু।
ঙাং-ঙৌবেনা নহাক্কে। য়ারো য়াশংঙাইশিংগী
লমচং চংলে নহাক্তি। চংলেদনা শন-ফাবা ॥"
মজাইবেম্মা থোইবীনা -"তানিংদেদা ইমাতোন।
নংঙবা ক্রা হায়জনু। শন ফাববু ঐনবু
চংপা হৌমবরনে ॥" —"চংলম্লবদি থোইবী।"
"চংলম্লগা কমদৌনি ?"—য়েহু' ঙাই'মা কৈদৌনি।"
হায়রা মমা তোন্দুনা রাজোন পুথ্রি মপান্দে,
লমু চনাম্র অকংবা অমা পাক-হেক পাম্বখংলি।
থোইবী—"ঙাইখো ইমাতোন। সে। চেংকবোক চানবা,
চংজুবনিদে ঐদে।"—"মমাই ঙাংইবহুদি ?"—
"হুদি লিলি কবোক্কো পোকপা হৈত্তে কনাম্ব,
ঐনা পোকই অহুদা মৈশাননি ইমাতোন।"

"চরাংসিদি ?"—"লাংদোইন্দ পঙকপনি,
লোমদা কাওরকপঙদা।"—"ইচোৎ চোংপা চরাংবু
শককদবো লাংদোন্দা ?"—"লু-খ মশিং হৌজিক্তা,
কাঞ্ছিবনি ইমাতোন।" "লৈথে মসিদি কন্নিনো ?"—
শল-লমদৈদি য়েঙভা. শখোজুন্দা ঐ খোংসে,
পুংথরুরে, য়েংউ সে ."—"থ।জদে ঐ, বাশকউ !"
চিনগী কাংজৈ অংদা,থাদে ই ফাব ঙমদ্রে
বাশকউ-কেক হায়বদা খোইবী চেক্ষম লৈতরে।
মোশ্লোন লোকই—"ংমাতোন। ইপা' লৌই হায়বগি,
ইমা কৌই নচানা। কেগে লৈমরোন তিল্লি,
ইন্নুং ইমাবা ওহ লোইনবিনি নহাকপু।
মংনা খংই থুঙাইদো নচা ঐগী কাদদি
খুমন নয়াই মৈ-থুবু। মৌংথাই মদোম করয়া
থাদোকসি হ'য়হনা চংলুরেকো নচা ঐ।"
খুন্দা মমা তোমহুদা হায়দোকউরে খোইবীনা॥
খোইবী মাবু শোকচবী এংখুরাংবী মমাদি,
মনাওহুপা মচাগা অনিহুনা ঙাংনবা
তায়খোইরে খুমহনা হন্নাওরকই মবুক্তা।
খুম্বা অনি অহুবু মচাই মচা ওইন উই।
পুংশি এংখুরাংবিদো—অঙাং মতৌ উবদা,
লম হেয়খিবা তারেদো, কিহল্লগে খন্দুনা,
খুখুনলগী মাচৈ'মা পলেম ওইবী শঙলক্লে।
মিঙোম কাদা চংখরে সেমু.মাবু কৈক্লরে।
"মংদি অসাই লৈ হাযবদ্দায়।" চৈরমলগা খোইবীদি,
মাচৈ থাংশঙলহনা—"তাককহুক। হায়ন শাই,
কমা তৌব জুমপ্রবা, ইমাইগেশা ইকোপ কাব
ইমুখিবা শম-কাবা।" চেকিল্লকে মমাদা।

"কনাগনদনো ইমাদে ?" থোইবী কাপি তৌখিরে।
"য়ানি মচা য়ৈগেনে," —"য়ৈযু হোংরেল্লি শোইদে,
ইপুথোকখোই য়েংরেদো, নহোয় লোইনা শোইরেদো,
মমা মমাম অদুমক থোইবী বাতা অছদা,
য়ো য়ো লাওই হৌরকই—"নংনা ওকচদরগা
ইশাম য়োক্রা ঐখোইনা। য়ৈয়ু য়েং লমহেনবি সে।"—
— "য়ৈরবদি মচংলে।"—"করি থেংগী চংকনি?"—
—"য়ৈরবদি - পোংশেদো, ফংলরোইদো, নারেদো।"
থাদোই নচাই মতৌদো ইচাও চাওনা হুংশিরে।
"নাগে নাজো কৈদৌনি।"—"ঐদি পাবুং তাকনি।"
"করি হায়না ত কনি।" -"করি হায়না তাকনি।"
"করি হাযনা ? লমহেনবী।" "ঐনা হেনবা সিদি-লাই,
ইমা থোইনি লুরি দি।"—"করি থোংগী লুগনি,
করি হায়নি নহাক্না।" "লৈজে ইমাই হায়জনি
ঐবুদবু য়ৈরদি শাইদ্রে হোরেন প্রারংমা -
নহোয় খোং খোংপা যেংউ। য়েংরে মপাম্ব নপামদা।।
য়হংনে নহায তেঙশি।"—'হল্লোই ঐদি তাকনি।"
করি হায়না ত কনি ?" "হে জিক নহোয় তৌবদো?"
কপিতোই ঐখোইনা ? —"ঐনা চংখোকপ্রিদো
সেমুনমু তুম্মিদৈ—পাখং তরামুক লাকই।
খুংহাবী শাংবদো, ঐনাইতাকওইদরোইরে।
হোরেন পাবুং লাকপদা ঙাইনি হোজং থোকতনা,
মহোয় খৎইনা তমজ্রিদৈ ঐনা হাল্লা তমখোকে।
ঐনুঙিনে য়ৈবিরোই অড় তম্মি হায়দুনা
হায়জিনবোইরে মরাইনা নিংজগনি, ঐনমু
হায়জিনবনি হায়গনি। য়ৈহনগনি সিমখৈ,
ঐনা কুম্মৈ য়েংগনি। সেমু। কুম্মৈ য়েংনি হাইবা"

ঙক্লাই লেম্নু-ক্লৌরক্লে। "শুপ্তইবদি ইবেমা!
কৈদে হায়খিল্লবনোনে ইশেং শেংবা ত্তৌরবনি।"
—"হাইব্রা ঐদি ফাগিনি, তৌদ ত্তোবরা সেম্লু।"—
—"করি থানো হৌজিক্কা পাবুং লেংঙক্লগনি
হায়রা তাক্লোকপিরবনি ভাবা হৈবা চমথিরে।"
চুরকিনুবিরে অসিগী মরা অসি ত্রবদা,
ইবেমপী থাসিনে কিরে মমা মমামিদো।
মবে'হুক্লা থোইবীনা "ইমা! ম্রৈবীরগম্মু।"
হায়জরক্লে। মমাশিং হরাও হরাও থারিক্লে।
—"মৈরিবরোইদি ছুদি নং কাওগী থারি অদুবু
তাগে ঐখোই, নহাক্না লীরো চিংথদম্মখে।"
—"লীগে ছুদি ফজ্জ'বা।" হায় কোয়রে থোইবীবু।
মজাইবেম্মা চাঙোইদি ল্যাইবু থোইবি খোইবীবা—
"বসম্পায় জয় মুনিনা হায় তাং জনমেজোয়,
মহারাজ "হায়হুনা হৌগ্রে কাওগী থারিদো।
মুবা "সঞ্জয়" ওইখরে থারি পুম্বা লিংখ্রে।
মমা ময়ায় হরাওরে—মুরা মাগী অউন পোং
থম্মখরে মমাশিং—হায়নৈ অপাম অপাম্বা।

১৪

অরাম তম্পাক য়ুমলোমদা খোইবী থারি হেৌশরে।
থাদোই মরা য়াওরকপা নুরা অনি হমকথা,
লৈপাক অনি-ভিনবদা খম্বা মাবা চৎলিবা,
কাওরেন মাবু চিংহুনা অদু কাওবা লীজোবি।
চুপী মতুং তাবদি—লৈপাক অনি ভিনবগা।
তৌনখিবা পুম্নমদ য়াওরক্কেদো থোইবীবো।
খুমন মাবা খম্ব-চুগা অনি হুনা থুংলিরৈ।

লৈপাক্ক অদি বামখিং—খুমন নিংথৌ বাক্কে
মোইরাং নিংথৌ য়েংলা—"ইতাও 'বুঙ্গো [illegible]
খুমন ইপা-চা 'মখা শন-ত্থু কাপজকনি.
ইতাও নিংথৌ, খোয়ুমগা অনিমক মপাওনি।
শনগী পাওহু লাকইদ্রো। খোয়ুম শুনগী, [illegible]
য়াথং লৈপাক তাকদা, চ'ঙ ফীগাও শাহ্নবা
য়াজখিক্রো ঐহাক্কা। বারম অসি কোংদোকপা
মোইরাং মাইবী মাব-নি হায়বদাইনে ইতাওনু ?"—
মোইরাং নিংথৌনা "মানি।—"মতুং হুবা ?"—[illegible]।"
"শুন-লৈবা অহুগুম্বা পামজৈ 'হুবু লৈজদে।
—হাইগত্তুনা ননাইবু পুথক্রেদো কাওন্না।
মতম কনা কুইথরে মতমগী হুহেংদো।
পুংদি চারে লাক্করে ইমাও শিরে নিংজরে।
মাসিনা য়া অমনি। মাইবী য়াসু তানিংই।
মাইবী মবা লৌরগা ইমাও মরু খুমিংই।
খিগে নিংলে ইমাওবু—সক মচেৎ অমতং
কংজমগা ঐ সিনা ইমাও সংস্কার তোগে।"
য়াকম অসি খুমনগী, মোইরাং নিংথৌ তাকপা,
তাংজ লৈদা লুকথরে। "কজৈ তম্নকমমিদা"
হুয়া নিংবৈ ময়ায়া। মোইরাং নিংথৌ [illegible]—
"ইতাও 'বুংঙো চুমইদা তমুক নোংবান লৈজবা ?"
—"ইনিংথৌবু ননাই' লৈ।" হায়না নোংবান [illegible],
নিংথৌ অমি মমাংদা। "ইতাও মাইবী লাকচরে।"
তাকএ মোইরাং নিংথৌনা। খুমন মানা - "ইকাইরেম।
তৌগ্রিবদে থম্বদো। খুদম মতং য়েংসিবা!
ঐগী বুদ্ধি ওইগেনে ?" তাকপিখরে নিংথৌনা
নোংবান—"অজ্ঞা" - হায়রুনা নোংবান কীক্ক খুমখরে।

লোন থৈরে—য়েংশিন্নৈ—লৈশাক মাংলা ওহাক-তুম্বা
"খম্বা মখম্বকতুদা লেংঙ্গে শন্না পুংথরে।
অহনকপু অশেংবা শিশি-হূন হায়রবোই
থরাইদনা থুম্মগে।" খনজে, নোংবান কীকলো
হায়েঙ্গোম্বী মং-হেক্তা থুমন মোইরাং নিংথৌদা
"মপু 'নিঙ্কক তাকিশি' – "হায়ু হায়ু ইদায়ঙ্গেম।"
—"মনাই ইতাও অসিবু, মেং-লাওবগী থোক্কমঙ্ম,
মউন লেংথা ওইদনা, মক থেকপা তুম্বম্
লোক লাওবতুন মগা তারে, নমাই ঐহাকপু।
শিন্নমবদা মতাং-অসিমকপু লাইশিংনা
থংদে মীনয়ম্বন্। মুংশিপ্রবা মরুপ্পি।
—শিন্নগে মক থুনগে – শিজ্রে মতেং পাংউগে।
ইতাও থোংঙ্গন শিরগে, পাংগন হংজ্রে নমাই ঐ।"
হায়রে নিংথৌ অনিদা। – নিংথৌ অনি প্রজাগা
অজা মথে তানরে—"কৈজেদনা নোংবান ও।
মরুপ মাল্লি!" থাগংমৈ। "করে চংলো থিক্করো।"
নিংথৌ য়াথং পিখিরে॥ শাম্ব পাংকী পংথোং-লোম
লাকএ নোংবান অপাম্বা খঙ্গ খিনি হায়দুনা।
কাওরেন মগা খংগা অনি, লাকপা উরক্লে।
"ঐ শোইরে, হী: লাকএমা। মাইবী চিন্থি হায়রবি।
মাইবী হাংহৈদে হায়বা নৈরে, থুমন নিংথৌবা,
লোংথু হায়বদা ঐবু কনবিনবা নৈরবোই।
ঐ-ইস শারে, কিদুনা খম্বা শীল অনি অম্রি
চেংশন্নদু-হুবা, শনসি ঐনা কারগা,..
কংলবদি হিংথনি।" খনজ্রে। নোংবান চংখরে,
ইরোল খাদা কমথরে; শাম্বা শারে নোংবানথো॥
"ইশা, ওয়েং-পায়রগে থৌবী অহ মচানা"—

হায়রকপা খম্বনা থোইবী, অহং পায়রকপা,
চিংকী লাকই অনিদো। নোংবান মপা হেনজদা
নাগী থোক্লকই। খম্বা অতৈ খক্লিবে,
"ইপা থোক্লনি" হায়না কোন্সিজরে থোইবীদো,
তেরা পায়রে শন-ত্রবু। "কনানো পায়রা ? ঐ,
খুমন লমজা ওইবনি। কাওরেন লিনা হাংখিবা ?
খুমন ইপা চা শিংলা ? পান্থ-মাবু, ওন্থুনা
লমন খুমগে, ল্যাকপরা কাওরেন মাগী কাদুনা ?
লৈপাক ঙাইরম্নগনি ! তেঁবিনু চংচগে !"
লমজা মানা খুরম্মি। কাওদো মনা চপ-মুংই !
নোংবান খুহুম অহনা দমদম লৈদা কুমকপা,
মিকই লমদম অহুমক। খম্বনা—"হী : কৈনিবা ?
পাম্ব মংবু কনানো ? খুমনা, খাম-ঙাম্বুরা ?
পুরাংলা য়েংঙ য়েংঙ।" হায়না উৎলি খম্বনা,
খুবাক মরি কৈ 'হুদা। কাও 'হুদি শাওবা থেংলে।
"খুমন ইকোপ লমদমদা অসুক কুইবা লৈবনু,
পাম্ব অমা থেংন্দে।" খংদে খম্বকবনা।
'লমজা ইচা খম্বাগী য়েক্লবনি ! ঐখোইমু,
কিক্লনগেন্দি তৌবোইয়ে। ইচানসু কিখিরোই,
কিক্লমহু ঐ কিদে। ওক-থু-শূ" কামই-শন্দো ॥ ৮
খম্বা মানা মপাদা—"ইপা ইবুংঙো শাওবিমু।
পাম্বা হায়বা মহাক্তি চাম-লাকএ চাম-নি।"
খাঙ্মি কাওরেন অহুনু। নোংবাম্না "আংঙৌব" থোক্লে।
"ইবুঙো ঙান কনখিয়ু।" হায়না হায়দৈ খম্বনি।
শন্দি কিংকি কাম্বকই। থোইবী চেৎন-পায়রকপা
মশা থাম্বদা-খংঙে। নোংবান অহুমলক থোকই।
অক্লোনবা খোংউরগা মোনথবকপা নোংবানগী

নাতোল নুনৌ অহনা হুপ মতোমা থিজুরে।
নোংবান হাকথি খন্নকই। খম্বা মানা—"কনিবৌ!
হাকথিবগী শান্থ'সে, তাইবং মীথু মানগ্রেগা!
শান্থ-ভাংলু হৈ-হায়রো—কাকস্থ খোংই হায়নৈকো!
চুম্বা ওাইনা কৈ ওইয়ে।—শান্থ। থাদোকপিয়ুবো।
ইপা তাইব-পুজংগে।" হায়জরকই নোংবান্দা।
অতৈ খনে খম্বদো শন্দু শোকহনি হায়বা,
বাগ্রে'ঢুনীদাইক্কা। কাওরেন মাদি শাওখরে।
খম্ব-মাংদা থাওগ্নি য়াথিনদরে শল অদো।
ফচাই মাংদ হেংগংলে। কাওগী নাতোল অহুনা,
ওারে ইথৈ খম্বু—"ইপাই 'বুংগো য়েংউকো।
ইপা কুইক্লে তৌগেকো। নংদি খংগ্রমালেদো।
কৈ লৈতেঙ্গা ইকোপসে, নংগী য়েক্কবা মীনি!"
ইঙ্গিত অহ্ন তৌরমই। কাওরেন থিনদে পাইসিনগ্রে।
কাজং শোইনি হায়বগী পাখংখরে লমজাদি।
মাঙোকখরে থৌরিস্থ। "ইতাও ঐনি শন থাম্মু।"
লাওরে নোংবান চেন্নকই কাওনা প্রপ্রপ তাম্নগ্রে।
ওকগ্রে খম্ব-উবদা। 'ইপা ওাংব ওাইবিখো।"
হায়না খম্বা চেক্লিন্নী। নোংবান মুংগোমদা তান্নে।
শে. বান-উপমা তাবদা—কাওনা চোংসিনখিবনা।
নোংবান নেংলক অনিদা নেংলে খুমাং অনিজা।
"ইচাই য়েক্কবা 'সিদা লোইগে ওসি কোয়োদা"
য়ায়না কাওগী চিরেগ্না নোংবান লুরেন হাইসাইগো
হাইনারকপা অহনা নোংবান লুরেন অহুনা
শোকনিং শোক্লিং ওইবদা খুমন চোংসিনখিঙ্কা
কাওগী ওজা খাংইবা কাক্রং থৌরী লি-তোলশান,
চিংথোকখরে শল-অদো। নোংবান ফুক-হেক হৌদংলি।

খুয়ম থানা কনবগী শিবা তারে মাঙেঙদি,
খ্‌ কখিবকী অমুখা খুবিং খুবাই ওইবনে,
থৌরি 'হনা কনবনে কাওগী তুংদা নোংবান তায়।
কাও'হু তন্না লৈসিল্লি, সংত্রিক যেংই নোংবানবু।
"লাইবক কৈদো নং-গুসি কনবিরেদো ইচানা,
গুসি লোইগে নিংবনি।" খনখি শনহু মবুক্তা।
—"হাই হাই শিরমগনিদা"- "হোয়রনে ইতাও শোইরম'নি।"
"—কিবরা যেংগে হাযনা তৌক্রবনি ইতাওবু।"—
" কৈদৌনো ইতাংবু! ফাগি তৌবা য়াবদি
শন মত্তে খক তৌবিহু।" হায়রে খম্বা—নোংবান্দা।
নোংবান নংগন অমুদা শনগী খোংনা নেংখিবা;
হুপী অনি জুরা ওই। মাইরে-মুক চাওনা পোম্বে।
খুজিন মুচেং চংখরে। কাওগী খুজিন, খুমাংগী
উন শা চংখ্রে মরক্তা। নোংবান মানা—"ইতাওহু।
ঐ চিংজগে হোইবিযু।" হায়রে। খম্ব—"তৌবিহু
ইতাও। শন-সে, য়াইগনি। শক খংনদবনে, ঐ
অমুমা চিংজগে ইতাও।" হায়রকই। নোংবান্না মুক—
"শক-খংনরেদনসে, য়ানি ইতাও চিংজগে।"
হায়রে। খুমন মহাক্না "করে ইতাও চিংবিযু।"
শিরে থৌরী লীতোন-হু, চিংই নোংবান-শল-অদো।
মুকলেং লেংদে, খম্বনা—"ইপা ওাংবা চৎশিসি।"
হায়বৈ য়াদে লেংদরে চপ লেপখরে ঢাংবদো।
নোংবান হমাং তামখৈ চিংই শন হু চৎতরে।
"খিদা শম্বুম অসিদে।" চৈরে নোংব ন কাও'হুবু।
কাওরেন শাওরে মবুক্তা—"শম্বুম ঐনা তামবদি
চেল্লি করি নহাক্কে! ইচায় য়েক্লবনিদো।
অন্নাই ইচা' কনবিরে। নচিন থিরে দোষ লৈজ্রে।"

ওক-থ হায়না চোংলিনখ্রে। লিতোন থাবে নোংবাকচা
চেল্লে কাওনা তাম্বে। "পঙ্গো মাংঙে" হায়দুনা
খম্ব তান্নরকদুনা মপা ঙাংবা থামখরে ॥
"খম্ব নংদি কন্নিনো। পারি বুংঙো কমখখ্রে।"
হায়রখি ঙাংব মচাবু। নোংবান অহুম চেনখরে ॥
লৈপাক অনি তিনবদা—"কৈনো কৈনো নোংবান-ও ?"
ল্যাওনখরে হংনরে। নোংবান পূম্বে হেক তুবে !!
"নমাই ঐ প্রাণ চাকখরে।" নিংথৌ অনিনা "অঙ্গু!
কৈদৌরবগে নোংবান ?'—"শামু পাংত নমাই ঐ
থুমন ইতাও কৌজকই 'হংলবদি খুম্নকউ,
শিগ্রবদি খুম্বল্ল।' হুন্না মরোন হায়দুম।
খুমখিদরে ননাইদি। শন-'দো লৈরম্মি, খম্ব
মাবু শাওবদগীরা লুম্মম্বোঙ্গিরে অহুদা।
ইতাওদি তেরা মদা কাদুনদি লৈরম্মে ॥
ইতাওগীনি হায়বগী মানা ফানি হায়বনি।
ঐদি করি ঙমগনি। খঞ্জদুনা ঐহাক্না,
থেংনজরে হ-রে। চেপচিংদনা শল অদো,
লোংনা নমই ঐহাক্না। মনাতোংদা খুদম্না
স্নুরে ফাজে, শন অদো ইলেক লেকথরে।
ঐনা ক্ষার' তুংদুদা খবা চোংথরকতুনা
'থুমন ঐগী ইশম্নি নংনা পুবা য়াবরা ?
মুনবীহেৈরে কাওহুবু—।" নোংবান পাওদু তমখরে ॥
লৈপাক অনি তিনবনা—"করি নোংবান ?" হায়দুনা।
ঙরং লাঙখি মীপুম্বা, ঙক্লখরে বাতাদো ॥
য়ারম পুম্বা তারগা খুমন নিংথৌ মপুনা—
"কেগে লৈকোই মপুবু !"—"করিগুম্বা ইতাওবু।"—
"মাইবী চংই হায়রিবা নোংবান হায়বা নমাইদো,

মাঙ্গিনিকো ইতাওবু।"—"ইতাও'বুংগো নমাইনি।"—
"চিন্দোম লৈতোম ফখ্রেদা - শোইরোই মাইবী চংইনি।
অসাই অমা হায়খিবা, হৌজিক অমা হায়বরা!
শল-মুঙ্গেলোই হায়বসি' করি রানো ইতাওবু।
ইতাও' ননাই ঙাক্কনি, মুন্না বিচ র তৌবিয়ু ঃ
সাগৈ মচা ভসিনাল লাল্লয় দি ঐ,
হিংনিংদরে তাওব খুমন পংদা হল্লরোই॥"
হায়বিরকই নিংগৌনা। মোইরাং নিংথৌ রাখক্কে ;
খুমন মরা তাবদা "ইতাও'বুংগো ননাওগী,
খম্বে মরা তাখিসি।" খামখি খমন.' মোইরাংনা॥
বুদ্ধি লাম্না ফংনদ পুমঙক ওইনা ঙকনথ্রে।
ঙাইনৈ খম্বা মতাকপু খুমন মাইকৈ যেংদুনা॥
হায়নবিঙৈ মক্কদা কাওবেন দুবু চিংদনা
ফাওরক্কে খুমন মচা। মতাও' নোংরান' রা-ঙ্গদি,
খংগ্রি খম্বা মতাক্কি। "নিংথৌ অনি ফমিমকা,,
কনাদা হানা কংপা।" খল্লি লকক তৌরকই॥
নিংথৌ অনি মবক্তা উচুক অমা যুংইবা
'ঃদা শন দু পুন্সিল্লে। কৈরোইজাঙ্গা মবাইনা,
তাক্কে হায়না সগাইদ হেক কুমথরকপমক্তা,
মপা থোংলেন লাওরক্কে— "ইপাই 'বুংঙো শাজোবা!
নিংথৌ অনি তিনবগী পুন্না কংলু শল অত্ত।
'দুগা নংদি ঙাইখোদো কম্মুখিন্ নকমদা।
নশাদা দণ্ড লৈরি।" মুংশা থিরে খম্বদো,
ম্বাকাই স্বাতু তাবদা॥ "লৈপাকী মপু অনিমক
শন পুজরক্কে।' হায়না কাওরেন কংলকই॥
থাগংপিরে খম্ববু খুমন, মোইরাং নিংথৌনা॥
মোইরাং নিংথৌ লেংসিনথ্রে শন দু ভুবুম অমত্তা

ভেক্তে ওামদে খোয়রমদে - ভাইখো খামই-খম্বা ॥
খুমন নিংথৌ মপুনা,– "পাম্নম-তুজুংগম্নকো,
উজোই পুক্কিং লাংগনু।" হায়বিরকই মনাওদা ॥
খংবা শন্না লৈবদ্রে, কাপ 'মা ছুই 'নি হন্দোকই,
তুমিন ফমজে মতমদো ॥ মোইরাং নিংথৌ মপুনা,—
"ইতাও নিংথৌ হায়বিয়ু। খুমন মোইরাং অওম্বা!
কুম্বিরকউ মযামম্ভ ঐখোইদা তৌবা যাদে।"
খুমন নিংথৌনা—"ইতাও। তৌবিয়ুকো ইতাওমা!
মোইরাং নরৈপাক্লিদো। ইতাওগী থোকই। হায়ব-ন্থ
ঐদি কংগ্রে লে'ইখবে।" হাযরে মোইরা' নিংথৌদা।
"ঐদি লোইরে ইতাওব্। মরু মযাং যাওব্রবা,
অশিবগা লান- শোক্লে—"সিনি 'না খংবদি ॥"
মোইরা' নিংথৌ খুম্মকই ॥ মোইরাং অগোম নিংথৌসু,
পুরম নোংপোন অঙগা খোবীফাবা তেইন্থলবা,
ওাঙৌর'কপা, ঙ'খম লাকপা, ওকচিল্ল'কপা, তোলোং
খোম্বা, নাইজ লাকপা পোংলেন খোম্বা, রাংউ জাম্বা,
খাথ হনবা লা'থ-হনবা, চেংলৈ হনবা পুম্বা;
য়াওক্লি মন্ত্রি ম'দদি, সগাইদা পাও ত'ংনা
লৈরি থোংলেন ফমহুনা—সয়েং তাঙৌ শিবশিং
কম্লাই' মথৈ সুখরে লোইনা ছপ্পা—চংনগ্রে ॥
খুমন মাযকৈরৌমদগী মুবা কাকপা চিংংগ্রে ॥
ময়ামহুনা "কোংয়ানবা তম্মু তয়ুম অসাইদো,
নংবা তম্বা পাও অদো—নতাও মাস্ত তাসনু।"
হায়রে। লে'ংবান যৌন খাই—"ননাই ঐহাক তমজনি,
রাংলোই বাহে অমতা, হেন্স হেল্লোই লৈপাকপু ॥—
শামু পনগী লুমদমদা ননাই ঐনা য়োরগা,
'শিরে খুমক্লগনু শিক্লে ইতাও, খুম্মকউ'

হায়না কৌই ইতাওবু। থুমখিদরে ইতাওদি।
ঙেয়া কান লৈমায়ে! লুপ্পম্বারে শন 'সিদি,—
মশাগি হায় অহূনী ইতাও কাসনু হায়বা,
'থুতগীনি শন-নংবু থৈনা কিজকদয়া,
হায়না ননাই ঐহাক্না ইৱৈ শনসি, চেপচিংলা—
লোংনা নম্মে ফাজরে। ভৈ-মরাগী থোৱীনা,
শন সি চিংজরকপদা— ইভাও চোংথোরকতুনা,
মুনংগ্রে ইশাগি হায়না। ইতাও খম্বা! নঙ্গদো?
হায়রিরোই ওইদবদি॥" হায়না নম্মে খম্বদা
খম্বা পুরিং প্রুম্বা কোক্ত বাড় তাবদা,
পায়ম চিবুক শংদ্রদা মোম্লোন-নোকই খম্বদো।
মপান থোংদা মমিং তু শুক্ক থানা য়েংঙকই।
নৈপাক অনিনা উরে- মুক্কম মুকম ঙাংনরে॥
খম্বা 'সিফাও রা-ঙাংদ্রি। নোংবান' ঙাংবা রাঙাংদি
মিংনহা চেম্ন-ঙাংই। শম্না তৌনরিদৈদা
থূমন নিংথৌ নারোম্দা পাও লোম্না সংথাখবে।
থূমনশিংনা মোইরাংনু মরোম মঙা থোক্লদি
কোয়গ্রে মিকুপ অতুদা। চাওব খোংলেম্না থংই।
মোইরাং কনা থংখিদে। অনি 'গুদি হরাওবে
কৈরোইজাম্বা পেঙরে— অঙ্গম অদো চপথাগ্নে
"থুমন হায়বা লৈপাক্না থৈম্নেদমক শিগ্রগে।"
মাবু নিংথৌ হাপতোক্কে থনগে থৈম্মে মথক্তা।
খল্লি শুম্না মতমদো। গোংলেন ইঙ্গিত তৌরকই—
"থূমন নিংথৌ হাখিনু ননাই থোংলেন লৈম্মিএ!
ইচা কানি শিগ্রগে॥" শুম্না থুমন নিংথৌদা॥
থূমন নিংথৌ হাখিদে থমখি চেকসিন্না শুম্না॥
মপু মোইরাং নিংথৌনা—"থুমন সনা ঐ খম্বা,

চুম্বরা কম্বন দৌই ?" ঐ, লোযবা লৈমাবা !
মোইরাং নিংথৌ ইদুংঙো খুমন লকোই মপুরেল !
নোংয়াই শিঙথোং পুরিংলাই মপু অনি তাবিয়ু !
ননাই ইতাও নোংবান লৈ— লাকই হায়বসু খংদে !
খম্বা শিরে হায়হৌবা ননাই ঐহাক তাজরকই ।
শমগী খঙ্কা চৌ থংপা মতমচুদা লৈপাক্কা ॥
"পোথাজবনি ঐদি । তৈরা শক্লাংদি যেঁরে,
ঐবু শন্না পুরকপা, পাংগন হুংগং লবদা
শনসি কাঞ্জে, চোংথজৈ । উচিরাগী লমদম লোম
লাকচবদা ঐহান্না, কৈ শাহুনা লৈবম্মি
ননাই ইতাও নোংবা-না শাম্ পাংকী লমদমদা,
চানা নাখোল থা মদা ॥ নাপী খেংমই ডগুকই,
থৌদে অহু উবদা শংজলদে ননাই বৈ,
পাম্প-ওইরবোই থজ্জে, পাযম তুজুংই উংগোই
পক্লিং রানা খুরমজ্জে । শম্দি শাওই মতমদো,
খুমাং ক্লোং-খুরং কাওই । শন-সি থাখি সেম্নজে ॥
শন অসি চেংসিনগ্রে কৈগী মংগকি তমহুনা ।
ইতাও নোংখাম ওইরমমে ; শন্না তানবদা তুরে ;
শন্ন-সু মেংখ্রবনি । ঐনা শন-সি চিংথোকচৈ ।
অম্না ইতাওবু কল্লে । অহ্নদগী অমুক্কা
শল অসি চিংবিগে হায়রে ইতাওনা চিংঙে ।
শম্না থাঙেঙ, ইতাওনা থাংই হাযনা চৈকরে ।
শন্না অমুক শাওহুনা অমুক্কা হুম্না তৈরে—
ইতাও খৌরি পাংনা সেনখ্রে অহুম পল্লমগ্রে ;
ননাই ঐনা শল অসি লীতোন-পাযহুনা থামহৌই ॥"
হায়হুনা নোংয়াই মনা চিংখদে লোইনা তশ্মে ।
"নিংথৌ কৌযু বিযুক্ষি উবিগনি মপুনা,

চেনখিবগী দগীদি শংঙম ঙমখিরখ্রবা।
অতোৌবদি অসিমি।" হায়জরগে খঙ্ননা॥
"খম্বি মরা তাবদা খুমন মরাম হৌহনা
নোকই, খুবাক খুধরে— মোইরাং মথে তুমিন-লৈ॥
মোইরাং নিংথৌনা—"নোংবান! লমসি য়ারা লাগরি।
বিচার লুইদো শোংগনি, চুয়া খুম্মু কোয়রাঙবা!"
নোংবান মানা—"ইনিংথে! ননাই ঐদি "অসিখি"
হায়রে নোংবান লেপখরে, মমায় খিৎতা লাংসিংদ॥"
"খবা শেংনা হায়ুকো! লমসি য়ামা লাগরি।"
হংই মোইরাং নিংথৌনা খুমন মাগী কাদম্ব।
নোংয়াই লমজা ইকাইরে "ননাই ঐম্ম মাসিনি।"
লমজা ওংবৈ হায়রগা ননাই ঐনা লাননরে!
স্নুয়া কনি হায়বত্ত সন বুদ্ধি রূপানি।
খুমন লৈপাক মাং-সিদা ননাই খরা ইকাইজে॥"
হায়রে। রাসি তাবদা খুমন নিংথৌ মরাম্বা
মপু পুক্রিং [illegible]শিরে। কম্ব য়াদে হেৎগংলে—
"ইতাও: [illegible] খসি লোইরবরা ইতাওবু।
লোইরসিদা [illegible] হায়রকই তক্সিনকই খুমনা।
নিংথৌ লৈনা [illegible]কই—"ইপু চাবা।" —"লুখাহু।"—
"থোংলেন নতাও মন্ত্রিদি? বিচার য়াংদে কক্সিরো?
কৌরকউনা কৈদে[illegible]? [illegible]পু। বৈদোরিনগে?"
কেগে নিংথৌ মপু[illegible] য়া[illegible] তানা থোংলেনগা—
"ননাই ঐ নাম-তুক শোল্লি।"—"ইপু! কুইরোই [illegible]
পনবা য়[illegible]? — 'নম ই [illegible] য়াই ইমিংথৌ?"—
"তুদি বি[illegible] ইপু মন্ত্রি! খম্ব [illegible]বিঙ্গো।"
"কন[illegible]না চু[illegible] [illegible] থিবিবুনা ম[illegible]না!"
হায়রে [illegible] গ্রাম [illegible]না মতোমবা॥"

মপু সনা য়াথংনা "নোংবান ! তম্মু ইপুদা।
—খম্বা ! হায়ু তাহল্লু, ংিৎথফদে অমতা।"
হায়রে মোইরাং নিংথৌনা। থোংলেন মানা—"তাই-খম্বে !
ঐ ইনা পংদে, ঐদি পংসিক্কগে হাযত্থনা
পংবা তাসিন্নদবা। লোইন তারে অসাইনা ; ।—
নোংবান ."ইমান ইবুংঙো। খ"। ইপা ইবুংঙো।
—নহোয় অনি' হায়ববু অসি অসি নংত্তরা ?—
—মানি চিংথদরেকো ?" খুমন মোইরাং অনিনা।
"চুপ্পে চিংথত্রে" হায়রে। মোইরাং নিংথৌন। —"মংনা
হেন্না মযেক লাখরে।"—"লাদনকো ইনিংথৌ
খংনবা অনি' রানু হংত্থন। বিচার তৌবা
হৌনবরা ইবুংঙো ! মদোম চেনবা হায়'থুদি,
চরোং পাম্বিস্নু য়াংই। মানা মান ৬মজবা,
হায়নবনি হায়সনু। সাথি' মরা তারগা
তৌন হৌনৈ বিচার দি !" হায় রাসি তাবদা,
ঙরুখরে ময়ামদো। "কনা উব-য়'ওবগে ?"
হংনবদা ওইদরে—উব কনা য়াওরমত্রে।
"ইপু থোংলেন করম্নাপ" "মোইরাং নিংথৌ হংলকই।
"পোক্নী নেংলি ফাই, চেনখ্রে 'সি মঙই নংতবরা ?
ইনিংথৌবো ?"— "হোয়—মানি ইপু থোংলেন।"
"অতুবা নিপা সিগী থবাক খুকউ অমিদা
লৈঙাং পকপরা য়েংউ ! শনগী খুজিন খুমাংগী,
শউন পকপরা য়েংউ !" থোংলেন ইরেন তাক্লকই ॥
থোংলেন বিচার সিদা থাগংনখি, ঙরুখি।
লপাক কনা মাংবদি অরাইবনি হায়নবা
চুমত্রে অশিংবা মা মাংবা অরুবনি হায়বা ॥
শনগী মখোং য়েংউরো হায়নৈ য়েংবা ওমদরে।

থোংলেন মানা—"ইচানা ফারগবা শননবু,
মী শোকপা হৌনবরা? শাওরেন খুদম পিয়ুনা।"
মিংঙকপদা শন-হুনা কম্থোরকই মথোংদো।
কাওগী খুমাং-হুদগী নোংবান মাগী মউন-দো,
চোংথোরক্লে; তারক্লে খুমন মোইরাং উনখ্রে॥
অঙোম ময়া কুমথরে – বিচ র অসি লোইখরে॥
ইরোই লোইরবা সিদা খুমন হাওমু য়াবরা—
লৈপাক মাংদা লাওরক্লে—"অসাই কুমৈ অহুদি,
পেহ্লোদরে লৈপাক্লা অমুক হঃা য়েংনিংই।
লৈপাক করি হাযবগে? মপা শকপা মঙ্গিমি।
নোংবান মাগী মগুনসু য়েংসি," হায়রে লাওনরে।
নোংবান চোংথোরক্লুনা 'লৈপাক অনি তিনবনা
থৌজানবিযু ফাজগে।" হায়না লাওরে খুরম্মে।
থোংলেন মপা য়াখরে খম্বা মাসু হুর ওরে।
—"ইতাও মনিং থুংনবা তে বিসি'-াদ হুায়জরে॥
মরাক মযুং মান্নবা পরি অনিগী লন'হু,
বাব পল্লোম খাখরে লৈশাংদে মনে ক্ষেকমম্নে
অনকপদি খুন্দগী বাগি জা' তু যাল্লুরে।
খুমন নুপী মথৈনা মহ রাণী হযাইও,
চিংলহুনা অনিনা ভারত নারী পর্ব গুম,
হোরে খাম্ব যাদরে—নুজা তেম্লাং মথুংগু
পাম্বরে লোইনা হৌখরে "লমজা খম্বা মহারা
কাওরেন-বানা ফারগা করি য়েংপা হৌজিকপু॥'
তেরবা শন-বু অমুক করি চৌগী ফাগনি॥"
লাওরে লানবু ওইরক্লে খাম য়ানন্দিরে।
মোইরাং নিপা কুন মঙা শিরে হাংলে নুপীনা'[illegible]"
মোইরাং নিংথৌ চোংথোক্লে খুমন নিংথৌ অনিনা –

খুমন মোইরাং অসিগী কম্মাইবগা হোৎনুনা
থাদে খম্ব-থাওয়কই। খম্ব-মাম্না লাওরকই—
"পজেন থইবী অপুম্বা! ইচল ইচেম থিবিকপু!
খুমন মংগী মচাসি খম্বা ঐগী চোপপদি.
খুমন লৈপাক চোপ্পনি। ঙসি ঐনা নিজবা
পিরবিয়ু থ্বাই-সিন্না।—অহানবগী বিচার দো
মীগী বিচার কৌইদো। অকোনবগী বিচার
থোয়ুম লাইগী বিচারনি। যেংবিখিসি অমুক্তা।।"
থাদে নিপা ময়াম্মা। নোংবাই থোঙ্কম তাবদা
খম্ব-মানা থাম্বদা লেপ্লে নুপী মখেদো।
অঙোম ভাঙ্কা ওইরম্মে মোইরাং শিরি মখেদো।।
কেগে ইকোপ লমদম মোইরাং কুনগা মঙানি,
মাইবী মাংগ্রে মুমিৎতো খুমন নুপী লান-ড়দা।।
থম্বান কৌবী লৈরাংনা ৎরা মশক উবদা
ইকাইহুনা লাইন্দা শাৎ খ লৈরাং কুমহুনা,—
মিংথিজবী হয়াই, চোংথোক্লুনা লাওখরে—
"অঙোম মচা নোংবান্না কাওরবদি কাখরে;
ঙমবুনা অমুক্তা কাম্বদি খুমননা.
খুমন মমাই পাকপগী জগোই শাগে ঐনাক্না।।"
হুনা মতৌ উবদা থাগৎনখি লৈপাক্লা।
লৈপাক অনি কাখরে ইকোপ সগাই মথক্না।
থোংজেম মামা শন হুদা "ইতাও ভাংবা নহাক্না,
মচা মীচা থিক্লমু অয়ানবদি জিপাবু
দথি পিমো শোইদানা।" মেরে শনহু থাজিনখে।।
থোৗবী চৈবুম শাহতুম নোংবান শনমুং চংলক্রে।
নোংবান পোকপা মপানা—"পারি নোংবান হোরেন্দা
[illegible]কা লৈবদি—" হায়কবদা নোংবান্না—

"হিয়া নোংবান ঐনবো।" হায়রে নোংবান মপাদা॥
কন্দ-নত্তে নোংব ে া হৈত নত্তে হৈখরে॥
কাওরেন থাক্লিপগা, নোংবান মশক উবদা,
"ইচায় কাদা যেংপা" স্নু্না চাওরাক নিংঙমই।
থাখ্যৈমা মথুৎনা তারদি থৈগীদো,
লোংোকখিবা অহনা বাংলেন মীকুপ কাবদা;
হায়েঙুম্না চাংখরে। কাংরেন খুমাং হোৎভুনা—
"মানবী চিবেন অনিনা এমোই লায়ুম ভুরগে
ইমু ফিরাক খাইরগে, লোইরগেদি।" নিংখরে।
নোংবান তম্ন কাও-অদো চোংসিনখরে। নোংবান
চোংসিন্দুনা -"নহাদে অঙোম নিংথো মচাদে।
খুরাই লৈম মচাদে নোংবান ইভিক খংউদো।
মানবী নচি অনিদে — ফুক্কে কাওরেন মহাকপু॥"
হায়না নোংব ন লাওভূনা কাওবী মচী অখিদো
পায়খে কাও লেংবা ডমদে। নোংবান মাদা হৈরবদা,
কাওরেন মখোং চপী॥ ভুবি মরি হনখরে।
অনি শিন্না সরবা লৈপাক কুম্নে ওইখরে।
লাংরেক্কনু নোংবান অঙোম মথৈ লাওখরে।
কাওরেন নোঙ্গক চারকই "কনখরেদা অপানবা।"
লৈপাক অনি থাগৎনৈ! খুমন নিংথৌ মবুস্না—
মোইরাং নিংথৌ নহাক্তি ল ইবক কদা মোইরাংগি
নিংথি নিংথিজরবা পোকখরেদা লম অসে।"
খমথি ওকই উবদা। কারে শোইদ্র হায়বসি,
লৈপাক পুম্বা নিংমখ্রে। "নোংবান শোইরো" হায়রসি,
লমজা খম্ব মশত্তনা খুমন লোইরা লাই-নিঙেঙ।
মোইরাং কা য খন্না "খুমনে নোংবান খারক"
লাইবু নিং রি রে কৈ থাং নোংথোরা।

হুংশাগিরে মবুক্তা—"নোংবান মাবা শম অসি
ফাগ্রিবদি লুপ্রেদা। শন ফামন্দি কমদৌনি।
য়েন্নক্ষস্থ ফোক্তবা মনা পোংনি কমদৌনি।
করি বিচার তৌরগা বেরা লৈরোই কদাযদা।"
বুদ্ধি তৌখ্রে চাপ্পবদো। " নোংবান শন্সি ফাগ্রে"
খনখ্রে চাওবা নোংথেং।। মোইরাং থোলেন চিংখরে—
তোজোন তৌই যেংলকই। নোংবান ফারোই হায়খনি
উরিবদি মতোমদা. লৈপাক কুম্মৈ ওইখরে॥
সুন্না ইন্নরকপসি পুংগোয খর ফাবক্লে।
পাপ্ন মমথবুকতুনা নাংবান পাঙ্গল হল্লক্লে।
নোংবান সোর ফুল্লক্লে সোর চনিং তাদরে।
কাওস্থ বারে মশাদো হুমাং পমচোং চোংখরে।
পাঙ্গল হল্লে হংযবসে ক ও হাম্না খংখরে।
তাঙ্গা অহ্ খংবদা মীবু হেননা শিংলবা
লাইবু ওইবা শল অদো অংংবহ্ যেংহনা
তক্লিল্লকই নোংবানদ- খোংফম মতা কদায়দা।"
কুপ্ন থিরে সেননবে। নোংবান লেপ্ন চক্ষুক্লে।
শিংলি নাওদ অপু। নোংবান লোইনা খোংমতুনা
শন হুবু অমুক্কংদং ইল্লকপবু নোংবান্না
লৈপাক বান লাওরকই। নোংবান্না খংথা থারে।
নোংবান মমায় ওন্দুনা চেল্লে নোংবান লাওরক্লে।—
"পঙ্গৌ অঙোম নিংথোন পাবি খরাই কনবিযু।"—
"পারি সংংগো ভমমোংদো ইপায শক্তি লৈতেএ,
খুমন মোইরাং নিংথৌদা প্রাণবু নিজৌ।" হায়রক্লে।
খুমন নিংথৌ কৌরবে মোইরাং লোমদা ইজিল্লে।
মোইরাং নিংথৌ কৌজনই খুমন লোমদা ইন্সিল্লে।
নিংথৌ অনি প্রণনা নোংবান কৌক্তে য়াদরেপু।

"নোংবান থরাই হিংগেবা" চংজো থোংলেন মচিন্নে।"
তাকপিয়কই নিংথৌনি। নোংবান কৌজরকবদা
"ঐনা ঙমদে নোংবানও পাংগন শোল্লে ঐহাকতি।
পাঙন কনবা নিংথাদা কহল্লনবিগে কোংয়ানবা।
মরা চুমথোও নোংবান" হায়রিবক্লে থোংলেন।
লক্লখিগে থন্দুনা॥ নোংবান মানা লাওরকই—
"থুমন ইতানা ফাবা ইশেং শেংবা কাওরেন্নি।
ননাই ঐনা লানবনি।" পেন্দে পোংলেন অত্তফাও।
"মায়কৈ থুংনা লাওকখো—'তুগা নোংবান কনবিরে।"
হায়রে থোংলেন কনবিদ্রি। কাওনা তুংদা তাররি—
সগাই মায়কৈ নরিদ নোংবান চেলাও লাওরকই।
"থুমন ইতাওনা ফাইএ থুমন ইতাওনো ফাইএ!"
রাহৈ সুব ফাও ঙমদ্রে। কাওনা তান্নিল্লকপনা
নোংবান কপ্পাক অতুদা কাওগী সোর ফাওরক্লে।
নোংবান লোইরে পাখংগ্রে। নোংবান থরাই পাম্মুনা,
কাওনা পাংগন রারকপা তুগী কংদবদনি।
ফংবা য়াংরবা কানদনি - লোইরে নোংবান চেল্লকই।
থোংলেন মাগী ভোজোম্দো নোংবান শিবা তারোন্নি
উরে। থম্বা নমজাদি—নৈবা ঙমদ্রে রাখরে,
"চোংথত্নুনা কাওতুনু মমৈ পাযনা য়াহগা
নোংবান চেহল্লনথরগে ফংদৌরে করমনো॥"
থনগ্রে মতাওগীদমক। নোংয়াই! মপা থোংলেনবু
চাগদৌগুম য়েংখরে। থোংলেন মানা "কোনয়ানবা!
নবুক শেংনা থম্বদা হায়জো লৈপাক তানবা।"
হায়রকপগা নোংবান-দা থিন্দে "ইতাও ইবুংঙো!
মংনা ফাবগু শননে লৈপাক অমি তাসনো।
ঐগী থরাই কনবিয়ু'—থোংলেন ফাক য়াকতাবা পারে।

মতম অসি কাওবুগী মানবী চিদোন অথিনা
নিংথম মৈত্তোন রাইদৌরে। থোংলেন মানা—"শাজৌত্তোন।
মতাও কল্লুনা খম্বা। হায়রকপগা—হেঁগংলি।
খম্বা পাম্বাম তিংংাকপা—লাপোন অনি চোংথবা,
নোংবান চোংথংলকপনদি লাক মরি সুবদা,
নোংবান খুজেং পাযথুনা চিংথ খরে খম্বনা।
কাংগী চিদোন অদুগা নোংবান তম্না হাঁহৈবা।
নিংথম চিন্দেন ককতুনা মালেম থক্তা তাহৌরে।
কাওন-ওর্কাস শোক্লোই। সংব্রিক যেংই নোংবানবু॥

১৫

থোংলেন খম্বা অনিগী অমতনি সগাইসি।
নোংবান মশম অদুবু পাযখ্রে থোংলেন মস্ত্রিনা।
সংখরে থোংলেন "ইমান বুংঙো মাম্না,
খম্বাইদদি কনবিযু।" হারজররে নোংবা॥
"নং লৈরদু চংলম্মো। ইরৈপাক মীরৈপাক
থংদনবা নোংবান, নিংথৌ চোপ্লগদৌবি খউ
মাংগদৌরি মী যাম্না। পুরেংগা ভাঙরৈমা
অনিদা পাও তম্মম্মু।" থোংলেন পিরে মথাথং॥
থৌদৌ অসি উবদা মোইরং নিংথৌ খর-রায।
থুমন নিংথৌ রাখিদে। অঙোম মখৈ কপখরে॥
মাহু উবদা চাওব চক্ক মতাং অসিগা
যুমথাংগনিদকোসে। পাম্মুইদা।" হাযরকই॥
মোইরাং অঙোম মখৈনা—"করি রানো নোংথোম্বা।"—
"করি রানো হায়বদে। খম্বা শিরে হাযববা;
অনাইদি করি কপ্রে?" হ্না লৈনৈ খংনরি॥
থোংলেন মখুব থগী নোংবান কনগদবদি,

লৈপাক অনি তিনবদা যাওবমদরে মতমদো ॥
নোংবান্না—"ইমান'বুংঙো। থবাইদদি কনবিয়ু।"—
"হাই। হাই। নোংবান শিংনবা।"—"ইমান 'বুংঙো
তাকপিয়ু।"
"করে অঙদি ইবো। নিংথে অমি লৈপাক্ত,
পুন্নমক্নি তানবা– 'খোইবী পাঙ্গৈ তেঁবনি।
ইশেং শেংনা গেৎপনি শামু পাংতগ্ন কৈ শাই।
শেংনা অতুক লাও ইবো" নোংবান খল্লকই —কৈ
থবাই হিংলগা লোইরে'—লাওজরগে ইমানবু!"
হায়না নোংবান লাওজরে। "নংনা তৌবজা নংনা
ফংজবনি!" হায়তুনা লাওবিরকই লৈপাক্না।
লৈপ কী রাহু তবা তাঞ্জা হুদা খোংলেন্না,
অসাই মখৈ সংপদা, হাইগংথরে হান্দক্তি,
নোংবান একশম তমতুনা—নোংবান্না নুংশা থিবনা,
চিক-চিক লাওই মকে তু—"ইমান-বু থবাইদদি
কনবিপুগবা ঐহাকপো।" হায়জরকই অমুক্না।
খোংলেন মানা "অপাম্বা। লৈপাক' রাদে কোংয়ানবা।"—
"তৌবিগনু ইমানবু। লৈপাক হায়বু ইমাননি।
থবাইদদি কনবিয়ু।" নোংবান মনা তাবদা,
"হুদি নপাদা হায়ু।" "করি হায়না ইমানবু?"
"খুমন মাগী কাদুদা ওস ঐনা য়েংপসে,
নোংবান ইবুকখোক নত্তে, ইপান্না ত্তৌবনীনি,
ইপান্না ইন্সিনবনি ইপা থাং—ইপু থোংদা
অহানিগী তৌবনি। মোইরাং লুখ্রা। কাং
ওঙ্গি চাওই হ না মম নপ না সেন চাবা;
ওঙ্গি হায়না নৈথিব। মো রাং প্রজা রাহনবা;
ঐগী হায়'দা ময়েংবা ইচা মীচা থাইজবা;

ইপা' তৌবা কর্ম্মনা মচা "না ফংবনি।
হায়না লৈপাক অনিমক তানবা নোংবান! ভুক-লাও।
পহৌ নংন্না কনবিয়ু। হায়ু নোংবান নপাপা।"
খোংলেন স্নুম্না হায়রকই। নোংবান শিনিংদবনা
হায়রে খাক্লে লাওরক্লে। মচায় মরা তাবদা—
"মানা ঐবু য়োল্লিনা।" হায়না শাওরে মপাদো॥
নোংবান পোকপা ঃপানা 'ইবাই খোংলেন মন্ত্রিবু।
মা লৈরবদি বেরা লোহবা লৈররোইদনি।
মরম চংনা নুংশিদ্রে থম্বিরমু লোইথোকও।"
হায়না লাওরে নোংবানবু। অঙোম নিংথৌ মপাদোঃ
অহানবদা কল্লমই। 'পোকপা মচা ওইবগী
কমুবদি ঙমজদা। মমৈদদি কপ্পখিদ্রে
ইকাইবোইনা শাওখরে, খোংলেন মাদি পেনখরে॥
খোংলেন মানা হায়রকই—"নুংঙাইরে হায় কোংয়ানবা!
নপা ইসেন্না নোংবান—বৈষ্ণব মংবু পোকপোহরে।
চংলো ঐনা কনবিরে—(খাদোকপিরে নোংবান্দো।)
কুমথগমু সগাইদা মথং-মথং লান্দুনা
চেঙখরো।" হায়বিগ্রে। নোংবান সগাই চোংখরে।
চোংনা চংখিবহুনা হায়নে খুমন শিংহুনা;
উরকপদা নেংবানবু—"লাকএ সোমদা নোংবান-নে"
মাহু তারগা নোংবান "ঐ নত্তে মারবদি
ওইরমগনি।" খুম্মমই। নোংবান অহুম চংখরে।
খুমন নিপা য়াংথৈনা নোংব ন ম বু ফাখরে॥
খুমন নিংথৌ মনাক্তা পুসিনখরে কোংয়ানবা।
"নুংগোইবীদা চনগ্গে—চনগ্রো" য়াথং পিখরে,
খুমন নিংথৌ মপুন্থ। মোইরাং চাওবা উরক্লে,
কজদরে হায়হুনা কেগে নিংথৌ চরন্দা,

হংগংখরে চাওবনা, "ইনিংথৌবু। হৌনদে,
কায়রে মাগী মাগীনি খোইনা দণ্ডি তৌগনি।
ইনিংথৌবু লৈপাক্না তুংদা সোনাইনহৌনি।"
—"চুম্মি ইপু মাহনা—ইতাও খুমন নিংথৌবু!
লাল্লি হায়'না নংগী দা লাকপা ঐনা হাং!
মীনা তাবা নুংশাইবোই। নোংবান হায়বা লিপাক্লো,
মোইরাং মীহাং পুংহুদা হাংচনগে হাক্লা।"
কেগে নিংথৌ য়াওদা—"চুম্মি ইতাও নিংথৌবু।
ইকাইরেদা ঐহাক্কে ঐদা লাক হায়জনা;
ঐনা লাকচবা গোকই।" হাযহনা পিথোরক্লে।
"নোংবান কনসি হাযবকপা নুপী নিপা অহুমা
নোংবানগা কোননম হা কনি।" হায়রে। নিংথৌ
শাওবা ইকখবা অনি গাংখরে পুরিংদা॥
"কনগে তৌবা মক্তেদো অঙোম ম। য়ারকউ
মোইরাংনা মাংগদৌবা, অঙোম মহাক থকৌনি।
চাওবা নোংথোন অঙেনি— মাগী মতৌ তম্মুশা॥"
তাংমখরে অহুম্মা খরদি শাগৈ কায়থ্রে,
নোংবান মহাক থক্কুগী ইকোপ্পুনী অহুম্মা।
নোংথোম্বনা চংহুনা হায়করে—"অঙোম নিংথৌ!
মচা কনগে হাযর'দি সনা পুরো হৌজিকমক।"—
"য়াগদরা?" —"করিনো চিং পুংথ সেম-শং
থিদ-থিরু।" হায়দুনা সনা মোহোর চন্যাংথে;
লৌসিনখরে চাওবনা। চাওবা তম চংখরে—
মপু সনা চোরোন্দা য়াহৈ অমৃত কংলে।—
"অনাই নোংবান অসিবু য়াইবী মাংবা সিদদি—"
মোইমাং নিংথৌ মপুনা—"করি য়াংনো ইপুবু।
তবুং তবুং শাবিমা। ইপু চংবিরকখিদ্রু।

ইকাইখবু কণ্ড্রেন্দা ফংনবরা মোইরাংনা !।
ঐখোয় খ্বাইবু চোপইবা—কয়া ফজ্রদরবা।
থৌনী মযাং অসিদা ঐগী ইচিন অসিনা—
হাংলগনি হায়খরে।" নিংথৌ যাথং অতুদা,
মপুই গুন্না কনবনা অতুক চাওবা শিংবা
মোংথোমবদি চাওবদো মোইরাং হাযবা লৈপাক্তা।
থাহে সন্না অমতা লিৎসিনবদি চেমদরে।
হন্দোকখরে চংখরে থোংলেন মন্ত্রি মনাক্তা—
"মাক্রে মন্ত্রি করম্নো ?" সনা অতু হেদোকই।
"মায়' শিজগ্রসনু।" হায়দোকপিরে থোংলেনস্।
সনা হুদি ইঙাং ঙাং—ফজরবা ঙাঙনি।
খুদোপ ঙাক্তা থোম্বিবা, কাওনা কুমৈ অতু।
চুংঙাই য়াইফ শিং তুগ। চাওবা থোংলেন অনিগী
মমাংহুদা পৈরিবা, চাওবা চুংঙাইব ওবে।—
"হনগদবরা সনাসে নোংগান শিজখিবদি
অয়াইবনি অসিনু সনা মাংবা যাদরে,
বুদ্ধি তৌরে চাওবনা, খোইখা চনিংদা লৈবা,
পংনা সিজিন্নদবা লৌশিং-শিংহু থিরকই।
নিংঙকপদা থুংঙরে—"নচা খম্বা' কহল্লু।"
তাক্লে থিন্দে চাওবমা—খুমন যেংনা হায়রকই।—
"খুমন 'বুংঙো তাবরা? নতাও থম্বাই কনসিবা!"
"মমাই ঐনা ঙমগত্র?"—"করি ম্রানো ইমাক্লা
ঙমম্রবদি কমামা কনবিরনি শাজোবা।
মনা মমান অসিনু ফংগদনি নহাক্লা।"—
"ঙমমম'দি ঐনবু করি সনা লোদগে।"
হায়মা খুমন মণ্ডক্তা চরৈ কীবু য়েৎতুনা,
লৈপাক অদি তিনবা নিংথৌ অনি কম্ব-মাং,

চরৈ পুম্নম তাসিন্নে লমজা খম্বা চংখরে ॥
ফৈরোইজাম্বা মবাইনা সনা অতু খোমজিল্লে,
"অচংবা ইশেন-সিগী মচে লৌবা ফংজবা
মুংঙাইরৈদা সবিসো। মচেগী লিক শাবিগে।"
নিংখি ফৈবোইজাম্বদো। মবাই মতৌ উবদা,
"হাবিখিন ইবান্বু।" খামজরম্মি খম্বনা।
নোংথেম্বা মপানা—"লৌশিল্লু ইবো।" হায়হৌই।
খম্বনা নিংথো খবম্বে—থুমন মানা লাওজরে,—
"নবু লে যব অনিমক থুমন নিংথো পুরিল্লাই।
মোইরাং লৈবাক মপুরেল। ঙসি কৈব—কৌরৌদা।
পাংখৌ ইবুংহে। নোংবান। অথা কোংযামবা-ইতাও।
হাংপা বিচার তাথিবা ঐগী ইহাক খকীনি॥
ঐগী দমক ইতাওবু, ল লু চোম য লৌবনি,
ইতাওবুস্নু যেংবি অঙোমগীস্নু খনবিনু।
লমজা ঐনু যেংবিনু। পলেম পম্বো অনিবু
লমজা শকপ খংহে দে। ননাই ঐগী ইপোক্কি
মপোক মপোক দিং কৈজেং হারৌ ওইহনা
পোকচসন ঐগিন্দ। কোরৌ নে ংগাখরবা,
পলেম পম্বে নিদ, ইতাও কনাব মাইহদো
কংচখিগে পিবি। লৈপাক অমি মপুমা,
থুমন মে ইব ং তিন্নিবা ইমা ইবেম পম্মা,
ইতাও নরাই অসিদা. চরৈ ফীগাও শাজরি
পিনবিংগবও ননাই লুমজা খম্বদা॥"
লৈপাক হীঃ হীঃ হাযনখি। থুমন নিংথৌ মপুমা ;—
"ইতাং মোইবাং নিংথেং। হয়েংদি ইমাও খম্বা
থুমন মেমন তেং থুনি। চান্নমাল্লে অনিসে,
খংবিরিনি ইকায়না, কনবিরসিবা ইতাও॥"

খুমন মপুই রাজপুত্র মে ইনা মান—"ইভাওবু।
বিষ্ণুগী বৈষ্ণব মাগা অমি 'থুনা কনখনি।
ঐনা করি ওমজবা ইভাও 'বুংঙো লোইজরে ॥"
লাওরে মোইরাং য়াখরে লোংবান মাবু কনখরে।
লৈপাক চংবা থাগৎনৈ লমজা খ া ফজেদা ॥
খম্ব হঞ্জিল্লকুমা—"ইবাই সন্না অন্নু
পাম্লজগেবা নসেম্না ?— করি রানো ইবুংঙো।
সন্না পাম্বা তাখিনি।'—"ত রোই ইবাই। পাম্লজগে।"
খম্ব সন্না পাম্নসিল্লে চংখ্রে অঙোম নিংথৌদা।—
"লৈথৌ 'বুংঙো গ্রাবনি, ইন্নশিংদো নংগনি!
মুফানি 'নহক্তমিনা পুংবদি ওইরিনি।
সন্না লৌসিনবিখবো॥' পিগোকউরে খম্বনা॥
খাম্বা খুদোং হেবে—'খুমন নংনা সনাদো
পিনিংদবোই নচেমদা 'মনা পিংবে কখিবনি।
হৌনবরা অহুয়া। শাওই 'ফরোইজাম্বনা॥
"ইবাইবুংঙো " ওবিম্ন। খামজৈ খম্বা মবাইবু॥
থোংলেম্না "পারি বংগা খম্বা নুমি থেংখরে।
চংলো ক ওরেন ফারুরো মচি মরাং প যবনু।
মমৈ হেক্তা পাযরন নবা যাদ্রে শাজেবা।,
মপাই বাদু তাবদা—চ।সনখবে খম্বুনা,
লৈপাক নিংথে থুবম্মে খম্ব. C াংসিনখিহুনা
সন্দি য়েংতা হৈনৈদি খংবা মগী লৈহনা
কাওগী মমৈ পাযখবে পাংগ- C কত্রে কাও অদো॥
খংজিং খংজিং চি বিং খংগ খংথা থাবিরে,
হৈনদরে কাও অদো। শ—"কপা মাংলোমদা,
চিংগে চেনগে অহুগা ফৈনা হাংদে" নিংহুনা,
খম্বা মাবু চিংখরে। খুমন কন্না বাল্লগা,

খংথা খাম্বকপন্থুদা তুরে কাওহ্র। চোংশিনব্রে
মানবী থোইবী হুকউরে কারে কাওহু খংনা ॥
লৈপাক পুম্বা শেমরে নিংথে অনি হয়াওরে।
থোংলেন চুম্ন কুমথদে মাগী সগাই অহুগী
হামেংজৌহ পুম্নপা থংহাই খুক্ক অমদা
য়ামথরে, থোংলেন তারে সগাই চুগা লোই...
হয়াওবনা, থোংলেন থাংগী জগোই শাথরে,
হয়াইস্ন জগোই শারে। মনা পিরে সনা...
লুপামদি থুমথরে —সনা য়োম্বা হিদাকফু,
লুপা ডাম্বক পিনরে, খুমন নিংথে মপুনা॥
লোইরবদা খংদো খুমন নিংথে না কাব্রে।
"হয়েং ইস্নং ছানবদা- 'খুমন নিংথে হাম্নবি"
হায়ব্রে খুমন নিংথৌনা খংগা পিব্রে মোইরাংগা॥
"মোইরাং মপুং য়াইহুদা মাংলগনি হনাওদি"
খুমন নিংথে খনথরে॥ চাংবা থোংলেন ...
জামিন তৌরে খম্বহু। মোইরাং লৈপাক ...।
খম্বা নোংবান অনিনা কাওরেম অহু পুম্নকই ॥
খুমন কমেল কাংদা কাওরেন মাবু পুমথরে।
মথক থাকন খন্দুনা শনবু পুজা তৌখরে ॥
"ইচায় মপান চারে"দি সুংঙাইওরে শন অ... ॥
কাওনা বোর পিখরে নোংয়াই মচিন মৌপুনা॥
থাংজিং লাইগী স্নমাংদা লৈপাক মীয়াম ...॥
তাইরেন লাইজ শিকখরে কাংরেম মাবু শে...
লাক্কং-তাংদন তরেৎগা—সম্নিক-গোমজাও শা...
কৎলে কাওরেন অচুবু মপ থাংজিং লাই...
নমজা মচিন মৈপা' মপায় মতৌ উবদা,
মালেম লৈদা হনথরে, কপব্রে নোংথোং...

মোইরাং লৈপাক কুমখরে। খম্বা মচিন মৌপ।
মপায় সেবা তেংহৌরি মপি তাবা তংলক্কে॥
সন্না— খম্ব খম্বদি নহোয়নি হল্লোগবা'
ইগোম 'নেম্মা ইচাদি য়ারগনি চংলোক্কে'
পারি 'তুংঙো শাজোবা চংলো নচে পুখরো॥"
তাকপিরক্লে অনিদো খম্ব খম্ব হল্লরে।
কোরৌ শিংবুম মঙানি ইলেং লেংদে শল-অদো।
লেপই মকম অচুদা- শন্না থাংজিং কেৈথনা—
থাংজিং নংনা ঐহাকপু লোরবরা লৈ দ্রিত্রা?
লৌত্রবশু লৌবিরো। ঐগী থবাই অমনা
থারো নংনা শোইকদে পুরেন ঙাংখরৈমদা
থবাই মরি অসিদি খোইরেন তাক্ত চংকৃমি।
পাম্ব ওনপে লৈক্লগে। ইচাই লমন শিংলমগে।
লিলা সংদিঙ লোইরমগে।" হায়নখরে থাংজিংগা।
চুমিথক্তরি সুরে মচা অনি কৌরক্লে
"পারি ইমোম অনিদি. কাওরবরা ইপাবু!
ইপা যাত্রা হইরগে! চংঙকউবা নহোয়রবো॥"
মিংতা পীবু তাকনা কাওরেন মামা কৌরকপা,
খম্ব খংনা অনিনা তাবে মরান যাইথদা॥
মিংঙেন থুমজা খাইনৌবী পুরক্না অনিদো,
মপায় মমাক তাংদি চেঞ্জরক্লে অনিদো,
ইপা জাথো হায়থনা কপ্প কপ্প লমজা "মি॥
মমা অনি উবদা কাওরেন থাবা কোকচরে।
চংসিনখ্রে মপাদা হুপনৌ থুমজা কংচরে,
কাওরেন মনম নম্লগ তোকলে শংগা চাদরে।
মচা অনিবু নমই, লেকই কাওরেন কপ্লকই।
মপায় মতৌ উবদা লমজা অনি কপ্লকই—

"ইপাইবুংঙো চাবিয় পম্বো লৌবিয়গবা।
লমজা নচা অনিবু ব্বারৌরবরা নংনা?"—
"পাব্রি ইমোম অনিমক শাওব নম্ভে ইপানা,
চাকুরগা শজিক্লে, ইপা পাঙ্গল কল্লনি।
ইপা চংপা য়াররোই চাররোইকো ইবেম্মা।"
চাখিদরে শল অদো॥ কাওরেন মমায় নোংপোক ওন
ভুগ্রে মিকুপ অদুদা। চিরেন মরক ঁতুদগী
লংনা কোরৌ থকলোমদা—পাইখৎখরে—উহৌই!
খম্বা মানা "ইচেম্মন। করিনোনে অসিবো?"
"ইপায় থর ই ওহরবোই ই২ নিংথৌ ইবুংঙো।"
হায়নহৌই যেংনহৌই। মণ্ডান ব্রাংনা কাপ্রগা,
কায়খি চাইথোক্ল উগ্রে। কাওরেন মাবু কোন্দুনা
কপ্লমথৈ কপ্লগা—মশাহু, পুরোং মথৌ
য়াংগোলম্মে খম্বনা। তরামাথোইনি স্তুবা
কোরৌ হুদা খম্বনা লৈম নিংথৌ যাওরি
মপায় মথৌ লোইখরে লমজা মাগী মরোইদা।



হিজম অঙাংহল সিংহগী লাইরিক

১ খম্ব থোইবী শৈরেং (Complete poem in one Bc

২ শিরেঙেন ইন্দু।

অনোবা Edition হোক্লগনি।